খুমন্ নিংথৌরোন লম্বুবা

শিন্দোকপা অমসুং হন্দোকপা
বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

পুথোকপা
এলঃ লোকেন

BVP-11~~2~~ 1141 -31/1/17
(4) - 1102 - 12/21.

খুমন্ নিংথৌরোন্ লম্বুবা
(অনৌবা লোন্দা হন্দোকপা য়াওরবা)

শিন্দোকপা অমসুং হন্দোকপা
মিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

পুথোকপা
এলঃ লোকেন

লাইরিক ফোংবগী থমজরিবা খর

১।	লাইরিক মমিং	: খুমন্ নিংথৌরোন্ লম্বুবা
২।	,, শিন্দোকপা অমসুং	বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা।
	রাহৌদোক পীবা	: ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল,—৭৯৫০০১, মনিপুর
৩।	লাইরিক পুথোকপা	: এল: লোকেন, উৎলৌ
৪।	,, মখুম য়েকপা	: এম: রনজিৎ সিংহ, এস: ও:, টি: পি: সেল,
৫।	লাইরিক ফোংবা মতম	: মার্চ, ১৯৯৮
৬।	,, মমল্	: লুপা ৫০ (য়াঙ্খৈ)
৭।	লাইরিক্কী হক	: ক) ফোংবা/নম্বা—কুলচন্দ্র খ) শেল-থুম—লোকেন
৮।	লাইরিক ফংফম	: অ) এল: লোকেল, টি: পি: সেল, ইম্ফাল আ) পি: এস: ষ্টেসনরী এণ্ড প্রিন্টিং, শগোলবন্দ মোইরাংময়ুম লৈরক মচীন, ইম্ফাল—৭৯৫০০১, মনিপুর ই) রাজেস বুক ষ্টোল, সেন্ট্রেল লাইব্রেরী মনীঙ ইম্ফাল, মনিপুর ঈ) বুক কেভ, পাউনা বজার ইম্ফাল, মনিপুর।

নম্ফম :—

নিমাই এণ্ড সন্স প্রিন্টিং রার্কস

পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

খ্বাইগী মফমদা নোল্লুকচবা

“খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা”, মতম অমগী মৈত্রবাক মনিপুরগী য়েক অমনা শলাই-লৈপাক লীংহুনা পাল্লম্বা খুমন য়েক্কী নিংথৌশিংনা লৈঙাক-থৌদাদা মানা-মানা তৌরম্বা থৌদাংশিংগী ৱারী-ৱাখোঙ্নি। অঙনবা মতমগী মনিপুরগী খা মায়কৈদা খৃষ্টানগী কুমশীঙ্ ১৩৩৫ রোম ফাওবদা মশা মতোমতা লৈঙাক-চহুনা মনীঙ-তম্না পাল্লম্বা য়েক অমগী হিস্তোরিকেল মেটরিয়েল ওইবা মচাকশিংনি। লাইরিকসিদা পুন্না খুমন নিংথৌ কুনতরুক্না লৈঙাক থৌগায় পুরম্ববু শীঙথারি অমসুং মখোয়গী নিংথৌ-শাগৈগী হৌরকফমগী মশক উৎলি। পুন্নমকসি মমাঙঙৈগী ঐখোয়গী ঈপা-ঈখু লাই ওইশ্রবশিংহুনা মখোয়গী লৈঙাকপশিংহুনা তৌথিবা থবকশিং অমসুং মথৌশিং অহুবু পুথোক্কুনা মতমগী লাংদা থুহুনা করি থঙলরোয়দবা ঐখোয়গীদমক্তা থম্বীরম্লি। অহুবু ঐখোয়না হিংবগী লানফমনা হেন্না মরু ওইথিবনা মখোয়গীদমক্তা তাইবং মপুদা ঈশিং খুজোক অমতং ফাওবা কংলুবদি লায়রহুনা মিংকুপ অমতবু য়ৌনা মখোয়গী ৱাখল খল্লুদে। মখোয়না ঐখোয়গীদমক্তা কয়াগী মতীক তৌবীরম্লে—ঐখোয়গী ঈরৈপাক পীবীরে, পুন্সি পীবীরে, পুন্নমক পীবীরে। মখোয় লৈরমদ্রবদি ঐখোয় লৈরম্লোয়. মখোয়না পীবীরমদ্রবদি ঐখোয় পোক্লকলোয়-থোক্লকলোয়। অহুবু ঐখোয়না তৌবীমল খঙদবা ওইহুনা মখোয়গী তৌবীমলবু কাউথোক্লি। মালেমগি জাতি পুন্নমক্না মাগী-মাগী জাতিগী মনাৎ অমসুং মপা-মপুশিংগী থবক-থৌদাংশিং পুথোক্লহুনা মশক তাক্লরি। অসিগুম্বা মতমসিদা ঐখোয়গী ঈপা-ঈপুশিংসি পুথোকপগী খুদোং চাবহু লৌজহুনা লাইরিক অসি খ্বাই, তরা মচাশিংকী মফমদা লাম্থোকচরি।

(২)

মাঙগী অহল্-লম্মনশিংনা মখোয়গী ৱাংথ্রবা অরিবা সাহিত্য অমস্তুং লোন্দাগী থাক্তা থম্বীরম্মী। অদুবু মদু হিরমশিংসিদা খোঙ্ থাংজিল্লবশিং নত্তনা মীপুম তিংনা খঙ্বদি ঙম্মদে। মরম্ অসিনা খুমন্ ঈপা-ঈপুশিংগী নিংথৌশিংগী ৱাখোঙ-ৱারীশিংসি খঙমিন্নবগী মথৌ তারবা মৈতৈ ঈচীন-ঈনাউশিংদা খঙমিন্নবা অনৌবা লোনগী ৱাহন্থোক্না কোন্না ফোংদোকপগী থৌদাং অসি লৌজরুবনি। করিস্তু খঙজদ্রিবা ঐখোয়না হৈ-শীংলবা অহল-লম্মনশিংনা ইবীরগা লুবাক-তাবুন্থুংদা য়োমদুনা লীরম্বা ঈপা-ঈপুশিং খরগী ৱারীসি মীয়ামদা লাংথোকচবা ঙম্মনবা থৌনা পীবীরিবা খুমন পোকপ ইবুধৌবু থুরুমজরি, ইবিরম্বা অমস্তুং লীদুনা থম্বীরম্বা অহল্-লমনশিংদুবু ঈকাই খুম্নবগা লোইননা ঈকোক্ নোঞ্জরি, লাইরিক্সিবু শিন্দোকপীবা-হন্দোকপীরিবা ঈয়াম্বসিবু ইকাই খুম্না থাগৎচরি। মথুংনা থাজরগা-শেমজরগা হেক্তুনা তাইবং মপুদা লাইরিকসিবু লৈরাংজখিবা মাঙগী-অহল লমনশিং পুন্নমক্না লাইরিক্সিনা খংইগী খুত্তা য়ৌরগা পেনবীনবা ঙাইহনবীনবা তাইবং মপুদা চঙজরি।

লাংথোকচরিবা

লাইশ্রম লোকেন, পুথোকপা

তাং ৮। ৩। ১৯৯৮

লাইরিকসীগী মরমদা

'খুমন্ নিংথৌরোল্ লম্বুবা' হায়রিবা লাইরিক অসি মৈতৈ ময়েক্তা মাঙগী অহল-লম্মনশিংনা থম্বীরম্মী। লাইরিকসি কনাগুম্বা অখণ্ড-অহৈ খরনা 'খুমনলোন' হায়না হায়বী অহুবু লাইরিকসিগী ইরিবা ইবগী মওং-মতৌ, মই-মরাক (Style and technique) নচিংবসি লম্বুবগীনি। অহুনা লম্বুবা হায়না থোনববসিনা খরখিত্তুং চুমগনি খঞ্জে।

লাইরিকসিগী খর্বোন/বনান (Spelling) গী মতাং অসি লাইরিকসিদা চেল্লিবা মৈতৈ কাংলুপসিগী খুমন য়েক/ফুরুপসিগী মনাংকী মতুং ইন্দুনা অরূম-অয়াংগী থোন্থোক্কী মতুং ইন্না তারকপা অমসুং রাহন্দোক অমদি নুংগী ঈচেলগী মতুং ইন্না খুদোং চাবা য়েংতুনা থায়নগী অহনশিংনা ইবিরম্বদগী হৌজিক্কীগা চাননবা য়েংতুনা খর শেমদোকচল্লে, মতুগীদমক্তা ঙাকপীগনি, অহল—লম্মনশিংবু থৌশাজদবা নংচদে। লাই ওইবীগ্রবা মখোয়গী খোঙয়াগী উফুলগী ঈচেন্দুদা মখোয়গী থম্মোই চেনখিবা রাখন্দা পুথিবা মনাংকী ঈচেন্দুগী ঈরীক অমতং ফংবা য়াগদ্রা-হায়না হোৎন্নবদগী তৌজখিবনি।

ফোংজরিবা লাইরিকসিদা হাপচিঞ্জরিবা হেডিং অমসুং সব-হেডিংশিংসি হেক য়েংবদা নুংঙাইনবা, খুংলোইনা নিংথৌ-নিংথৌগী তাংকক-তাংকক থঙবদা নুংঙাইনবা হাপচিঞ্জবনি, মাঙগী অহন-লম্মনশিংনা থম্বীরম্বদদি য়াওবা নত্তে, মতুগীদমক্তসু অমুক হন্না ঙাকপীনবা নীজরি। হেডিং অমসুং সব-হেডিংশিংসি

(৪)

লৌথোক্লগা পুল্লপ শমজিন্নরগা অরিবা লাইরিক মশাত্নগী মওং মতৌ, মশক-মতৌ অতুম তাজরবনি।

লাইরিকসিবু ইবিরম্বা থম্বীরম্বা ইকাই খুম্নফম ওইরবশিংদু তাইবং মপুগী খুয়া লৈখোঙ-খাদা নুংঙাইনা পোথাজবা মপু মানা কুবিসনু।

শিন্দোকপা অমসুং হন্দোকপা
বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা
৬। ৩। ১৯৯৮ ইং

য়াওফম উৎচবা

মশীঙ	হিরম	লামায়
(ক)	ৱাহৌদোক্	১
(খ)	খুমন্ নিংথৌরোন্ লময়ানবা	১—১৬
১)	পোইরৈতোন	১০
২)	সীঙতাবুঙ	১৩
৩)	পামিংনবা	১৪
৪)	নুংবান খুনথিবা	১৫
৫)	হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা	১৬
(গ)	খুমন্ নিংথৌরোন্ লম্বুবা	১৮
১)	লুংবা অহনবা	২০
২)	য়োইরাপোক পুনসিবা	২৩
৩)	কজেং ৱাহেং মাংবা	২৫
৪)	মোংবা খোনবা	২৬
৫)	খোনবা নিংথৌবা	২৮
৬)	অদোন লাইফেংবা	২৯
৭)	পুনসি য়ুমোইবা	৩২
৮)	য়োঙ্গথোংঙাই	৪৩
৯)	হাওরমতোন য়াংবা কায়বা	৪৩
১০)	অদোন মেনপোম্বা	৪৬
১১)	থোংলৈরোম	৪৭
১২)	চীঙথোঙ থোঙ্গ্রাহবা	৪৮
১৩)	নিংথৌ সিয়ারোঙ	৬৩
১৪)	অদোন চেকয়াম্বা	৬৬

মশীঙ	হিরম	লামায়
১৪)	অদোন থিঙ্গোন লীকমাবা	৬৫
১৫)	কোকপা অহনবা	৬৯
১৬)	খুমন্ লৈপাক্কী নিংথৌ কাংবা	৭৩
১৭)	নিংথৌরোন্ মখা শমথরকপা	৭৫
১৮)	অদোন য়াইথিংবা	৭৬
১৯)	অদোন সময়োকফাবা	৮৫
২০)	অদোন থোঙপু সমুকন্নুচা	৮৭
২১)	অদোন থিঙ্গোনহনবা	৯০
২২)	কাংচীন লৈনাউ তাবা	১০১
২৩)	ঈকোপ লানথাবা	১০৫
২৪)	অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবা	১১০
২৪)	অদোন চারোনবা	১২৩
২৬)	অদোন য়াওসোম্বা	১২৬
২৭)	লময়াঙ্গ ফাইথীনবা	১৩০
(ঘ)	ব্রারোঙ্গ মিকোন থাকোন	১৩৫
১)	লাইরিক সিনবীরন্বগী ব্রারোন	১৩৯

খুমন্ নিংথৌরোন লম্বুবা

ৱাহৌদোক

হয়া-হে লীক্লাই-ও, য়ীপুংথৌ নোংথৌরেন্ পুমাপ-ও, শ্রীশ্রীজিতসাহা চুপারাজ অহন্পতা পোইরই মুকুতা ফম্পাল্লাং সনা সিংহাসোন্পু পী-না মনিপুর সনা লইময়োন্ অসিপু রাজ্য লইপাক্ খুৎতা থু-ম্না পোইরই লইপাক্ ঙাকৃসুনো হাঙনা সনা ফম্পান্ পীরপতা চুপারাজ অহন্পা, লীক্লাই সনা ৱাপীহন্না

ৱাহৌদোক

হে-তাইবংপোক্পী মমা ওইবী ঈমানঙ্বু খুরুম্জরি, হে লীক্লাইগুম্ মতম পুন্নমক্তা মশেক্-মঙালগা লোইনদুনা লংডুন্তা লৈরবা তাইবংপানবগী মবুংঙো, ঈপা-ঈপু অথোইবা পুন্নমক্কী হওরক্ফম্ ওইরবা নোংমদোনগুম ৱাংবা পুন্নমকপু পোকপীরকপা পুন্নমক্তগী অথোইবা ওইরিবা, নহাক্কী নখুয়াখাদা চঙজরি ।। 'ঈকাই খুম্নজফম ওইরবা' হায়বা ৱাহৈসিনা অনিরক হন্না লৈতেংলবা জিতসাহা (খৃঃ ১৭৪৮-৫২), মচানুপা পুন্নমক্কী অহন্ ওইনা যুবারাজ ফম্থোন ওইরিবদা পোইগী লৈপাক কৌনবা লৈপাকসি ঙাক্লসনু হায়দুনা নিংথৌগী সনা ফম্বাল্ শিন্নরবদা যুবারাজ পুন্নমক্তগী অহন্ ওইরবা, নিংথৌমচাশিংগী থৱাইগী

য়োঙ্গীপু তম্ফা মসানৌ নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌচন্নু, অতোন্ থিঙ্কোন্হন্পা, য়াংলা চাহই লেন্পা, পাসি লাল্লোঙ্গী ঙম্পা, মারা খুল্লেন্ চায়পা, কালা-রাজ লম্চিংপা মপারী মারাতন্ অতন্পা ফাপা, সায়ান্ পন্মইথাতা খৌসাপা, থিংকাই থারাংপা থিংপা পুনেম্ সাফপপু কাঙ্গনহুন্পা সনা য়ীপু চীরৌফপা নোংয়াঙ্গী হাওপ্মচা রাজমন্ত্রী কৈপীরাম্ সিংহ মমোম্ খয়োঙ্গরোন্ রাজকৈনা অথোইপী দময়ন্তী রানী অহেন্বীগী জয়, য়াইফখোইবা খেল্লেন্ মহেন্দ্র অথুম্পতা সুর্জ, নুমিং থা-চিকুননা চন্দ্র থাচনা পান্-পকুন্ অভিসেক্ চোঙ্গনৌ সনা ফম্পান্ তোংহল্লপতা লাইরেন্ মইতিংঙ্ শ্রীগরিব-

---

অহন্ অতুনা নিংথৌগী, ফমুথোন্ কাবী, য়োক্পী-থাক্-পীবগী মপুরেনবী ওইরিবী লৈমা তম্ফাঙম লংনা নৌরবী তালোই, অরাংবা লমদমগী ময়ায় ওইবা লমদা পান্বা খুমন্ লৈপাক্পী অমসুং য়েক্পী নিংথৌগী মচান্নুপী অদোম্ খিঙ্গোনহনবা কৌবা, "য়াং" পাম্বীগী মনাগী মহৈ (থুম্) হেক্পা/লোক্পা, পাশা (সিলেট, বাঙ্গালাদেশ) গী পাসিগী খুন্/লম্দম্ "লাল্লোই" জয় তৌবা, ম-রাশিংগী খুঞ্জাওবু থুগায়-চায়থায়বা, কুচু মুবা মীশিংগী নিংথৌ ওইহুনা মখোয়গী লমজিংবা ওইরিবহুগী মচান্নুপা ম-রাতন্ কৌবা অ-তন্বা/অকন্নবু হাংপা, শায়ান কৌবা পন্গী পন্মৈগী মথারোমদা লৈরিবা লমশিংদা লান্দাবা, মনীঙ-মতুংলোমদা য়াংখৎলগা মথবাক্তা মরাং-মরাংবা থিংবা পুনেম শাফবনু মথরাই মমি কায়নহন্বহুগী শেংলবা ঈগী মরিবু লৌহুনা শমথহোৌবা, খুমনগী হাওবম শাগৈগী মচা রাজমন্ত্রী কৈবীরাম সিংহগী মচাইবেম্মা খুমন য়েক্ওইবী, নিংথৌমচান্নুপীলক্কুগী অথোইবী, শকুহেন্বী দময়ন্তী রানীগী য়াইফ থোইরবা তাঙ্গা মহেন্দ্র পুংফম্গী অথুম্বা খোঙফম্দা নুমিং থা অনিমক্কা

নিরাজ, বৈষ্ণব থোংনাং ময়াম্পা, থোংনাং নুঙ্মঙাই নুঙ্তোং-চীঙ্তা থাঙ্লেন্ পাম্‌হাই সক্পা রাম লক্ষন্ থোঙ্থোং চীঙ্তা থৌ-তু নুঙ্খিন্ তাল্পা তারুরান্ য়াইথাং লীক্পনা নোইনাই য়ীপরী চুপারাজা লীক্লাই রাপীহন্-ত্তো, পোইরই সনা ফম্পাল্লাংকী কোল্‌লোই মিংখইরেন্তি শ্রীজুৎ নোংপোক্ মেন্থোম্পা ঔরা থোঙ্লেন্ লান্‌চিংপা খামরন্ কোংমু-ক্রাংখোং, ঔরা চেকোং মীরোঙ্থন্পু কাঈনহুন্পা হায়না কোল্‌লোই মিংকৌন ত্তো ।। য়ীহুইরোন্ নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ-চম্ন নঙ্কী কোল্‌লোই নমিং-

---

খম্‌ব্রাংননা থোকমিন্নবগুম লৈমা নিংথৌ অনিমকপু অভিষেক তৌহুনা ফম্বাল তোংহল্লবদা অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈ মবুংত্তো ঈকাই খুম্নফম ওইরবা গরিবনিরাজ (লাইরববু কোকহন্বীবা মপু), থোংদা নৈশিন্-লৈশিন্দুনা লৈবা ময়াংবু ভস্বা বিষ্ণু নত্রগা মাগী শাইয়োন-লাংওন্ অমা নীঙজবা মী-ওইরিবা, থোং মথক্তা নৈশিন্দুনা লৈরিবা, নুঙ্শিংগী মঙাই-মশেন্ ওইনবশিংগী নুঙ্ মথক্তা তোংবা/লৈবা/ পানবশিংগী চীঙ্দা/কোনুংদা/লমদা পাম্ হাঈবগুম থাঙহাইথিবা, রাম্-লক্ষননা মথোঙনা থোংনা লাক্লম্বা-পাল্লম্বা চীঙ্দা নুঙত্তো (থৌ) গী মতু ওইবা নুঙ (সেন্দষ্টোন) খিন্নবা হোৎনখিবা, কোকয়েত্তা য়াই ওইবশিংনা লীক ওইনা থেংপনা; মীয়ামগী ওইরবা লী-ক্লাইগুম্বা ঈচা নুপাশিংগী মরক্তগী, যুবরাজশিংগী মরক্তগীসু থাইদগী অহন্ ওইরবা নঙগী ফম্বাল তাংবগী নশাগা লোই-নগদবা অথোইবা নমিংদি ঈকাই খুম্নজরিবা হায়বা রাহৈনা লৈতেংবা নোংপোক মেনথোম্বা, ঔরা মায়কৈরোমগী লাঞ্জিংলেন, খাম্নন-মচা কোংমু-ক্রাংখোং কৌবা ঔরাগী চেকোং (সগাং : SAG-AING) সহরগী অরুন্বলক্তগী অখন্নববু মায়থীবা পীবা হায়না মিঙ্গৌনৌ, ঈমৌইবেম্মা খুমন নিংথৌগী মচানুপী নঙগী নশাগা

লেন্তি জয় শ্রীমতি মহারানী, নোংপোক্ ৱায়রং চে-খোম্পী মুক্তা খাওচাও লোক্পী, লাংকোই মোইসায়া সায়া অপান্পা থোক্নরম্ থৌ-তু নুঙ্ অান্চীঙ্, চোঙ্গনৌ লুপাচীঙ্ সেক্মু কাইনৌ চীঙ্সোম্পী, সেন্পী লাক্ৱাইক্রস্থু থাপা ঙক্লীনপপু কাঙ্গনহুন্পী, হাঙ্গনা কোল্লোই মিংহুন্-পীরপতা, লাইরেন্ মইতিংঙু নোংপোক্ ৱায়রং পাম্হৈপনা তুপী সনা মনীন্থোন্পু কুকিল্ খোন্ তাননা পাউমেল্লক্ অে. পাইরওরেম্ য়োঙ্গপা খুমন্পচা রাজমন্ত্রি কৈপীরাম্ সিংহ পাঙ্গমা লিন্তাং সাংপা লৌ-ৱাই হাফুরোন্কুম্ মরী চৎ, হা-তাংসাং কুম্- ম-তা-লাম্পা নঙ্পু লা অো, নমোম্ য়ীহুইরোন্ নোংয়াঙ্গ

লোইনগদবা অথোইবানমিংদি, ঈকাই খুম্নফম ওইরিবী, য়াইফরবী মহারানী, নোংপোক লমদমশিংগী চে খোম্বী, মনিমুক্তা খাঙজাও লোক্পী, মোইবুংগুম্না ঙৌবা ময়া পান্বা শা শামু অঙৌবা ময়াম্না লৈবা-থোকপা লম্, নুঙ্ ওন্বা ঙম্বা চীঙ, চোয়র-চোয়রগা নৌথোরকপা লুপাগী চীঙ, অমুম্বা মুঙগী চীঙ্বু মায়থীবা পীরিবী থৱানমিচাক ওইবী, সেক্মু কাইনৌ চীঙশোম্বী, মঙক-শমদা শিবা ফজরবা লীক পরেংনা মথবাক্তা তাবা ঔৱাগী লাক-ৱাইক্রস্থুবু মায়থীবা পীবী হায়না মশাগা লোইনগদবা মমিং থোন্বীরবদা অথোইব লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো নোংপোক ৱায়রং পামহৈবনা ঈশিং পীবিরিবা লাইগুম্বা মহাক্কী মশাগী নীন-খোংবগী মখোনবু কোক্লিগী মখোনগী খোনফম-খোঞ্জেন্দুগা মান্ননা পাউমেল্লকখি, ঈবাই থোকপা/ওইবশিংগী মরক্তগী অথোইবা ওইরিবা য়োক্পী-থাকপী হৈরবা খুমন্গী মপা-মচা ওইবা রাজমন্ত্রী কৈবীরাম সিংহ, পুন্নীঙ্—ৱাখল্গী খোয়রী মরীন্ শাংবা, লৌ ৱাইতুনা উবা লমগী হা পান্বীগী ফু/মরূ মরোন মরোন নাইনা মরী চৎপগুম, মতাং শাংবা হা পান্বীগুম্না মতা

খ্বয়োঙ্গৈরোন অতোন্ লোইয়ম্পা চন্থুকী মপাম্ নোংয়াঙ্গৈপুঙ্ খুমন্ সাংপয়াঙ্গৈকী নোংয়াঙ্গৈ পারী কাং, খুমন্ পুরী তংলপকী পুরোন্ মথং সীন্, পারোন্ মথং লেংনা সেম্চ-অো, হাঙ্গৈনা পাউমেল্লপ-কীপু লোইয়ম্ নোংয়াঙ্গৈ নাহানা পাউখুম্চরব্অে, লাইরেন্ কোরঙ য়ীনোংথৌ, তুপী নথৌচাল্, লাইরেন্ নরন্কুকী তয়ম্ তাঙ্চা কোক্তা থোংনা পাউয়াচকে ।। তম্ফা পীমাপী জয় শ্রীমতি রানী লইমরেন্কী মপন্ নোংয়াই খুমন্পাচা, অতোন্ হাওপম্চা খুমন্ সা কোন্খিন্পা রাজমন্ত্রি মকোয় পাউনীঙ্সিংপনা, "নোংয়াই য়ীপা-চা, খুমন্ য়ীয়েল্-লু, নোংয়াঙ্গৈ ফেন্-তা

লাম্ন-লাম্তুনা চংপগুন্না রাখ্নগী পরিং নাইবা, নহাক লা-ও, নচানুপী ঈমোওইবী খুমন য়েক ওইবী, মশা মশাগী লোই য়াম্না চাবা/লৈবা খুমন শ্নীবাশিংগী মচা নিংঙোনসিগী মপাম খুমন লৈপাক্কী কোন্নুংদা পাল্লম্বশিংগী খুমন মপা মপুগী পারী-পুরী কাংল-তংবসিবু পারী-পুরা মথং-মনাউ নাইনা লেংশিন-শমজিন্দুনা শেমজরো হায়না য়াথং তাকপীরবগী মশাগী লোই য়াম্নবা খুমন মচাতুনা পাউখুমজরকথি, অথোইবা লাই ওইরিবা ননাইগীদি নোংদোনগী মপু ওইবীরিবা, ঈশিং পীবীরিবা লাই-গুম্বা নঙগী চানবীবা অমসুং অথোইবা লাইগুম্বা নঙগী পীনবীবসিগী মথাদা লাক্কদবা থবকশিং ঈকোক থোংনা পুজরগে হায়না য়াজরে। তমফা য়াইগুম্ মপী-মপা শক্লবী, য়াইফরবী, ঈকাই খুম্নফম ওইরবী, মৈতৈ নিংথৌ লৈমা ওইবীশিংগী মপা খুমন য়েক্ ওইবা মচা, হাওবম শাগৈগী মচা, খুমন্ মরক্তগী শা/শগোন মকোন শেমতুনা লোইবা/লৈবা, লৈপাক পুবা মন্ত্রী, মালেমগী মকোয়দা লৈরিবা পাউ পুম্নমকপু খঙবা/নীঙশিংবা ঙম্না "নোংয়াঙ্গৈ ঐখোয়গী ঈপা-ঈচা, ওইবা খুমন্গী য়েনবী অম-

লইকোঈপুঙ্পু অসৈনপা সোইপাই অহন্পা মুকুন্তরাম্ মায়চৌ সৌরাইচাম্পা নঙ্পু লা-ও, য়ীমোম্ মইতৈরইমকী মপাম্ নোংয়াঈ চাওপপুঙ্তা খুমন্ হান্না খুন্তারক্পতি য়ীয়ু নোংয়াঈ নিংথৌ নোংয়াঈ লীকলাই লীপা খুমন্ সন্কোন্ থন্পসিংকী নিংথৌ ফম্-লম্ সীন্, খম্লাং মথংলেঙ না সৈসেম্সে,” হায়না পাউমেক্লপতা নোংয়াঈ মপা-চা মায়চৌ সোরাইচাম্পনা, “হোইতা, নোংয়াঈ য়ীপুথৌ-রাজমন্ত্রি লৌশীংপা, রায়রা সাথোঙ্ অরুপা হুয়েন্ লান্ফম্ অচৌপতা খোয়মা নমাঈ ওন্তপা, থায়াঙ্ নথৌমন্কী ওক্লেন্ লাংসম্ কাওপু তেংথান্পা, নিংথৌ লান্পোক্টং-ফ থৈপীক্ সেংনা কংলা খোঙ্কা চাক্পু

তনা কোল্লকপা মরুমদগী শন্দোক্লকপা শক্ক শায়াঙ পাল্লিবা, খুমনগী ফেন্তা লৈকোয়পুঙ (খুমনগী অনিরুকগুম্বা কোন্নুং = হৌজিক্কী ময়াং ইম্ফাল) বু শৈশক শৈথানরিবা, সোইপাই, অহনবগী চাদা-নাউদা ওইবা মায়চৌ মুকুন্তরাম সৌরাইজাম্বা নহাক্না ঐগী ইচান্নুপী মৈতৈগী মবেম্মগী মপাম লমদম, নোংয়াঈ চাওবপুঙ্ (খুমনগী কোন্নুং = ময়াং ইম্ফাল) দা অহানবা খুন্দারকপা ঈবুধৌ খুমন্নিংথৌ, অরংপা লীক্লাইগী লীক পরেং শিবা, খুমন মশন শঙ্গোন থন্শিংহুগী নিংথৌ ওইহুনা পাল্লম্বা মথং শীংনা হৌগ্রবশিংবু মথং-মনাউ কায়দনা লেঙশিন্দুনা শৈশক ওইনা শেম্লসি হায়ল্লবদা খুমনগী মপা-মচা ওইবা মায়চৌ সৌরাইজাম্বনা, ‘অহোই, ঈবুধৌ ঈবুংঙো লৌশীং শীংলবা রাজমন্ত্রী, শাগী-শাথোঙ্ অরুবা, লানগী লান্ফন্ অচৌবা খুদিংমক্তা মায় লৈহুনা চেনবীরক্কুবা, নহাক্কী য়াঙনা থা/থবাক শীজিন্নবা থৌনা ফবহুগী মমল্ ওইনা লাং মরক্তা শমহুনা চংপা নাইতোম্ চংপা অথোইবা ওকচাও তোমচংপা ওইনা শরু-শোন্নবা, নিংথৌগী মনাফি লানফি

তানফংপা, নিংথৌ ব্রন্পী পুক্তিন্ননা পোইরই লৈপাক্ ঙাক্লিপা, নোংয়াঙ্গ চীন্কোয় নয়াথং লীক্লাং নপাউামেন্পু হেপ্থোক্তনা লাইরেন্ নোংথৌরেন্কী চীঙ্খোঙ্ থৌতারেম্ ব্রাক্মা মিতম্হন্পা লোইয়ম্ ব্রাংঙম্ নাহা থোংনাংমারা অহোঙ্পা মনোংয়াঙ্গ, মুরারী মায়তুব্ কোন্সাপা, অতোন্ নোংয়াঙ্গ নাহা লম্য়াঙ্গ, কাইখীন্পা বন্মালী লন্লোই খুমন্থেম্পকা পান্চি মরোন্ থিনা দণ্ড ব্রাংলেন্ পুংচা খঙ্পরক্তকী ময়ুম্ সোইপাই তাইপংচাম্পা মনোংয়াঙ্গ, কোংপা কংকারাম্ ব্রারেপ্পা, মখোঙ্গ ও মকা, সীন্নাইপীচাকুম্ পাঙ্গমা হোন্চিন্ননা সৈসেম্চরক্কে ॥ তৌয়িকুম্ নোংয়াঙ্গ নপাউমেন্পু পাউঅোল্-

---

মশীঙ শুনা শেত্তুনা কংলা যম্বগী মনালৌ ফংহুনা চাবগী নতিক নগুন থাগংনরিবা,মৈতৈ নিংথৌগা পুকচেল-খোঙ্গচেল তিননা মৈতৈ লৈপাক ঙাকমিন্নরিবা খুমন ওইবগা নঙগী নরাহৈগী য়াথং নহাক্না হায়ব ব্রাফমসিদগী লাপথোক-খৈদোক্তনা অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈ নিংথৌরেন্গী অথোইবা মনাই শৈশক-শৈদা পুন্নমককী ঈশৈহনবা, মৈতৈগী য়েকলুপ্তা চনবা ময়াং ফুরুপকী মরা অহোঙবগী মশুন্সুপা কোনশমগী মুরারি কৌবা মায়তুমস্থু মিংগৌনব্বা খুমন ঈয়েকলুপকী খুমন নিংথৌ লময়াঙ্গ-কাইখীনবগী চাদা-নাউদা লল্লোই লৈয়াত্তা খূন্দাদা খুমনথেমগী পা-ল্লোইস্থ কৌবা বনমালীগা, পাঞ্জিগী শীনফম তৌহুনা পুংজাগী মীকুপ-নাহুম খঙলবা শোইপাই তাইবংজাম্বগী চাদা নাউদা তাইবংজম্গী কোংবদা লৈবা ব্রারেপ্পস্থ কৌবা গঙ্গারামস্থু কৌবা মথোয় অহুমক্কা লোইননা লশিঙতীনগুম পুক্লীঙ ব্রাথল তৌনা শৈওং-শৈদা শেমহুনা ইজরক্কে। তৌইগুম্বস্থং খুমন লুচিংবা নহাকী নয়াথং নব্রাহৈগা ওন্-না-তৈননা থোক্লগদরা, হায়জবা ঙমজদে; ঈশৈ পরেং চাদবগুম ব্রাহৈ পরেং

লকপরা অসৈ পরেং চা-তা, কথোই চীন্য়াম্না য়াথং থোইরা সম্লপস্থং লঙ্চা অয়োন্ ঙাক্পীঙৈনে ।। হায়না পাউমেন্চখিঅে ।। ময়ু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ থিঙ্কোন হন্পা মনোং য়াঙ্গ শ্রীরামচরন অতোন্ হাওপম্চানা, নতাইরেম্ অইতি অনচি লাইয়ুম্ থা, পথাপ্ উ-চা লৌনা মুকুমই নারীন্, সোন্চরকে হায়না পাউয়ারপতা, সোক্ কুম্শীঙ্ ১৬৭১ লেপ্লিপা, লোইতাম্ ফাই-রেন্ নিন্তুং নিনী পান্পা সংক্রান্তি ১১ সুরক্পা কোরও নুমিৎ য়ুমসাকইসা, খেল্লেন্ সাকোন্সেন্না রাংলেন্ পুংচা লেপ্লিঙৈ, স্বতি কাইনৌ থরান্মিচাক্না তোংলেন্ মঙান্ নাইনা মহেন্দ্রি পুংচা অথুম্পতা য়িরৌসৈনে ॥

চানদনা রাহৈ অথোই-অহেন য়াম্না য়াওহ্না রায়াম শুহনা ইবা তাহ্না তোকপা হায়হন-পনহনীঙবা রাফম হেন্না হায়গদবনা শম্লবস্তু অয়োন-অরান পুন্নমক ঙাকপীবা য়াবমথৈ ঙাক্পীয়ু, হায়না পাউখুম-জহ্না রা মেঞ্জখি। মবুধৌ ওইরবা খুমন্ লৈপাক অমসুং য়েক-শল্লাইগী নিংথৌ অদোন থিঙ্গোন-হনবা কৌবগী মশু-শুথাং ওইরবা খুমন য়েক্-শল্লাইগী হাওবম শাগৈগী ঈকাই খুম্নীঙঙাই ওইরবা রামচরন কৌবনা, ননাই ঐদি অঞ্জি লাইরেম্বী ময়ুম ওইরিবা চেবাং মাঙদা থাহ্না পথাপ্পা লৈয়ি চিংহ্না মুক্কী মমৈ মরী মরী শম্নবা ময়াম চিংখৎ-শোনগত্তুনা লাইরিক ইবগী শরুক ওইজরগে হায়না য়ারবদগী সক কুমশীঙ্ ১৬৭১ গী ফাইরেন থাগী-থা-শিথরক্পগী নিনী পানবা (খৃ: ১৭৫০ কী মার্চকী অহানবা থাখায়) নুমিংকী মঙাননা বিষুরেখাদা তাখিবদগী ১০ শুবা শরুক্কী তাংকক্তা লৈবা মতমগী য়ুমশকৈশ নুমিৎ অমদা শগোলশেন গ্রহগী পুংফম লৈরিঙৈ, স্বাতি (১৫ শুবা নক্ষত্র) না মঙান নাইনা পাল্লিঙৈগী মহেন্দ্র, অথুম্বা পুংজাদা ইহৌবা লাইরিক্লি।

খুমন্ নিংথৌরোন্ লময়ান্পা

হরি হয়া হে নোংয়াঙ্গী লীক্লাং য়াইমরু খোইরা মরূকী লংশুং ময়েক্কী নোংয়াঙ্গী হান্না পোক্মাপা, খুমন্ হান্না সাংমাপা য়ীয়ু নোংয়াঙ্গী লীক্লাং সুমেরুতি কনানো ? চীঙ্ঙু মালেম্ লইসেম্পা. কোরও নোংঅোইপা. মালেম্ লইফন্পা লীক্লাই য়াইপীরেন্ সিত্তপপু চীরেন্ কোন্কা খনা নাউয়োক্পা চীঙ্ঙু নোংলাই অহেন্পা, হুঙ্নাং নোংফুরেন্ অমম্পতা য়াতাপা. য়ীনুং পুঙ্কোয় ময়ুম্নুংকী নোংয়াঙ্গী চুপ্লেন্ ফেন্-সরক্না চীঙ্খই লৈনা থোংনায়াঙ্গীকী লম হওরক্পা পল্লেম্ মমা পোক্মাপী লইনুং পীসিন্তু মালেম্ লইপু লুম্পী পাঙ্গমা রূনকোয়নুংকী

খুমন্ নিংথৌরোন্ লম্য়ান্বা

তাইবং পানবগী মবুংঙো হরি অমদি তাইবং-পোক্পী মমা ওইরিবী অনিমক্পু শোঞ্জহুনা খুরুম-থাজঙ্জরপা খুমন্গী পরেং ওইনা লেঙ্থরক্লিবা অমাঙ-অতা লৈত্রবা ওইনীঙবতা ওইরিবা য়াই মরুগী ওইরবা অতুগী হৌ-রক-শাংলকফম, থোই-রাগী মরূ লেনফু/লেম্ফু, লংশুংগুম পরেং তংহন্দনা চত্থরক্লিবা মরীগী মকোক্-ময়েক্ ওইরিবা, খ্বাই পুন্নমক্তগী অহানবা ওইনা খুমনবু পোক্পী-শাংপীরক্পা ঈবুধৌ পুকোক্-পুরেন্ ওইনা লীক্লাং পরেং পরিং শন্থরকপা অহৌবা মরূতু কনানো হায়না থিজরকপদা চীঙ্/লাইগী মবুংঙো মালেম্সু শেম্বীবা, নোংম-দোনবুসু ওইবীরিবা মালেম তাইবংপান থুংনা ফন্দোক্তুনা মফম পুন্নমক্তা লৈবীরিবা, লীক্লাইগুম লংনা নীঙথিজরবা অহিংবা অচঙ্বা পুন্নমক্কী অথোইবা ওইবীরিবা শিবা নাইদ্রবা, অশিবনা

(১) চীঙ্খোঙ্ পোইরইতোন্

নয়ু চীঙ্খোঙ্ পোইরইতোন্, খুন্পী পোংমহন খুন্নুংয়োঙ্গি-চাখা, চাখা অরিপা, লইন্নুং পোইনাউতা অতোন্প-অো তৌনা কৌঅে ।। চীঙ্খোঙ্ পোইরইতোন্তি খোয়মা তোন্কুম্পনেং খোয়মা লীরেন্তোন্, লীরেন্ য়াঙ্গৈথম্পোং, ময়েং য়েং-নস্নুং মতোম্ তোন্-না পোংপল্লীনিকীনা তাইপং নোংসাপান্পা পুঙ্ অসিতা হিংনা চাপা মরম্সু, মুন-না চাপা মখেন্ সু খুংসু খুংলাই চা-নপা মসীঙ্ স্থুন নোংতম্পীরম্পা পোইরই মইতৈ থোংনাং ময়াং, তখেন্ লাংখা লালুং, কেকে মোইরাং, সেন্পী কপো, চাকোং তাংখুল, কপুই লম্-সন্, তরাও তরই, মরিং নাসেন্, চক্পা তাংপা, খারম্ মন্নুং পুম্নমপু চাক্-চা ফি-সেং তই, য়োঙ্গনা চান্না রাপু নোংতম্পীরপতা নয়ু চীঙ্খোঙ্

চঙবা ঙমদ্রবা মহাক্পু অথোইবা মচীনা মকোন কোয়না খাজি-ন্দুনা নাউয়োক-নাউকোল্লিবা লাইশিংগী মবুংঙো ওইনা নোং-মদোন থক্কী লাই ওইনা তেংবননবদা লৈরিবা হেল্লবা ফজরবা, শিং নান্না ফজরবা ন্নুঙগুম্বা নোংগী অথোইবা মহুম মকোন/ময়ুম ওইরিবা অমম্বা মফমদুদা য়াহিপ্পরিবা, অমম্বা অহিংগী পুংফমশিংনা কোয়শিন্নুনা অমম্বগী ময়ুম ওইরিবা মন্নুংদুগী নোংয়াঙ্গ মতম ওইবন্নুনা অপান্ননা চঙশিন্নকপদুদা চীঙখৈদা মঙান্না লৈ শাংলকপগী, অঙাংবা লৈনা পাল্লক্পগী মতৌগুম নীঙ্থীজরবদুগী ময়াঙ্গৈদগী হৌগং-লেপথত্তুনা চোঙ্থোক্পীরবক্পা, মহাকপু হেক পোকপীরক্পী অপোক্পী মমা লৈ-ন্নুং কৌবা লৈয়াংকী লমদমগী মপী-মমাগী মহুৎ শিনবী (পী য়াহৈন্নু) কৌবী, মালেম লৈপাক লৈমসিবু নাউপুরকপী হায়না মিংথোনবী পাইমা মহাক্কী পীবুরুংদগী —

পোইরইতোন্ লইনুং পোইনাউতা অতোন্প-অো তৌনা কৌ-অে ॥ নয়ু চীঙ্খোঙ পোইরইতোন্তি কোল্লোই মিংথোন্কীপু চুনপনে ॥

নপেন্ লাইনাউতাপী, খুনুং ঙান্পা মপু নিংথৌচনু চরঈ লাকাপান্পু খোঙ্ঈথইনপী. লাইচম্ থোংখোঙ্ সেন্পা, চীঙ্য়াঈ সাফা খেঙ্পা, লইনুং থরো লইহন্পচনু লইহন্নু, থমনুং লৌরী

(১) চীঙ্খোঙ্ পোইরৈতোন্

নবুখোগী মিংলেন্দি লাইগী হেক্ ঙম্থং ওইবা, পোইগী লৈপাক্কী মী (নিংথৌমচা) অতোন্বা পোইরৈতোন্, মপী নঙ্গ্রগা খুঙ্গাও/খুল্লেন ওইবা খুন্গী অহান্বা মী, অরিবা মনাংনা য়োক্পী শেন্বীবা চাখা কাংলুপকী ওইবা মী, চাখা ময়ামদগী লিরবা/ কুইরবা শাগৈগী ওইবা, লৈনুং কৌবা লৈয়াংকী পোইগী মচা মরক্তগী অতোনবা তারবা-ওইরবা লৈ-নুংগী পোইনাউতা অতো-নবা হায়না কৌই । লাইগী ঙমথং ওইরবা পোইরৈতোন্দি পান্বী-শীঙ্বীশিংগী মতোন্না মথক থংবগুম পুন্নমক্কী মথক্তা লৈবনি । পান্বী ওইবা লীশিংগী মরক্তসু খ্াইগী মথক থোংবা, থম্বালগুম্না মতাংগী মরক্ ময়াঈদা পোংথোক-চাওথোক্পা, মপাঙ্গল কনবা মগুন লৈবদসু মতোমতনা পুমহেন হেল্লবা, অথোইবা লীগুম্বা ওইবনিনা টাই, পোংশিংনা নুমিৎকী মঙাননা তারিবা লম অসিদা লৈরি-পাল্লিবা পুম্নমক্কী হিংনা চাবা য়াবা পুন্নমক মরম শুনা, মুল্হল্লগা চাবা য়াবা মথল-মথেল শুনা, খুৎশু-খুংলায়, চান-থক্লবনচিংবা মথল শুনা পুন্নমক্ পুথোক্ত্না পীবীরম্বা, পোইশিংগী লৈপাক্কী মৈতৈ, থোং মথক্তা নৈশিন্দুনা লৈবা ময়াং (ডিমা-সা : কছারী), খাথংবগী লৈপাক তথেলগী লাংথা-লাল্লুং, কেগে লমদমগী মোইরাং, শেন (বল্মেটেল/ব্রোজ)

সেন্পা, মুঙ্আোক্ সঙ্সা মথেন্ তইপা পুরোইলেম্নম্ভু পাঙ্গমা লিন্কোয়কী খম্চীঙ্কোন্ হায়হৈপা, খম্নুং থোংঙাইপা ৱায়েন্ চুম্পনা পোক্পী-লইমা লাইনাউ তাপী পাঙ্গমা লিন্কোয়কী—

পীবা লম্বগী কবো (শান্) চাকোং চীঙ্মী তাংখুল, লম শীন্ন-থুংনা লৈবা কবুই, তাবুন কোকয়েৎ লৈ শিন্দুনা য়েৎপা তরাঙ, উনা-শীঙনা শেন্নবগুম লুমগনবা মরিং, তাংতুনা লৈবা চকপা, লম মনুং হঞ্জিন্না খুন্দাগনবা থারম, কাংলুপশিং অসিবু ফিজেং চাক্চা তোপ্না তোপ্না মান্নদনা পুন্নমকপু চান্ন-চীন্ননা লৈমিন্ননবা শেম্বী শাবীরম্ববগীদমক নবুধৌ চীঙ্খোঙ পোইরৈতোনবু লৈন্নুং পোইনাউতা অতোনুবা হায়না কৌই। নবুধৌ চীঙখোঙ পোই-রৈতোন্দি থোল্লিবা মিংথোলসিগা চপ চানরবনি।

নবেনধৌ লাইনাউতাবী থায়ঙৈগী ঙানবা কাংলুপকী মপু ওইবা নিংথৌগী মচাইবেম্মা, লাগুম পারবা অঙৌবা ফিবু খোয়গী মপা, খ্বাঙদা শেংলিবী, থোংগী থোংখোঙ ঙাক্লি শেল্লিবা অচম্ব। লাই ওইরিবা, চীঙ্গী চীঙয়ায়দা লৈবা শাশিংবু লোয়বা-খম্বা ফাওবা ফাবা, লৈন্নুং লৈয়াংকী মপী ফারবা মচী কোম্বিবা ঈরোই, লৈপাক হন্দুনা লৈরোন্দুনা নুংঙাইনা লৈবগুম লৈরিবশিংগী নিংঙোন্, মালেমসিদা খ্বাইদবী হাননা মরু-মরাং থানবা লৈপাক তৌরবী-হল্লবী, থায়নঙৈদা লৌউনবা লৌরী শেম্বা, নুঙওক্লা লৈন্নুংদা লৈননবা মকোন শাবগুম শঙ্ মথল-মথা য়াম্না শাতুনা লৈবা, শিংগী নিংঙোন পুরোইলেমনুম্ভু (অঙোম পুরৈরোম্বগী মচানুপী) গী পায়মা পীবুক্নুং-দগী পোক্লকপা খমজীংকোন হাঙ্গহৈবা, অশি, লৈপাক্কী থোঙদা ঙাইতুনা অচুম্বা ৱায়েল্ তৌবা নুপাতুনা পোক্চরী মৌগী শীঙদা চল্লরী লাইনাউ তাবীগী পায়মা পুবুকনুংদগী—

(২) সীঙ্তাপুং সীঙ্মিংনপা

নম্নু সীঙ্তাপুং সীঙ্মিংনপা, থম্লই অোন্-তেপা, সন্নাই হুল্যাইপা, থম্লই মীনুংকোন্ সরা মীখুরোন্কী অোন্তে-পনা মীরু-ন্নাং মীরু-তোং, মেরা মেন্-তোং অতাই অতাই চিরাং, কুম্-চন থা-চন্, মিকোন্ য়িন্নাং লাইসোন্, কুম্-সাথাসা পুম্নমপু লইন্নুং থন্নারেন্ অহন্পকী চীন্কোয় মতীন্ মেন্পু হেপ্থোকৃতনা অমন্ সিয়াঈন্নুংকী থিংলও নীঙ্না তে-না হল্রাইপা নয়ু নীঙ্অোন্ সিহন্পঅে তৌনা কৌ-অে ।।

নপেন্ সন্থোঙ পুনেম্প-চন্নু, চীঙ্ঙু মালেম্ লইসেম্লিপা খোইমোম্ সন্থোঙ্ নামুংপনা য়েন্পী সন্থোঙ্ পুনেম্প-চন্নু পাঈমা লিন্কোয়কী—

২। শীঙ্দবুঙ্ শীঙ্মিংনবা

নবুধোগী নিংলেন্দি শীঙ্দা তাবা ঈবুংঙো, শীঙগী মমিং লৌত্থুনা মিংথোন্নবা শীঙদবুঙ্ শীঙ্মিংনবা, অথম্বা অশিবগী লৈপাক্তা চৎলু-য়োরুরপা অমুক হন্নকুনা মশামক ওইনা লাকখি-হন্নকখিবা, অশি' লৈপাক্কী অশিবশিংগী লৈকম, মীয়ামা লৈতবা লৈরোন, অশি-লৈপাক্কগী হন্দুনা লাকপসিনা মরু ওইবা মীশিংবু খুরুম-খাজও, চঙ্জ-নোঙ্গহুনা, মথোয়গী মায়কৈদা তোংহুনা, ময়া-থংশিং পাংথোকতুনা মেরা থাদা ফম্বাল তোংহুনা মালেম পুরিবা লাই-তীন্শিং তাইনা-মেন্নবা ঈরাৎ-থৌনী তৌহুনা, লাইশা-শরেন কৎচন্দুনা, কুম-থা পুরিবা লাইশিং খুরম-খাজওহুনা কুম-থা লোয়শিন-চনশিনবা, থরাই-মি কোনশিন্নবগী ঈরাৎ-লাইশোন, কুম ফননবা কুম পুরক্কদৌরিবা লাইদা ঈরাৎ-থৌনীতুনা মহৈ-মরোং চুন্নবা

(৩) পন্‌থৌ পামিংনপা

পা-ৰী হন্‌চিন্‌না পন্‌থৌ তে-সিন্‌নবা থৱা সক্‌লেন্ অোন্‌না সান্‌অোন্‌পা, সীঙ্‌লেন্ লৈরোংমা লৈরাং মচু নীক্‌পপু মায়ৰঙ্গী ননা তে-সিন্‌পা পনথৌ পামিংনপ-অো তৌনা কৌঅে ॥

নয়োন্ কোরও হুইমুলইমা নোংচেং য়াম্‌প-চন্থ মরোন্ য়াম্‌না সান্‌অোন্‌পী খোইমোম্ সন্‌থোঙ্ ৱাখায়চেং খায়চেং অহন্‌পা না-সি চাওপা পুঙ্‌মায়রেম্‌পনা য়েন্‌পী, লাইরাকুম্ সোইয়াম্‌পী, লাইকুম্ তোল্‌লোংপী, হইরীকুম্ লোঙ্‌চুম্‌পী কোরও হুইমু-লইমা নোংচেংয়াম্‌পী পাঙ্গমা লিন্‌কোয়কী—

কুনশাবা-থাশাবনচিংবা পুন্নমকপু লৈন্থুং লৈয়াংকী থৱারেন অহনবগী মৱাহৈ-ময়াথংবু হীক্তোক-হন্দোকপা তৌদনা অমনবা-অশিবশিং লৈফম্ লৈন্থুংগী ময়ায়দগী তুংলোমদা খোঙফম হল্লকতুনা নীঙ্-লোম্‌দা লৈহৌরবা মালেমদা হল্লক্‌পা নবুধৌ মালেমলোমসিদা অমুক হননা তুংলোমদা ওল্লক্তুনা শিরুৱবদগী হল্লকপা নীঙওন শি-হনবা হায়না কৌই ।

নবেন্‌ধৌ শন্থোঙ লাইয়িংথৌবু খুরুমজবা শন্থোঙ্ পুনেস্থগী মচানুপী, লাইশিংগী মবুংঙো মালেমবু লৈ-শেম্বীরক্‌পা পা-পী অনিমক ওইবা ঙস্বা লাইয়িংথৌ, মতীক ময়াই চাওরবা, মহী মনীল কল্লবা শন্থোঙ্ লাইয়িংথৌবী চাদা-নাউদা ওইবী নিংঙোন শন্থোঙ পুনেস্থ-চন্থগী পায়মা পীবুকন্থুংদগী –

৩। পন্থৌ পামিংনবা

মপা ওইবগী মরী অমুক হঞ্জিন্দুনা, — ঈগী মরু পনহনবগী থবক-থৌঙ্থ য়াশিন্নহুনা থৱাইগী অথোইবা মশক্তুনা, মশা মহকচাং

(৪) নুংপান্ খুন্‌থিপা

মযূ নুংপান্ খুন্‌থিপতা তৌনা কৌঅে ॥ নযূ নুংপান্ খুন্‌থিপতি কোল্‌লোই মমিংথোংকৌপু চুনপনে ॥

নপেন্ কৌপরোন্ নামোইন্নু, কৌপা চীঙ্‌লেন্ পল্‌লংলা মঙন্ তরং ৱাংপ-চীঙ অম্বাং কৌপা চীঙ্‌লাংমইপু অমৈনপা-চন্নু পাঙ্গমা লিন্‌কোয়কী —

ওন্থোকলক্‌পা, উগী অথোইবা ময়োন ওইরিবা লৈগী মরোং অমনা লৈনাগী মচু লৈচু শিথরকপবু য়াক্কদনা মমায় লৈথোক্লগা অমুক হন্না য়াশিন-হঙ্গিনবা, মপাগী মমিং অতুমক্লা মশাগী মমিং অতুম্মক ওইবা পন্থৌ পামিংনবা হায়না কৌই।

নবেনথৌ অতিয়াদা লোতুনা-য়ান্দুনা লৈরিবী, অমুবা হুই, অ-ম্বগী মবেম্মা ওইবী কোরৌ হুইমুলৈমা, নোং ঙাইহাক লৈতনা খাংবা/য়ানবা নোংচেং য়াম্বগী মচাহুপী, শাইয়োন মরোন য়াম্না, মশক-মশা ওন্থোকপা ঙম্বী, হুপা-হুপীগী মতীক্-ময়াই পুন্না চেল্লিবা শন্থোঙ লাইয়িংথৌগী মশাদগী খায়দোক্লকপা ৱাগী অথায়বা মচেং ৱাথায়চেং থাইজেং অহনবা কৌবা, নাপ্পদা নায়িন চাওনা শিতুনা মায়থোং মপুঙ ফানা, লেমনা-নীঙথীজবদগী শমথরকপা ঈগী মরীদা পোক্লক্ শাংলকপগী নিংঙোন্, লকু লাইরা/লেগ্রাগুম্না মশোই/চারা য়াম্না চোঙবী, হৈ-লফুগী মনা লাহুম মতোন লোঙ্‌থোক্‌পী, হৈ-রীনা ম-রাঙ্-মরোঙ মহৈ চুম্না পানবগুম্বী নোংমদোন্‌গী অয়ুক, অমস্থং হুন্দিদাংৱাইরমগী য়াচঙবগী লাইরেম্বী, অমুবা/অমম্বা নোংনা অয়াম্বদা থক্তিন্দুনতা লৈগন্‌বী কোরৌ হুইমু লৈবা নোং-জেংয়াম্বীগী পায়মা শীয়োমহুংদগী—

(৫) নুংপান্ হোঙ্নেম্ লুৱাং নিংথৌ পুন্সিপা

নয়ু নুংপান্ হোঙ্নেম্ লুৱাং নিংথৌ পুন্সিপা চারোন্ ৫ তান্-ফংপা, স্নরোন্ ৬ লোন্চিন্পা পাথং কুম্চিং লোন্থোঙ্ ৫ তান্ফংপা, নুরা কুম্চিং লোনথোং ৬ রায়চিন্পা ফংতরঙ্গ নেংচি-ন্পা, য়াম্তরঙ্গ চায়চিন্পা চীরীক্ য়োংফাংলৈ, চাহুই কাঙ্পরৈ, কৌপা নোংপু-চীঙ্কী মরেম্ তাংনেম্ চাকান্লাই অথ্বং পপু কায়নহুন্পা, লাল্লাই লাইসোইরেন্, সোইরেন্-চাপীলোক্, য়াংলা হইতুপ্ পোক্, মোংপা য়ুম্চাও মান্ সাংতি লোন্ফৌ-চীঙ্, ময়ুম্ লুৱাং-ৱাহায়না, চীঙ্লেন্ অৱাংপপু লা অৱাংপ-অো কৌঅে; লা অৱাংপতা পুন্সি হাঙ্গৈহে সকুনা হোঙ্নেম্-অে হাঙ্গপকীপু, হোঙ্নেম্ লারাং নিংথৌ পুন্সিপা, চীঙ্লেন্ পল্লংলা অৱাংপতা মতোম্ ৱাঙন্প-অো তৌনা কৌঅে ॥ নয়ু নুংপান্ পুন্সিপতি ঙারা থাঙ্থোং-না, সরেং মইহুন্না, সাচীক্ মতুং য়িন্, থাপা মমই রাই, কোরও নোংথাঙ্কোন্ কসা লাইঅোইফপনে ॥

৪। নুংবান খুন্থিবা

নবুধৌ লুৱাং য়েকওইবা পিবা খুন্-থিবা হায়না কৌই। নবুধৌ লুৱাং য়েক ওইবা খুনথিবদি মশাগা শাগোন্নরিবা মম্লিং-সিগা চপ চানজবনি।

নবেনধৌ কৌব্রু লমখৈনুংদা পানবা মোইরাং য়েকওইবী নিংঙোন্ নামোইনু, পনগী লংলাগুম পরেং তত্তনা লৈরিবা কৌব্রু চীঙজাও, নোংমদোন য়ৌনা অৱাংনা ঈনথংলিবা চীঙগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা নাপোম হুইথরকপা শরুক চীঙ্লাংমৈবু শৈশক্-শৈথান-রিবশিংগী নিংঙোনসিগী পলেম পীবুকনুংদগী —

হোঙ্নেম্ লুব্রাং নিংথৌ পুন্সিপতি কোল্লোই মমিংথোংকীপু চুনপনে ॥

৫। নুংবান হোঙ্নেম্ লুব্রাংনিংথৌ পুন্সিবা

নবুথৌ লম্ মন্নুং হুন্জিন্না পানবা কাংলুপগী পিবা হোঙ্নেম্ লুব্রাং নিংথৌ পুন্সিব, মচাদা মীরোন্ ৫ য়ৌনা ফংবা, মশুদা মীরোন ৬ য়ৌনা লো নশিন্নবা ফাওবা হিংলম্বা, পাখং ওইবগী মথোক কারক্পা পুন্সিহু ৫ রক হন্না ফংবা, নুজা ওইবী মথোক কারক্পী ৬ লক্ হন্না য়ুম্বানমিন্নরকপা, ফত্রে হায়রবস্থু নেংশিন্-নমশিন্দুনা থম্বা, য়ামদ্রে হায়রবস্থু হাপচিন-চায়শিনহুনা শেম-শাবা, চীরীক্ চীরীক শৌবা ঈমায়বু থকশিন-য়োংশিনখিবা, ফাংনা শাৎপা লৈ — কোঙ্গোলগুম্বা পুন্সিবু মচা-মশু, চাদা-নাউদা শমথ-হুইথবগী পোরম মথং মথং কাঙবা পুন্সি ওইনা পাল্লম্বা, নোংগী মপু ওইরিবা নোং পুহুনা নোংনা কুপ্তনা কৌক্রু চীঙগী মারেম্ চীঙ্মী কাংলুপ্কী তাংনেম কৌবা চাদা-নাউদা কাংহন্-কান্হন্বা মীবু থংহন্-কিহবা লাইবু মথব্রাই-মমি কায়নহনহুনা, মায়থীবা পীবা, খুঙ্গংগী লমদা লৈবা লঃইগী অথোইবা ঙা ফাফম্, শোইরেন চাবীলোক কৌবা, হৈতুপ য়াম্না পান্বা য়াংলাগী লম্, য়োঙ্গমোংবনা হোদোক্লম্বা য়ুমগী মওং মানবা, শাংনা তিংলগা লো-নশিন-ফেজ্জিন্না শাবা ফি ফৌবগুম্বা চীঙদা, পানবা লুব্রাং য়েক্কী মরোন্না হায়নবদা অথো-ইবা অব্রাংবা চীংদোন্বু "লা অব্রাংবা" কৌই, লা-অব্রাংবদা পুন্সি নীবগী থৌনীবগী ঈশৈ শকতুনা অহোঙ-অচাও থোক্লা ঈরাৎ-থৌনী তৌরগা পীজ-পীথক তৌহুনা হোঙ্নেম্বগী থৌরম পাংথোকখি হায়হুনা হোঙনেম লাব্রাংনিংথৌ পুনসিবা, অথোইবা চীঙজাওগী পনগী লংলা ওইরিবা অরাংবা চীঙদোন্দা মতোমতমক ব্রায়েন

খুমন্ নিংথৌরোন লম্পুপা

শক্তাক্-শক্তম্পা

হয়া হে, নোংয়াঙ্গৈ লইমাপা; খুমন্ হান্না খুন্-তাপা, অতোন্ হান্না খুল্লিংপতি নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ কনানো ?

নপেন্ নোংয়াঙ্গৈ খুল্লইমা চীঙ্ঙু থম্চীঙ্কোন্ হায়হৈপা সরা তেল্লোঙ্ লম্মপাক্কী থৌ-তু নুঙ্পাক্ থকুতা মুংফি লৈরুম্না ফাকং লৈঅোইনা, লীচই তোরান্ সুন। তাইপং নোংসা পান্, পুঙ্ময়োন্ অসিতা কাওরেন্ সন্না তান্পা মল্লা মসীঙ্ রাংপতি তালোই তুন্নুংসি, থংলেন্ রানুংঅোন্পু অোইনকুনো, কাওরেন্ অন্না তাম্তপা মল্লা মসীঙ্ রাংতপতি তালোই তুন্নুংসি থংলেন্ রানুংঅোন্পু অোইন-অো হাঙ্গৈনা লাংলোই সীঙ্য়া হেপ্

থৌদাছুনা পানবা হায়না কৌই। নবুধৌ লুরাং পিবা পুন্সিবদি ঙারা ঙাবু থাঙজী লেন্দুনা, শরেংবু মৈদা লৌতুনা মরাং কায়না পাল্লবদগী শজীক মতুং ইন্দুনা থাবাগী মমৈদা পায়তুনা নোং-মন্দোন্দা লৌছুনা য়ান্দুনা লৈরিবা নোংথাঙ্গী ময়ুম-মকোন্ ওইরিবা মফম্দা লাইবক্কী নোংদম পীবীবা-লাই ওইবদা নীঙখি ফজনা ওইখিবনি। হোঙ্নেম্ লুরাং নিংথৌ পুন্সিবদি মশাগা লোইনরিবা মিংথোন্সিগা চপ চানরবনি।

খুমন্ নিংথৌরোন লম্বুবা

মশক্ মশা তাক্পা

হে তাইবং-পোকপী মমা, ঈমা নঙ্বু খুরু্জরি ।। খুমন্গী লৈপাক্ ঙাক্পি-শেন্বীখিবশিংগী মনুংদা খ্াইদগী ঈহান্-হান্না খুমন্ হায়বহু ওইনা খুমন্গী খুন্ লিংখিবা খুমন্ নিংথৌ অহুদি কনানো ?

সায়েন্ মীস্নুঙ্লাংপু য়েল্লিপা, সুক্মু থন্পা রাঙন্পা, লাংয়া থন্পা ৱাতেম্পা ঙানপা খুন্নুং নিংথৌ-পাঙমা লিন্কোঙইকী—

নয়ু লুংপা অহনপক্কা, নুঙ্খোঙ্ঙাই অতোন্পক্কা ২ মা সাংমনন্নে ।। মসানৌ নুঙ্খোঙ্ঙাই অতোন্পতি লুম্বাং লংমাইপা কৌনা নুংপান্ সল্লাই অঙনপতা লীক্লাং সুমেরু অোইনা চিংচখিন্নে ।। মসাপী লুংপা অহনপতি—

নিংথৌরোন্ মথং-মনাউ নাইনা

নবেন্ধৌ নোংদোন অন্নাংবদসু নত্তবা লৈথা অনেম্বদসু ওইবা লমদম নোংনা ময়াঙ্গ ওইনা লৈবা অতোংবা লমদমদা পানব-শিংগী খুন পুন্নমক্কী মবেম্মা চীঙ্গী লাইখী মবুংঙো থমজীঙকোন হায়হৈবা কৌবা, উচেকশিংনা চাক্তাহুনা লৈবা তেল্লোঙ লমপাক্ক (হৌজিক্কী ফাষ্ট এম: আরগী স্কাটব গার্ড লৈরিবা মফমতুগী অকোয়বগী লম্পাক) কী নুঙ্পাক মথক্তা মুংফিবু লৈরুমফি ওইনা ইন্দুনা, ঙবোংফিবু লৈপাক্তা থারগা হিপ্পা-য়াওন্নবা ফি ওইনহুনা খুত্তা লীচৈ অকোনবা পায়হুনা ফম্লগা, তাই, পোংন-চিংবা মীশিংনা নুংশাগী মঙান মরক্তা পাম্লি-লৈরিবা মফম-লমদম-সিদা—নুপী মমল তম্বদা শন্না মমল পীবহু পীদবা, নুপী মমল মশীঙ রাংনা পীবহুদি রারম-থৌরম পুন্নমক তান্বদা লোইনবী নুং-শিরবী মতু ওইগদবা ঈশাগা হেক থংনরিবা ওইনা লৈগদবা, ওইনা-অপাম নুংওনবা পোব্পা মরা ওইদবহু ওইরুগনু, শননা মমল পীবহু শনশীঙ হন্দবা নুপী মমল্গী মশীঙ অমতা রাত্তবহুবু রা তানবদা লোইগদবী, নুংশিরবী মতু মশাগা হেক থংনরিবা পুন্নমক্তগী অথোইবা ওইবা হেক উজবদা নুংওঙ্গবা মরাবু ওইনৌ হায়না লাং পাম্বীগা লোইননা হৌরিবা উপান-রাপান্গী মনাক্-ময়া

(১) লুংপা অহন্পা

খোইমোম্ লাইমই-ৰাই চীঙ্ঙু লাইতুং সম্-না খোইমোম্ নোংতম্পা মথৌথাকা পোইরই মপুঙ্ লাক্না নোংতম্পীপা, খোইমোম্ মতৈ হৈ চীঙ্ঙু মঅোন্ হক্পতি ময়ু খোইমোম্ লাইঅোইপা ৫ মনা সনা কোন্ফু তিন্কুম তিন্সিন্পীপা লুংপা অহন্প-অো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঈ হান্না পোক্পা খুমন্ হান্না সাৎমাপা লুংপা অহন্পকী কোল্লোই মসঙ্ফম্তি কংলই মতায়মা লইমা পিয়াইনুনা মংসঙ্ৰায়, নিংথৌ খোংখুপনা মংলিঙ্ৰায়, অৰাং মুংপী চীঙ্তারেম্পু নাতৈননা কংলা স্ঙচীমপু ঙম্লোন্না হাওৰী-হাওতোন্না য়েন্খোঙ্ য়েন্সনা মনুং-লীক্না নোংতা য়ান্না চীঙ্হঈ তঈরেন্পু থৌথাম্ফম খময়াঙ্ খোঙ্-কাপ্ৰাইতা খুন্তাপনে ॥ অতুনোংকীপু তুপীরেন্না য়োঈ-চাতা, লাইরেন্তোন্না য়োঈচানঅে হাঈপকীপু নোংয়াঈ য়োঈপা খুমন্ নিংথৌ লুংপা অহন্প অোতৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঈ

নক্লা ফমহুনা মীগী মশা মশাগী ওইগদবা ৰাফমগী ৰায়েল্ তৌৰিবা, শুক্লা, মুনা-মম্না লৈৰিবা অইবং লীচৎ-শাজংকী ৰা অঙন্বা অচুম্ববু ঙাংবীৰি হায়বীৰিবা, উ ং-ৰামংগী থংন-চৈনবগী ৰাথোকতা ৰাফমবু তেমশিন ইশিল্লিবা ঙানবা য়েক্কী থায়নঙৈ নিংথৌসিগী মচা নিংঙোননিগী পলেম শীয়োমনুংদগী: —

নবুধৌশিং লুংবা অহন্বগা নুঙ্থোঙ্-ঙাই অতোন্বগা অনিসি পোক্মিয়ৈ । মনাউ নুপা নুঙ্থোঙ্ঙাই অতোন্বদি লুৰাং লংমাইবা কৌহুনা লুৰাং শন্দোক্লকপা, মতীক্-ময়াঈ লৈবা লীক্ লাই লীক পরেং হৌফম্ অহান্বা মরু, লীক্লু ওইনা লুৰাং মচেৎ অমগী পুকোক্ ওইথি, অহুগা ময়াম্বা লুংবা অহন্বনা—

খুমন্ নিংথৌ লুংপা অহন্‌পকী কোল্‌লোই মসঙ্‌ফম্‌তি অতুস্থুং মতোম্‌তে ।। হাওরুই নোংপোক্‌লা পাংপরম্ কংলই লম্-মখা, লাল্‌লোই লম্‌মক্কী খ্রাইরং নাতৈননা সেল্‌লোই মতাঈমা লংমাই নাক্‌পক্ য়িন্, লংমাই চীঙ্‌সাং নাপোম্ ফৈতোঈ সম্, থৌপান্ লম্‌মহন্‌তা খুন্‌কুম্‌ফপা, মতাইরেম্ নোংয়াঈ কোক্‌চা হিরুপা, খুমন্ লাইরম্‌সীন্ অসৈনপানা হান্‌না ঙাইপরম, লইমা পীতোল্‌লাংপী মতুয়া, অহও তোংকন্-সা মখুরোন্, কোক্‌চা-রোম্‌না কোইপরম্, লাংয়েন্ লাংনা ঙাক্‌পব্রায় থৌপান্ লম্‌মহন্, খোইমোম্ লাইচা য়ীমাপা তুপী চীরোঙ্ হাইনাইপনা কোইপা

নিংখোরোন মথং-মনাউ নাইনা শমথরক্‌পা —

১ । লুংবা অহন্‌বা

সুপাস্থ ওইবা নুপীস্থ ওইবা ঙস্বা লাইশিংগী মমৈ তাথর-ক্‌পা, চীঙ্‌গী মবুংঙো লাইশিংগী মতুং ইল্লক্-শমথরক্‌পা ওইনা পা-পীগী মহী-ময়াই-পুন্‌না চেন্‌বা লাইয়িংথৌ তাইবং পূন্নমকপু নোংদমলিবা মহাক্না পীরক্‌পা-থা-রক্‌পা মথৌগী থৌদা পাংথো-ক্‌পা ওইনা পোইগী-লৈপাক্কী মওং-মতৌ মপুঙ্ ফানবা-শেন্বী শাবীচুনা পাল্‌লস্বা অথোইবা লাই ওইনা তেশিন-হঞ্জিনখিবা হৈবা, চীঙ্‌গী মবুংঙো ওইনা ওন্‌নীঙ্‌বা মশক্ মওং ওন্‌বা ঙস্বা মবুধৌশিং অথোইবা লাইগী লাইশকমক্ ওইবা ৫ মক্না সনাগুস্বা কোন্‌গী চফু অমতদা কোন্/ধাতুশিংনা তিন্‌শিন্নবগুম তিন্‌শিন্নরগা ওইরক্‌পা লুংবা অহন্‌বা হায়না কৌই । খুমন্ শিংবু খ্বাইদগী ঈহান্ হান্‌না পোক্‌পী-শাৎপীবা লুংবা অহন্-বগী মশানা লৈবা ময়ুমগী শঙ/শঙ্গাই শারিবা মফম্‌দি খোঙ্গং-খুৎকংবা লম ওইনা মী য়াম্না খুন্দানরিবা লম্‌গী মফম্ লম্‌দম্

মরম্থৈ, য়োঙ্গীপু খোইমোম্ লাইরেম্মা থৌপান্ লাইচা য়ী-মপু খোইমোম্ ফুনীঙ্ রান্নীঙ্ সৌপী মতু-রা, থৌপান্ লম্মহন্তা খুন্তা-নিংথৌ, লুংপা অহন্পও ভৌনা কৌত্রে ॥ নয়ু লুংপা অহন্পতি কোল্লোই মমিংথোংকীপু চুনপনে ॥

নপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্ লইমা থম্মোইরেম্পী, নিংথৌ য়েন্তং-চন্থু ঙানুন্নুরোন্ মচেং পা-চা-মা, কাইরৈ ময়েল্লুম্নে ॥ লইমা থম্মোইরেম্পী লিন্কোঙ্গকী—

অমা ওইরিবা মবেম্মা শীঙ্দা চল্লবী পীয়াইন্নুনা মং/মোংফম শঙ্লিবা মফম্, নিংথৌ খোংখুবা কৌবনা মং লিংলি-থল্লিবা মফম্ অরাংলোম্গী চংননবা লম্বী ওইনবা চীঙ্দায়রেমবু লান্থোক্লগা কংলা (২৪˙৮৪^0 অরাং, ৯৩'৯৪^0 নোংপোকী গী শন্দোক্লিবা লমথৈ অমগা হেক্ লোন্না লৈরিবা হাওরী-হাওতোন্ কৌবনা য়েন্গী মথোঙ্ অমম্থুং মশা-মন্থুংগী মরী, খোইরীনা নোংথক্তা য়ান্দুনা চীঙ/লাইনা হৈ-থরক্পা মহৈ, লেন্/উনবু হেন্না তাবীরক্কুনবা ঈরাং থৌনীথিবা মফম্, থম্য়াঙ্ খোঙ্কাপরাই কৌবা মফমদা খুন্দাবনি। অসিগী হুমিংসিগী মরম্দগী ঈশিং পীবীবা অথো-ইবা লাইনা খ্বাইগী ওইনা ঙাকপী-শেনবীবহু তৌদনা অথোইবা লাইরেন মত্তোন ঈথং থংবহুনা ঙাক্পী-শেন্বী হায়হুনা খুমন্-শিংগী মরক্তা ঙাক্পী-শেন্বীরিবা খুমন নিংথৌ লুংবা অহন্বা হায়না কৌখি। খুমন্ নিংথৌ লুংবা অহন্বগী লৈননবা ময়ুম শাবা মফম্দি অহুনম্থু লোয়বা নত্তে। হাওশিংনা লৈরিবা নোং-পোক্ মায়কৈ পাংবরোম্দা তম্পাক্ লম্দমসিগী ময়ায়গী মখা-রোম্দা চথরবগা লাল্লোই লৈয়াংকী হৌফম ঙমথৈগী নোংপোক্কী লমদমশিং লান্থোক্লগা লৈরিবা শেল্লোই লৈয়াংকী লমথৈ মতায় অমদা নোংমাইজীঙ্গী চীঙ্শাংগী নাকন্দা চংলগা নোংমাইজীঙ্গী

(২) য়োঙ্গৈরাঙ্ পোক্ পুন্‌সিপা

নমু নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ য়োঙ্গৈরাংপোক্ পুন্ সিপঅো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ য়োঙ্গৈরাংপাক্ পুন্-সিপা কৌপতি কতৌনোংকীনো ? মমু খোইমোম্ লাইয়িংথৌ খোপান্ লাইচা য়ীমাপা, তুপী চীরোঙ্ হাইনাপপু খোইমোম্ য়ীকুম্ য়ীকা লাংপপু লাং-য়োন্-তা, নোংয়াঙ্গৈ পোক্‌মাপা, খুমন্

চীঙ্ শা নাপোম্‌শিং তোয়না ফৈজুনা লৈরবতু শম্‌জিন্দুনা লাল্লগা লৈবা থৌবান্‌গী অথোইবা লম্‌দম্‌তুদা খুন্দাকুনবা কুম্থ-চংথখিবদা ওইজ-ওইথরুচিংবা অফবা ফংবা, মনাই অচান্‌বা খুমন্‌গী কোক্‌চা হিরুবা কৌবা খুমন্ লৈপাক্ লমদম্‌গী লাইগী মরম্ মথৈ শীন্‌বা থুংনা শৈশরুবনা হান্‌না ঙাইহুনা লৈরবা মফম্, লৈমা পীদোল্লাংবীগী ঈশিং শোক্‌ফম্‌গী মনাক্তা লৈবা, লম্‌হৌরক্‌পা (চেন্‌বা হৌরক্‌পা) মতোন্-মকোক্‌কন্‌বা শাগী থোঙ্গ ন্ তাবা লম, কোক্‌চাগী নিংঙোন্-শিংবা কোল্লি-পাল্লিবা লম্, চীরেন্-লাংয়েন্ পান্‌বগী লাংয়েন্দা শোক্লা-লাংনা ঙাক্লি-শেল্লিবা পা-পী অনিমক্ ওইবা ঙম্বা লাই, ঈশিংগী মপী ওইনা মকোক্তা অরোঙ্‌বা মচী পাল্লগা হাই-হাইহুনা চংপা, হাইবা নাইবা/হৈনবা লাইয়িংথৌনা ঙাক্‌পী-শেন্‌বীরিবা লম্‌থৈগী মনুং, য়োক্‌পী-থাক্‌পী হৈবী অথোইবী লৈমা ওইবী মতীক্-মগুন্ চাওরবী লাইরেম্বী থৌবান্‌গী ঈশিংগী মবেম্মা ওই-রিবী পাম্মু-পীম্মু ওইবা ঙম্বী থোং থাক্‌পগী ফুগী মনীঙ্, ঈরান্‌গী মনীঙ্ শৌগংহন্‌বী, ফুনীঙ্-রান্নীঙ্ শৌবীগী ঈশিং চাফম্, হিদেন্ তাকম্‌গী মনাক্, থৌবান্‌গী অথোইবা লম্‌দম্‌দা খুন্দাখিবা নিংথৌ লুংবা অহন্‌বা হায়না কৌই। নবুধৌ লুংবা অহন্ বসিদি মশাদা মিংথোন্নরিবা মম্মিংসিগা চপ চানরবনি।

সাংমাপপু লোইতাম্-কুম্ কাউতনা পুনেম্মন্‌কী খোইমোম্ পোক্-মাপা লাইচা য়ীমই খৈপকী চীঙ্‌ঙু মথৌচান্‌না পুন্‌সি নোং-সাং কুয়পপু য়োন্‌তনা লন্‌কুপীঅে হাঙ্গপকীপু য়োঙ্গরাংপোক্ পুন্‌সিপ-অো তৌনা কৌঅে ॥ নিংথৌ য়োঙ্গরাংপোক্ পুন্‌সি পতি কোল্‌লোই থোংকীপু চুনপনে ॥

নপেন্ নোংয়াঙ্গ খুমন্‌লইমা ঙান্‌পা খুম্বুং নিংথৌচন্নু ঙানন্নুরোন্ য়াইপীরইপা পাঙ্গমা লিন্‌কোঙ্গকী –

মবেন্‌ধৌ খুমন্‌গী মবেম্মা থম্মোইরেম্বী, ঙান্‌বা য়েক্কী তেক্‌চম্ শাগৈগী চন্নু-নিংঙোন্‌সিদ্দি মথক্তা চংথ্রবী খুমন, লৈম-ভুগা মশা-মশেন্ অমতা ওইনবী মপা-মচা মশেন্, য়েন্‌বী অমতগী য়েক্কম ময়াম্ কোক্‌মিন্নরক্‌পা য়েক্কম শিংত্নুগুম্বীনি। লৈমা থম্মোইরেম্বীগী পলেম্ পীবুক্কুংদগী

২। য়োঙ্গরাংপোক্ পুন্‌সিবা

নবুধৌগী মিংলেন্দি খুমন্-নিংথৌ য়োঙ্গরাংপোক্ পুন্‌সিবা হায়না কৌই। খুমন্ নিংথৌ য়োঙ্গরাংপোক্ পুন্‌সিবা হায়না কৌথিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো? মবুধৌ, অথোইবা লাই ওইরবা লাইয়িংথৌ, থৌবান্‌গী ঈশিংগী শরুক্ মখৈবু রায়েল্-নোংদম্লিবা ঈশিং পীনবীরিবা লাই চীরোঙ্ হাইনাইবা কৌববু চীঙ্‌ঙু মহাক্কী মকুম-মথাগী ওইনা ঈকুম্-ঈকাবা, ঈশিং তারক্‌পা/চাওরক্‌পা অমস্তুং নোং হাংখিবনচিংবা ঈরাং-থৌনীববু শোয়হন-ঙাম্‌হন্দনা খুমন্‌বু পোক্‌পী-শাংপীরক্‌পা খুমন্-পোক্‌পা লাইবু ঈরাং-থৌনীগী মতম থাবান্ কাউবা লৈতনা খুরুম্-খাঙজঙ্-বগী মমল্ ওইনা খুমন্-পোক্‌পা লাই, ঈশিং ঈচেল্/তুরেন্‌গী মমৈ ওইবা লম্‌দা লৈবা লাইয়িংথৌ (রাংব্রেন্) গী থৌজান্-

(৩) কচেং ব্রাহেং মাংপা

নয়্ নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ কচেং ব্রাহেং মাংপ-ও তৌনা কৌঅে ॥ কচেং ব্রাহেং মাংপও কৌপতি কতৌনোং কীনো ? নোংচুপ, নোংপোক্ থা ব্রাং কোয়না পামেল্ ব্রুব্রু তৃপ্ কোঙ্য়াঙ্ ম-পান্ য়ান্না নোংয়াঙ্গ লম্কা হাই-অে হাঙ্গপকী কচেং ব্রাহেং মাংপ-ও তৌনা কৌঅে। নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ কচেং ব্রাহেং মাংপতি কোল্লোই মিং-হুন্কীপু চুনপনে ॥

চান্বীবনা মপুন্সি মতম্ শাংনা হিংববু শোয়বা লৈতনা পীন্বীরে, হায়বসিদগী য়োক্পী-চান্বীরবা য়োঙ্গরাংপোক্ পুন্সিবা হায়না কৌথি। খুমন্ নিংথৌ য়োঙ্গরাংপোক্ পুন্সিবদি মশাগী মমিং থোন্সিগা চপ চানরবনি।

নবেন্ধৌ খুমন্গী মবেম্মা ঙান্বা য়েক্লুপকী থায়নঙৈগী অরিবা নিংথৌগী মচান্নুপী ঙান্বা য়েক্ওইবী নিংঙোন্য়াইবী-রৈমগী পীবুরুংদগী—

৩। কজেং ব্রাহেং মাংবা

নবুধৌগী মিংলেন্দি খুমন্গী-মবুংঙো খুমন্ নিংথৌ কজেং-ব্রাহেং মাংবা হায়না কৌই। কজেং-ব্রাহেং মাংবা হায়না কৌথিবদি করি তৌথিবা নুমিত্তগীনো ? নোংচুপ-নোংপোক, থা-ব্রাং মায়কৈ মরিমক্তা কোয়না চন্তুনা ঙগী মক্ক তুম্মা, ব্রাগী মপান তুম্মা য়াল্লগা খুমন্গী লম্দম্বু শেংদোক্-হাইদোকুই—হায়বদগী কজেং ব্রাহেং মাংবা হায়না কৌথি। নোংগী মমায় ব্রাংসু ব্রাংদবা নেম্সু নেম্দবা লম্দম্দা পান্বা খুমন্শিংগী নিংথৌ খুমন্ কজেং ব্রাহেং মাংবদি মশাগা শাগোন্নরিবা মমিং-থোন্সিগা চপ চানল্লবনি।

নপেন্ নোংয়াঈ খুমন্ লইমা মইতিংঙু পেংসীপ-চনু লাই-রুম্ চেংপী-অো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঈ খুমন্ লইমা লাইরুম্ চেংপীতি চেংলই লম্মহন্ লইচোন্ মরইকায়, নাইফা থান্ফম্-মাঙ্, চাংনু লইমা চীনআোন্-খোং, থাকী মীহিং-চা মান্তক্ অকায়পপু মনু লাইহোই তান্, তীনচা-লাইচা-থ-ও, তীনমু লাইমু-তান্হৈপী ৱাংঙমলোন্ লাইরুম্ চেংপী পাঈমা লিন্কোঈকী —

(৪) মোংপা খোন্পা

নয়ু নোংয়াঈ খুমন্ নিংথো মোংপা খোন্প-অো তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ মোংপা খোন্পা কৌপতি কতৌনোংকীনো ?

নবেনধৌ খুমন্গী মবেম্মা, মৈতৈগী মবুংঙো পেং-সীব (চৈ: কুম্বাবগী মতুংইন্না খৃ: ৩৭২-১৪) গী মচানুপী লাইরুম চেংবী হায়না কৌই । ময়ায় ওইনা ৱাংবা লম্দম্দা পান্মা খুমন্শিংগী মবেম্মা লাইরুম্ চেংবীদি চেংশিংগী লম্দম্গী অখো-ইবা লম্/মফম্ লৈচোন্ কৌবা লম্ মচেৎ, অনৌবা ফারক্পা লান্ফা-নাইশিংগী থাঙ্ঙেন্ফম্ ফুম্ফম্গী মমাং, চাংনু লৈমনা মচীন্ থীতুনা ওইদবা ঙাংখিবা খোং থাগী (চাইনীজনি হায়নৈ অতুবু কচীন্, SINGPHO কাংলুপকী মী) গী মী হিংনা চারা হিংচাবা মান্তক্ অকায়বা কৌববু ফত্তবা লাই-ওইবী লাইবু হৌইদোক্-তান্থোক্পা, মীগী মফমদা ফত্তবা পীতুনা লৈরবশিংবু মখোয়না চাগদবা মচিঙ্গাক্ থৌতুন হংলগা তা-ন্থোক্পগী লাইমু-তীনমু ফত্তবু তান্থোক্পা হৈবী মৈতৈ নিং-থৌগী শাগৈগী নিংঙোন্ ওইবী লাইরুম্ চেংবীগী পলেম্ পীবুক্নুংদগী—

শু-রেন্ মপান্ ফুক্, লাংলেন্ মর়্, য়ান্না মোংপা খুল্লম্য়িন্না চক্মোম্ মকা লাম্, কোরও নোংপু খোন্না নোংয়াঙ্গী লম্তা-ইখিএ হাঙ্গীপকী নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ মোংপা খোন্প-আে তৌনা কৌএ ॥ নয়ু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ মোংপা খোন্পতি কোল্লোই মমিং থোংপু চুনপনে ॥

(৪) মোংবা খোন্বা

নবুধোগী মিংলেন্দি খুমন্ নিংথৌ মোংবা খোন্বা হায়না কৌই। অদোন্ মোংবা খোন্বা কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? অচৌবা পু পান্বীগী মপান্ ফুক্তুনা অচৌবা লাং পান্বীগী মউ য়ান্থত্নুনা তুরেন্গী থোংলম্ ইন্না মৈজাও মকা লাম্না থা-হুনা নোংদোন্ শীনুনা উহন্দুনা খুমন্গী লম্ ফননবা, লৈহাও চেন্ননবা ঈরাৎ-থৌনী তৌখি হায়হুনা খুমন্ নিংথৌ মোংবা খোন্বা হায়না কৌখি। নবুধৌ খুমন্ নিংথৌ মোংবা খোন্বা কৌবদি মশাগী মমিং থোন্সিগা চপ চান্রবনি।

নবেন্ধৌ খুমন্ লৈপাক্পী, খুমন্গী মবেম্মা মৈতৈগী মবুংঙো নাউথম্বা (চৈ: কুম্বাবগী মতুং ইন্না খৃ: ৪১১-৪২৮) গী মজাই-বেম্মা, মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন্ ওইবী লাইরুম্ লাংবী লাইয়িংথৌ কৌব্রুগী লাইফম্গুম্ লাইবুঙ-লাইশঙ শাহুনা লাইগী লাইমাঙ্গী থোঙজীন্দা ঈরাৎ-থৌনীজরগা মীঙোন্দা অৱাবা পীবা মন্নুনচিংবা ফত্তবা লাইশিংবু হোইহুনা তান্থোকৃখিনবা অথোইবা লাইগী লৌখুন্ থিবদা হৈ-শীংই হায়হুনা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন্ লাইরুম্ লাংবী হায়না কৌখি। মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন্ লাইরুম্ লাংবীগী পলেম্ পীবুরুংদগী—

৫। খোন্বা নিংথৌবা

নবুধোগী মিংলেন্দি থোইনম্নু ৱাংদবা থোইনম্নু নেম্দবা ময়াঙ্গী ওইবা নোংগী শউম্ যংবা লম্দম্দা পান্বা খুমন্ নিংথৌ

নপেন্ নোংয়াঈ খুমন্ লইমা মইতিংঙ্ নাউথমৃপ-চম্বু ৱাংঙম্লোন্ লাইরুম্ লাংপী, কৌপা লাক্সঙ্ সা চীঙ্ঙ্ থোঙ্-পান্ ৱাই, মন্থু লাইহোই তান্না খোইমোম্ লাই ৱী থিহৈ-অে, হায়পকীপু ৱাংঙম্লোন্ লাইরুম্ লাংপী-অো তৌনা কৌঅে ॥ ৱাংঙম্লোন্ লাইরুম্ লাংপী পাঈমা লিন্কোয়কী –

(৫) খোন্পা নিংথোপা

নয়ু নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ খোন্পা নিংথৌপঅো তৌনা কৌঅে ॥ খোন্পা নিংথোপা কৌপতি কতৌনোংকীনো ?

খোন্বা নিংথৌবা হায়না কৌই । খোন্বা নিংথৌবা হায়না কৌথিবদি করি তৌথিবা নুমিত্তগীনো ? হাওশিংগী লৈপাক্না লৈরিবা মায়কৈ –নোংপোক্ পাংবরোম্দা থৌবান্ তুরেন্গী ঈরম্ খোংলম্ ইন্দুনা অচৌবা পু পান্থীগী মপান্থী য়ান্থত্তুনা খাম্হন্ কা-হন্বগী মপী মৈবু মরাং হৌহন্দুনা মৈরীনা মকা লান্না নোং-থক্লোম্দা শীন্বা থুংহন্দুনা লৈপাক্কী থৌদাং পায়খৎলি হায়তুনা খুমন্খোন্বা নিংথৌবা হায়না কৌথি । খুমন্খোন্বা নিংথৌবদ মশাগী মমিং থোন্সিগা চপ চানরবনি ।

নবেন্ধোগী মিংলেন্দি নোংথক্কী ময়াঈ ওইনা পান্বা খুমন্শিংগী মবেম্মা মৈতৈগী মবুংঙো, অথোইবা লাইগী মরক্তা শীঙ্থানবা নাউফংবা (চৈ: কুম্বাবগী মতুং ইন্না, খৃ: ৪২৮-৫১৮) পাংকী উচেক্ তীঙ্ঙীনা ৱা ফোংদোক্পগুম্ লাক্লা লাক্লা খোং-লিবা, নুপা ওইবশিংগী নুমিৎ চুপ্পা লৈফম্ ওইরিবা, মথোন্ তরেৎ থোনগত্তুনা শেম শাবা কংলা/কোন্নুংবু খাইদগী হাননা শেম্ শাদুনা ফংথিবগী মজাইবেম্মা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংগোন্ ওইবী মেংপী লাইবী হায়না কৌই । মৈতৈগী মবুংঙোগী

হাওরই নোংপোক্লা পাংপরম্ থৌপান্ লাইচা য়ীরম্ য়িন্নঃ পু-রেন মপান্ য়ান্ থাম্পী মরাং হও, চকুমোম্ মকা লাম্না কোরও নোংপু খোন্না থৌ-থাজে-হাঈপকীপু নোংয়াঙ্গৈ-খোন্পা নিংথৌপ-অো তৌনা কৌজে ।। অতোন্ খোন্পা নিংথৌপতি কোল্লোই মমিংথোংপু চুলপনে ।।

নপেন্ নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ লইমা মইতিংঙু লাইরেন্ নাউফংপা, তিংয়ী হাফোংলাক্, লাপা নোংলৈকম, কংলা খোন্ ৭ ম-পু তান্ফংপা-চন্নু তম্পা হাংঙম্লোন্ মেৎপী-লাইপী-অো তৌনা কৌজে ।। মইতিংঙু চন্নু তম্পা হাংঙম্লোন্ মেৎপী-লাইপী অো কৌপতি অমাই লাইরী থিনা, মেৎপী খুৎতম্-জে হাঙ্গীপকী হাংঙম্লোন্ মেৎপী লাইপী পাঙ্গমা লিন্কোঙ্গকী—

(৬) অতোন্ লাইফেংপা

নমু নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ লাইফেংপ-অো কৌপতি কতৌনোংকীনো ? হাওরই খানা পাংপরম্ নোংয়াঙ্গৈ থিকে, অতোন্ খোন্কুম্কে হায়পকী মতাইরেম্ চোংমু চোংথাম্চন্নু থাঙ্গমু থাঙ্গথিপম্ চন্নু তোংপোন্-হাইরও থাংনা ফুমথী নাতই কাংপী লোক্লও-পানেন্ হওদীনা পুঙ্খুঙ্হাইপু নাতৈননা মতাইরেম্ নোংয়াঙ্গৈ মমাইপনা য়েন্পা সোইপাইমকা য়েন্মোম্ সোইথিংমকা পু-না নোংয়াঙ্গৈ লম্য়েংলু-অো হাঙ্গনা থৌসী থিজে ।। নোংয়াঙ্গৈ মমাইপনা খোঙ্গমা নারোনন্নুংতা কাইরৈ য়েন্হিং থানা লম্য়েংলুপপু খোঙ্গমা নারোনন্নুংতা য়েন্মোম্-সোইথিংমনা মরুম্ ১৫ ম-পু থুইজে, মচা ১৫ ম-পু পোক্জে ।। অতোন্ মমাইপনা থিংলৌ নীঙ্না তে-না মিংয়েং সান্কৈরুপপু কাইরৈ পুঙ্থি থেন্থি য়েন্না য়াওরৌ সা তোক্পা, তোক্মু মইসাংপা, থোঙ্লেন্ লম্কান্-সা লইপুঙ্ কোয়চরাওপনা য়াওকপরা

য়াওঙম্‌তে, থিংপাইচম্ চন্থু স্থুসিন্—চেক্, অরাইরোক্পম্ চন্থু মহুইখঙ্, কাক্লেন্ মানা মরাং চাক্য়েন্না সরা য়াওসোঙ্-ঙম্‌তে, মথিঙ্ মাকুমা তেন্‌হৈপনা কাপ্‌কপরা কাপ্‌ঙম্‌তে,—নোংয়াই য়ীনিংথৌ অতোন্ য়ীপুংঙো তা-ও, নোংয়াঙ্গী খাথা-লাইথা, হুইতাও খোঙ্‌থীন্, অতোন্ য়ীম্‌নীঙ্ য়ীম্মাঙ্ মনীন্ নাইনা পান্‌ঙৈনে হাঙ্গীনা পাউমেল্লপতা, নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ লাইফেংপনা খুমন্ ফেন্-তা লইকোঙ্গীপুঙ্, অমু নোংকা পাম্পা, কোরও নোংতা কানা লাইচা য়ীনীঙ্গৈতো কোরও নোংম্নতোন্-তকী থাঙ্‌লেন্ মখুংশুকা খুমু মনওরোংকা ফেন্থরকুপপু থাঙ্‌লেন্ মখুংশুনা হান্না কোঙ্গীনা লংনা ফেনথরকুতো; নোংয়াঙ্গী রা হায়না খুমন্ তেংথানা নওপু তাওতেক্-ও কৌঔ; নওরোং মখুং-স্থনা কোন্না ফেন্থরক্তে, অতুনোংকীপু নোংয়াঙ্গী ফেন্‌তা

মজাইবেম্মা নিংথৌগী মচানুপীশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী অহন্ ওইরবী মেংপী লাইবী কৌথিবদি অমাইবা অমাইবী ওইবগী লাইগী লীখুন্ মরী থিবগা লোইননা পুকুলী খুংনা শুত্নুনা লাইয়েংই হায়তুনা মৈতৈ-নিংথৌ-শাগৈগী লিংঙোন্ মেংপী লাইবীগী পলেম্ শীয়োম্ংদগী —

(ঙ) অদোন্ লাইফেংবা

নবুখৌ নোংগী ময়াঙ্গীনা খুন্দাবা খুমনগী নিংথৌ অদোন্ লাইফেংবা কৌবদি করি ভৌথিবা ঙ্গুনিত্তগীনো? হাওশিংনা লৈরিবা লৈপাক খা মায়কৈ পাংবরোমদা খুমন্‌গী খুন্দাফম থিগে, খুমন্ নিংথৌ শাগৈ মথারোম্দা মীয়াম্ পুম্নমক্ লোয়না থোন্না কুমথংগে হায়তুনা মশাগা তায়নরিবশিংদগী অথোইবা, অচানবা মনাইনা চোংথাম নিংঙোন্ চোংমু কৌবীগা খাঙ্গথিবম

লইকোয়পুঙ্ তাওতেক্ কোন্না-তা মরুম্পী অরাই চৌঙ্ঙ্ চঙ্গুনা লোক্লও পাকোন্ সানা লাইচা য়ীয়াপুঙ্তা নোংয়াঙ্গ তীন্-চা থও, অতোন্ লাইচা হোই, তীন্মু লাইমু তান্না খোইমোম্ লাইরিন্ হৈজে, হাঙ্গপকী অতোন্ লাইফেংপ-অো তৌনা কৌজে ॥ অতোন্ লাইফেংপাতি কোল্লোই মমিং-থোংকীপু চুনপনে ॥

নপেন্ নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা ঙান্পা খুন্তুং-নিংথৌ চঙ্গু সেল্লোই মথল্মা, লংমাই মতাঙ্গ-মা রাপা য়েন্য়াম্ খোংনা কাঙ্গনারোক্পু অসৈন্পী ঙাম্বুরোন্ কাইরৈমা পাঙ্গমা লিন্কোঙ্গকী—

নিংঙোন্ থাঙ্গমু কৌবীঙ্গা উতোং মান্বা ঙা হাপ্পবা পোন্, তুঙ্গোন্ থ্বাঙ্দা রায়রগা লৌতুনা খাংলগা ফুম্ অরিবশিংগী মচী ময়া কাংখত্তুনা ঈশিংগী থুজীগুম্না মকোয় মকোয়গী ঈপোম্ হৌহন্নবা খোঙ্না ঈশিংদা থীন্দুনা ঙা ফাবীনা থঙ্ল-উরক্পা লৈবুঙ্না লৈরিবা মফম্বু লান্থোক্লগা অচান্বা মনাই খুমন্ লৈপাক্কী মাইবনা য়েন্বা (শোইপাই = খুমন্ মরোন্) অমগা য়েন্ অমোম্ (সোইখিং = খুমন্ মরোন্দা কৌবা) অমগা পুন্থনা খুমন্ কোন্নুং শাফম লম্ য়েংলু হায়তুনা থবক শীন্নখি। খুমন্ লৈপাক্কী মাইবতুনা নারক-শীঙলকী মরোন মনুংতুনা য়েনশিংতু য়েন্হিং থাতুনা (মনাং অসি চৈংকুম্বাবা, ১৭০৯,২৭১ দা খৃ: ১৮৪৫ দগী হৌনা য়াওই লম্ য়েংলুবদা নারক্ মোংশোং মনুংদা য়েন্ অমোম্ অম্না মরুম্ ১৫ কোক্লগা মচা ১৫ শন্বা থেংনরম্মী। খুমন্ লৈবাক্কী মাইবতুনা অমুক্ হন্না মফমতুদা হন্দুনা মমিংমক্কা য়েংলুবদা খুন্দানবা পুঙ্-থেন্ থোন্নবা মফম থিননবা থাদোক্লম্বা য়েন্দুদি চাননবা চিঙ্গাক শুইবা য়াবা শা তোক্পগী মথন্দা মমৈ শাংবা তোক্মু (লম্ হৌদোং মখল্ অমা), লম্থোঙ্-লম্থোঙ্ লৈরিবশিংবু লান্থোক্তুনা চংপা, লৈপুঙ্

(৭) পুন্‌সি য়ুমোইপা

নম্মু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ পুন্‌সি য়ুমোইপ-অো তৌনা কৌঅে । অতোন্ পুন্‌সি য়ুমোইপা কৌপতি কতৌনোংকীনো ? নোংয়াঙ্গী চারোন্ য়াম্, অতোন স্মুরোন্ মনীল্ নাইনা পাল্‌লমণ্ডৈত্তা নুংপান্ হোঙ্‌নেম্ লুরাং নিংথৌ পুন্‌সিপা তালোই মরুম্‌পী খয়োঈরোন্ ঙান্নু-থুম্‌পীনা মপারী সেন্‌পা মি-মাপপু সাংনরপতা তালোই কেংন-রা, লুম্‌লেন্ খম্‌পন্-রাকী নুংপান্ মরুম্-নাক্‌পু নম্‌তা হুন্‌না মপারী সেন্‌পা মি-মপাপ, সমু নম্‌তা পোনা মপাম্ নোংয়াঙ্গী চাওপপুঙ্‌পু য়িন্‌তাল্‌ল্‌ক্‌পতা নুংপান্ সেন্‌পা মি-মাপতি মপুম্ নোংয়াঙ্গী চাক্‌না, লরাই হুইক্রকুম্ মপোপ্ চাও সাপন্ তিংকোইকুম্ ম-না লেক্‌না,

---

খুদিং কোয়-লাংহ্নুনা লৈবা শানা চারমুগদ্রা হায়বস্মু চাবা ঙম্মদে, থিংবাইজম্ চনুগী নুপী ওইবীহুগী মহুৎ শিন্নথিবা উচেক্, অরাইরোক্‌পম্ (লীক্লা লোক্‌পা/য়ৈবা) চম্নুনা হুইগী মওং-মতৌ মাল্লে হায়না খ্রাইদগী হান্‌না, খঙ্‌লক্‌পা হায়রক্‌পা কাক্লেন্/ কাক্‌য়েন্ (উমায়বী/Kite কী অচৌবা মখল্ Eagl) না ফাহুনা মচিঙ্গাক্ ওইনা য়েম্বোক্করগা উচেক্কুবু চাথোক্‌থিবস্মু ঙম্‌দে, মবুং ওইবা লীরুং তেন্ শীজিন্নবা হৈবনা কাপ্‌কে হায়বস্মু কাপ্পা ঙম্মদে — খুমন্ ঐথোয়গী নিংথৌ ওইরিবা খুমন্ ঈশাগী মবুংঙো ওইরিবা তাবীয়ূ, খুমনগী লৈপাক্ লৈয়াংশিং খাথা অমস্মুং লাইথা (থাগী অমস্মুং অরাংগী লৈয়াংশিং), হুইতাও খোঙ্‌থীন্, নোংচুপ্-নোংপোক্, পুন্নমক মিংচৎ ফনা পাল্লুবা য়াগনি — হায়না হায়রবদা খুমন্ লৈপাকী মপু অদোন্ লাইফেংবনা খুমন্‌গী ফেন্‌তা লৈকোয়পুঙ্ কৌবা, নোংগী ঈশিং পাম্বা অমুনা অহাংবদা লৌহুনা য়াম্বনা.লৈরিবা নোংগী মরক্ অরাংবদা কাখত্তুনা

হুরাংমই লেপতম্ চোংনা অচাও লেপ্ফারা সাংসু লমঙম্-পতা লাপা খুমন্ পু, য়াংতৌ সারম্ লীনা য়াওরো সাতান্ খিপপু নুংপান মপারম্, লুরাং মপুরম্, মকোয় নোংলোন্-পাই, লেম্পা থাঙ্-য়াল্লম্ মইতিংঙু লোইনাই থরান্থাপা খোক্লাং তাখোঙ্গীপুঙ, তিম্নেন্ তাচুম্পুঙ্পু নাতেন্না য়াওরো সা সঙাই চীরেন্ তোম্পোক্পপু য়াওরো সাতুরপতা পন্-থৌ মপা সাং-পা হোঙ্নেম্ লুরাং নিংথৌ পুন্সিপনা মপারী সেন্পা মমাপপু চেংলো সক্খঙ্তরপকী—হে য়ীনোংয়াঙ্গী-তো, য়াওরো চীরেন্ তোম্পোক্পপু সারেন্নঙ্না ফাপা অসিপু নোংপান্ অয়ুম্নাক্তা

ঈশিং নিবগী মতমদা অরাংবা অতিয়াগী মতোল্ তোল্লেল্দগী মথুংমক্তা থুংপায়নবা অথোইবা থাঙগা, থুংনা মুবা/হোনবা অরোংবা নৌগা ফৈনা হুন্থরক্পবু মথুংনা পায়বা অথোইবা থাঙ্না হান্না কোইনা লংত্রিক লংনা হুন্থরক্লম্মী : খুমন্শিংনা হা হায়না-ডাঙ্নবা, মথোয়গী মরোন্দা নৌবু তাউতেক কৌই, মথুন্তা পায়নবা মমায় লোংবা নৌ-না কোন্না হুন্থরক্লম্মী। অদুগী হুমিংসিগী মরম্সিদগী নোংয়াঙ্গী ফেনতা লৈকোঙ্গী-পুঙ্ তাউতেক কোন্-ন-তা, মহাক্কী মরুম/মচা পুবী লীক্লা পোক্পা চীঙ্গী মবুংঙোগী চাদা-নাউদাগী নিংঙোন্না ঈশিংদুগী মপা চাবা কোল্/হাপ্ফম্ শাদুনা ঈশিং য়াখিবা মফমদা খুমন্দা ফত্তবা পীবা লাই-তীন পুন্নমক থৌ-হোইদুনা লাইমু-তীনমু তান্থোক্পা, অথোইপা লাইগী লম্বীদা চংপা-ইনবা হৈ হায়দুনা অদোন লাইফেংবা হায়না কৌথি। খুমন্গী অদোন্ লাইফেংবদি মশাদা থোল্লিবা মিংথোন্সিগা চপ্-চানরবনি।

মবেন্ধৌ খুমনগী মবেম্মা, ডান্বা—য়েক-শল্লাইগী থায়নগী নিংথৌগী মচা নিংঙোল্ শেল্লোই-লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) গী

লাকা থোঙ্কা য়ান্, পামিং পুমিং থানা নুংপান্ সায়াই-কোংচঙ্নকে-হায়না পাউমেনঙম্পপু নুংপান্ সেন্পা মি-মাপনা-হোয়তা য়ীয়ু হনন্নু ময়াই কাপ-অো, অইতি য়াওরো চীরেন্ তোম্পোক্পা অসিকী সারেন্ মতীক্ থঙ্তে, পলেম্ য়ীমা পোক্মাপীতা অচেন্ থংলঙ্গৈ য়াঙ্না পাউহংলুথিকে - হায়না পাউ-মেল্লপকা, নুংপান্ সেন্পা মি-মাপনা পলেম্ মমা থয়োঙ্গৈরোন্, ঙানু-থুম্-পীতা পাউমেল্লু-অে-পলেম্ য়ীমা পোক্মাপীঅো, নপারী অইনা য়াওরো সাতান্পপু নুংপান্ ময়ুম্নাক্, লুরাং মসাইকোন্ মকোয় নোংলোন্ পাই, লম্তেং লম্হাম্ লম্তা য়াওরো সা সঙাই, চীরেন্ তোম্পোক্পপু য়াওরো সাতুরপকী নুংপান্-হন্নু মাঙ্গৈ কারপা ঃনা, থৌতু নুঙ্পাক্থকুতা ফম্না নুংপান্ লম্য়েংলপতা সারেন্ অইনা কাপা সা অসিপু নুংপান্ সায়াই কোংচঙ্নকে য়াওরো মমল্ পীকে-হায়না পাউথেম্লক্অে,

---

মতায়-মথল অমদা লম্য়েন্, রাবা ময়াম্না খোং-খোংহুনা কায়নখিবা লোক্, কায়ন-লোক্পু শৈথা, শৈশরুবী ঙানবা য়েকওইবী নিংঙোন্, য়ুমগী মবেম্মা কাইরৈমগী পীবুরু ংদগী -

(২) পুন্সি য়ুমোইবা

নবুধৌগী মিংলেন্দি নোংগী ময়াঙ্গৈ ওইবা লমদম্দা পান্বা খুমন্শিংগী নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবা (মতম শাংনা হিংবা, য়ুগী মাইবা) হায়না কৌই। অদোন্ পুন্সি য়ুমোইবা কৌবদি করি তৌথিবা নুমিৎতগীনো ? খুমন্গী মচাগী মরোন্ ময়াম্না, খুমন্ নিংথৌগী শাগৈগী মশুগী সুরোন্না মমিং মিংচং ফজনা পান্দুনা লৈরিঙৈগী মতম্দা লম্ মনুং হুঞ্জিন্না পান্বা মী কাংলুপ্, লুরাংগী নুংবান্ হোঙ্নেম্ কৌবা লুরাংগী মপুন্সি শাংলবা নিংথৌগী অফ-

সান্নেন্ মতীক্ থঙ্তপকী পলেম্ নঙ্পু য়িন্তাল্লক্পনে— হায়রপতা, পলেম্ মমা পোক্মাপীনা - পারী সেন্পা মি-মাপ-অো, সঙাই চীরেন্ তোম্-পোক্পনে হায়রপতি, খোঙ্গমা না-রোন্লুংকী সারেন্ মঙাইরোইতা লেংনা তিন্তপা য়াওরো মহিসাংপু সামান্নতপনে, পারী নঙ্সুং লুংপান্, নপা লাইনা লন্কুপীপনরিঙেনে; অসাইঙৈকী থৌতু ভুঙ্পাক্থক্তা ফম্না লুংপান্ লম্য়েংঙম্পা অতুতি পন্থো নপা সাংমাপা, হোঙ্নেম্ লুরাং নিংথৌ পুন্সিপনে, য়াওঃরো নঙ্না কাপা অতুকী সারেন্ মতীক্ অোইপতি নপেন্ য়ুমোইন্নু অহোঙ্পী, ফুঙ্কা মইনীঙ্ ফম্না য়াঙ্কোইরিপী, হুন্নু মিংমই পারোঙ্ সুম্না লাংলেন্ চইসুয়চরিপী, কপ্লাক্ হইকও সানা সমু থোঙ্থাং থঙ্তরপী,

---

ফও ভৌবদা লোইনরিবী, মহাকী মচা/মরুম পুবী খুমন্ য়েকী নিংঙোল্ ওইবী, ঙান্নু-খুমবী (ফাননবা লুগুন্বা ধুম্বী) না মমাগী মরী ওইবা মচানুপা সেনবা মিমাবা (মি/মমি মাবা) পোক্লবা মতুংদা মতু ওইবী মশেল থংনবা, লুপী মশেন্ খন্বন্নবগী রাফম রাথোক্তগী লুরাংগী ময়ুমদা লৈররোয় হায়হুনা মচা-নুপা সেন্বা মি.াবনু মনঙ্গন্দা পোথংতুনা লুরাংগী ময়ুম্ থাদোক্লম্লগা মপাম খুমন্শিংনা চাওবা লম্দম্দা লাক্লবদা লুরাং য়েক্ ওইবা সেন্বা মিমাবদি মাগা মামা খুমন্শিংগী চাক চাহুনা লৌ রাইহুনা উবা লমদমদা হৌবা হুইদ্রু পান্বীগুম মপোপ্ চাওনা য়ুম্গী মতায়দা শাগী পন্থারিবা মফম্দা হৌবা তিংথৌগুম মনা লেক্থনা পাথং ওইরকপগী মতম চঙশিল্লক্তুনা চাওবস্নু শারেপ ফারবা, রাংবস্নু লম ঙাম্লক্লবা মতমদা অরাবা খোঙ্গনগী মমি পরেংগী লম্বী মথং-মথং ইন্দুনা মানা চংখিবগী মরম্ থিহুনা খোঙ্গুল্ লীহুনা শা তান্নরকপদা লুরাং মাগী মপা মপুগী লম্

মিংয়েং ৱুয়োন্ থিরপী অতুপু খোইমোম্ হীঅোইরিপী, চীঙ্ঙ্ য়াইঅোইরিপীনে, অতুপু সারেন্ মতীক্ অোইঅে—হায়না ৱাহম্লম্অ ॥ হুংপান্ ফেনুপা মি-মাপতি অচেন্ লোক্লৈ-হওনা হুংপান্ পুন্সিপতা পাউমেন্থিজে—য়াওরৌ অইকী মতক্না সারেন্ মপা-নপতি হুংপান্ নয়ুম্নাক্তা যুঙ্কা মইনীঙ্ ফম্না য়াঙ্কোইরিপী হনম্থু মাল্লঈ কারপী অতুপু সারেন মমল্ অোইপীঅো-হায়থপতা হোঙ্নেম্ লুৱাং নিংথৌতি তাঙ্চা মরু লুক্না পাঙ্ঈমা ৱন্কোইহুংতা মতোম্ নীঙ্থন্থিঅে, নাউৱা অথুপা অসিপু য়ী পারী সেন্পা মি-মাপা অতু-আনে, পলেম-মমা থয়োঙ্ঈরোন্ ঙান্থু থুম্পী খৌতীক্ খোন্কীপুনরিঙৈনে, মাঙ্ঈ

অতিয়া কোয়না লাইনা পাইখিবা, লেম্বনা থাঙনা য়াল্লম্বা মফম (মকুই হুংঙোনচীঙ্) মৈতৈগী মবুংঙো মীয়ামগী মরী ৭তা ওইরবা থৱান্থাবা (চৈ: কুম্বাবগী মতুং ইন্না, খৃ: ১১৯৫-১২৭১) গী তাগী তাজীন খোয়খিবা লৈপুঙ্ ওইদুনা লৈরিবা তাজীন চুমখিবা মফমবু লান্থোক্লক্গা মশা চাবা য়াবা শা, মচী নাম-থক্তা ম:তামতা পোক্লকপা ওইনা পান্বা শঙাইবু ফাদুনা চাননবা শাহুবু লৈমায় থক্তা তুহল্লবদা মহাক্কী ঈবু পন্হন্বীবা মপা অপোক্পা হোঙনেম্ কৌবা পুন্সিরবা লুৱাংগী নিংথৌনা মচাম্বুপা শেন্বা মিমাববু মশক খঙ্দ্রদুনা - হে ঐগী ঈশুগী লেঙ্গা ওইরিবা, মশা চাবা য়াবা শা, মচী নাইতোম না.তা পানবা. নহাক্কা ফাবা অথোইবা শা অসি লুৱাং ঐগী ইয়ুম্দা য়ুম্গী থোঙ্নাগী থোঙ্পাকুতা য়াল্লগা ঈপা-ঈপুশিংগী মমিং পন্দুনা মশীঙ্ থাদুনা ঈরাং-থৌনী পাং-থোক্তুনা শাগী মতীক-ময়াই কোত্তনা লৌরগা ঈপা ঈপুদা অপাম্বা (পুন্সি, লন-থুম্নচিংবা) নীজবগী থৌরম্দা চঙ্জগে হায়না নীজদুনা হায়জরক্পবু লুৱাং য়েক্ওইবা সেন্বা মিমাবনা— হোয়,

ঙহৈচীন্ অোনকরোঙৈঅে, হাঙৈনা —পাম্বী সেন্পামি-মাপ-অো, নয়ু হনুবু মাল্লঙৈ কারপী অসিপু চীল্লেন্ অথীপা মাঙ্খানা, য়াথং অকায়পপু মাঙ্থিন্নতনা থৌচান্ মাঙৈয়োক্ননা নপুম্ নোংয়াঙৈ চাওপপ্ঙ্তা য়াঙকোইনরুঅো — হায়না লন্কুঙম্লপ-কী হুংপান্ সেন্পা মি-মাপতি নোংয়াঙৈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ পুন্সপতা মপেন্ য়ুমোইনুক্কা রাইথুংলুরে, হাঙৈঅে। য়োঙৈপ্ খোইমোম্ লাইরেম্মা য়ুমোইনু অহোঙ্পীপ্ নোংয়াঙৈ খুমন্ মপ্ঙ্য়াঙৈতা য়াঙ্কোইনিন্নরপকী অতোন লৌরুচাও পোক্লে, সীঙ্চা কোন্খীল্লে্ অহোঙ্-তান্ফংলপকী কইমা রাংতই-হাঙ্-তা, মান্পী লীতৎতনা য়ুরেন্ চা হোঙ্নারৌঅে, অতুনোংকীপ্

ঈবুধৌ-ঈপু ওইবা হনুবুরকপগী পুন্সিদা লৈরবা, ঐদি চীঙাক্ ওইনবা য়াবা শা মচী নামতা তোম্থিন্ পান্বা অসিগী অথোইবা শা ওইবগী মতীক্-মগুন্ খঙ্দে অহুনা ঐবু হেক্ পোক্পীরক্পী ঈমাদা খংনা লৈতুনা য়াঙ্না চেল্লগা পাউ পুন্নমক্ হংথিগে— হায়না হায়রম্লগা লুরাং ওইবা শেন্বা মিমাবনা মহাক্পু শীয়োম্-নুংদা পন্হন্দুনা নাউপুরক্পী মমা খয়োই/খুমন্গী য়েক্ওইবী নিংঙোন্ঙানুথুম্বীদা হায়রুরে —ঐবু পোক্পী, নাউপুরক্পী অথোইবী ঈমা, নচানুপা ওইবা ঐনা মশা চাবা য়াবা শা তাল্লবদা মনুং হঙ্গিন্না পান্বা মীশিংগী ময়ুম্গী মনাক্ লুরাংশিং মশাগী মকোন্ কোল্লপ্ লৈবা মফম্ মকুই নুংঙোন্ চীঙ্ (লুরাং মকুবী চীঙ্) গী লম্, লমদেং-লম্হাম্/লম্শাংগী লৈয়াৎনুংদা চাননবা শা শঙাই মচী নামতা পান্ববু লৈমায়দা তাহন্-তুহল্লবদা লুরাং য়েক্কী হনুবগী মপুন্সিদা লৈ-শিল্লবা অমনা থৌ মতুগী নুঙ্পাক্থক্তা ফম্তুনা লুরাং লম্য়েংলবদা থেংনহুনা ঐনা ফাবিবা শা অহুবু লুরাংগী শায়াই কোংচঙ্নগে পীরো, শাগী মমল্ পীতুনা লৈরগে

নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ পুন্‌সি য়ুমোইপ-ও তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথো পুন্‌সি য়ুমোইপতি কোল্‌লোই মমিং থোংকীপ্ চুনপনে ॥

নপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্ লইমা ঙান্‌থুরোন্ পীয়ারোক্-ও তৌনা কৌঅে ॥ ঙান্‌থুরোন্ পীয়ারোক্ কৌপতি কতৌনোং—কীনো ? মসাপী খুমন্ নিংথৌ পুন্‌সি য়ুমোইপকা নোংয়াঙ্গী চীন্‌বা হাঙ্গী খুমন্ থুবা তেম্-মিন্‌ননা পাল্‌লিঙে অসাইঙৈকী

হায়না ঐঙোন্দা থেম্নরে, ঐদি অথোইবা শা অতুগী মতীক-ময়াই খঙদবনা ঈমাগী নাক্তা চেন্‌না লাক্লিবনি — হায়না হায়রবদা মহাক্‌পু পোক্পচবী মমানা— ঈমাগী ঈবুংঙো সেন্‌বা মিমাবা, মচী নামতা নাইতোম পান্‌বা শঙাইনি হায়বদি উমং-রামং, পান্থী-শীঙবী মরক্তা লৈবা, অতৈ শা ওইনা হিংলিবা মতুগী মরী-মতা, শঙাই-মশেন্ ওইবা শাশিংগী মরক্তা মান্নবা শা মশেন্‌গুম মথোয়গা তিন্নদবা শাগী মহক্‌শাং মশাক্ মান্নদবা শানি, ঈমাগী ঈবুংঙো নঙ্‌বু লুরাং ওইবা নঙ্‌গী নপা-নপু ওইবা লাইনা থৌজান্ মিংয়েংনা লন্ থুম্ পীবীবগুম্ চান্‌বীরবনি, ঙসাইগী থৌ-মতু ওইবা নুঙ্‌গী নুঙ্‌পাক্ মথক্তা ফমতুনা লম্-য়েংঙম্বনি হায়রিবতু মহাক্‌পু হেক্ মরূ পানহন্‌বীরকপা অপোক্‌পা নপা হোঙ্‌নেম্ কৌবা লুরাং নিংথৌ পুন্সিবা হায়বতুনি, অতুগা নঙ্‌না ফাই হায়রিবা শা অতুগী মতীক্-মপা চানবা মমল ওইগদবদি নবেন্‌ধৌ মুমোইন্ম (য়ুগী মাইবী/লাইরেম্বী অহোঙ্‌বী, মূমগী ফুঙ্গাগী মৈগী মনীঙ্‌দা ফমতুনা লৈরিবী, হন্‌তুমন্‌বনা মিংমৈগী উন্‌শা মুপ্‌চিন্নবনা পোরোঙ্‌গুম গুম্‌জিন্নবনা লাং মপান্‌গী মমি ময়াম্ পুন্‌শিন্নবগুম্নবী, কপ্লাক্লা মতীক্-ময়াই কৌখংমন্‌বনা মশাগী

খোইমোম্ লাইরৈমা য়ুমোইন্নু অহোঙ্পী চীঙ্ঙু য়াইঅোই-পীপু, মনীঙ্ খয়োঙ্গরোন্ ঙান্নুথুম্পীকা লেংনা ফাইনা য়োঙ্গনা চান্না নাউয়োক্মিন্নঅে, অতুনোংকীপু ঙান্নুরোন্ পী-য়ারোক্ অো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা ঙান্নুরোন্ পী-য়ারোক্ পাঙ্গমা লিন্কোঙ্গকী—

হক্চাং শরুক্ ওইরিবা মখোঙ্না থাংবগী মতৌ খঙ্দ্রবী, মিংয়েংদা উবগী মতীক্ ময়াই শোম্থরবী অহুদি অথোইবা লাই ওইনা হী-য়াই পুন্নমক্ ওইরিবীনি, মহুবু শারেন্ অহুগী মমল্ ওইবা য়াই—হায়না হায়থরক্লম্মী। অহুদগী লুরাং ওইরিবা শেন্বা মিমাবনা চেন্বগী হুমাং ঈথক্ হৌ-না চেল্লক্লগা লুরাং পুন্সিবদা হায়রম্মী —ঐগী শা অসিগী মতীক্-মপা চাবা মমল্দি লুরাং য়েক্ ওইবা নঙ্গী নয়ুম্দা ফুঙ্গাগী মৈগী মনীঙ থংবদা ফম্হুনা লৈরিবী অহল ওইবগী পুন্সিনা কুপ্শিল্লবী অহুবু অথোইবা শা অসিগী মমল্ ওইনা পীয়ু হায়রক্লবদা হোঙ্লেম্ কৌবা পুন্সি শাংলবা লুরাং নিংথৌনা মমায় মায়থোং লুক্থহনা উন্না কোয়শিন্দুনা লৈরিবগী মহুংদা লৈরিবা পুক্নীঙ্দা মতোম্তা নীঙ্শিংহনা অমুক্ হন্না খন্থরক্লবদা পীক্লিবা অঙাং অসিদি ঈচান্নুপা শেন্বা মিমাদা অহুমক্লিদনা, মহাক্পু নাউপুরক্পী মমা খুমন্ নিংঙোন্ ঙান্নু থুন্বীনা থবক্কী মতীক্ পীশিন্নবা রাহৈদগী, ইনশিন্-বদগী ওইরিগনি, অহুবু ঙম্মোয় হায়হনা হায়দোক্থরবা রাবু অমুক্ শুম্থোক্লরোয় – হায়হুনা ঈপাগী ইবুংঙো শেন্বা মিমাবা ননেব্ধৌ অহনগী মতম্ ওইরবী অসিবু অথীবা রাহৈ হায়হুনা মীচৈ অকায়বনা খোন্ থাবা তৌদনা চান্বীহৈবা থৌজান্গী মশক্না লোইননা নঙগী মাম্শিংগী খুমন্না চাওবা লৈপাক্তুদা লৈমিন্নরুরো হায়হুনা মরন্-মথুম্ পীনবীবগুম্ চান্বীরক্লবদগী লুরাং শেনবা

(৮) য়োঙ্গথোংঙাই

নয়ু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ য়োঙ্গথোংঙাইদো-তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ য়োঙ্গথোংঙাই কৌপতি কতৌনোংকীনো ? অসাঙ্গৈঙৈকী য়োঙ্গপু থোইমোম্ লাইরেম্মা য়ুমোইন্থু অহোঙ্পীনা হুংপান্ সেন্পা মি-মাপপু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ অোইহ্নুনো হায়না লন্কুপীরপকীতমক্ নোংয়াঙ্গ খুমন্ পুনসিপতি মসানৌ নোংয়াঙ্গ খুল্লইমা পীয়ারোক্কা মপারী য়োঙ্গথোংঙাইকা ঙাইরোইন্না লোইপী লইয়ান্ মপুঙ্য়াঙ্গতা থইনা য়াঙ্কোইখিরে । খয়োঙ্গ-

---

মিমাবনা খুমন্ লৈপাক্ অমম্বুং মীয়াম্গী নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা মবেনধৌ য়ুমোইন্থুগা লোইননা থুংলরে, হায়বীরম্মে । য়োক্পী-থাক্পীবগী মবেম্মা ওইরিবী, অথোইবী-পাম্বু-পীম্বু ওইঙম্বী লাইরেম্বী য়ুমোইন্থু অহোঙ্বীবু ময়ায় ওইনা ব্রাংবা লম্দা পাল্লম্বা খুমন্গী মরৈবাক-মশাইগোন্দা লৈমিন্নরবগী খুমন্গী মরু ওইবা অচৌবা লৌবুক্ পোক্লক্লে, থান-নবা শীঙ্গী শীঙ্গে লিংথুনা পাল্লে । অহোঙ্ -অচাও থোক্লা পুন্নমক্ ফংলবগী কই/কৈ অমত্তগী অব্রাংবগী মরেপ্ হন্থদনা, শঙ্গোন্দগী শল্ অমত্তগী থৌরী তত্তনা অথোইবা য়ু শুংথুনা য়ুহোঙ্-চাক্হোঙ্বগী থৌরম্ন-চিংবা পাংথোক্খি, অত্নগী হুমিংশিংথুগী মরম্দগী খুমন্ নিংথৌ অদোন্ পুন্সি য়ুমোইবা হায়না কৌখি । খুমন অদোন্ পুন্সি য়ুমোইবদি মশাগী মমিংথোন্সিগা চপ চানরবনি ।

মবেন্ধৌ ময়াঙ্গ ওইনা ব্রাংবা লম্দম্দা পাল্লম্বা খুমন্শিংগী মবেম্মা ঙান্বা য়েক্ ওইবী নিংঙোন্ পী-য়া-রোক্ হায়না কৌই । ঙান্থুরোন্ পী-য়ারোক্ কৌথিবদি করি তৌথিবা হুমিত্তগীনো ।

রোন্ ঙান্নু-থুম্-পীকী মপারী সেন্পা মি-মাপনা নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিং-থৌপু আইরে হাঙ্গীতপরা ॥ অসাইঙৈকী লোইপী লইয়ান্ মপুঙ্-য়াঙ্গীতা য়াঙ্কোইরিপা নিংথৌ পুন্সি যুমোইপতি পলেম্ পীথোঙ্গী-রেন্কী কোরও নোংকাথিরে ॥ নোংয়াঙ্গী খুমন্ লইমা পীয়ারোক্না লোইপী লইয়ান্ মপুঙ্য়াঙ্গীতা চেংনা ব্রাংনা সীঙ্না রাংনা থম্লো-ন্না চইরৈ অয়িন্তাম্ মালেলও অ-সেং-ব্রাং, চানা য়িরু কণ্ড্ লোক্লও পরঙ্গী তৎ, কোরও থোইনা য়েংনা নোংথোইরিঙৈতা খোই-মোম্ লাইয়িংথৌ নোংয়াঙ্গী পোক্মাপা, খুমন্ সাংমাপা মরন্কু-কীপু ঙাইনপা মপান্নী য়োঙ্গীনা চান্না য়োক্তে ॥ অসাইঙৈকী নুংপান্ সেন্পা মি-মাপস্নুং মনোং নোংসীঙ্ স্নুরপকী চীঙ্ঙু পন্তন্থিরপতা খোইমোম্ নোংতম্থোন্কী নোংয়াঙ্গী য়োঙ্গীথোং-

---

মশাবু কন্বী য়োক্পীবগী মপী-মপা ওইরিবা মপুরোইবা খুমন্ নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবগা খুমন্ লৈপাক্ ঙাক্পগী রায়েল্-থোঁদাদা চীন্না হায়বা য়াবা হায়দুনা নুপীগী রাথোক্-রাতাইস্নু তেম্মিন্নদুনা পাল্লিঙৈদা ঙসাই হায়খিবা পাগী-পীগী মতিক্ ময়াই পুন্নমক্ চেন্বা লাইরেম্বী য়ুমোইনু অহোঙ্বী, চীঙ্গী মবেম্মা য়াইগী মশক্ ওইবীবু মনম্মা খুমন্ নিংঙোন্ ঙান্নুথুম্বীগা পোংপা-পুংবা অমতা ওইনা থৌজান্-নুংশি মিৎয়েংগা লোইনননা নাউকোন্-নাউকোন্মিন্নরম্মী, অহুগী নুমিত্তুগী মরম্সগী ঙান্বা নিংঙোন্ পীয়ারোক্ হায়না কৌখি। খুমন্গী মবেম্মা ঙান্বা নিংঙোন্ পীয়ারোক্কী পাঙ্গমা পীয়ুক্নুংগী শ্রীয়োম্-লাদগী —

(৮) য়োঙ্গীথোংঙাই

নবুধোগী মিংলেন্দি নোংগী ময়াঙ্গী ওইবা লমদম্দা পান্বা খুমন্শিংগী নিংথৌ য়োঙ্গীথোংঙাই হায়না কৌই। অদোন্ য়োঙ্গী-

ঙাইপু লইয়ান্ মপুঙ্যাঙ্গৈতকী নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ অোইনপা মপন্ নোংয়াঙ্গৈ খুমন্লইমা পীয়ারোকুনা মপারীপু লোইপী লই-য়ান্ মপুঙ্যাঙ্গৈতা নোংয়াঙ্গৈ পোকৃখাপা, খুমন্ সাংমাপা, অতোন্ মপালাই, খুমন্ মপুলাইপু খোইমোম্ মরন্কুপু ঙাইনা য়োনা চান্না য়োক্চমন্কী নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌপু অোইরে, হাঙ্গৈতপরা ।। অতুনোংকীপু নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ য়োঙ্গৈথোংঙাই-অো-তৌনা কৌঅে ।। নোংয়াঙ্গৈখুমন্ নিংথৌ অতোন্ য়োঙ্গৈথোংঙাইতি কোন্লোই মমিং থোংকীপু চুনপনে ।।

থোংঙাই কৌথিবদি করি তৌথিবা মমিত্তগীনো ? ঙসাই মথক্তা পঙ্খিবা য়োকুপী থাকুপীবগী মবেম্মা অথোইবা লাই ওইরিবী লাইরেম্বী য়ুমোইম্ন অহোঙ্বীনা লুরাং মচা শেন্বা মিমাবনু নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ ওইসনু হায়না থৌজানবীরবদগী খুমন্ নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবদি মশাদগী হেন্না চহি নৌরিবী খুমন্ খুঙ্গংশিংগী মবেম্মা পীয়ারোক্কা মচানুপা য়োঙ্গৈথোংঙাইগা লোইননা লোইপোং পীবা চাউগী লম্, লৈয়ান্ খুন্দা থেম্না লৈথিরম্মী। খুমন্ য়েক্ ওইবী নিংতোল ঙাঙ্গু-খুম্বীগী মপাগী ঈ মরী ওইবা মচানুপা শেন্বা মি-মাবনা খুমন্ লৈপাক্কী নিংথৌ ওইথিরম্মী, হায়বীরম্মী। মথক্তা হাপ্পজখিবা লৈয়ান্ চাউম্মী খুনগী লমদম্দা লৈথিবা খুমন্ নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবদি মমা পুক্কুংদগী লোইননা পীথোক্লক্লবা পুন্সিগী মতম্ লোয়খিত্না নোংমদোন্দা মথন্নাই মমি ওইনা কাখরে। খুমন্ লৈপাক্কী মবেম্মা ওইরম্বী পীয়া-রোক্কা লোই পীবা চাউঙ্মী খুন্, লৈ-য়ান্ খুঙ্গংদা লাইবক নোংদম্ থীনা অরাংপগী অরাংপা ঙাক্তা ওইনা, লৌশীং রাখন্ খুন্ফমস্ত রাংনা নোংদানুগী অহাংবগা ঈরোয়ননা ইন্নবা চৈনা

মপেন্ নোংয়াঙ্গী খু্মনলইমা ঙান্পা খুনুং নিংথৌ চনু ঙানুনু-রোন্ কাইরইম-অো তৌনা কৌঅে ।। ঙানুনুরোন্ কাইরইমা থৌপান্-কায়না য়ীমঞ্জ, সেললোই মথুনেং, লংমাই মকাইফম্, থাপা য়েন্থাম্ থোংনা কায়নরোক্পু অসেনপচনু ঙানুনুরোন্ কাইরইমা পাঙ্গমা লিন্কোইকী—

(৯) হাওরম্তোন্ য়াংপা কায়পা

ময়ু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ হাওরম্তোন্ য়াংপা কায়প-অো তৌনা কৌঅে ।। অতোন্ য়াংপা কৌপতি কতৌনোংকীনো ।। মসাপী হাওরম্ অঙনপক্কা হাওরম্ নীঙ্-কোই য়াঙ্গমপকা হাওরম্তোন্ অতোন্পকা ৩ ম-প নোংয়াঙ্গী হওমন্না, অতোন্ কামন্-ননা খোম্লাং পী-সিন্মকী চাওখোঙ্ খোক্লোইম-পু কামনন্অে,

---

লৈচুনা শাবা ফিসু থাপনা, হক্চাঙ্গা লৌন্দুনা শেংননবা ফিসু রাংনা, থুম্থক্ কুপ্পনবা ইসু চরা চরাহুনা নোংঈশিং য়ুরক্কনবা পয়া পরৈ লৈ-শিন্বসু তত্তুনা নোংদোন্দা য়ান্দুনা লৈরিবা অহাঙ্ববু তোয়না য়েংহুনা হুমিং-মতম্ লেপ্পনবা লৈরিভৈদা পা-পী-পুন্না ওইরীবা লাই, খুমন্বু পোক্পী-শাংপীরিবা লাইয়িংথৌনা থৌজাল্-চান্বীরক্পবু ঙাইহুনা মচানুপাবু নুংশি-থৌজান্ মিং-য়েংগা লোইননা য়োক্পী থাক্পীরম্মী। মথক্তা হায়জগ্রবা শেন্বা মি-মাবসু মহাক্না হিংণদবা মপুন্সিগী হুমিং মশীঙ্ শুরহুনা চীঙ্গী মবুংঙো লাইশিংগী পন্ মনাক্তা লৈপ্র-পন্-প্রবদা অথোইবা লাইশিংনা তম্নক্পা নোংদোন্গী মতুং ইন্দুনা খুমন্ য়োঙ্গথোং-ঙাইবু লৈয়ান্ খুঙ্গংদগী খুমন লৈপাক্কী নিংথৌ ওইননবা মমা খুমনগী মবেম্মা পীম্নারোক্না খুমনবু পোক্পী-শাংপীরক্পা খুমনগী মপালাই-মপুলাইশিংনা থৌজানবীরক্পা ঙাইহুনা লৈয়ান খুন্দা

হাঈতপরা ।। নোংয়াঈ চাওপা লেপ্ফারা, অতোন্ সাংপা ঙম্তম্লক্লপতা ময়ুম্ নোংপান্ ফান্তেক্ সোক্নাইপনা খুরোই হাওরা লম্লাংতোংভা লোইয়া নীন্তুম্ নীন্ নুংপান্ মরাং হওনা হোঙ্নেম্ডৈতা অহোঙ্ কুম্মৈ য়েংলুকে হায়পকী পলেম্ মমা ঙান্নুরোন্ কাইরইমনা মপারী ৩১তা নাউথেম্‌লীক্ চীঙ্রা রূতং পোক্কী পামেন্ নান্পা রূতোন্থক্তা পান্প-লীক্, পাসি থিক্পা নোইসেন্পকী য়াংলঈ তাওপা মহুইগনা য়ীরোন্-নুংতা লীক্ফাং মমি রূনা খোংখৈ লীক্, তালোই মরুম্পী চাওপী নোংনং মচন্না লীক্তাক্ লীক্, পাসি থেপা লীক্ন ম্পনা পামেন্ নান্পা রূতোন্থক্কী হেক্প-লীক্, থাপা ঙঙ্কোঈ-লীক্পু হাওরম্ অহন্পনা থাপা ঙঙ্কোঈ হে-ন্না লোন্লোই কুম্মৈ য়েংথিপপু মনানৌ হাওরম্ অতোন্পনা লীক্নাং রারোঙনা, থাপা রানৌরপকী থাঙ্লেন্ মথুংসুনা অচেন্ খংলঈ য়াঙ্না লম্লেন্

চেংনা-চান্না য়োক্চরক্পগী মহৈ ওইনা খুমন নিংথৌ ওইখ্রে, হায়বীরম্মে। অতুগী নুমিত্তুগী মরম্সিদগী খুমন্ নিংথৌ অদোন য়োঈথোংঙাই হায়না কৌখি। খুমন্ লৈপাক্কী নিংথৌ অদোন্ য়োঈথোংঙাইদি মঙোন্দা থোল্লিবা মমিংথোনসিগা চপ চানরবনি।

মবেনধোগী মিংলেন্দি রাংসু রাংদবা, নেমসু নেমদবা ময়াঈ ওইনা নোংনা পাইরিবা চীঙগী লমদমদা পাল্লম্বা খুমন্শিং মবেম্মা, ঙানবা য়েকলুপকী চনু য়ুমগী মবেম্মা ঙানন্থরোন কাইরৈমা হায়না কৌই। ঙানন্থরোন কাইরৈমা থৌবানগী কায়নাদা লৈবা ঈশিং ঈচৈনগী হোরক্ফম্মক্ক, শেল্লোইশিংনা মথক্তা পাল্লিবা, লংমাইশিংনা লৈরিবা লম্খৈদা রাবা ময়াম্না খোংনা খোংনা কায়নথিবা কায়নারোকপু শৈশক্-শৈথানবশিংগী নিংঙোন ঙান্নু-রোন কাইরৈম্গী পলেম্ পীবুক্কুংদগী —

মতায়মা খুরোইপা থিংপাকোন্, চাউথোং তোংসং য়ীতা মসাপী অহন্‌পপু থাঙ্‌লেন্ মথুংস্সুনা য়ান্‌হৎলে, অতুনোংকীপু নোংয়াঙ্গী হাওরম্ অতোন্‌পা কায়পা থাঙ য়ান্ কন্‌পা, লীক্‌লাং ঙঙ্‌কোম্ব লোক্‌পা, থাপা লীক্‌মুন্ থৌপঅো তৌনা কৌঅে ।। নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ হাওরম্ অতোন্‌পা য়াংপা কায়পা থাঙ্‌য়ান্ কন্‌পতি কোল্‌লোই মমিংথোংকীপু চুনপনে ।।

নপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্‌লইমা ঙান্‌নুরোন্ থোংঙাইপ-চন্নুঅো তৌনা কৌঅে ।। ঙান্‌নুরোন্ পাঙ্গমা লিন্‌কোঙ্গকী —

---

(৯) হাওরমতোন্ য়াংবা কায়বা

মবুধোগী মিংলেন্দি ময়াঙ্গ ওইনা ব্রাংবা লম্‌দম্‌দা পাল্লম্বা খুমন্‌শংগী নিংথৌ হাওরম্‌তোন্ পুক্‌চেল্ য়াংবা, লীচৎ কায়বা হায়না কৌই। অদোন্ য়াংবা হায়না কৌ খবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? ময়াম্বা হাওরম্ অহন্‌গা হাওরম্‌ নীঙ্গোয় য়াঙ্গমবগা হাওরম্‌তোন্ অতোন্‌বগা মখোয় অহুম্মকস্তু হৌমিন্-কামিন্নরক্‌পা ওইনা খোম্‌লাং নামা-নামা থক্‌মিন্ননা অতুগুম্ চাওরক্‌মিন্নতুনা চাওখোঙ মপান্ ফামিন্নবগুম্ ফামিন্নরক্‌খি হায়য়ে। মখোয়না চাওবস্তু শারেপ ফারবা ব্রাংবস্তু মপুঙ্ ফারক্লবা মতম্‌দা অঙোম্ য়েক্ ওইবা কান্‌তেক্ ফুরুপ্‌কী সোক্লাইবনা খুরোই লৈয়াংকী হাওরা/হাওবা লমলাংদোং/লম্মাংদোংদা লোই লম্‌শিংগী ময়াদা লৈবা, তম্পাক্‌লম্‌গী মনাক্তা লৈবা লম্‌শিংবু পুম্নাং লাংহন্দুনা, লুব্রাং শল্লাইগী মীশিংবুস্তু ঈরাং হৌহন্দুনা হোঙ্‌না-চাওনা পীজ-পীথক্ তৌতুনা হোঙ্‌নেম্বগী লাইথৌ পাঙ্গথোক্‌পগা লোইননা অহোঙ্-কুম্মৈ তৌবদা কুম্মৈ য়েংলুগে হায়তুনা অপোক্‌পী মমা কাইরৈমনা মচান্নুপা অহুম্না কপ্পদা থেম্নবা লীক্, চীঙ্‌গী ব্রা. উতং য়াম্না হৌবা চীঙতুগী নান্‌বা কৌবা উগী মতোন্ মথক্তা

(১০) অতোন্ মেন্‌পোম্‌পা

নম্ব নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ মেন্‌পোম্‌প-অো তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ মেন্‌পোম্‌পা কৌপ তি, অচাও লেপ্‌ফা তা, সাংপা ঙম্‌তম্‌তরিঙৈকী পন্‌থৌ মপা নোংয়াঙ্গী হাওরম্‌তোন্ লৌথিপপু মনোং নোংমীঙ্ স্বরপকী কোরও নোংকাখিরপতা মপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্ লাইমা ঙানন্নুরোন্ কাইরইমন য়ীনোংয়াঙ্গী অচাও লেপ্‌ফাতরিপা অসিপু নোংয়াঙ্গী য়ীরান্ য়ুম্‌মথক্‌তা পুনা মাউয়োক্‌লুকে হায়না মরান্ য়ুম্‌মথক্‌ত মাউয়োক্‌থিঅে, অতুনোংকীপু নোংয়াঙ্গী মেন্‌পুপা কৌপপু অতোন্ তাফা থিপনা নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ মেন্‌পোম্‌প-অোতৌন কৌঅে । অতোন্ মেন্‌পোম্‌পতি কোল্‌লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ॥

পানবগুম্ য়াল্লম্বা লীক্, পাসা মচা পাসি ফুরুপ ওইবা থিক্‌পা কৌবা শোই লিংহুনা ঙা ফাবগী মশা য়াংনা হুৎ-ফেৎ লৈ-বা শা, শাদানবশিংগী মরুপ্-মতাও ওইবা শা, হুইনা লাইগী মচা ওইনা শৈশক্রিবা ঈশিংগী মহুংদা ফাংনা তারিবা লীক্ পরেংগী মমি উতুনা থোংলক্‌পা লীক্, (থিক্‌পগী) মচা পোক্রিবা, য়া তান্‌বদা লোইনরিবী নোংতংগী মচন্ চাওবীনা তাক্লক্‌পা লীক্, পানিগী লীক্ মুন্দুনা লৌবা থেবনা নানবা উগী উতোন্দগী হেক্‌পগুম্ লৌথবা লীক্, থাগী ম-পা ওইনা ঙত্তু কোয়না শিনবা লীক্‌পু হাওরম্ অহন্‌বমা লীক্ অতুবু থবাক্তা লেন্নহুনা ফজনা শিরগা লোল্লোই লম্‌গী কুম্মে য়েংথিববু মনাউন্নুপা হাওরম্‌তোন্ অতোন্‌বনা লীক্ অতুগীদমক্ থংনহুনা য়া নৌনা পাউহোম্‌নরবগী মথুত্তা থাঙ পায়হুনা চেন্‌বগী থংনা লৈবগা লোয়ননা য়াঙনা চংথিহুনা খুরোইগী অথোইবা মফম্ খুরোইবা থিংবাকোন্

মপেন্ নোংয়াঙ্গ খুমনলইমা মচেঙ্ পাচামা, কাইরে ময়েল্-লুম্নে। ঙানন্নুরোন্ থোংঙাইপা চন্নু পাঙ্গমা লিন্‌কোঙ্গকী —

(১১) থোংলৈরোম্

নয়ু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ ,থোংলৈরোম্-অো তৌনা কৌঅে ॥ থোংলৈ-রোম্-অো কৌপতি কতৌনোংকীনো ? পলেম্ মমা পীথোঙ্গরেন্‌কীপু লম্‌চায়ফতনা তাঙ্‌চা মরৈতোন্‌পু লৈতোন্ খুথি য়াম্না নোংয়াঙ্গ থৌথা-অে, অতোন্ রায়েল্অে, হায়পকীপু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ থোংলৈরোম্-অো তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ থোংলৈ রোম্‌তি কোল্‌লোই মিংথুন্‌কীপু চুনপনে ॥

কৌবা চাঙথোংনা মতোন্ ঙশং শংনা হৌরিবা ঙশিং ঙচেনগী মপান্দা মম্বান্বা অহনববু মথুক্তা পায়রক্‌পা থাঙ্ অহুনা য়ান্থরম্মী, অহুগী লুমিংসিগী মরম্‌সিঙ্গী নোংয়াঙ্গ হাওরম্‌তোন্ অতোনবা, কা-য়বা থাঙ্‌য়ান্ কন্‌বা ঙক্শম্‌দা শিবা লীক্লাং পল্লেং লোক্‌পা, থাবাক্না মপা ওইনহুনা য়াম্বরিবা লীক্‌পু মুন্‌বদা থৌনা ফরবা হায়না কৌই। নোংয়াঙ্গ খুমনগী নিংথৌ হাওরম্‌তোন্ অতোন্‌বা, মাংবা কাঙ্গবা খাঙয়ান্ কনবন্দি মশাদা থোক্লিবা মিংথোন্ অসিগা চপ্-চানরবনি ॥

নবেন্‌খোগী মিংলেন্দি খুমন্‌গী মবেম্মা ঙান্‌বা নিংঙোন্ থোংঙাইবচন্নু হায়না কৌই। ঙান্‌নুরোন্ থোংঙাইবা চন্নুগী পলেম্ পীবুক্‌ংদগী —

(১০) অদোন্ মেন্‌পোম্বা

নবুখোগী মিংলেন্দি ময়াঙ্গ ওইনা রাংবা নোংগী মরক্তা পাল্লম্বা খুমন্‌গী নিংথৌ অদোন্ মেন্‌পোম্বা হায়না কৌই। অদোন্ মেন্‌পোম্বা কৌথিবদি মশাগী চাওবগী মপুঙ্

নপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্ লইমা ঙানুবোন্ খায়থিপচন্নু, কংলই মতায়মা তেল্লোঙ্ লম্বপাক্পু অসৈনপী পাঙ্গয়া লিন্কোঙ্গবী—

(১২) চীঙ্খোঙ্ থোঙ্ক্রাইপা

নযু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙক্রাইপ-অো তৌনা কৌঅে ।। অতোন্ চীঙখোঙ্ থোঙ্ক্রাইপা কৌপত্তি কতৌনোংকীনো ? নযু নোংয়াঙ্গী সাংমাপা, খুমন্ পোক্মাপা লইনুং পোইরইতোন্ অতোন্পা চীঙ্পুরোই তম্পু কেন্-না লাংঅোল্লক্পা, খুন্পী পোংমহন্, চীঙ্খোঙ্ পোইরইতোন্কী কোল্লোই মম্নিং থোংপু মইনা রাইনা ঙ্গিংথোংনজে হায়পকী চীঙ্খোঙ্ থোঙ্ক্রাইপঅো-তৌনা কৌঅে ।। নোংয়াঙ্গী খুমন্

ফাদ্রিভৈ, শাংবা-রাংবগী মঙান্ তাদ্রিভৈদা অপোক্পা মপা নোংয়াঙ্গী হাওরম্তোন্ লৌখিবদি মহাক্কী হিংগদবা পুন্সিগী নুমিৎ মশীঙ্ শুরুবদগী নোংদোন্দা য়াইবীনা কাথ্রবদা মবেন্থৌ খুমন্ লৈপাক্ মীয়াম্গী মবেম্মা, ঙান্বা য়েক্ওইবা নিংঙোন্ কাইরৈম্নঃ পীক্লিবা, চাওদ্রিবা ঈশুনুপা অসিবু খুমন্ ঐথোয়গী যুম্মাথেক্তা লৈরিবা যুম্ অতুদা পুরগা য়োক্লরগে—হায়হুনা যুম্মাথেক্তা পুরগা নাউয়োক্-নাউকোল্লক্খি, অতুগী নুমিতুগী মরম্সিদগী নোংয়াঙ্গী মেন্পুবা কৌববু খুমন্ তু কা খিবনা নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অদোন্ মেন্পোম্বা হায়না কৌনখি। অদোন্ মেন্পোম্বদি মশাগী মমিংথোনবগা চপ্ চানরবনি।

নবেন্থৌ খুমন্ নোংয়াঙ্গীশিংগী মবেম্মদি মথক্তা চংথ্রিবা খুমন্গী মবেম্মগা কৌ মথল্ অমতগী চেঙ্ ওইবগুম্ মপা-মচা অমতা ওইনরিবা, য়েন্বী অমতনা কৌক্পা য়েরুম্ মশেন্গুম্বীনি । ঙান্বা

নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্ক্রাইপা থায়াঙ্ মথৌমন্ চুঙ্সেন্ মরান্-অোন্তি হাওরই নোংচুপ্না পাংপরম্, খুরোই হাওরা লম্লাংতোংতা রাঙন্পা, নিংথৌ ফান্তেক্ সোক্নাইপ্না নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্ক্রাইপকী মমোম্ খয়োঙ্গী-রোন্ হাওরইমা সাক্কাপীপু কাওচন্পপু লোইতাম্ থাসিরা, লাংহই কুম্অোল্লপকী নিংথৌ ফান্তেক্ সোক্নাইপনা খুরোই হাওরা লম্লাংতোংতা লোল্লোই হোঙ্কে হায়না লোইয়া ঙান্তুম্ ঙান্না হোঙ্নেম্ঙৈতা মমান্ নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ থোঙক্রাইপপু কোল্লোই মমিং হেন্-অে, অহোঙ্ লান্মিং থানকে হাঙ্গীনা সংলৌ থৌরাংলপকী য়ীসানৌ নোংপান্ ফান্তেক্ লইম-অো লোল্লোই য়ীথোঙ্গীনা হোঙ্নেম্পা অসিপু য়ীমান্

য়েক্-ওইবী নিংঙোন্ঙান্বা থোংঙাইবগী মচানুপী থোংঙাইব-চনুগী পলেম্ ওইবীগীপীবুক্কুংদগী —

(১১) থোংলৈ-রোম্

নবুধোগী মিংলেন্দি ময়াঙ্গী ওইনা নোংনা কুপ্পা লম্দম্দা পাল্লম্বা নোংয়াঙ্গী-খুমন্গী নিংথৌ থোং লৈরোম হায়না কৌই। থোং-লৈরোম্ কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? অপোক্পী মমাগী পীবুক্কুংদা লৈরিঙৈদগী পীথোক্লক্লববু হুন্দোক্-থাদোক্-ফদবনা রা ঙাংবদা মরৈ লৈতোনবু খুদি য়াম্না থীনা, লৈ-লোম্না রায়েন্-থৌদা তৌই, রা ঙাংই হায়দুনা খুমন্ নিংথৌ থোংলৈরোম্ হায়না মিঙ্গৌনখি। খুমন্ নিংথৌ অদোন্ থোং-লৈরোম্দি মশাগী মমিংথোন্ অসিগা চপ্ চানরবনি।

নবেন্ধৌ, ময়াঙ্গী ওইনা রাংবা লম্দম্দা খুন্দারম্বা খুমন্গী মবেম্মা ঙান্বা য়েক্-ওইবী নিংঙোন্ থায়-থি-নু, তম্পাক্কী ময়াঙ্গী ওইবা লম্দম্গী মতায়-মচেংঅমা ওইরিবা তেল্লোঙ্

নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্‌ক্রোইপপু নোংপান্ কুমমৈ য়েংলঅো, হায়রু-অো, হায়না পাউমেল্লপতা, মমোম্ হাওরইমা ফান্তেক্ সোকনাই-লইমনা য়ীপন্ পন্থৌ নিংথৌ নোংয়াঙ্গী লইমাপ-অো, নোংপান্ সেল্লইপাক্ ফান্তেক্ নডাইরেন্না, অহোঙ্ কুমমৈ য়েংল-অো, হাঙ্গীনা পাউমেল্লপতা নোংয়াঙ্গী চইরঙ্গী মকা ফোং, খুমন্ মীমাঙ্ হেন্না, নোংপান্ মরান্য়াঙ্গীতা রাইথুংলুপপু, ফান্তেক্ সংলৌ মথৌরাং, য়েল্লাং মঙমতমপু মাল্লং নোংহুম পাউকুম্ লাতারপকী, মমোম্ হাওরইমনা, মপন্ চেংলৌ সক্রুরপতা থাঙয়ী খোংচেম্পা মসুমখঙ্, রাক্না মান্পী তেম্থাসুম্. সুম্লেন্ মায়পাক্পতা. সরা রাইরৌ পাম্পা মনন-সুক্না সুকমু লইত্তম্ ফেন্, য়াম্পী মায়ঙৌ তান্ডম্পতা সুম্-পন্ তেরান্‌সৈপু তেংথান্না— মীকী মচা লমলান্পা, মমোম্ ১

লম্পাক্ (হৌজিকী ফাষ্ট এমঃ আরঃ পী কাটর গার্ড লৈরিবগী অকোয়বা লম্) পু শৈশক্-শৈথানবীগী পলেম্ পীবুরুংদগী —

(১২) চীঙখোঙ্ থোঙ্গাইবা

মবুধৌগী সিংলেন্দি খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্গাইবা (থোঙ্ কা-রায়বা) হায়না কৌই। অদোন্ চীঙখোঙ্ থোঙ্গাইবা কৌথিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো? নবুধৌ নেম্না নোংনা পাইরিবা ময়াঙ্গী ওইনা রাংবা লম্ মদা পাল্লিবা নোংয়াঙ্গীশিংবু পোক্-পীরক্পা লৈমুং লৈয়াং লমদমগী পোইরৈতোন্ অতোন্‌বা, চীঙ্দা পাল্লিবা তম্দা লৈরিবা পুন্নমক্পু থুংনা চত্তুনা য়েংলু খঙ্লুরবা, অহানবা লিংথংপা মপী ওইবা খুনগী থাইদগী অহন ওইবা অহানবা মী ওইবা, লাইগী/নিংথৌগী ঙমথং ওইবা পোইরৈ-তোন্‌গী মমিংথোনবু মমৈ শমথনা লৌহ্না মমিং থোল্লি

খুইপতি, মীরম্তা থা-চত্তে, মীরাই-তাম্তা কাওচনত্তে মমোম্ সিতনুপীনা হইরাঙ্ খুংতা স্থনা, থম্লই পাউথেম্ হৈপীকা থংলেন্ রা-তম্থীকা, মুংঅোন্ রামান্ননা, লাংথু তাকুলই-সাচেন্পা, পুকুনীঙ্ ফিরোনন্থুংকী, রুন্পী থনচীন্ হৈপনা, রাকুয়ই স্রীফাই চন্হন্তা, তোংচেং হিরুপ্ লাংহন্তনা, কোরও নোংয়িন্ চেক্না, কোঙ্কোয় লাংখঙ্পকুম্, থরাই লাইসেং হৈচথিঅোহায়না মমোম্ হাওরইমনা, স্থম্পন্ তেরান্সেপ্পু, ফৌস্থ তেংথা সকুঙম্পপু নাতারপতা, নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, চীঙ্খোঙ থোঙ-ক্রাইপতি রুন্পী লঙ্গনীঙ্শিংনা, ১০ খুংপুন্মপু য়াম্না হুক্তা, রাংলঙ্গ অয়াকুপা হাওতৈ অথুম্পস্থুং য়াম্না য়োংতা· নোংয়াঙ্গ

হায়হুনা চীঙ্খোঙ্ থোঙ্গাইবা হায়না কৌই। খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্গাইবগী মথা-মথবাক্ য়াঙনা শীজিন্নহুনা মথৌ পাংথোক্পগী মমল্, চুঙ্ শেন্নহুনা লান্কম্ কয়া থেংনখিবগী মরোন্দি— হাওগী নৈপাক্লা শন্দোক্লিবা নোংচুপ্ মায়কৈ পাংবরোম্দা নৈবা খুরোই হাওশিংনা লম্লাংদা তোংলি-পাল্লিবা মফম্হুদা রায়েন্-থোদা তৌরিবা, নিংথৌ ফানতেক্ শোক্লাইবা ফৌবনা খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্গাইবগী মচানুপী খুমন্ য়েক্ ওইবী নিংজোন্ হাওরৈমা শাফবী (তাউথোং কাইব-চনু) বুশন্গী মমল্ মশীঙ্স্থনা কংলগা লুহোঙ্হুনা লৌখিববু থাবুম্ কয়া লানখিহুনা কুম্-ওন্ কয়। ওনথরবদা ফান ফুরুপকী নিংথৌ ফান্তেক্ শোক্লাইবনা খুরোই হাওশিংনা পাল্লবা লম্লাংগী লম্দম্, লমলাংতোং/লম্মাংদোংদা লোল্লোইগী লম্বু ময়াম্দা মশক্ খঙ্হন্নবা শক্তাক্লবগীদমক্ অহোঙ্ কুম্মৈগা লোইননা লম্হোঙ্বগী থৌরম্ পাংথোক্কে, লোইশিংনা খুন্দারিবা লম্গী ময়া/মনাক্কী লম্বু পুম্ঙান্ ঙান্না খঙ্হন্দুনা হোঙ্নেম্বগী ল্পাইথৌ

মরৌ লৌনা হৈনা, নোংপান্ পুকনীঙ্খন্ ফান্তেক্ মীরৌ-য়েংনা নোংহাম্লিভৈতা ময়ুম্ ফান্তেক্ লাল্লোইমপুনা থৌসী-খিঅে লাল্লোই লম্থাঙ্মা, খোঙ্গৈমা নারোনম্নুংতা, লান্ফম্-কাকুপ্ চপ্না তাংচকুম্ লম্ফম্হল্লে ।। নোংয়াঙ্গৈ লইমাপতি নোংপান্ মরান্য়াঙ্গৈকী, থিংলৌ নীঙ্না তেনা অোন্তেরকপতা, চেক্লা থৌরৈ রাখরেক্না, হুয়েন্ লান্সৌঙম্অে ।। অতোন্ চীঙ্খোঙ্ থোঙক্রাইপা, মরৌ লৌ-না হৈনা, নোংয়াঙ্গৈ কোন্-থাং মনাসি, সায়াঙ্ মতান্সি, কোল্লোন্ মখুৎসি, খোঙ্গৈনৌ মরাংমইস্নুং, পাংমা পাংমপু সাংতিং কিসিন্নুংতা সান্থুপখিঅে ।। রায়রা তেন্কা থোং, লাকা তেনমই লাক্, কপ্লাক্ সেংসৌননা

থৌরম্ পাংথোক্লিভৈদা মকুবোক্ খুমন্ নিংথৌ চীঙখোঙ্ খোঙ্গ্ইববু মশাগী মমিং ফজৈ, মিংচং লৈ, অহোঙ্ লাইথৌদা মহাক্কী শাফা-লান্ফাগী মমিং হায়বা-শোন্বদা মমিং থানগে হায়তুনা থৌশীল্-থৌরাং তৌরবদগী—ঈশাদগী হেন্না নৌনা-খোয়দাজবী, অঙোম্ য়েক্-ওইবা ফান্তেক ফুরুপ্কী মবেম্মা, ঐখোয়না লো-ল্লোইগী লম্ হোঙ্নেম্বসিদা ঈকু খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ খোঙ্গ্ইববু অঙোম্ ঐখোয়গী কুম্মৈ য়েংলো হায়রু — হায়না হায়রবদগী খুমন্ নিংথৌগী মচানুপী ফান্তেক্ শোক্লাইবগীদি লৈমানা ঈপাইবুংঙো, ঐ ঈশাসি ওইহনবীরক্লবা ঈগী-মরূবু পলেম্ শীয়োম্নুংদা পন্হল্বীরক্পা, খুমন্ লৈপাক্কী মবুংঙো ওইরিবা, অঙোম্গী নশেন ওইবশিংগী লৈপাক্, অথোইবা নঙাই ওইরিবা ফানতেক্ ফুরুপ্পা অহোঙ্ কুম্মৈ তৌবসিদা য়েংবীরো লাও—হায়না পাওজেন্দুনা হায়রবদা খুমন্ ওইবগী ফিজেং-ফিদা নান্না মশক্ উহন্দুনা, খুমনগী মশক্ শীমাঙ্দা চীঙলেম্না লেন্নরহুনা

ৱাহম্খিঅে, লাং-লেন্ কোঙ্য়াঙ্ ৱাতোন্থক্কী, থৌরৈ ৱাখরেক্ নঙ্পু, চেক্লা ৱাচুম্নকে, অইন্সুং নোংয়াই খুমন্ নিংথৌ থায়াঙ্ কোন্তায় লোন্পা মহাক্নে, খম্লোই মরান্তাক্, লোল্লোই মরই কাঙ্গনা পন্থেংঙম্ঙেনে হাঙ্গরপতি পোন্পী নঙ্পু সাপুক্ থীংনা কাপথকে,—হায়না তেনৱাইখিপপু, থৌরৈ ৱাখরেক্কা, লাংলেন্ কোঙ্য়াঙ্ ৱাকা, তু-না লেঙ্লে হাঙ্গতপরা ।।

নোংপান্ লাল্লুমঙম্পা, ফান্তেক্ লাল্লোই ৭ ম-না, চেংলৌ মিংথীংলপকী, য়ীসাতুম্ তুকা চুংনা সোংক্নিরিঙৈতা নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, অতোন্ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্ক্রাইপনা, ফান্তেক্ সংলৌ মথৌরাং, য়েল্লাং মঙম্তম্ অরোন্পপু চেংলৌ মিংথীংলপকী, নোংয়াঙ্গ অইপু, খোঙ্গমা নারোন্নুংতা, লাংফম্ সিংনা ঙাইথম্লিপা নোংপান্ লাল্লোই ৭ মা নঙ্খোঙ্গপু খোক্লক্অো, ফান্তেক্ ননিংথৌনা, নোংয়াঙ্গ কোল্লোই য়ীমিংথোংস্থ, য়েন্পঙ্ হিচন্না, লান্নিং থানরৌরে, খোঙ্গনৌ য়ীরাংমইকা, সায়াঙ্ য়ীতান্সিকা, কোল্লোই য়ীখুংসিকা ৱাইর কোন্থাং য়ীনাসিকা

অঙোম্ য়েক্কী ময়ুম্-মশাইশোন্দা থুংহ্না লৈররবা মতম্দা ফাম্ভেক্কা অশংবা লৌফম্ লৌউনবা লৌনিন্বগুম্বগী থৌরাং তৌরিবা, য়েল্লাং মতা-মপান ফুক্পা-হেক্পা ঙম্বগী মতৌগুম্ তৌরি-শীল্লিবা থৌশীন-খুজীন্বু অহাঙ্বা অতিয়াদগী তপ্না হুম্বা নুংশিংনা পুরক্পা লাইবাউগুম্ ভারবগী মচানিংঙোন্ হাওশিংগী মবেম্মা হাওরৈমনা নপাগী মশক্ উরবদা থাঙয়ী খোংজোম্বনা শাবা হৌ খবা শুম্বল্, ৱা মনানা মশাদা তেম্না থেংবগুম্ নুংঙাইতবগী মৈচাক্ পীবদগী শাহন্খিবা শুম্বল্ মমায় পাক্পা অথোইবাফু শুম্বল্হুদা সোরা ফুরুপকী ৱাইরৌ পাম্বা কৌবগী মশাবু অমন্বা অশিবা ওইহন্বদা শীজিন্নরা শুক্ অতুগুম্বা, শীজিন্নবগী মচু

পাংমা পাংমা থাম্লৌরে, হায়না পাউকৌথোক্লপতা, ফান্তেক্ লাল্লোই ৭ ম-সুং খোঈমা নারোন্নুংকী তিমেন্ খুংতা সুনা, মরোঙ্, ঙকৃতা হুক্না চোংথোক্লক্লে ।। নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌকা য়োঈচান্ নরক্লপতি, নোংয়াঈ নরম্থৈপু য়িন্ তান্ চথিরো, হায়না পাউমেন্ নরপকা, নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌসুং, মরৌ লৌনা হৈনা, মপাউ আোইনা নম্, লৌথুপ, পরঈ খঙ্ হন্ তনা, মতোম্ থক্লাই লাইসেংচরক্অে, হাঈতপরা ।। ময়ুম্ নুংপান্ মনিংথৌ, ফান্তেক্ সোক্নাইপনা্ য়ীমান, নোংয়াই খুমন্ নিংথৌতি,

---

— মুশিল্লবা শুক্না লৈমায় তম্না য়েথ-শুথহুনা য়াম্গী মপীগী মমায় ঙৌহন্নবা তান্বা-চোয়বদা ফৌশু-ঈশৈ ওইনা শৈথা-তেংথারক্পগী মরোন্না—অতোপ্পা মীতোপ, লম্ লান্-না-লান্-নবা মী ওইরিবা, মচানুপী অমা পোক্চবসু মীগী মীরম্দা থাজ-য়োঞ্জথি, মীবু য়াইহুনা-পুহুনা লোইনবা অতাম্বা-অথাপ্পা মক্মদা শনগী মন্শীঙ শুনা মমল্ লৌহুনা মীগী শঙ্গোন্দা কাও/শন্ চনথি-পুনথিদো, মচা নিংঙোন্ শিহন্নীঙবদা শিয়ু য়াদ্রবীহুনা পুক্নীঙ লাঙ্হন্নবা হৈ মখুত্তা পায়হুনা পুন্সি-খম্বা-লোয়বগী লৈপাক্তা চংননবা পাউথেম্ হৈবী ওইবগা, মশাগা হেক্ থংরিবা মন্না তম্থীরবগা পুক্নীঙ-নুংপন্হন্নবা য়াফম লৌতুনবাগী মান্নবগী লাংদা থুহুনা তাক্-মাঙ-বগী লৈপাক্তা চঙদনবা শাজেন্ তৌজহৌ, যিনা মথুপ-মথুপ মরোন্-মরোন্ নাইবগুম তৌবা পুক্নীঙ্গী ফিরোন্নুংগী অরোয়বা য়াফম্বু উন্গী মপী ওইবা উন্বী শউন্না থঞ্জিন্দুনা থম্থিবগুম হৈনা শীংনা ঈপাক্তা হি লাকহন্ন্দা ঈশিংনা হিবু ফাইজন-ফাজিন্বা তৌহন্দনা, তোংনরিবা হিবু উপহন্দনা অতিয়া নোংক্তা লৌ-হুনা পন্দুনা লৈরিবা অহাঙ্বদা পাইবা নোং/নোংম-দোন্দা ইনবা নোংয়িন কৌবা উচেক্তা থৌরী কোঙ্গোয়না থাক্পা

নোংপাল্ অইপু, তাঙ্চা মরৈতোন্না, করম্ নম্লম্পনো, হাঙ্গনা ঙুংশান্ পুম্না হুপ্, ফান্তেক্ পাক্না তায়না, হুয়েন্ লান্‌তাল্লক্পপু, অতোন্ চৌঙথোঙ্ থোঙক্রাইপতি হাওয়েন্ য়াংকোই য়ীপু লান্ঙম্লপকী, ফান্তেক্ তক্লৌ সিতং সোন্না হলহ্রাইখিরে ।। নোংয়াঙ্গ থুমন্ নিংথৌ, চৌঙথোঙ্ থোঙক্রাইপনা, য়াইপী-কনহও নীক্না, তিল্লাং মথোঙ্গ সাওনা, হয়েং লোইতাম্ থামা অোল্লপতা, নোংয়াঙ্গ পুম্না হুপ্ থুমন্ পাক্না তায়না, চুঙলোং ঙক্তা হুক্, থেরে মাঙয়িম্না, থোক্লাং লেংতা থোংনা, হাওয়েন্ য়াংকোই য়ীপু হৈনা সম্ লোইয়া ঙম্লোন্না নোংপান্ ফানতেক্, মরাং হওনা পান্পা পুঙতা, নোংয়াঙ্গ থুমন্ নিংথৌ অতোন্ মনীন্ নাইনা থৌসাপতি, ফানতেক্ য়াকা চায়রে্ মইপী তাংকোই পাইরে, অইখু নোংলোন্ কা, সাইপু মইতান্ পক্, চংলম্ ফান্সাং থুম্না পন্থেংথরে, লোল্লোঙ্গ থম্লোই ঙম্লে, হুয়েন্ লান্নিকীতি

লাংবু খাঙবগুম নশানা থঙনা নশা লিংখিনবা, নথহ্রাই হিংনবা হৈনা শীংনা হোংনজথো – হায়হুনা মচা নিংঙোন্ হাওরৈমনা ফৌশুবদা শকপা ঈশৈ ওইনা শৈথাহুনা শক্লকপবু তারবদা খুমন নিংথৌ চৌঙথোঙ থোঙ্গ্রাইবনা পুক্রীঙগী হারম পুম্নমক্ থুনা নীঙ্শীংল-ক্তুনা খুংনা থোমজিন্দুনা য়াদা হুক্রপা চাবা চাকপু য়াম্না চাশিন্দনা, হ্রাংনা লৈথং-ঙাওখংপা কালৈ ময়াক কনবস্থু, অথুম্বগী মহাও পীবা হাওদৈ পুকুয়ুসু য়াম্না থকচিন্দনা খুমন মরৌ তৌনা অঙোম মচাশিংগী পুকচেল মতা অহু থন্দুনা ফান্তেকশিংগী মীতীক-মীরৌ য়েংহুনা লৈরিঙেগী মতমদা—ফান্তেকী মরুপ-শাগৈগী মরমদ লোল্লোই লৈয়াংকী মপু ওইরিবনা য়াথং পীহুনা লোল্লোইগী

নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, চীঙ্খোঙ্ থোঙক্রোইপা, নোংপান্ ফান্তেক্ ঙম্পা, লোল্লোই খম্লোঙ্গ চায়পা, খম্লোই অহোঙ্-পা, লাল্লোই অচৌপপু কাঙ্গনহন্পাতো, তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গ থায়াঙ্ মথৌমন্, চুঙ্সেন্ মরান্তোন্তি, অতুস্নুং মতোম্তে ॥ হাওরই থানা পাংপরম্কী লোক্থা মনীন্নাইপা হাওথা তানতনা পান্পা পুঙ্তা, চংনীংলীক্পান্ লোইপু, মমুম্ কেকে মোইরাং ঙাংঙোইপনা, লোক্থা হাওথা মনীন্ নাইপপু রাতাথিখিঅে, নোংয়াঙ্গ খুমন্তত্তি, চোন্কা চোন্পা মথক্তা, পরেং ৫ হাইঅে কেকে অইখোঙ্গতত্তি কওকা কওপা মথক্তা পরেং ৪ হাইঅে হাঙ্গনা চংনীং লোইহাপোংপু, পাউয়াত্তনা লংথোক্-লপকী. লোইগী লোক্থা মনান্ নাইপা, হাওথা তানতপনা খুমন্ নোংয়াঙ্গতস্নুং চংনীং লোইহাররোঙ্গ, হায়না রাকল্লপকী, চংনীং পরেংলীক্পু, মালেম্ লইতা তওনা ফুম্লম্অে, লইতও লম্মহন্ ফুম্লেন্ লইময়াঙ্গ থোন্নঅে চংনীং লোইহা পোংপু

লমখাঙ অমদা পানবী-শীঙ্বী মরক্কী উনা-রানা মরোন-মরোন লোনশিন্নরিবগী মনুংদা লম্বীগী নাকল য়েং-ওয় অনিমক্তা কাপ্তুপ ওইনা লুমহুনা নাপী-শীঙ্না মরক্তা লিননা ফমহুনা লো-ক্তুনা লৈবগুম খুমন নিংথৌনা লাকপবু লুংহল্লম্মী । খুমনগী লৈপাক মপুদি অঙোমশিংতুগী ময়ুমদগী নীঙলোমদা হন্দুনা ময়ুম-লোমদা ওন্দুনা লাকপদা উচেকশিংগী শীন্থা য়েন্নবদা মথৌ লৈ-থোকপা উচেক রাদা তোংবা রাখ্রেক্না লান্ থৌবগুম লান্গ্রে-ম্নরম্মী । খুমন নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্গাইবনা মরৌ তৌহুনা মনাদা থাংবা কোন/ধাতুগী নায়িন, মপান্বোদা শিবা তান,

লাংহই কুম্‌কাউরপকী, ময়ুম্ কেকে মোইরাং ৱুবা ঙাংঙোইপনা ৱাক্‌রই হিমৈপা তোংঅে ।। নোংয়াঙ্গ চীঙ্‌খোঙ্ খোঙ্‌ক্রাই-পনা তোংচেং লাংমৈপা তোংনা লোইপী হাওখা থেংমন্নঅে ।। লোক্‌থা পন্‌থেংথরপকী হাওখা য়াকা চায়রে, মরান্‌ খুম্‌পী মইমাঙ্ চন্,

মশা লোইননা শিবা কোনগী খুজী, মকোক্তা থেংপা লাংমৈ পুঙ-লেনস্থু নামা-নামা লৌথোক্তুনা শাংনা তিংলগা শাবা ফিগী কিশি মন্নুংদা মশা থুপচিন্দুনা লোৎশিল্লম্মী । অতুগা লিরুংদা তেঙ্গা থোংহুনা লী রীদা তেনমৈ লাকশিন্দুনা পায়রগা কপ্লাক্লা ফৈগনবু শৌহুনা লেপ্লগা হায়খিরম্মী—অথোইবা লাংগী মপান্থী ওইরবা রাতোনথক্তা তোংলিবা থৌ লৈথোকপা উচেক ৱাখ্রেক নঙনা অচুম্বা ৱাগী পাদম-পান্দম্নফম ওইনরগে, ঐহাক অসিস্থু খুমন নিংথৌ অকন-অথৌগী মরক্তা মথা অয়াঙ্‌বা অতায়বা কোন্না চুঙ্গোয় ওইনা লোনশিল্লিবশিংহুগী মন্নুংদগী অমনি, খয়ো-ইগী ময়ুম তাক্লা, লোল্লোইগী মরৈবাক পুমকায় কায়না লান্দাবা ঙমগদবা লৈরবদি উচেক্ নঙ্‌বু নবুক ময়াঙ্গ খায়না কাপথগে—হায়হুনা তেন কাপখিববু ৱাখ্রেক্তা তোংলিবা ৱাশাগা তুনা লেঙলে, হায়য়ে । অঙোম্‌গীদমক্ লাল্লু্ম্নবা ফান্তেক্কী লাল্লোই ৭ মক্কী থৌদৌহু মমিং থিংনা উরবদা মতু চুংবমখৈ কিনরিঙৈগী মতম-সিদা খুমন নিংথৌ চীঙ্‌খোঙ থোঙ্গ্রাইবনা ফান্তেক্লা লাংলিবা থৌরাং, শীল্লিবা খুজীন-থৌশীনগী অরোন্‌বা পুন্নমকপু মমিং থিং-না উরুহুনা—খুমন ঐবু নারক্-শীঙ্‌লক্কী মরোন মন্নুং, লাংলক-লাংখোঙ্‌দা ফমহুনা মতম শিংপমখৈ ঙাইরম্লিবা অঙোম্‌গী লাল্লোই ৭ মক (লুৱাং/য়াইস্কুল লাল্লোয় ৭ স্থু হায়নৈ), নখোয় লোৎলগনু থোরক্লো, ফান্তেক নখোয়গী ননিংথৌনা খুমন ঐগী

হুয়েন্ য়াইসীঙ্ মুৎনা, ৱুকাক্ লুখুম্ য়ুম্পু চইসৌ নম্পোক্ মরোন্ হু, হুম্তাং য়াঙ্পী থৎ, সাইপু মইতান্ পক্না পন্থেংলে হুয়েন্ লান্নিকীতি, হাওখা নিংথৌ তান্চেং পাখংপপু মরুম্পী সেক্মু অরোং আ-কা, হুয়েন্ লান্পুম্ ২ ম-পু কাঈনহল্লে, অতুনোংকীপু

ঈমিংস্থু য়েনবঙ্-ফাইবঙনা নাহৈ-নাশেংতুনা চংমিন্নবা হিদা হাপ্পবা লাইশোন-তীনশোন তৌতুনা হিজন হৌরে, য়ুমগী লাক্থা/নাক্থদা লানফাগী মমিং-মথা মশীঙ থাবদা হাপ্তুনা লাইথৌ-তীনথৌ পাংথোক্হৌরে, পুক্নীঙ নৌহন্না পামজনা থেংচব ঐগী লাংমৈগা অয়াঙ্বা ঈ-শা ওইরিবা পাম্বোমদা শিবা তান্গা ঈশাগা লোইনবা কোন, খুজীগা, নোংপোক্লবদগী পুরক্পা ঈনাদা শিবা ক্োম্থাং-নাইন্গা নামা নামা লৌহৌরে হায়তুনা কৌথোক্লবদা ফান্তেক্কী লামী-লাল্লোই ৭ মকুস্থু নারক শীঙলক্কী মরোন মনুংদগী মখুত্তা তিন মেল্লগা/থাক্লগা পায়নবা তা পায়তুনা, মঙকশম্দা চুঙগী মরী হুকচিন্দুনা লৈরিবতুগা লোইননা চোংথোক্লক্লে।

খুমন নিংথৌ মহাক্কা য়ানবা-চান্নরকপা ওইরবদি খুমন নহাকস্থু নখোয়গী নরমদা চংচক্রো হায়না ৱা মেন্নবা-তায়শিন্নরগা নোংয়াঈ খুমন নিংথৌস্থু মরৌশীং লৌ হৈবনা ওইদবা মৱামপাউনা মীনম্তুনা তৌরিবা লৌতুগী অরোন-অথুপ খঙহন্দনা মতোম্তা মশা নাহোকখিতুনা মথৱাই হিংজরকখি, হায়কীরম্মী। লুৱাং য়েক্কী কাংলুপ অমগী নিংথৌ ওইরি। ফান্তেক শোক্লাইবনা ঈকু খুমন নিংথৌদি অঙোম য়েক ওইবা ঐবু হকচাংগী মতাঙ্ পান্দবা মরেগী হৈ-শীংবনা ক্জনা নমথাক তৌরম্লগা নাহোকখিদা হায়তুনা লুৱাং ময়াম পুন্না হুপ্তুনা ফান্তেক্কী মী পুন্নমক তায়ন-তান্নতুনা অমুক লানফা ওইহন্নবা তান্নবা লাকপবু খুমন

নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ, অতোন্ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্ক্রাইপা লোক্থা পাম্তান্নপা হাওথা য়াকা চায়না চংনীং লোই-কা তান্পা, হুয়েন্ লান্নিকীতি, তান্চেং চাম্নায় য়িপ-পু কাঈনহন্পাঅো তৌনা কৌঅে ।। নোংয়াঙ্গী চীঙ্খোঙ্ থোঙ্ক্রাইপতি কোল্লোই মমিং থোংপু চুন্পনে ।।

নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙ্গ্রাইবনা হাওশিংনা, য়েন্নহুনা ঈশিং চানবা য়াঙ্গোই ভুরেনবু লান্থোক্তুনা চংখিরম্লরদগী ফান্তেকশিংনা পেল্-হৌদ-ফংহৌদবগী মচীন্না তক্ লাউনা মখোন্ থোকহল্লগা, 'মসি-দংদি' হায়না শোল্লগা হনখিরম্মী । নোংয়াঙ্গী লৈপাক্কী খুমন্ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্গ্রাইবনা মথরাই শোক্লা মশা থক থক নীক্লা, তীন্বী কাঙবমখৈ মখোঙ্গীদৌ শাওগংনা লেল্লক্পা থা অমগী মতম ফাগ্রবদা নোংনা ময়াঙ্গী ওইনা লাংবা অরাংবা লমদমদা পাল্লবশিংহু পুল্লপ হুপ্তুনা খুমন্গী পাক্লা শন্না লৈরিবশিং তিন্শিন্ তায়শিন্নহুনা মমায় লোংথোক্পা চুঙ্গী মরী ঙক্তা হুকচিন্হুনা পায়রগা রাদা পান্বা তাজীন্ মাঙ্লোম্দা ইন্থোক্ত না থুক্তা পায়রগা উতুপ-রাতুপ লেংবান্দা থোঙ্গত্তুনা পুরগা হাওশিংনা য়েন্নহুনা ঈশিং চামিন্নবা তুরেন্, হাওয়েন য়াঙ্গোই ভুরেনবু ফৈনা শমজিন্দুনা লাল্লগা লোইগী খুনশিংনা লৈরিবা চীঙ্য়াগী লমদমগা হেক লোন্ননা তারিবা অঙোম য়েক্কী ফান্তেক্ কাংলুপ্না মথুম্-মরাং হৌনা পাল্লিবা মফম্দা নোংয়াঙ্গী ওইবগী খুমন নিংথৌনা খুমন্ নিংথৌমচা ওইবগী মমিং মিংচৎ লৈনা তা খৌশান্দুনা লান্দা-লান্থেংনরক্লবদা ফান্তেকী অঙম-অথৌনা হায়েন্-থৌদানবা কানবা য়াকাশঙ থুগায়রে, মৈজাও থাগৎপগী চাকথেক্লপা পোৎশিংগী তাঙ্গোয়না কোয়পাই পাইরে মৈথুনা নোংথক্কী মরোন মরোন কাখৎলে, য়ুমগী শাইজীনশিদা অচাকপা মৈতান্ পক্তুনা য়ুম

নপেন্ নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা ঙান্পা খুনুং নিংথৌচন্নু চীঙ্ য়াঙ্গ ঙান্নুরোন্ পাঙ্গয়া লিন্ কোঙ্গকী—

(১৩) নিংথৌ সিয়ারোঙ্

নমু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ সিয়ারোঙ্-অো ভৌনা কৌতে।। নিংথৌ সিয়ারোঙ্-অো কৌপতি কতে নোংকীনো ? নোংয়াঙ্গ খাথা হও, খুমন্ লাইথা তিন্না হাওরই খানা পাংপরম্ তুরেন্

পুন্নমক তুন্না মৈ থাদোক্তুনা লৈপাক ব্রায়েন-থৌদাগী ফম্ফম ফানগাং ফাওবা লানগী মৈশান থুমহন্না লান্দাতুনা লোল্লোই লৈয়াংকী খল্লোইবা, অঙোমগী ফান্তেক কাংলুপ ঙস্বা লোল্লোইগী খল্লোই থুগায়বা, খমলোইগী অহোঙ-লোইরেন খৈবা লোল্লোইগী খ্বাইদগী চাওরবা মীবু মায়থীবা পীবা হায়না কৌথি। খুমন নিংথৌসিগী অয়াঙ্বা মথা শীজিন্নবগী মমল, চুঙ শেন্নতুনা লান্দাবগী মরোনদি অতুনসু লোয়দ্রি। হাওগী লৈপাক্কী খা মায়কৈ পাংবা লমদমগী মমিং চংলবা লোকুখা, মীকুংমন্বনা অমনা ঙাংবা অমনা তানদনা পাল্লিবা হাওখাগী মরমদন্না চংনীংগী লীক পানবা, পীবা লোইলম ওইনা লৈবনা কেগৈ মোইরাং লৈপাক্তদি চংনীং পরেং ৪ গী লীকশিং লোইহারম্মী, খুমন ঈরৈবাক্তনা পরেং ৫ গী ওইনা লোইহাবগী মোইরাংনিংথৌ উরা ঙাংঙোইবনা হাওখা-লোকখাবু থীনা চৈবীরম্মী—খুমন লৈপাক্তদি চোনমগা চোনবগী মথক্তুদা পরেংসু মঙাগী লোই হাই, হায়তুনা লোই হারবা চংনীংগী লীকশিং অতুবু লৌদনা হুন্দোক্লক্লবদগী লোইপোৎ পীরিবা মমিং চংলবা লোকথা, মীকুংলবা হাওখাগী মীশিংনা—খুমন্দসু চংনীংগী লোই হাররোয়.

মোংপা তুখুন্ য়িন্, তোরঙ্গ লম্সাং সিংনা, ৱাক্যই তেংমাঙ্গ থক্তা, লোঙ্লেন্ খুংতা সুনা, লেম্লৈ ঙাতারুপতা, চেক্লা ঙাৱাইথৌ, লইকু য়া হিপ্পা, লইৱাই য়াতাপা, সোইরেন্ থরাঙ্গ চাংতোন্থক্তা, লেম্লৈ ঙাৱাইচেক্, থৌতু মুঙ্মু সিত্তপকী তাঙ্চা লুরেন্থক্তা য়াহিপ্পা চেক্পু, লোঙ্লেন্ খুংতা সু, ঙাতেন্লোঙ্ য়াইঅোইপা, লেম্লে ঙাতুরোঙ্, সারেন্ সাতুরোঙ্-পু লোঙ্লেন্ খুংতা সুনা থিন্থুরৌতে ॥ সৱা ঙাৱাইথৌপু য়াম্না ফাঅে মপারীসুং য়াম্না সাংঅে, অতুনোংকীপু নোংয়াঙ্গ

হায়না মশা কঞ্জনবা ৱাফম্ পুথোক্লকুবদগী চংনীং পরেংগী লীক্-শিংহু লৈপাক তৌ-থোক্লগা লৈনুংদা ফুমজিল্লম্মী হায়হুনা, লৈ-তৌলম্মহন, ফুমলেন লৈময়াঙ্গ, থোন্নথি । চংনীং লীক পরেং লো-ইহা পোং ওইনা পীরম্বহু পীরক্তহুনা পীবা কাউবগুম লৈথোক খিবা অহুদগী কেগে মোইৱাং লৈপাক্কী নিংথৌ উরা ঙাংঙোইবনা হিমৈবা কৌবা হি তোংলগা খুমন লৈপাক্কী নিংথৌ চীঙথোঙ থোঙ্গাইবনা লাংমৈবা কৌবা হি তোংলগা লানমী অনিমক পুনশিন্নহুনা লোই পীবা হাওথাগী মথক্তা লান্দামিন্নথি । লান্ফম শাথীনা থেংনহুনা পন্নীঙ থেংলবদগী হাওথাগী লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাগী য়াকাপুঙ থুগায়রগা মুংহন-মাঙহন্দুনা উকাক্ ' ৱারুকাক : CALYX OF YOUNG BABUSA, etc. GEN-USES) না য়ুমথক কুপ্পা য়ুমশিংবু চৈ, শৌ-নচিংবনা নঙ্গন্দা খোংপদা কুৱোন হুবগুম য়ুমফমগী মৱোন্ হুহন্দুনা য়ুমথক্কী ময়াঙ ওইরিবা হুম্দাং পুন্নমক থদত্তুনা য়ুমগী শাইদা অচাক্পা মৈতান্ পক্হন্দুনা লান্থেংনরে, লান্সিগী লানফা ওইনা হাওথাগী নিংথৌ পাখংদা ওইহুনা লৈবা তাঞ্জেংবু মাগী নুপী সেক্মু অৱোং

খাথানা, অতোন লাইখানা, নোংয়াঙ্গী সোঙ্গীয়াম্পা নিংথৌ সিয়ারোঙ-অো তৌনা কৌঅে। নোংয়াঙ্গীখুমন্ নিংথৌ, অতোন্ সিয়ারোঙ্তি কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ॥

নপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্ লইমা ৱাংঙম্লোন্ খোংঙাইথোং, লিন্পান্য়োঙ্গী নাউহুন্, নাউহন্ অহন্পা, হইরী লিসিং নেন্পা, থোইচীঙ্ লুপাং চায়প-চন্নু, তাক্না লমথোনপী ৱাংঙম্লোন্ খোংঙাইথোং পাঙ্গমা লিন্কোঈকী—

আগা লান্ফা অনিসিবু মথৱাইগা হক্চাংগা কায়নহন্থি। অতুগী নুমিৎসিগী মরম্সিদগী খুমন্ লৈপাক্কী খুমন্ পুন্নমক্কী নিংথৌ অদোন্ চীঙ্খোঙ্ থোঙ্গ্াইবা লোক্থাবু পাম্ ফাওবা তান্নবা, হাওখাগী য়াকাপুঙ্ থুগায়হুনা চংনীং লোইপোং তানবা, লান্ফমগী-লান্ফা ওইনা চা-না মমায়দা য়েক্পা-ইবা তানচেংবু হাংপা হায়না কৌথি। খুমন্ নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙ্গ্াইবদি মশাগী মমিংথোন অসিগা চপ চানজবনি।

নবেন্থৌ খুমন্ লৈপাক্কী মবেম্মা থায়নডৈদা নিংথৌ ওইরম্বা ঙানবগী নিংথৌ-শাগৈগী নিংঙোন্ চীঙয়াই ঙান্নুরোন্গী পলেম্ পীবুক্লুংদগী —

(১৩) নিংথৌ সিয়ারোঙ্

নবুথৌগী মিংলেন্দি নোংগী ময়াচি ওইবা লমদমদা পাল্লম্বা খুমন্গী নিংথৌ সিয়ারোঙ হায়না কৌই। নিংথৌ সিয়ারোঙ্ হায়না কৌথিবদি করি তৌথিবা নুমিত্তগীনো ? খুমন লৈপাক্কী খাথা-পানা হৌদুনা খুমনগী লাইথা পানা তিন্দুনা হাওগী লৈপাক্শিং লৈরিবা থা মায়কৈ পাংবরোম্দা লৈবা তুরেন্, য়োঙ্গীমোংবনা তৌরম্বগী তুখুন্ ইন্দুনা ঈশিংনা লৈ-সিন্দুনা চেল্লিবা মরম্গী অশাংদু শিংনা

(১৪) অতোন্ চেক্য়াম্পা

নয়ু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ চেক্য়াম্পাঅো তৌনা কৌয়ে ।। খুমন্ চেক্য়াম্পা কৌপতি কতৌনোংকীনো ? হাওরই নোংপোক্লা পাংপরম্, কোয়রেন্ লম্চাও য়াঙ্গৈতা, কাইরৈ মচেঙ্চা. চেঙচা ময়েল্লুম্ য়াপা চেক্য়াম্ থোংনা পামেল্ য়ফৈ থক্তা থোংথইঙমপপু চেক্লা য়াম্না ফারক্অে, অতুনোং-কীতু, নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ চেক্য়াম্প অো তৌনা কৌঅে, অতুসুং মতোম্তে, হাওরই নোংপোক্লা পাংপরম্, লম্লেন্ সচিংলায়েংং-কোন, য়াইথৌ লমকনচীঙ্তা পান্পা লা, য়ীমু কোন্মাঙ্-লা, পাংয়াঙ্গী কোন্থন্‌লাপু ময়ুম্ থাঙ্ঙা মনীন্ নাই,

---

চংথহুনা য়ানা য়ৈরগা হোল্লিবা হিগী হিক্কবাক মথক্তা তোংহুনা অথোইবা লোঙ্ খুত্তা পায়হুনা ঙা ফাননবা ঈশিং-লৈবা লম্দা চংলু/তারুবদা ঙা লাক্পদা মথৌনা ফল্লবা উচেক্, লৈপাক্ কশিন্-কুংশিন্দুনা লৈবদা কুন্বা, লৈরায়দা তোংহুনা লৈবা, অচৌবা সোই, ঙা-ফাফম্শিংগী খরাঙ্গীনা চাং মান্ননা থল্লিবা অতুগী মথক্কগী ঙা লাক্পা উচেক্, থৌ/হুঙ্ঙৌগী মতুংঙন্বা হুঙ Sand stone) গী অমুবা কায়গন্দবা হুঙগী মকোক্ মথক্তা কুন্বা উচেক্পু ফজরবা লোঙ মথুত্তা পায়রগা ঙাতেন্ ফাননবা অফবা লোঙ্ য়াইওইবা ঙাদা খিনখিবদা পান্দবা লৈত্রবা, শাদা লংখি-হুন্খিবদসু শোয়দনা পাল্লবা লোঙবু মথুত্তা পায়রগা উচেক্কু বু থিন্দুনা ফাহোরে। ঙারাক্পা উচেক্ য়াম্না ফারক্খি অতুগা মচানুপাসু য়াম্না পোক্রুমী অতুগী মরমশিংসিদগী খুমন্গী খাথা, লাইথা পানা অনিনা চায়াম্ পোক্পা নিংথৌ সিয়ারোঙ্ হায়না কৌনখি। খুমন্ নিংথৌ অদোন্ সিয়ারোঙ্দি মশাগী মমিং-থোন্সি চপ চানরবনি।

কম্পোং তান্তপনা পান্প-পুঙ্কী কম্পোং চেংখু চেক্য়াম্পী চা মপারী মরী ১৫ ম-না লায়েন্নঙৈতা নোংয়াঙ্গ খুমন্লইমা খোংঙা-ইথোং মপারী অতোন চেঙ্চা লান্ থাপনা কম্পোং চেংখু চেকয়া-মপী মপারী চেংলইত্তোন্ লৌথিপা, খম্লইত্তোন্ সাফাপপু কায়নহল্লে, অতুনোংকীপু অতোন্ চেক্য়াম্পঅো তৌনা কৌঅে ।। নোংয়াঙ্গ খুমন্ চেক্য়াম্পতি কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ।।

নপেন্ নোংয়াঙ্গ খুমন্লইমা মইতিংঙু খোঙ্তেক্চা য়োঙ্গ-রেন্প-চনু, ৱাংঙম্লোন্ পিয়াইথোং, লম্লেন্ হইপোক সৌতি-য়ান্, লেম্চেং লীহইপোক্তা নোংয়াঙ্গ লইমা মমাঙ্কীনা চীঙ্য়া থেংথেংতরিঙৈ চীঙ্য়া থেংথেংগী, হইপোক্ থেন্সাতরিঙৈ কোরও নুমিংমশতা খেল্লেন্ ৪ তান্ফংপী, লেম্চেং লইখেংপী ৱাংঙম্লোন্ পিয়াইথোং প ঈমা লিন্কোঙ্গকী

নবেন্ধৌ খুমনগী মরেম্মা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন্ খোংঙাইথোং, লিন্পান্ লম্না য়োক্চবা নাউহন্ [মৈদিংঙু নাউ-থিংখোং চাওরাক্লা (খৃ: ৬৬৩-৭৬৩) গী ময়াম্বা অহন], নাউহন্ অহন্বা, হৈরী লিশিং অমা হেক্পা, খোইচীঙ্গী লুপাংপু হাং-পগী মচানুপী, তাক্লাগী লম্বী থোন্বী নিংথেম্ নিংঙোন্ খোং-ঙাইথোংগী পলেম্ পীবুকুংদগী —

(১৪) অদোন্ চেকয়াম্বা

নবুধোগী মিংলেন্দি নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, অদোন্ চেক্-য়াম্বা হায়না কৌই । খুমন চেক্য়াম্বা কৌথিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? হাওগী লৈপাক্লা শন্দোক্লিবা নোংপোক্ মায়কৈ পাংবরোম্দা কোয়রেন্গী লম্জাও ময়াঙ্গদা ফৌ মখল অমতগী চেঙ মশেন্ ওইমিন্নবা য়েন্ মশেন্গী য়েন্বী অমতা কোক্পা মশাগী মশা ওইনবা য়েরুম্শিংগী শাগৈদগী তারক্-ওল্লক্পা

(১৫) অতোন্ থিঙ্কোন্ লীকৃমাপা

নয়ু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ থিঙ্কোন্ লীকৃমাপও তৌনা কৌঅে ৷৷ অতোন্ থিঙ্কোন্ লীকৃমাপাও কৌপতি কতৌনোংকীনো ? ময়ু নিংথৌ চীঙখোঙ্ থোঙ্ক্রোইপনা, নোংপান্-ফান্তেক্, মরান্ থুম্না পন্থেংঙৈতা লোক্লক্পা, খম্লোই লীক্লাং মনুংচঙ্, থাপা ঙঙ্কোয় লীক্, খুরোই হাওরা লম্লাংতোংতা লোল্লোই হোঙ্নেম্ লীক্, লীক্সং চীনা ইপা

লম্য়েন ৱাবা ময়াম্ খোংতুনা উগী উফৈ মখক্তা খোংমিন্নতুনা লৈবা উচেক্শিংবু য়াম্না ফারক্ই হায়তুনা অতুগী ঙুমিত্তুগী মরম্দগী খুমনগী নিংথৌ চেক্য়াম্বা হায়না কৌথি । অতুনসু লোয়দ্রি, হাওগী লৈপাক্না লৈথিবা নোংপোক্ মায়কৈ পাংবরোম্দা লৈবা শাজিং লারোংকোন্গী ৱাইথৌ কৌবা লম্ কন্নথিবা চীঙদা হৌরিবা লফুদা পান্বা লা, ঈমুকোনগী মমাঙ্দা পান্বা লা, পাংয়াঙ্গীগী ঈমায়গী মফম্শিং থন্বা লাবু মমিং চৎলবা থাঙ্জা মীশীঙ য়াম্নবা কম্বোং কাংলুপ্না খুন্দা-লৈতারিবা মফম্তুগী কম্বোং চেংখু চেক্য়াম্বীগী মচাগী মরী মতা ১৫ মক্না লা য়েন্নবা মতম্দা খুমন লৈপাক্কী মবেম্মা খোংঙাইথোংগী মচানুপা অদোন্ চেঙ্চাববু (য়েন্) লান্ ঙম্বনা কম্বোং চেংখু চেক্য়াম্বীগী মচানুপা চেংলৈতোন্ কৌবা লৌ শাথীনা হৈবা খম্লৈতোন শাফবসু কৌন্ববু মথৱাইগা হক্চাংগা কায়নহন্থি । অতুগী ঙুমিংনিগী মরমসিদগী অদোন্ চেক্য়াম্বা হায়না কৌথি । খুমন নোংয়াঙ্গীগী নিংথৌ অদোন্ চেক্য়াম্বদি মশাদা থোল্লিবা মমিংসিগা চপ্ চানরবনি ।

তয়ম্ নাইকু লীক্, কাওরেন্ সনকু লীক্পু, নোংয়াঙ্গী থিঙ্কোন্ লীক্মাপনা, অত্তোন্ থাম্বা লাইথা, মনীন্ নাইপপু সমুখু ৎতা থুম্না খৌথারপতা, অসাইঙৈকী লীক্লাং চীনাইপপু

নবেন্থৌ খুমন-নোংয়াঙ্গীগী মবেম্মা মৈতৈগী মবুংঙো খোঙ্তেক্চা য়োঙ্গীরেনব (চৈ: কুম্বাবা, চাওরাক্বা খৃ: ৭৬৩-৭৭৩) গী মচাইবেম্মা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন পিয়াইখোং, অথোইবা লম্দম্ হৈপোক্ কৌবা, শৌ-তা য়ানথিবা মফম্, লেম্-জেং চক্পা ফুরুপকী লীগী হৈ, হৈরী য়াম্না পান্বা মফম্দা মমাঙ্ঙৈগী খুমন লৈপাক্কী মবেম্মা কনা অমতা চীঙয়াদা থেন্ শেম্ড্রিঙৈ, থেন্ শেম্বী, মৈপোক্ লম্দম্গী থেন্ শেম্ শাড্রি-ঙৈদা নোংমথক্কুগী হুমিত্তা নীঙথীজরবা থেন ৪ ফংবা ঙম্বী. লেমচেংগী লৈমায় খোংপী মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈগী নিংঙোন্ পিয়াইখোংগী পলেম্ ওইরবীগী শীয়োয়্ংদগী—

(১৫) থিঙ্গোন্ লীকমাবা

নবুথৌগী মিংলেন্দি খুমন্-নিংথৌ থিঙ্গোন লীকমাবা হায়না কৌই। অদোন্ থিঙ্গোন্ লীকমাবা কৌবদি করি তৌথিবা হুমিত্তগীনো? মবুথৌ নিংথৌ চীঙ্খোঙ্ খোঙ্গ্রাইবনা অঙোম্গী (লুরাংগীস্থ হায়নৈ, অচুম্বা-অশেংবদি অঙোম্নি) ফান্তেক্কী মরৈপাক থুগায়নবা লান্দাবদা লান্ঙম্পোৎ ওইনা লৌরক্-পুরক্পা, থম্লোই কাংলুপ্পা খোঙ্গীদাজরবা লীক্, থবাক্কী মপাদা তাহন্দুনা ঙক্শম্দা কোয়না শিবা লীক্, থরোই হাওশিংনা লম্মাংদোংদা লোল্লোই লৈয়াৎকী হোঙ্নেম্বদা য়াওরা লীক্ মচী পান্বা চুথেক্ নাইবা, অশংবা লীক্লুনা লেঙ্বা লীক্, মীনাইবু মরল্ ওইনা ফংহন্বা লীক্, মথোঙ মরি পানবা অথোইবা

লীক্লাং মঙাইরোইত্না চইরোই-তা থাপা মহীসাংতা লেংতিন্তা, নোংয়াঈ হী-ওাই-লীক্, অতোন য়াইঔইলীক্পুনরি-ঙৈনে– হায়না, লীক্লাং মতীক্ খঙ্না থৌচাল্লপতা, লীক্লাং মথৌচান্, থাপা মরন্কুকী, তয়ম্ নাইকোন্ থন্, কাওরেন্ মসীঙ্ য়াম্হন্না লোইরপকী, লম্লেন্ মতায়মা, লইতাঙ্ য়ু-মোইকোন্, লাল্লোই পওপীতেক্, নোংয়াঈ পান্চঙ্পুঙ, মচন্ পোংন্নুখাম্, খুমন্ কংতা তাঙ্, হন্পা চাকারম্, লুকাই সেংসৌননা লম্তাইরাইপু, লইতাঙ্ মোইথোক্ থন্না, মান্পী সন্য়াম্ তিন্না, কাওরেন্ সনকু পৈরপকী, লোইতাম্ থাপুম্ হাঙ্তনা, কাওরেন্ কোন্হোঙ্অে ॥ অতুনোংকীপু অতোন্ থিঙ্-কোন্ লীক্মাপা, লইতাঙ্ কোন্হোঙ্প-ওা তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঈ থিঙ্কোন্ লীক্মাপতি পাঈমা লিন্তাং সাং, মকোয়

শা, শন্স্থ পীনবীবা লীক্পু খুমন্ নিংথৌ থিঙ্গোন্ লীক্মাবনা খুমন্গী পানা মমিং মিংচং লৈরবা খাথা লাইথাবু মখুং চন্দুনা ব্রায়েল্-থৌদারবদা ঙসাই মথক্তা পনখিবা চুথেক্ নাইবা লীক্লুগী-লীক্-পরেংতুবু লীক্ ওইনা মশাগী মশা ওইবা লীক্-শিংগা লোয়ননা থম্মীন্নদা, লীক্ মশাদা তিন্নহন্দনা খুমন্গী মমল্ য়াম্লবা মহী ময়াই পুবা লীক্, খুমন্-নিংথৌ শাগৈগী য়াই ওইবা লীক্ ওইরিবনি হায়তুনা লীক্-পরেং অতুগী মতিক্-মগুন খঙনা লুনা-চেক্শিন্না থমজ– তৌজরবদা লীক্ পরেং অতুগী থৌজান্দগী ঙক্তা শিবা অতুনা মরন্-মথুম্ পীনবীরক্পদগী মীনাইগী নাইকোল্লুপ থন্না, শন্গী মশীঙ্ য়াম্না হেন্না লোইরবদগী খুমন্ লৈপাক্কী অথোইবা লম্ মচেং, মমল্ তাঙ্লবা লম্দম্ লৈতাঙ্ য়ুমোইকোন্ কৌবা লাল্লোই লৈয়াংকী পৌ/ব্রা

পাউনীঙ্ সীংপনিকীনা, খম্লাং পাৱারী, য়ীরেং পুৱারীপু কাউতনা, থফম্ সাতোম্ লাং, মান্পী সাখোম্ তাইপা, নোংলেন্ য়ীনী তম্পা, নাউত্থু খোংলেন তওনা হোঙ্নেম্পা, নোংয়াঈ খাথা লাংপু লাংয়োন্তপ', অতোন্ কংলা ৱাফোংলাকৃতা নোংয়াঈ থৌথা চুম্পা, অতোন্ থায়াঙ্ মথৌমন্তি, হাওরই নোংচুপ্লা পাংপরম্কী, পাসি ফুপা তোংপা, নোংয়াঈ থুম্পাল্লোইপু, থুম্-হা থিরপকী, পাসি মপুঙ্য়াঈপু, মইপী তাংকোয় পাই, মইথু নোংলোন্ কানা পন্থেংলে, হুয়েন্ লান্নিকীতি, পাসি সেপা লইতাং লান্থৌয়াঙ্পু কাঈনহুন্পা, নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ থিঙ্কোন্ লীক্মাপতি কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ॥

অচৌবা তেক্থিবা মফম্ পৌবীতেক্, খুমন্গী লম্দা মপাল্লোম্দগী চঙ্লক্ফম্ ওইনবা লম্, মচনন্থুপী পোংন্থুবু খাম্থিবা লম্দম্, খুমন্গী অতোঙ্বা থোঙ্গং-খুংকংদবা মফম্, হনন্থুবগী শেন্থোক্কবা (চানবা-থক্কবা নত্রগা মচা য়াম্না কাবা/ফংবা লম্দা লুকাইহিগী হিথক্তা ফৈগন্দা হক্চাংগী অরুম্বা শৌহুনা লেপ্লগা লম্দাইবগী লাইথৌ পাংথোক্পদগী লৈতাঙদা মোইথাপ্পা থন্দুদা য়ুম্দা য়োক্পা য়ুম্শা -মপী সন্বী ময়াম্ তীন্দুনা মখোঙ্ মরি পানবলক্তগী অথোইবা শা-শন্গী শঙ্গ-শঙ্গ পৈহুনা লৈরবদগী থা অমতা হাঙ্দনা শন্গী শঙ্গোল্ হোঙলম্মী, অতুগী নুমিত্তুগী মরম্দগী খুমন্ নিংথৌ শাগৈগী পিবা থিঙ্গোন্ লীক্মাবা, লৈতাঙ কোনহোঙ্বা হায়না কৌথি। খুমন্ নিংথৌ থিঙ্গোন্ লীক্মাবদি মপুরুীঙ্ লৌশিং লৈবা, অকোয়বগী ঈ-পাউ পুন্নমক্ খঙবা-উবা ঙম্বনিনা, অথম্বা-অশিবগী লাং ওন্থ্রবা মপাগী, ঈশিংগী পরেংদা চঙ্থ্রবা মপুগী ওইবা মপা-মপুগী ৱারীশিংবু কাউদনা নোংমদোন্গী

নপেন নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা মুংশী লইম-অো কৌঅে ॥ তেংলইমুংচা অথাপ্পা, হাওরা মুংচা অতাম্পপু অসৈনপ-চন্নু পাঙ্গমা লিনকোঙ্গকী—

(১৬) কোক্পা অহন্পা

নয়ু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ কোক্পা অহন্প-অো তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ কোক্প অহন্প-অো কৌপতি কতৌনোং-কীনো ? মপন্ পন্থৌ নিংথৌ, নোংয়াঙ্গ থিঙ্কোন্ লীক্-মাপনা, কোরও নুমিৎ ৫ নি সুৱপকা, য়ুপান্ য়ুম্সেং নোংতা, নোংয়াঙ্গ য়ীপুরাই-অো, য়ীপারী অসিপু, নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ অাইনপা লন্কুপীঅো, অয়ুম্খুমন্সুং মনীন্ নাইনা হাকোক্-

---

মফম্দা লৈরিবা মতোম্তা ওইবা মশাক্তুবু ঈরাং থৌনীতুনা, শন্শিংবু খোম্জীন্ তাশিন্বগী থৌনী-থৌরম্ পাংথোক্কুনা, নোং তাহন্নবা ঈশিং নীবা, ঈনীবগী থৌনী তৌতুনা খুমন্গী নাউতু খোং তেতুনা, হোঙনেম্ অহোঙ্-থৌ পাংথোক্কুনা, খুমন্ লৈপাক্কী খা-ৱাংগী পানা অনিমক্পু পুরি-নোংদম্লিবা লাইশিংবু ঈরাং-থৌনীবশিংবু তোক্ত-থাদোক্তনা খুমন্গী কংলাদা ৱাফম্ ফোংদোক্কুনা ফত্তবা তম্থীববু লাক্শিন্-তেম্শিন্দুনা ৱায়েল থৌদা চুন্না তৌতুনা পাল্লকুবা নিংথৌসিগী মপাঙ্গল-মথৌনাগী মমল্-মহৈগী মরম্দদি হাওগী লৈপাক্ লৈখ্রিবশিংগী নোংচুপ্ মায়কৈ পাংবরোম্গী পাসাদগী লাক্পা পাসাগী মী, ফুবা চীঙ্গী লম্দম্দা খুন্দাবা, খুমন্গী থুম্ পান্বা-পীবা লোইলম্না থুম্গী লোইপোং পীরক্তনা থীনা লম্চংনরগী মথোয়গী মথুন্দা মৈজাও থাবগী তাঙ্গোয় পাইহন্দুনা, মৈথুনা নোংলোন্দা কাহন্দুনা লান্দারবদা লান্গী লান্ফা ওইনা লান্দা থৌরবা পাসি মচা

ফৈঅে, য়ীপরী অসিস্নুং হইরাঙ্ অসঙ্-লাই, তাওচীঙ্ অমুন্-লাইপু লাইথংপীকনো, হায়না তাইরেন্ মরোং স্নু, খোইমোম্ কাসা পাউকা তাক্না নোংয়াঈ মপারীপু খোইমোম্ লাই-কোক্পীঅে ।। অতুনোংকীপু কোক্পা অহন্প-অো তৌনা কৌঅে ।। কোক্পা অহন্পতি, নোংয়াঈ খাথা লাক্, অতোন্ লাইথা তেম্লপকী, মতাইরেম্ খুমন্ মনীন্ নাইবনা ব্রাহম্খিঅে ।। — তয়ুম্ নোংয়াঈ হুইতাও তানতপসিং-অো; মীমৌ তাংথনতা.

সেবা লাইতাংবু মথৱাই-হক্চাং কায়নহন্খিবা খুমন্-নিংথৌ থিঙ্গোন্ লীক্মাবসি মশাগী মমিং থোন্সিগা চপ্ চানরবনি ।

নবেনধৌগী মিংলেন্দি খুমন্গী মবেম্মা মুংবীলৈবা হায়না কৌই । অশেংবা লাইফম্ তেংলৈগী হাওরা মুংচা অথাপ্পা-অরাপ্পদা লৈবা লম্দম্বু শৈশক্-শৈথাবশিংগী নিংভোন্সিগী পলেম্ শীয়োম্নুংদগী —

(১৬) কোক্পা অহন্বা

নবুধৌগী মিংলেন্দি খুমন্-নিংথৌ কোক্পা অহন্বা হায়না কৌই । অদোন কোক্পা অহন্বা কৌবদি করি তৌথিবা নুমিত্তগীনো ? অপোক্পা মপা থিঙ্গোন্ লীক্মাবনা মহাক্না পোক্পা নুমিৎ ঃ নি শুরবদা য়ু-পান্ থাবা, য়ুম্শেংবা নুমিৎ অসিদা খুমন্গী ঈপারাই ঈপুরাই পুম্নমক্, ঐগী ইচানুপা অসিবু খুমন্গী নিংথৌ ওইননবা থৌজানবীয়ু অদুগা ঈচা-ঈনাই ওইরিবা খুমন্শিংস্নু মীশীঙ হেন্গৎপা পীনবীয়ু, ঈচানুপা অসিবুস্নু অশংবা হৈদা চঙ্বা, অমুনবা হৈদা তীন্না হুংপগুম্বা লাইনা লাইথুংহু চঙ্হনবী থুংহন্বীগনু হায়না তাইরেন মরোং পাইহুনা লাইবক্ নোংদম্লিবা অথোইবা লাইনিংথৌদা পাউতাকুনা তাইনরগা

মীতু সক্‌পাম্‌নকন্নসে কাওরেন্‌ মসন্‌চাম্সুং চানকন্নসে হায়না কংলা ৱারেপ্‌নরপপু, নম্‌তা হুন্‌না, অতোন্‌ কৌচেঙ্‌পকী কাওরেন্‌ মসনচাপু নোংয়াঙ্গী নোংকা পাম্‌পনা, অতোন্‌ সান্‌তাক্‌তা, নোংয়াঙ্গী সান্‌ফোংতনা লোন্‌না হুচারপা ৱাকী, অতোন্‌ কৌচেঙ্‌পন অমু নোং-কা পাম্‌পঅো, নোংয়াঙ্গী কংলা ৱাফোং লাক্‌তা ৱাহম্‌নরুসে, হায়না পাউমেন্‌নরপতা, অমু নোং-কা পাম্‌পানা, খোঙ্গীপুঙ মরৌ চাওনা, মমোম্‌ হুংচান্‌পীপু, খুচেং হংচী লাক্‌না, লোন্‌না পাউকৌখিঅে,— মীমোম্‌ খয়োঙ্গরোন্‌ নঙ্‌তি,

---

মচাবু ফও-হাদী কোক্‌পী হান্নহুনা অহুগী হুমিত্তুগী মরম্‌দগী কোক্কপা অহন্‌বা হায়না কৌখি। কোক্‌পা অহন্‌বদি খুমন্‌ লৈপাক্কী খাথাবু ৱারক্কুনা, লাইথাবু ৱায়েন্‌-ৱাতেম্‌হুনা পাল্লবদা মমিং চংলবা খুমন্‌গী মীশিংনা তান-তীন্নহুনা ৱারেপ্নখি — খুমন্‌ ঐখোয়গী ঈচা-ঈনাই ওইবা মীশীঙ্‌ য়াম্‌বা হুইত্রাওশিং মীগী মমৌ-মৌগী মনাক্তা লেরুগুম্‌সি, মীগী মতু শক্‌ফজবী পান্নগুম্‌সি, অহুগা শন্‌ হায়বা শা অসিসু মশা চানগুম্‌সি— হায়না কংলাদা ৱারেপ্নরববু থে ওই-ৱাওইদনা খুমন্‌ কৌজেঙ্‌বগী অরোইবা শন্‌বু খুংনগী নোং চুহন্‌বা পান্বনা খুমন্‌ তমতদা তাক্‌থোক্‌— ফোংদোক্‌পা, খঙহন্‌-তাহন্‌বা তৌদনা লোননা হুরান্দুনা চাথোক্লল্ল-বগীদমক্‌ খুমন্‌ কৌজেঙবনা অমু নোঙ্গা পান্বা, ৱা পুন্নমক্‌ ফোংদোক্‌-নংনা ৱায়েল্‌ তৌরগা ৱারক্‌-ৱাতেম্নবা খুমন্‌গী কংলাদা ৱাকৎতুনা ৱায়েল্‌ তৌনহুনা ৱারেপ্নরুশি— হায়রবদা খুমন্‌গী অমু নোঙ্গা পান্বনা মতুক ফত্তবগী অচৌবা লৌ তৌহুনা মহাক্কী হুংশিজরবী মচান্নুপীবু মথুজেং মথুদাং পায়হুনা লোন্‌না কৌথোক্লখি ঈপাগী ঈবেম্মা খুমন্‌ য়েক্‌ওইবী নিংঙোন্‌ নঙ্‌না কংলাগী ফান্‌ মথাদা লোৎতুনা লৈরুরো, অহুগা ৱায়েলগী ৱাহং-পাউহংনরক্‌পদা, নশাগী তানবা

কংলা ফান্থান্নুংতা সান্থুপ্ -অো তালোই মরুম্পীপু তাংথকুনো, তয়ম্ মীনাই খোম্কুনো, কাওরেন্ মীসন্চাতি চান-অো, হায়না চীঙ্সোং ফাল্লংন্নুংতা নোংয়াঙ্গী নিংথৌ অোইনা পাউ-খুমলক্-অো—হায়না থৌতীকৃখোন্কী, অতোন্ কৌচেঙ্পকা, অমু নোং-কা পাম্পকা ২ ম-না, অতোন্ নিংথৌ-অো, লহান্নোং তালোই মীতু সক্পাম্নপা, তয়ম্ মীনাই খোম্নতা, কাওরেন্ মীসন্চাপু চানকন্নুসে, হাঙ্গৈপা নৎতপরা—হাঙ্গৈনা কংলা ৱাকৎচপপু চীঙ্সোং ফাল্লংন্নুংকী মমোম্ সান্থ পলিপীনা পাউখুম্লক্অে,

---

ৱারম্ পুন্নমক্তা লোইনৱীবী, মহাক্কী মরুম্-মচা পুরি-পোল্লিবী মতুগী মনাক্তা অহিং লেক্মিন্নগন্নু, মশাগী মনাই ওইহন্নবা মীবু ফাগ-খোম্গন্নু, মখোঙ মরি পান্বগী মরক্তগী অথোইবা শা অতুনা মশাগী নত্তবা মীতোপ্কী শন্ ওইরবদি চাবা য়াই, চানৌ, হায়না চীঙ-শোংদগী য়াল্লক্পা উনা শাবা কংলাগী ফান্গী মরক্-মংদগী খুমন্ নিংথৌগী মখোঞ্জেন্ শাতুনা হায়রক্-থুন্নকৃউ—হায়তুনা ইন্শিন্-শিক্চিন্বগী থৌশিন্সিদগী অদোন্ কৌজেঙ-বগা অমু নোংগা-পাম্বাগা অনিমক্না—খুমন্ লৈপাক্কী নিংথৌ, নহান্ নোংমা, -মীগী মতু শক্ ফজবী কল্লরুদবা, মীনাই ওইহন্নবা মীতোপ্ ফা-পুন্দবা, মখোঙ্ মরি পান্বদা অথোইবা য়ুম্শা ওইরিবা মীগী মশন্সু চানগুম্সি হায়নথিবা নত্তব্রা—হায়না কংলাদা ৱাংচরক্পবু, কংলাগী চীঙশোং-উগী কাঞ্জাওগী মথা-মন্নুংদা মশা থুপটিন্-কোন্শিন্দুনা উহন্দনা লোত্তুনা লৈরিবী মচানুপীতুনা খুল্লক্থি—খুমন্ কৌ-বশিংও, মীগী মতু শক্ ফজবীবু কল্লক-মীহৌগন্নু, মীনাই-মীশন্ ওইহন্নবা মী খোম্গন্নু, অথোইবা য়ুম্শা শন্দি মীগী মশন্ ওইরবদি হুরান্দুনা চাও—হায়না হায়রকপদগী

—নোংয়াঙ্গী কৌপ-ও, তালোই মীতু সক্পাম্কুনো, তয়ুম্ মীনাই খোম্কুনো, কাঙরেন্ মীসন্চাতি হুচান-ও,—হায়না ৱাহম্লপকী নোংয়াঙ্গী খুন্ফাংথৌ, খাথা লাইথা পুম্না,—নোংয়াঙ্গী য়ীনিংথৌতি কংলা ৱায়েল্ সোয়রে—হায়না পাউমেন্নরপতা. নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌনা,- অতোন্ অইতি তাঙ্চা য়ীকাইঅে, অতোন্ খুমন্-নিংথৌ ওইররোইঅে.—হাঙ্গীনা নোংয়াঙ্গী ফম্-পাল্লাং, কংলা ফান্থান্থুংতা সান্থুপথিঅে ।। তাংচা য়েক্লাপা, লিল্লা তোমুসাৎপা, হংকোক্ সোক্তোংপা, খোইমোম্ লাইনি-য়াপু ওইনা, সান্ওন্থিরে হায়তপরা ।।

খুমন্ লইপাকী নিংথৌ কাঙ্বা

নোংয়াঙ্গী খাথা-লাইথা পুম্নমনা অতোন্ য়ীনিংথৌতি, খোই-মোম্ লাইওইথিরে, নিংথৌ ফম্পাল্ হাঙ্করোয়, নোংয়াঙ্গী মমাতোন্না সাংপা, খুমন্ মপাতোন্না য়েন্পা, নিংথৌ মরোন্ ৩ সুনা কংলা ৱায়েল্হন্পপু অসাইঙৈকী কংলা ফান্থান্থুংকী, খোইমোম্ লাইওইথিপনা, তাংচা মকোক্ কাঙ, লিল্লা

খুমনগী খুনশিং থবক পুরিবা খাথা লাইথা পানা অনিগী অঙম্ অথৌশিং পুন্নমক্লা—খুমন্ ঐখোয় ঈনিংথৌসিদি কংলাগী ৱায়েন্ ৱাখুন লান্না-শোয়না হায়রে—হায়তুনা হায়নরক্লবদা খুমন্ নিংথৌনা—খুমন ওইবা ঐদি মায় ঈকাইজরে, হুগী ময়াইনা থুমহত্তুনা কোয়শিন্-লাক্শিজক্লে, ঐহাক নিংথৌ ওইজররোই—হায়তুনা খুমন্ নিংথৌগী ফম্বাল ওইরিবা কংলা ফাঙ্গাওহুগী মখাদা চঙথিতুনা মশা থুপচিন-লোৎশিনথি । ময়েক লানা থোক্লবা লিন্, মতোমতা মুশুক্-মুবা লিন লাবা মকোক্তা মতোক পানবা হঙ্কোক্, অথোইবা লাই লাইনিয়া ওইনা ওনথি, হায়বীরম্মী ।।

কোংনা য়েংপাক্নাকী, নিংথৌ পুন্সি কও, লইমা পুন্সি মাঙ্, চহি কুম্সীঙ্ য়াম্তনা কোরও নোংকাখিজে ।। চীঙ্ঙু পন্তন্ য়াম্লপাকী, নোংয়াঙ্গী মনীন্ নাইপতি, লাইচা য়ীন্নুংপুঙ্ কুম্ ৱুন্পী সেল্লোঙ্ নীক্, ময়ুম্ সেল্লোই তেংথানা সঙ্কাইপু য়াকোন্-আকৌঅে, সঙকাই য়াকোন্ তেক্লে ।। নিংথৌ কোক্পস্থুং খোইমোম্ লাইঅোইথিরে, অতুনোংকীপু, কোক্পা য়াকোন্-তেক্-অো কৌতে ।। নোংয়াঙ্গী ১ রক্ থাথা হও খুমন্ লাইথা

খুমন্ লৈপাক্কী নিংথৌ কাঙ্বা

খুমনগী থাথা লাইথা পানা অনিগী মী পুম্নমক্কা খুমন্ ঐখোয়গী ঈনিংথৌদি খোইয়ুম লাই ওইখ্রে, অতুবু নিংথৌগী ফম্বান্দি হাঙবা ফরোয়, নিংথৌসিগী মমা অতোম্বীনা, মথুরা-শিংনা পোক্পা মচীন-মনাউশিং মরোন-নিংথৌরো অহুমশুনা (থারোন, পারোন অমস্থুং কাইৰী খুরাম পাম্বা) কংলাগী ৱায়েল্ থৌদাগী ফম্বাল্ ফম্হন্‌ববু ঙসাই মথক্তা হায়জখিবা কংলা-ফম্বান্‌গী ফাঞ্জাও মথাদা মহী-ময়াই কনবা লাই ওইখিবা লাইরেন্ অহুনা লিন ওইবগী মকোক্তু থাঙ্গং-কাংথত্তুনা লিল্-লাবত্তুনা মমিং থানা য়েংবদগী নিংথৌ মপুন্সি তেন্দুনা লৈমগী মপুন্সি কক্শিন্দুনা চহি মশীঙ য়ামদনা, শাংনা পানবা ঙম্দনা নোঙ্গা-নখি । অস্তুম্না চীঙগী মবুংঙোগী অৱাংবা পন্, নোংমদোন্দা তনখি-লৈখিবসিনা য়াম্লবদগী মিংচং ফরবা খুমন লৈপাক্তি' য়াম্না পুঙ্বা-কুংবা ঈশিংগী মনুংগুম তৌফম-লাক্ফম খঙদনা শেন্ অরোংবা মপাক্কা নীক্পগুম নীক্তুনা ৱানা লেল্লম্মী । সেল্লোই কাংলুপকী মরোন-না হায়না- শরুবদা শঙ অৱাংবা য়ুম্ শঙ্গাইবু য়াকোন্ কৌই, অহুনা খুমনশিংসিদি শঙ্গাই য়াকোন তেক্পগা মান্নরে,

তিন্না ব্রাতাথীখিজে ॥ নোংয়াঈ য়ীম্নীঙ্ য়ীম্মাঙ, ছুইতাও খোঙ্থীন্ মনীন্ নাইপনা, অতোন্ য়ীপুঙ্য়াঈ অসিপু নোংয়াঈ ব্রায়েন্ সোয়ফরোইজে্ অতোন্ কোক্পা নিংথৌপকী পলেম্ পী-মচা, পন্থৌ পা-মচা, কনা লৈপনো হাঈনা পাউহংলপতা, পলেম্ মমা, নোংয়াঈ খুমন্-লইমা পাঈমা লিন্কোঈকী—

নিংথৌরোন্ মথা সম্থরক্পা

খম্লাং অতোন্পনা নোংয়াই কোক্পা নিংথৌপপু অতোন্ ব্রায়েন্ সোঈজে, হাঈনা ব্রাওইখোন্কী, নোংয়াঈ ব্রারোঙ্না অতোন্ ব্রা-চাওনপপু সোংকীব্রাকী অব্রাং লাইনা পাংপরম্,

---

নিংথৌ কোক্পসু লাই ওইখিতুনা মীগী মপোক্ থাদোকপ্রে, অছুগী নুমিৎশিংসিগী মরম্দগী কোক্পা ব্রাকোন্তেক্, কৌনখি। খুমনশিং পুন্নমক অমুক্ খাথা পানা হৌদুনা লাইথা পানা তিন্নহুনা ব্রা তানরম্মী। খুমন লৈপাক্কী মনীঙ্—মমাঙ, মিংচৎ লৈরবা ছুইতাও - খোঙখিন্ পুন্নমক্কা পুন্নি - শারিবা খুমন ঐখোয়গী ইরৈ-ব্লাক অসিবু লৈপাক্কী ব্রায়েন-থৌদাদি শোয়বা য়াদে, খুমন নিংথৌ কোকপগী মমা অমতনা পোক্পা মপা অমতগী মচা ওইমিন্নবা কনা কনা লৈরিবগে হায়তুনা থিগৎ-হংগৎলক্লবদা, অপোক্পী মমা খুমন-লৈপাক্কী মবেম্মগী মমা ওইবগী পীবুক্লুং অমতদগী পোক্-মিন—তামিন্নরক্পা—

খুমন্গী নিংথৌরোন্ মথা শম্থরক্পা

খম্লাং অতোনবনা খুমন কোকপা নিংথৌববু লৈপাক্কী ব্রায়েনবা শোয়রে হায়হুনা লৈপাক মীয়াম্না ব্রারৌনরকপদগী খুমন মশেন ব্রারম মান্নদনা ব্রারোল্ ওন্ন-তৈননা ঙাংনহুনা ব্রাজাও

চীঙ্তাই খায়িংপা ময়ীম্নাক্ চীঙ্পা পোল্লাং মসাইকোন্তা সান্থুপথিত্তৈ ॥ ন-নোংয়াই খুমন্ লইমা মপারী অতোন্পপু লৈত্তে ॥

(১৭) অতোন্ য়াইথিংপা

নয়ু অরাং পোইরই মইতৈ নিংথৌ, মইতিংঙু লাইরেন্ অয়াঙপা নিংথৌ সনা মখোঙ্খাতা, নোংয়াঙ্গী য়াইরংচান্, য়াওরৌ অচঙ্য়াই, মান্পী সা-খোম্য়াই, থিংলৌ চীপাক্ লোন্চীন্য়াই, য়াওরৌ মসীঙ্ স্থনা কৌসিন্য়াইপু, পোন্চেং লাইচম্ খন্ লাইরা পোন্মিন্নুংতা হাপ্না, য়াওরৌ সায়াই-নুঙ্সুং পুনা, স্থ-না স্থ-না পুথিত্তে, নুঙ্নাং র্সোন্প-অো কৌতে ॥ থাঙ্লেন্ মথুৎস্থনা, পুন্নুং লাপু য়াম্না য়াল্-লম্ত্তে ॥ সাইরোঙ্ পান্তম্ চুম্না লাংলেন্ কোঙ্য়াঙ্ রাতোন্থক্কী, চীঙ্সোং লম্লইমা, খুন্নু মান্থীক্ তেরাপু থিন্থুরোত্তে, খুন্নু লম্থীৎপ-অো কৌত্তে ॥

থোরুন্দুনা খৎনরকপগী থৌওং থৌদোক্ছু কীজবদগী ল্যাইশিংনা লৈরিবা মায়কৈ, অরাং পাংবরোমদা লৈবা চীঙ্দাইগী থায়িংবা কৌবগী ময়ুম মনাক্, চীঙবাদগী হোংলক্পা পোল্লাংকৌবগী ময়ুম্দা চঙ্জফম্ লৌহ্না লৈরম্মী ॥ অতুগা খুমন নশা ওইবা খুমন্গী মবেম্মগী মচানুপা অতোম্বসু লৈরি —

(১৭) অদোন্ য়াইথিংবা

নবুধৌ অরাংদা লৈবা পোইগী লৈপাক্তা পান্বা মৈতৈ-নিংথৌ মৈতৈগী মবুংঙো অথোইবা লাইগুম্নবা অয়াঙ্বা কৌবা নিংথৌ লৈঙাক্ মথাদা খুমন্গী লংনা নীঙ্থীজরবা, চান্না থমজরবা য়াই, শানবদা শা লাংদা চঙহনবা য়াই, নাপী চাবা শাশিংবু খোম্নবা

থাংচীঙ্ মখোক্লাংপু, লেংতা থোংনা, তক্লও সিতং সোন্না, হাইনা হাইনা কাথিঅে, হাঙ্গপকী খোক্লাং হাইনৈপ-অো, তৌনা কৌঅে ।। অতোন্ নুঙ্নাং র্ সোন্পতি, মান্পী সাখোম্ য়াইপু, সমু খুংতা থুম্না খুন্ কারক্পতা লাল্লোই মতায়মা, রাংখৈ লাইকোক্ পাম্পা, মফৌ সায়াই চেন্পা, হিথেন্ মতারম্, লাইচা য়ীরোন্নুংতা লোংলম্অে ।। অরাং কৌপা লৌচীঙ্ কোন্ চীঙ্ কোন কোল্লাংমই, ঙাংচেং চীঙ্ পুন্সিতা রাইথুংলপকা, কোরও নুমিং ৫ নি স্নুরপতা, য়াওরৌ সাখোম্ য়াইরংচান্পু, লাইচা য়ী-রোন্নুংকী থিখঙ্লক্অে হাঙ্গপকী, নোংয়াঙ্গ য়াইথিপঅো কৌ-পপু, অতোন্ তাফা থিপনা নোংয়াঙ্গ য়াইথিংপঅো কৌঅো ।। .নোংয়াই মনীন্ নাইপনা হাঙ্গনথিঅে অতোন্ য়াইথিংপা, নুঙ্নাং

য়াই, ওক্লা মচী পাক্লা নাইতোম্ পাল্হল্লক্পা য়াই, চাবা য়াবা শাগী মশীঙ্ শুনা কৌশিন্বা য়াইবু অক্পপা, পোন্চেপ্ নোংবু চম্হন্দুনা কম্হোক্-ঙাক্খোক্লবা ঈন খন্বগুম্বদা, লাইরা রানা শাবা পোন্গী মমি তম্বহ্দা হাপ্তুনা, শায়াই চেন্বা নুঙস্নু পুন্থুনা পায়-পায়থুনা চংথি-পুথিরম্মী অহুদগী নুঙ্নাং উশোনবা কৌখি ।। মখুত্তা পায়নবা মখুং চারবা অথোইবা থাঙ্না পু ময়াম্মা মনুংদা পুনশিল্লগা ওইবা পাম্বীগী মনা লাবু য়াম্না য়াল্লম্মী, শাইরোঙ পান্দম্ববু চুম্না, অথোইবা লাং পাম্বী ওইররা কংফান্দা য়াওনা শীজিন্নবা য়াবা রাগী রাতোন্ মথক্তগী চীঙশোং লম্গী মবেম্মা, চীঙ্ গুম্না মথা তোংথোক্পা তেরা পাম্বীদা তোঙ্গন্বা লম্খনুবুম্নু কাপথহৌই/ফাহৌই, অহুগীদমক্ খুন্নু লমথীংপা হায়নস্নু কৌই। থংচীঙ্ চীঙ্গী রানা শাব-গুম্নবা তাবু তাথোক্লা লেংবান্দা হাইগত্তুনা পেন্দবগী মচীন্দা

র.সোন্পতি, ময়ীম্ পোইরই মইতৈ নিংথৌ অয়াঙ্পা, সনা মখোঙ্খাতা সান্থুপ্লিঅে, নোংয়াঙ্গ য়ীনিংথৌপু অোইহন্সে, হাঙ্গীনা নোংয়াঙ্গী মরম্পুপু থৌসিখিঅে ॥ লাইরেন্ মইতিংঙ্, সনা মখোঙ্খাতা, নতাইরেম্ য়ীখোইপু, নোংয়াঙ্গ সেন্লইপা-কৃনে, লহান্ অতোন্ কোক্পা য়ীনিংথৌনা খোইমোম্ লাই-অোইখিঙৈকীপু, তাংচা মকোক্ কাঙ, লিল্লা কোংনা য়েংলপকী নিংথৌ পুন্সি কঙ, লইমা মাঙ্লে মাঙ্লে্ নিংথৌ ফম্পাল্হাঙ্-লে, নতাইরেম্ অতোন্ য়াইথিংপপু, লাইরেন্-সনা নখোঙ্খাতা

মরৈনাতক্ লাউহল্লগা নীঙম্হৌদবা ফোংদোক্ত্না হাই-হুম্না অরাং-লোম্দা কাখংলকখি হায়হুনা খোক্লাং হাইনৈবা হায়নস্থু কৌই। অদোন্ নুঙনাং উশোন্বদি নাপী চাবা শা খোল্লবা য়াইবু খুত্তা পায়রগা খুন্দারুনবা কারকৃপদা লাল্লোই লৈয়াংকী মতায় অমদা লৈরা অরাংবা থাক্কী খৈবা লোয়বদা লৈরিবা লুপ-শাগৈগী লাইরেন্ মকোক্ পাস্বা, মফৌ লম্গী শায়াই চেন্বা ওইরিবা লাইকোক্ পান্বগী হি থেন্দুনা থম্বা ঈশিংগী শরুক্ হিথেন্/হিদেন্ তাফম্গী লাইগী মচা ওইরিবা ঈশিংগী মরোন্ মন্থুংদা লোংলম্মী। অরাংগী কৌক্রু লৈয়াংকী চীঙ্গোন্ কোল্লাংমে কৌবা ঙাংজেং ফুরুপকী কুইনা লৈরক্লবা চীঙ্হুনা য়োরু-থুংলুরবা মতুংদা আতিয়াদা লৌহুনা-পন্দুনা লৈরিবা নুমিংনা মঙারক্ শুনা মাগী খোঙ্চং হৌহন্খ্রবদা চাননবা শাশিং খোম্না-কৌননবা অরংবা পামজ-চাঙ্গরবা য়াইহুবু ঈশিংগী মরোন মন্থুংদগী থিরু-লৌথংলুবদা খঙ্লক্-ফংলকৃখি, হায়হুনা, নোংয়াঙ্গ য়াইথিবা হায়না কৌরবু খুমন্গী তুকা থিরশিংনা নোংয়াঙ্গ য়াইথিংবা কৌখি। মিংচং ফজরবা খুমন্শিংনা হায়নথিরম্মী — অদোন্

য়াঙ্কোয়রিঅে হায়অে, নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌপু অাইনকে, হাঙ্গনা পুক্নম্লপকী, লাইরেন্ মইতিংঙুনা, য়ীতাইরেম্ অতোন্ য়াইথিংপ-অো, নোংয়াঙ্গ নপুঙ্য়াঙ্গতা, নিংথৌ ফম্পাল্ হাঙ্-ফরোইঅে, নোংয়াঙ্গ নপালাই, খুমন্ নপুলাইপু থোকাউতনা, য়াওরো সাতোম্ লাং, কাংচীন্ লম্তালৈপু তুংথাংননা, মাল্লং চইরোইননা, নোংয়াঙ্গ লম্মাপী, খুমন্ লম্মাইহন্পী, ছুইতোক্ লাংকা নিংথৌ চন্থ, থুন্লাং মরইমাপীতা, কোল্লোই সীন্পান্ ননা লাংহই সীন্তম্হন্পপু লোইতাম্ কুম্কাউকানে, নোংয়াঙ্গ পারী তং, খুমন্ পুরী কাউরঙেনে. নোংয়াঙ্গ নপুঙ্য়াঙ্গতা খুন্কুম্থিঅো—হাঙ্গনা য়োঙ্গচান্নপীরপতা. অতোন্ য়াইথিংপা, নুঙ্নাং ৰুসোন্পনা পাউমেন্চরক্অে—লাইরেন্ কোরও য়ী-নোংথৌ-অো, নতাইরেম্ অইপু হয়েং পোইরই চাতোন্না.

য়াঙ্গপিংবা, নুঙ্নাং উশোন্বা মিংথোন্নবদি পোইগী লৈপাক্তা পাল্লিবা কাংলুপ, মৈতৈগী নিংথৌ অয়াঙ্বগী মনাক্তা মরুম্ থুপ্না লৈরি, মহাক্পু খুমন্ ঐথোয়গী নিংথৌ ওইহল্লসি—হায়না খুমন্ লম্দম্-মরম্দম্গী ৱায়েন-থৌদাগী থৌরম্ থোগাঙ্গ পুরিবা খুমল-লম্বুবু থবক্ শীন্নহুনা থারক্থি। অথোইবা লাইগু-ম্লবা মৈতৈগী মবুংঙোগী মফম্দা চঙ্জহুনা—মনাই ঐথোয়সি মৈদিংঙুগী মসেন্ ওইবা লৈপাক্কী মীশিংনে, মতম্ থরগী মমাংদা ঐথোয়গী ঈনিংথৌ খুমন্ কোক্পনা লাই/লাইরেন্ ওইনা ওন্থি-ওইখিবা মতম্দগী লিন্ ওইবগী মতাং-মতাং শম্নবা মশাগী শরুক্ মকোক্তু কাওথং-থাঙ্গংতুনা, লিল্ লাবা ওইবহুগী অখাবা মিংয়েংনা য়েংবীরবদগী মাগী মতুংদা নিংথৌ ওইখিবশিংগী পুন্সি তেন্দুনা লৈমশিংগী মপুন্সি মাঙ্নখ্রে, অহুনা নিংথৌগী

থৌকাউত্তনপা, তুপী নথৌচানপু কোল্লোই য়ীমিং মাঙ্তনপা থৌ-তু নুঙ্পু খীন্চকে, লাইরেন্ মইতিংঙ্ নঙ্সুং কোল্লোয় নমিং মাঙ্তনপা, থৌতু লেপ্না খীনপীঅো—হাঙ্গৈনা পুরুম্-চরপকী, লাইরেন্ মইতিংঙ্না থৌগল্ মাঙ্গৈয়োক্ননা পাউমেন্ খিঅে,—নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ য়াইখিংপঅো, নতাইরেম্ নোংয়াঙ্গৈ য়োঙ্গৈথোম্চাপু, মরীং খুন্পীরোক্কী, থৌতু নুঙ্পু পুহল্লুঅো, য়ীতাইরেম্ ৱাংঙম্ নাহা ফেন্তাং চাম্পা নঙতি, অৱাং কৌপা লম্মহন্, লোক্লেন্ ৱান্খুরোক্কী থৌতু নুঙ্পু পুরুঅো,—হাঙ্গৈনা থৌসীরপকী, মতাইরেম্সিংনা থৌতু নুঙ্পু পুরুরে লাল্লোই মতাঙ্গৈমা ৱাংখৈ পনমরুতা তোক্মু লইতম্ ফেন্না

ফম্বাল্ হাঙতুনা লৈরে। মৈদিংঙুগী তাইন-থংবগী অথোইবা ওইরিবা ননাই অদোন্ য়াইখিংবা হায়ববু মৈদিংঙুগী নরুম্ থূপতুনা লৈরি, হায়রে, খুমন্ ঈরৈপাক্কী নিংথৌবু ওইহঞ্জগে—হায়তুনা খুরুম্-খাজঙজরবদা অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মৱুংঙোনা—অচানবা ঈনাই অদোন্ য়াইথিংবা, খুমন্ নরৈবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল্ হাঙবা ফরোয়, ফত্তে। খুমন্ নঙগী অপোক্পা নপালাই-নপুলাইবু কাউথোক্তনা মশা মতোম্তমক্ ওইরবা মহাক্ অহুবু (নত্রগা তো.থিন ওইরবা শাবু) নপা-নপুদা কৎলগা ঈরাং-থৌনিতুনা কুম্ কাংবদা নোং চুননবা চীন্নব', লম্তা থাদা শাৎপা লৈবু তুংলোম্দা থাংতুনা-চীন্দুনা, য়াঙনা-থুনা নুংশিংকা লোইননা, খুমন্গী লম্গী নোংদম-নোংখায়বতুনা মবেম্মা ওইরিবী, খুমন্ লৈপাক্কী লমগী মাইবী অহানবী-অহন্বী ওইবী, হুইতোক্ চীঙ্মী (নোংমাইথেম/লংমাইথেম ফুরুপকী লাংকা নিংথৌগী মচানুপী, থুম্নাং লম্গী মবেম্মা ওইনা ৱায়েল্লিবীনা য়ুমগী শীন্থা-শীল্লম্বু

ঙ্গাল্লোই পুঙ্-মা থোল্অে, তরেৎ ঙান্তম্ নাইতপা, সেন্চাও পান্পোক্ থোক্তপা, ন্নাংপন্ নোংলেন্ চন্তপা সেন্চাও পাল্লোংপপু খাকা থানা সীঙ্নাং তোন্থপ্ লৌ. নোংয়াঙ্গ মরেপ্ তম্না লাইরেন্ অয়াঙ্পা ন্নুঙ্না থক্কা থোন্না থৌতু ন্নুঙ্পু খীল্লম্অে, অতুনোংকীপু, ন্নুঙ্খীন্পুঙ্অো, কৌপপু পোইরই ভাফা থিপনা ব্রাংথই লীক্খুম্পুঙ-অো থোন্নঅে ॥ লাইরেন্ মইতেংঙু অয়াঙ্পা সরি চোঙ্পতা অত্তোন্ য়াইথিংপনা

পানহন্দুনা লাংগী মহৈ পাল্লকপা মতম অমদগী অমা ফাওবগী চহি অমগী মতমগী শীন্থোঙ-শীনফম নোংদম্বীথিববু কুম্ থা চুপ্পদা কাউথোক্তুনা লৈরবনিনা খুমন্গী পারী-পুরী পুন্নমক তৎন-কাউনরম্লগনি, খুমন্ নরৈবাক্তা, নয়ুম নশাইগোন্দা হনথ্রো-হায়না ন্নুংশি চানবীবগা লোইননা হায়বী-তাপীরবদা, অদোন য়াইথিংবা, ন্নুঙনাং উশোন্বা কৌবনা ব্রা মেনখৎচহুনা হায়জরকথি —অথোইবা লাইগুম্লবা ঐগী ঈফমদদি অহাঙবদা লৌহুনা—য়ান্দুনা লৈরিবা নোংদোনগী মপু নিংথৌ ওইবীরিবগুম্লবা, অচানবা ননাইনি হায়নরিবা ঐবু তুংলমচংকী পোইগী লৈপাক্তা লৈরিবা মতোন ঈথং থংবা মচা ওইবশিংগী মরোন্দুনা কাউথোকপী-খিদনবা, ঈশিং পীবীরিবা লাইগুম্বা নহাক্কী থৌজান ফংজরবা ঐগী ঈশাগী ঈমিংসি মাঙদনবা থৌ-ন্নুঙঙৌগী মতু ওইবা ন্নুঙবু খীঞ্জগে, অথোইবা লহৈগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো নহাকস্ম মিং-লেন-মিংথোন ময়েং তাদনবা ন্নুঙ লেপ্পা-য়ুংনা খীনবীয়ু-হায়না খুরুম্-জরবদা অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা অমুক হেন্না চান্বীবা-ন্নুংশিবা উত্তুনা মেনবী-হায়বীরকথি—খুমন্গী মবুংঙো খুমন্-নিংথৌ অদোন য়াইথিংবা, নহাক্কী অচানবা ননাই খুমনগী য়োঙ্গথোমচাবু মরীং খুমবীরোক্তগী ন্নুঙঙৌগী মচু ওইবা ন্নুঙ

ৱাকৎচখিঅে, হয়েং পোইরই চাতোন্না কাউপীকুনো হায়না ৱারেপ্ নরম্অে, অতুনোংকীপু মইতেংঙ্ অয়াঙ্পা ৱারেপ্ পুঙ্-অো, ভৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ য়াইথিংপা লুঙ্নাং ব্-সোন্পতি, ৱাক্য়ই খোঙ্অোইননা নোংয়াঈ মপুঙ্য়াঈপু য়িন্তান্খিরপতা, মতাইরেম্ তোংচেং নাউম্হৈকী, খুমু নৌসাও স্বপা

চিংহম্লুচো, অদুগা অচানবা ঈনাই মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী অঙাং/ পাখং ফেন্দাংজাম্বা নঙ্না কৌরুগী লমদমদা লৈবা লোক্লেন্ ৱান্খুরোক্কগী লুঙ্ চিংলুচো—হায়না য়াথং পীবদগী অচান্বা মনাইশিংসিনা লুঙ চংজুনা পুরকথি । লাল্লোই লৈয়াংকী মচী অমদা লৈরি ৱাংখৈগী পনগী মরূ (হৌজিক আর: ডি: ঐচ: এস: লৈরিবসিগী মথাথংবা লমদম)দা য়োৎপাক্লা লৈমায় তম্না ফেল্লেননা য়াল্লগা লৈপাক্ তেমথোক ফন্দোরক্কুনা লাল্লোইগী লৈপুঙ অমা থোল্লম্মী । শেন্ ওইনা চংনবদি নত্তবা মপান অকোয়বদদি তকায়-অতোয়গী খুদমদি লৈতবা মপান লোং-থোক্পনা মখা থারগা, শীঙনাং মতোন কক্থক্কুনা লোরগা শেম্বা পাদম্চৈনা খুমন্ মাগী মরেপকী অৱাংবা তম্নগা অথোইবা লাইগুম্নবা অয়াঙবগী লুঙ্না মথক্ থংজুনা লুঙ অনিজুবু খুংলম্মী । অদুগী লুমিত্তুগী মরম্সিদগী থৌদু লুঙ্খীন্পুঙ্ হায়না কৌববু পোইগী লৈপাক্কী মচু তাবা পাম্জবা মৈতৈশিংনা ৱাংখৈ লীক্-খুন-পুঙ থোন্নখিরম্মী । অথোই লাইগুম্নবা মৈতৈগী মবুংঙো অৱাঙ্বা, শা পুন্নবা মরী চোঙ্বদা খুমন নিংথৌ য়াইথিংবনা, ৱাকংচরম্মী -হয়েং তুং ফাওবদা পোইরৈগী তুংদা তারক্পা চারোন-শুরোন্না কাউবীগনু হায়না ৱারেপরম্মী, অদুগী লুমিত্তুগী মরম্সিদগী মৈতৈ-গী মবুংঙো অয়াঙ্বগী ৱারেপপুঙ্ হায়না কৌখি । খুমন্গী অদোন্ য়াইথিংবা, অথোইবা লুঙ্বু উনা শোনগৎ-চিংখত্তুনা

হাওসীপতি, পোইরই মপন্ লম্পু নুংসিরাকী, তোংচেং নাউ-মইথক্কী চোংথরোঅে ।। নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ য়াইথিংপনা য়ীতাইরেম হাওসীপতি সিরপরা হায়না পাউহংপপু খুমন্ নোংয়াঙ্গৈ রাহৈনা সিরপ্পু ফুরপা কৌয়ে। অতুনোংকীপু হাওসীপরোং ফুনিপা-অো কৌঅে। মতাইরেম্ হাওসীপতি লইকু চোংথরাইপু অোইরৌরে। অতুনোংকীপু য়ীরাং চোংথ-রাই তুরা নাম্ফৈ অচন্পঅো থোন্নঅে ।। নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ য়াইথিংপতি মোংপা থুল্লম্ য়িন্না খু-কুম্— থিরপতা লাল্লোই মতায়মা, লইরাই মুংপীথক্তা পুঙ্লেন্ মরাইরাংলা থোল্লম্অে, অতুনোংকীপু য়াইথিং পুঙ্চাও-অো থোন্নঅে ।। অতোন্ য়াইথিংপতি নোংয়াঙ্গ লইকোয়পুঙ্তা রাইথুংলে, হাঙ্গৈতপরা ।। নোংয়াঙ্গৈ মনীন্ নাইনা অোক্তম্লপকা কংলা রাফোংলাক্তা নোংয়াঙ্গৈ চংনরা হায়না, খুমন্ নুরা তেম্না হরাও মতাং সাংনা পান্মন্নরে, হাঙ্গৈতপরা ।। অতোন্ য়াই-থিংপতি কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ।।

লৌথৎপা, নুঙ্নাং উশোন্বদি রানা য়ৈরগা হোন্বা হিবু মথোঙ ওইনা শীজিন্নহনা খুমন্ মরৈবাক্ মরমদম্দা ইন্দুনা তান্নহনা চংগ্রবদা মহাক্কী অচান্বা মনাই হিহুগী হিনাউগী মমৈদা খুনো মুক্কুনা হোল্লিবা নৌগী মরক্তগী অচৌবা পায়হনা হিনাউ-শারিবা, হিমায়-চুল্লিবা হাওসীবা হায়না কৌবহুদি মপাগী মরম্ ওইবা পোইগী লৈপাক্, মৈতৈগী লম্দমবু নুংশিবদগী হিনাউ মমৈহুগী মথক্তগী চোঙ্থহৌথি। নোংনা ময়াঙ্গৈ ওইনা কুপ্লিবা ময়াঙ্গৈ ওইনা রাংবা লমদমদা পাল্লম্বা খুমন্শিংগী নিংথৌ অদোন য়াইথিংবনা অচান্বা ঈনাই হাওসীববু শিরব্রা হায়না মপাউ

নপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্ লইমা, ৱাংঙম্লোন্ নাউসঙ্ লাংকম্ চন্থু য়ীরেম্ নাউসঙ্-খুনা, তাউতং-সাংনপুঙ্, সেক্মু নাউসঙ্ কাইনা মোইতং ফুইনপুঙ্, পোইরই থাঙ্খোক্ মতাং সাং তিমেন্ তামায় কুইপপুঙপু, অসৈনপ-চন্থু, নাউসঙ্ লাংকম্ চন্থু পাঙ্গীমা লিন্কোঙ্গকী—

হংববু, খুমন্ মখোয়গী মরোনগী ৱাহৈদা, শিরববু ফুরবা কৌই, অতুগী নুমিত্তুগী মরম্সিদগী হাওশীবরোং ফুনিবা কৌথি। অথোইবা মনাই হাওশীবদি কুংশিন্-কুশিনবা লৈমায়দা চোংথবা লাঙ্গীবু ওই-হৌরে। অতুগী নুমিত্তুগী মরমসিদগী ঈৱাং চোঙথৱাই তুৱা নাম্ফে অচনবা (মোইৱাং মচানা চোঙথবা মফম্, মতৈ-মনাউগী নণ্ডগা তুৱা কৌবগী মশন্না ফৈনা তাঙ্গশিন্নবা, অরুবা লম্) থোন্নখি। খুমন্ লৈপাক্কী নিংথৌ অদোন্ য়াইথিংবনা তুরেন তুখুন ইন্না কুম্থরক্তুনা লাল্লোই লৈয়াংকী মচী অমদা তুরেন লৈরায় মথক্তা অচৌবা পুঙ অমা চীঙ্না লেম্না থোল্লম্মী, অতুগী নুমিৎ-তুগী মরম্সিদগী য়াইথিং পুঙজাও থোন্নখি। খুমন্ নিংথৌ য়াইথিংবদি খুমন্ লৈপাক্কী কোন্নুংদা থুংগ্রে, হায়য়ে। খুমন্গী মমিং চৎপশিং, লৈরবশিং পুম্নমকনা ওক্লম-ঙাইরম্তুনা থেংনরগা ৱায়েন-ৱাফম্ ফোংদোক্লবা কংলাদা চঙ্তুনা খুমনগী চীন্না হায়নবা লৈ-ঙাকু-ৱায়েন্গী ৱা পুথোক্লতুনা খুমন্ নুপীশিংগী ৱায়েল্-ৱাতাই-ৱাতেম্তুনা হরাও ফুংঙাইবগী মতম্ শাংনা পানমিন্নখ্রে, হায়-বীরম্মী। খুমন নিংথৌ অদোন্ য়াইথিংবদি মশাগী মমিংথোন অসিগা চপ চান-চুনরবনি।

নবেন্ধো খুমন্গী মবেম্মা মৈতৈ নিংথৌজা নিংথেমচা য়েক্ ওইবী নিংঙোন নাউশঙ লাংকমগী মচানুপী নাউশঙ লাংগম চন্থু

(১৮) অতোন্ সম্য়োকফাপা

নয়ু নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ সম্য়োক্ফাপঅো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঈ সম্য়োক্ফাপা কৌপতি কতৌনোংকীনো ? নোংয়াঈ তাঙ্চা মসম্তোন্পু ৱুরা পোংমতু, সৱা ৱুফোং-মইকুম্ তাঙচা সম্তোন্পু পোঙনা নাউয়োক্অে, হায়পকী অতোন্, সম্য়োক্ফাপঅো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ সম্য়োক্ ফাপতি লাল্লোই মতায়মা, ফুপা লাইমকোন্, চিপা-ৱুতং পোক্তা, থৱা য়োংয়াম্ তান্ঙৈ, পামেল্ ৱুয়ুম্লৈ নারেংপপু সীঙ্লেন্ লৈঅোইননা মমা নোংপান্ য়ৌয়েংপীচা য়োংনাউ সা-থীপা, কৌপা লীহই পাম্পপু য়োংনাউ মসীঙ্ য়াম্না ফাঅে ॥ অতুনোংকীপু নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ সম্য়োক্ ফাপা, চি-পা য়োংতান্ থৌপা খৱা য়োংয়াম্ ফাপঅো তৌনা কৌঅে। নোংয়াঈ খুমন-নিংথৌ অতোন্ সম্য়োক্ ফাপতি কোল্লোই মিংথোন্কীপু চুনপনে ॥

ঈরেম্ নাউশঙখুনা মচানুপা তাউদং পোক্খিবা লম্দম, সেক্মু নাউশঙ্গাই কৌবীনা মচানুপা মোইদং পোকচখিবা মফম, পোই-রৈদা লৈবা মীশিংগী থাঙখোক মতাং শাংবা, তাগী তাজীন্-গী মমায় শাংবা মফমবু শৈশক্-শৈথানবশিংগী নিংতোন্ নাউশঙ লাংকমগী মচানুপী নাউশঙ্ লাংগম্-চনুগী পলেম্ পীবুকুংদগী—

(১৬) অদোন শম্য়োক্ ফাবা

নবুধোগী মিংলেন্দি খুমন্-নিংথৌ অদোন্ শম্য়োক্ ফাবা হায়না কৌই। খুমন্ শময়োক ফাবা কৌবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? খুমন মহাক্কী মতাঙ ময়াম্ পুনশিল্লগা শারিবা

নপেন্ নোংয়াঈ খুমন্ লইমা নোংপাল্লোন্ কাইনৌপী সমুয়োক্-অো তৌনা কৌঅে ।। সেল্লোই লংমাই নিংথৌ চন্তু কাইনৌপী সমুয়োক্-অো কৌপতি কতৌনোংকীনো ? ময়ুম সেল্লোই মিকৌনা লংমাই তেংথানপতি সমপু খিং খিং কৌঅে, সম্‌চীপু, কাইনৌ কৌঅে ।। নোংপান্ কাইনৌ মসমচীপু খোইমোম্ লাইঅোক্‌কনে হাঙ্গপকী চইরঙ্গ ফিনা য়োম্না নাউয়োক্‌খিঅে, অতুনোংকীপু নোংপাল্লোন্ কাইনৌপী সমুয়োক্‌অো তৌনা কৌঅে । নোংপাল্লোন্ কাইনৌপী সমুয়োক্‌তি সেল্লোই নাক্‌পকুমা, লংমাই চীঙ্‌সাম-পু অসৈ লমনেম্ সকপ-চন্তু পাঙ্গমা লিন্‌কোঙ্গকী —

হক্‌চাংগী শরুক্ মকোক্কী মথক্তা হৌরিবা শমদোন্ পোঙ্‌না মশম্ খাকুই-য়োকুই হায়তুনা অদোন শময়োক্ ফাবা হায়না কৌখি । খুমন্ নিংথৌ শময়োক্ ফবদি লাল্লোই লৈয়াংকী মচী অমদা লৈবা লাইরেলগী মকোন ওইনবা ফুবা কৌবা, উচীগী রা, উতং য়াম্না হৌবা লমদা য়োং মযাম্ তানবদা অহাঙবা মপা মেন্নবা পাম্বী, মনা লেঙ্ লেঙ্ চংপা উরুমলৈগী শীঙগী ময়োন ওইবা অথোই বা মতোনবু লৈ ওইনা চিল্লগা অরাংবদা পান্‌ববু য়োরগা য়েংবী /হেক্‌পী ম-াগী মচা, শাথীরবা অপিক্‌পা য়েং, কৌর্‌গী লীহৈ/ হৈরী পাম্বা য়োংনাউবু মশীঙ য়াম্না ফারম্মী । অতুগী মুমিত্তুগী মরমসিদগী খুমন্ নিংথৌ শমুয়োক ফাবা, চিবাদা য়োং তান্‌বদা থৌনা লৈবা, খুা-য়োংয়াম ফাবা হায়না কৌখি । খুমন্ নিংথৌ শময়োক্ ফাবা কৌবদি মশাগী মমিং থোনসিগা চপ চানরবনি ।

নবেনধ্বৌ নোংয়াঙ্গ-খুমনগী মবেম্মা অঙোম্ য়েক্ ওইবী নিংঙোন্ কাইনৌবী শময়োক্ হায়না কৌই । শেল্লোই-লংমাই-গী নিংথৌ শাশৈগী নিংঙোন্ কাইনৌবী শময়োক কৌখিবদিকিরি

(১৯) অতোন্ থোঙ্পু সমুকনুচা

নম্মু নোংয়াই খুমন্ নিংথৌ অতোন্ থোঙ্পু সমুক্নুচা অসৌ তৌনা কৌঅে ॥ থোঙ্পু সমুক্নুচা কৌপতি হতৌনোং-কীনো ? লহান্ নোং ময়ুরা চীঙ্থোঙ পোইরইতোন্না মালেম্ খুন্ফাওৈতা নোংয়াঈ অমন লইকোঙ্ঈপুঙ্কী থোঙ্লেন্ নাতৈ কাঙ্, চারা মথোঙ্ হাঙ্না মালেম্ খুন্ফাওরক্পা সন্পু, কাও-রেন্ য়াম্না হাথত্তে, মান্গী য়াম্না হাকোক্তে ॥ কাওরেন্

তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? শেল্লোই-লংমাই কাংলুপকী মরোন-না শমবু "খিং খিং' কৌই, শমজিবুনা 'কাইনৌ কৌই । অঙোম ওইবী মহাক্কী কাইনৌ মশমজিবু, অথোইবা লাই ফত্তববু ওরু-গনি হায়ত্তুনা চৈদা লৈরগা শাবা ফিনা য়োম্শিন্দুনা য়োক্চ-কঞ্জথি, অহুগী নুমিৎশিংহুগী মরম্দগী অঙোম্ য়েক্ওইবী নিংঙোন্ কাইনৌবী শময়োক হায়না কৌথি । অঙোম য়েক্ওইবী নিংঙোন কাইনৌবী শময়োত্তি শেল্লোইগী নাপাক্ অমা, লংমাইচীঙ/ নোংমাইজীঙ্গী চীঙ্শাং অমবু শৈশক্ শৈথানত্তুনা অথোইবা লম্গী মতীক্ শরু—শোন্নবশিংগী নিংঙোনসিগী পলেম্ পীবুরুংদগী —

(১৯) অদোন্ থোঙ্বু শমুক্নু-চা

নবুথৌগী মিংলেন্দি খুমন নিংথৌ অদোন্ থোঙবু শমুক্নু-চা হায়না কৌই/থোংবু শমুক্ নুচা কৌবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? থায়না মমাঙ্ঙৈদা মবুথৌ পুরেন, নিংথৌ ঙমথং ওইবা পোইগী লৈপাক্কী অকোন অতোনবা মী, পোইরৈতোন্না মালেম্সিদা খুন্দানবা থুংলরবদা, খুমনগী অশি লৈপাক্কী কো-নুংদগী থোঙগী থোঙ্পাক্ কাঙথোক্কুন চারা ময়াম্বু লোন্বত্থ

সন্চল্লে, সমুক্ কোন্পু খানা নাউয়োক্তে, অতুনোংকীপু থোঙ্পু সমুকন্নুচা-ও তৌনা কৌতে ॥ অতোন্ থোঙ্পু সমুক্নুচা থায়াঙ্ মথৌমন্তি, হাওরই নোংচুপ্লা পাংপরম্ নোংয়াঈ হাওপা কোক্থোংকা খুমন্ তাওহুইয়াঙ্কা, য়াংলা সৌপোন্ মাঙ্ব্রাই থিন্না কোঙ্য়াঙ্ নপুঙ্য়াঈতা থৌসাংথপতি কোঙ্য়াঙ্ মপুঙ্ তাক্লে, মরান্ থুম্পী মইমাঙ্ চন্না হুম্তাং য়াঙ্লী তৎ, মইখু নোংলোন্কা, হুয়েন্ য়াইসীঙ্ মুৎনা পন্-থেংলে, হুয়েন্ লান্নিকীতি হাওন্নু তোল্সোন্ লাংমইন্নু, সাংতে

শিল্লিবহু হাঙ্দোক্তুনা মালেম্দা থোক্হল্লক্পা শন্দুনা শন লাবা অমোম্ মশীঙ য়াম্না পোক্থরম্মী। মথোঙ মরি পান্বা য়ুমশা-শিংহুবু শন হায়না মশীঙ থারে, শমুকশিংহুগী মকোন্ লৈফম খাজিন্দুনা য়োক্লম-লোইরম্মী। অহুগী নুমিত্তগী মরমদগী থোঙবু শমুক্নু-চা হায়না কৌথি। অদোন্ থোঙবু শমুকনু-চাগী অয়াঙ-বা মথানা পাংথোক্থিবশিংগী মমলদি হাওগী লৈপাক্লা শন্দোক্-খ্রিবা নোংচুপ মায়কৈ পাংবরোম্দা লৈবা খুমনগী-হাওবা কো-ক্থোংগা খুমনগী তাওহুই-য়াঙগা লোইননা য়াংলাগী সৌবোন্ কোনবা তাবু মাঙলোমদা চঙশিন্ চংশিন্না থিন্দুনা কোঙ্য়াঙ্ খুমনগী খুনয়াঈ তা থৌশাহুনা লান্দাখিবদা কোঙয়াঙ্ খুঙ্গং তাকহল্লে, ময়ুম পুম্বা তুম্না মৈদা থাদোক্তুনা হুম্দাং ফারিবা য়াঙগী লী/থৌরী তংলে, মৈখুনা নোংথক্কী মরোন্-মরোন্ কাখিহুনা লান্মীগী মথ্রাই মমি মশীঙ য়াম্না, পুম্তুম তুমনা মুৎপমখৈ থুগায়রে; অহুগা লানফমসিগী লানফা ওইনা হাওন্নু তোমশোন ফিজেৎননা লাংমৈ থেংপী শাংতে ঙাইন্নুবী কৌবীবু মথব্রাইগা হক্চাংগা কায়নহল্লে, অহুগী নুমিংসিগী মরম্দগী

ঙাইন্নুপীপু – কাঈনহুল্লে অতুনোংকীপু নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ থোঙ্পু সমুক্নুচা হাওন্নু তোম্সোন্ লাংমইন্নু সাংতে ঙাইন্নুপীপু কাঈনহুন্পঅো তৌনা কৌঅে ।। অতোন্ থোঙ্পু সমুক্নুচাতি কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ।।

নপেন্ নোংয়াঈ খুমন্-লইমা ঙান্নুরোন্ সঙ্লইমা থিঙ্-কোন্-সু-অো কৌঅে ।। নোংয়াঈ খুমন্-লইমপু সঙ্লইমা থিঙ্কোন্সু-অো কৌপতি কতৌনোংকীনো ? নাউন্না মখুঙৈকী হৌনা হইরাঙ্ অসংলাই, তাওচীঙ্ অমুন্লাইপু লাইথুংতে, থোইমোম্ কোরও মনোংথৌনা লন্কুপা, চীঙ্ঙু ন্নাংপা মকা-সানা য়োঈপীপকী মনীঙ্ সারঈ মরেপ্পু ফংনা, ম-ন্নু স্নুম্লই মরেপ্পু ন্নাইনা, অচাও থুনা লেপ্ফাঅে, সাংস্নুং থুনা লম্ফংঅে, হায়পকী নোংয়াঈ খুমন্ লইমা ঙান্নুরোন্ সংলইম-অো কৌতে ।।

নোংয়াঈ খুমন নিংথৌ থোঙবু শমুক্নু চা, হাওন্নু তোম্শোন্ লাংমৈন্নু শাংতে ঙাইন্নুবীবু কাইনহনবা হায়না কৌখি। অদোন্ থোঙ্বু শমুক্নু-চাদি মশাগী নিংথোন্সিগা চপ চানরবনি।

নবেন্ধোগী মিংলেন্দি খুমনগী মবেম্মা ঙানবা য়েক্কী নিং-ঙোন শংলৈমা থিঙ্গোন্স্নু কৌই। খুমনগী মবেম্মসিবু শঙলৈমা থিঙ্গোন্স্নু কৌবদি করি তৌখিবা ন্নুমিত্তগীনো ? অঙাং পীশক্ ওইতুনা লৈরিঙৈদগী হৌনা মশাদা অশংযা হৈদা তোংবা অমুনবা হৈদা চঙ্বা তিনথুং-লাইথুং অমতা, চল্লক্তে, অথোইবা লাই ওইনা মহাক্কী পুন্সিবু শেন্বী-শাবিরিবনা থৌজানবীবা, অন্নাংবা চীঙগী মপু, ন্নাংলবা মরাইবক্ নোংদম্বীরি-নোংথাইবীরিবা লাই-য়িংথৌগী চানবীনা য়োক্পী-কোনবীরকপগী মনম্মা-মপীশিংগী শাওং

ঙানপা খুনুং নিংথৌ চন্নু. লোইরেন্ খুন্‌পীরোক্, থৌতু ক্সুঙ্-পাকথক্‌তা মুংফি লৈরুম্‌না ফাকং লৈঅোইনা লীচই তোরান্ সু লাল্‌লোই য়ীঙাথোক্, সারেন্ মী স্নংলাংপু য়েন্ হৈপ-চন্নু, মপাম্ হুয়েন্ লান্‌নিকীতি অসৌ ক্সুঙ্‌তোংচা লিল্‌লা হাওতম্‌থীপু অহোঙ্ লাল্‌লু তইনা স্নংপচন্নু, নোংয়াঙ্গী খুমন্-লইমা সংলইমা থিঙ্‌কোন্‌সু পাঙ্গীমা লিন্‌কোইকী—

(২০) অতোন্ থিঙ্‌কোন্‌হন্‌পা

নয়ু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ অতোন্ থিঙ্‌কোন্‌হন্‌প-তো তৌনা কৌঅে ।। নোংয়াঙ্গী থিঙ্‌কোন্‌হন্‌পা কৌপতি কতৌ

শাদাগী মরেপ-শারেপপু ফংনা মনেম মবোক্কী ফোন্সু-চেঙ্‌ঙুগী শাওই-পাঙ্গলগী মঙান-মতীক্‌সু ফংজুনা চাওবা থি-নবা লৈতনা মরেপ ফাই, য়াংবা শাংবস্থু থুনা মপুঙ ফাই হায়জুনা নোংয়াঙ্গী খুমনগী মবেম্মা ঙান্‌বা য়েক্‌ওইবী নিংঙোন শংলৈমা কৌই। থায়না মমাংঙৈগী নিংথৌ ঙানবশিংগী নিংথৌ শাগেগী নিংঙোন; অথোইবা লোইশিংগী অহানবা খুনবী—খুঞ্জাও, লোইয়েন খুনবী রোক্কী ক্সুঙডৌ-থৌগী মতুনা ওইবা ক্সুঙ্‌গী ক্সুঙপাকথক্তা মুংফিনা লৈরুমফি, ঙবোং ওইনা ইন্দুনা ফাকংফি ঙবোংনা য়াহৌ ফি ওইহুনা লীচৈ চৈতুপ পায়হুনা লাল্লোই লমগী মীগী মশরুক্ ওইজবা য়ারম্, মীতোপকী মগুংলাংগী ওইজবা য়াফম্‌বু য়ায়েন তৌবা হৈবহুগী চাদা-নাউদাগী নিংঙোন, মপামগী শাফা-লান ফাগী মরমদনা ক্সুঙতোঙগী মচা অসৌ কৌবা লিল্ লাবগুম্না হেক্তা হৌহুনা তমশিল্লবপদা শাথী-তমথীরবহু অহোঙ্ লোইরেন খেবদা মকোক্ তোপ্পা য়ান্দুনা অকন-অথোগী মতীক্ উৎপ-শিংগী নিংঙোন, খুমন-নোংয়াঙ্গীগী মবেম্মা শংলৈমা থিঙ্গোনসুগী পলেম শীয়োম লাদগী—

ঙোংকীনো ? পন্‌থৌ মপা সাংমাপা থোঙ্‌পু সমুক্‌নুচানা হুন্‌নু ময়াই কারপতা মপারীপু থীন্‌না কোন্‌না পোক্‌তে হাঙ্গী-পকীতমক্ অতোন্ খিঙ্‌কোন্‌হন্‌প-তো তৌনা কৌতে ॥ নোংয়াঙ্গী লইমাপা অতোন্ খিঙ্‌কোন্‌হন্‌পতি, হাওরই নোং-পোক্‌লা পাংপরম্ খ্রাইরং লম্‌মহন্ পাসি তোন্‌পা খোক্-লু য়ান্, অতোন্ তাইপঙ্‌চাম্‌পা লোক্—লুখুম্, খোঙ্গনৌ লাংমইথেং৹ সমন্ কতেং লম্‌তা খৌনাপনে ॥ ময়ীম্ পাসি মনীন্ নাইপা হামেং সেন্‌সাপা, লাইতাং তান্‌তপনা, চীঙ্‌পা—ফুপা তোংঙৈতি, লোইন্নু থুম্‌চা অকুপ্‌পপু, থুম্‌কোয় পাইহুম্ সুনা লোইহাতে,

---

(২০) অদোন্ খিঙ্গোন্‌হন্‌বা

নবুধোগী মিংলেন্দি খুমন্ নিংথৌ অদোন খিঙ্গোনহনবা হায়না কৌই । নোংয়াঙ্গী খিঙ্গোনহনবা কৌবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? মহাক্কী ঈবু পনহলবীরক্‌পা অপোক্‌পা মপা থোঙ্‌বু শমুক্‌নুচানা অহন্ ওইশিল্লক্‌পগী পুন্সিদা লৈরবদা থীন্থ-কোন্থনা মচান্থপাসিবু ফংজখি হায়বসিদগী অদোন খিঙ্গোন্-হন্‌বা হায়না কৌখি । খুমন্ লৈপাক্কী মবুংঙো অদোন খিঙ্গোন্‌হনবদি হাওগী লৈপাকশিংনা লৈখ্রিবা, নোংমবু পোক্লিবা হুমিংনা থোল্লকপা মায়কৈরোম্‌দা লৈবা, নোংপোক্লোমগী অথোইবা লম্ পাসা-মচা পাসি তোম্বনা ওক্নী শরূ-শয়াঙ য়ানখিবা, খুমনগী তাইবঙজাম্বগী লোক্কী লুখুনদা/মমাঙলোমদা লৈবা, পুক্নীঙ পেংহন-নৌহনবা লাংমৈ-মতু থেংনখিবা মফম্, থুমবু য়োং-থাঙ ওইনবা লমদা খৌশাহুনা লান্দাখিবনি । পাসি-মচাশিংগী মমিং চংলবা কাংলুপ পাম্নিশিং, হামেংনা শেনগুম্না মমল য়াম্লবা, লাইতাং ফুরূপকী মী কুংনা-চিননা লৈতা-খুন্দারিবশিংনা চীঙবা-পুবাদা পাল্লিঙৈ

হৌজিক্ হ্নাইরং লম্মহন্ অতোন্ তাইপঙ্চাম্পা মবম্-খৈতা পাসি মনীন্ নাইনা খুন্তারপকা লোইন্নু থুম্কোয় সাপা লম্ঙাক্ খোইতোঙ্পপু, খাঙ্লা পোন্থিং য়ই, থুম্পোৎ ১০০০ স্নুনা লোইহাপস্নুং পাউয়াত্তরে ॥ লহান্ নোং পাসি মপুরোন্, সেপা লাইতাং মপারোন্তস্নুং লোইন্নু থুম্চা অকুপ্-পপু থুম্কোয় পাইহুম্ স্নুনা, লোইতাম্ থালেন্তা, লাংহই কুম্কাউতনা লোইন্নু থুম-হা-পস্নুং করিকী লোইহাতরপনো হায়না নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ থিংকোন্হন্পনা, পাসি মপুঙ্য়াঙ্গীতা লোইতাম্ থাপুসি, লাংহই কুমপু আন্, খাঙ্লা য়েন্কোয় থোং, য়াইরে মথোক্ লোয় হাওসি মতাং কা, মান্ সং মনা লেক্, পামেন্ হ্নুরাই হক্, তল্লা হ্নুরাই কংনা থাঙ্য়ি পুথাপ্ অঙল্লোপু, পাথং নাআক্ খুংহ্নাই থোং মোম্নু সামন্ তোংথেন্ য়েক্পু লঙ্গীনা ফংনা, লাংহই চাহই নেন্না পাসি মপুঙ্ তাক্না পন্থেংলে ॥ হুয়েন্ লান্নিকীতি পাসি হ্নুয়ান্খু হ্নুয়ান্হন্, নাউরীখু নাউরীহন্ পাসি খুন্নৌপী খুন্-নৌপপু কাঈনহুল্লে ॥ নোংয়াঈ থায়াঙ্ মথৌমন্, অতোন্-চুঙ্সেন্ মরান্আন্কীপু নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ পাসি ল্যাংলোই ঙম্পা, য়াংলা চাহই নেন্পআ কোঅে ॥ নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ

লৈরিবৈঁদদি লোইপোৎশিংগী মরক্তা নুপীচা ওইনা শীঙ্থানবা অকুপ্পা থুম্বু মকোয় মকোয় শারগা মৈহুম্না নুংশিং হুম্জিন্দুনা লৌথোকপা লোয়রগা খাওদা হাপলগা পুরকতুনা লোই হারৈ। হৌজিক্তদি নোংপোক্লোমগী অথোইবা লমদম, খুমন তাইংজাম্বনা পাল্লিবা লমথৈ মনুংসিদা পাসি কাংলুপসিনা মনা-মনীন নাইনা খুন্দা-লৈতারবসিদদি, লোইপোৎলক্তগী অমোম-নুপী ওইবী থুমগী থুমগোয়-মকোয় শাবা, মকোয়হুগী মাঈকৈদা মথোঈগুম

অতোন্ থিঙ্কোন্হন্পা থায়াঙ্ মথৌমন্. অতোন্ চুঙ্সেন্ মরান্হওতি, অতুস্থং মতোম্-তে ॥ হাওরই খানা পাংপরম্, কেকে লেংনা রুমইরম্ রুমই লেংকাইচীঙ্তা খৌসাথপতি, পাঙল্ মরা খুল্লেল্ লইকী, কালারাচা লম্চিংপা মপারী, মসোম্ রাহাঙ্গৈপা, মরাতোন্ অতোন্পপু কাঙ্গৈনহুল্লে । অতুনোংকীপু অতোন্ থিঙ্কোন্হন্পা মরা খুল্লেন্ চাঙ্গৈপতো কৌতে ॥ নোংয়াঙ্গৈ থায়াঙ্ মথৌমন্ চুঙ্সেন্ মরান্আন্তি, অতুস্থং মতোম্তে ॥ হাওরই লাইনা পাংপরম্, সায়ান্ পন্মইখা, মতু তোন্না

তোঙখংহন্দুনা ফজহনবা থুমগোয়বু থাঙ্গরানা মখা খাতুনা পোন মনুংদা হাপ্পগুম্না শেম শারগা থুমপাক শুংতুনা থুমপোং ১০০০ শুনা লোইপোং পোংনা ওইহল্ল হায়বদা য়াদ্রে। হৌখ্রবা মমাংঙৈগী মতমশিংদা পাসি মথোয়গী মপুগী মরোনগী মতম্ সেবা লাইতাংগী মপাগী মরোনগী মতমদস্থ অকুপ্পা থুমসি থুমগোয়-থুমপাক্ শারগা খংনা হু-স্বা খাওনা হাল্লগা কুম্ অমতা কাংদনা থা অমুক্তস্থ শোয়নদনা থুমগী লোইপোং হারস্ববু করিগী লোই হারদ্রবনো হায়তুনা খুমনগী মবুংঙো অদোন্ থিঙ্গোনহনবনা পাসাগী মী পা সশিংগী থুঙ্গংদা কুম্-থা চুপ্পা অমা লেপ্পা নৈতনা খাঙ্গরাগী অকোয়বা মনানা কোয়না-কোয়না চাওখংলক্পা, য়াইরেন পাম্বীনা মথোক্-মউ চাওথোক্লক্পা, হাওসি মপান্না মতাং মথং-মথং কাখংলক্কুনা রাংখংলকুপা, মানসং পাম্বী শিংনা মনা লেক্থনা পাল্লক্পা মতম্শিংসিদা কাংদনা নৈতুনা, উদা থাঙ্ফম্ হক্কুনা, উপান্গী উরাই কংতুনা খুইজিন-তুকুথরক্কুনা, ফৌগী মথন্দা অঙল্-লৌরোক্ ফংবা পুথাপ-ফৌবু পাখংনা লৌহোন্ পুননবা মনা ওক্কুনা খুংনা পায়রগা লৈ-ননবা লৌগোন্ ফোইবা ঙম্বগী

কোইপরম্ তরাওতোন্না ঙাকৃপরাই, থাংজীং খীকৃথোংপা, সারেন্ য়াইনম্পনা, কোইপরম্তা খৌসাপা, রাইসেন্ লান্থাপা থিংপা খরংপা, থিংপা পুনেম্-শাফপপু কাঙ্গনহল্লে, অতুনোং-ৰীপু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ থিংপা খরংপা পুনেম্ সাফাপপু কাঙ্গনহুন্প-অো তৌনা কৌঅে ॥ মতাইরেম্ নোংয়াঙ্গ হাওচা ঙওরেন্রাক্ খোন্ফপনা নোংয়াঙ্গ য়ীপুঙ্থৌ অতোন্ লইমাপা-অো, নতাইরেম্ ফৈতা তরেৎ নাম ইকীনা, লীচই তোরান্ ফৈনা হাই, থোঙ্লেন্ নাকৃপক মতায় কাঙ, সরী কৃ খিং থিং লঙ্গমা

চহি মতাং, হুপী ওইবীশিংনা নীঙ্জবগী রাংলবা থাক্তুগী মশক্ ময়েক্ থোক্লকৃপগী পুন্সিগী তাংককৃপু ফংলকৃপা মতম্ ফাওবা য়ৌনা লাংগী মহে ওইবা চাননবা হৈ, ফৌবু খাওবা-লেন্বগী মতম য়ৌনা লান্দাতুনা পাসাদগী লাকৃপা পাসিগী খুঙ্গং তাকৃহন্-মুংহনবা মখে লান্ থেংনরে। লানগী লানফা ওইনা পাসিগী উয়ানখু-উয়ানহন্, মাউরীখু—নাউরীহন, নৌনা পাসিদা খুন্দারকৃপা খুন্নৌবী-খুন্নৌববু মথরাই হকৃচাং কায়নহল্লে। খুমন্ নিংথৌসিগী অয়াঙ্বা মথাসিনা তৌবা থবক্কী মমল্, মহাক্কী চুঙ্ শেন্নতুনা লান্দাবগী মরোন-মরোন অসিদগী নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ অদোন থিঙ্গোনহনবা পাসি লাংলোই ঙম্বা, য়াংলা চাহৈ নেনবা কৌথি। খুমন নিংথৌ থিঙ্গোনহনবগী অয়াঙবা মথা শীজিন্নতুনা মথৌ পাং-থোকৃথিবা, চুঙশেন্নতুনা লান্দাখিবগী থবক্তি অতুনসু লো-য়দ্রি। হাওগী লৈপাক্তা লৈখ্রিবা থা পাংবা মায়কৈরোম্দা মোইরাংগী লেংনা উমংগী মমৈ ওইবা লম্ উমৈ লেংকায়চীঙদা তা থৌশাতুনা লান্দাখিবদি বাঙ্গাল্দগী লাকৃপা পাঙল মরাগী খুল্লেনগী লুচিংবা কুচু মুবশিংগী নিংথৌগী মচানুপা, মচীন চংপা

হোয় নোংয়াঙ্গ খাথা, অদোন্ লাইথানা, চরাং হুইমইকক্পু, য়েন্পোন্ সা, হইকক্ নারেং পোন্চেং সা, ঙামু তোরা কংনা নোংহাম্লে, নপেন্ রাংঙম্লোন্ খোংঙাইথোং মকুম্সা, নোংয়াঙ্গ সাইফু তাঙ্গৈরোংমনপু পাক্লোই সাইতা তম্, সঙ্কাই য়াঙ্নম্ সেন্ পাইখু লেংহান্ননা কাংচীন্ লেংতারৈপ্ন তুংথাংননা, খোক্লাং লেংতা থোং সৌতি নানমস্থ; কক্লু সেংসৌননা, য়াওরৌ সাচেন্কুম্পু ফংলক্তে, লোইতাম্ কুম্সারঅো, য়ীহুং কৌপা সোয়রে, চীঙ্খোঙ্ য়াহওরো — হায়না মতাইরেম্ হাওচা

মসোম্ মিঙ্গৌবা নিংথৌ মচালক্কুগী ঈতোন্ তোনবহুবু থরাই— হক্চাং কায়নহল্লে। অহুগী হুমিত্তুগী মরম্সিদগী অদোন থিঙ্গোন্হন্বা মরা খুল্লেন চায়বা কৌথি। খুমন নিংথৌসিগী অয়াঙ্বা মথাগী মথৌগী মমল, চুঙ-শেন্নবগী লানগী মরোনগী শক্তমদি অহুনস্থ লোয়দ্রি। হাওগী লৈপাক্লা শন্দোকথিবা, লাইনা লৈবা মায়কৈ, অরাংলোম্দা শায়ান পনমৈথাদা মহুতোন কৌবনা কোন্বা, তরাওতোন্ কৌবনা ঙাক্পা লম্দা লৈবা থাংজিঙ্ মরু খীল্লগা থোংবা শাগী ঙানম্ (শানম/য়াইনম) চাবশিংগী লম্দা খৌশাহুনা লান্দাখিবদা রাইশেন লানঙম্বা, থিংবা লমগী খুন্থু খরংগুম্বা থিংবা পুনেম শাফবা কৌববু হাংলে, অহুগী হুমিত্তুগী মরম্সিদগী খুমন্ নিংথৌ থিংবা খরংবা পুনেম শাফববু মায়থীহনবা হায়না কৌখি। অচানবা মনাই মথোন্ হুংশিনা ফরবা হাওচা তৌ-রেনরাকনা খুমন ওইবীরবা, ননাই ঐগী ঈবুংঙো, খুমন লৈপাক্কী মপু, মনাই অচানবা ফৈদা (EUNUCH), লৈমা-নিংথৌগী ওইনা কোহুং শঙ্লিবনা লীচৈগী ফৈনা হাইদুনা, থোঙগী থোঙপাক্ হাঙ্দোক্লগা শরীক্ খীংদুনা

তওরেন্‌ব্রাক্ খোন্‌ফপনা য়াহও, নিংথৌ, অতোন্ থিঙ্‌কোন্‌হন্‌পা, পাসি লাংলোই ঙম্‌পা, য়াংলা চাহই নেন্‌পা, পাঙল্ মরা খুল্‌লেন্ চাঈপা. ব্রাইসেন্ লান্‌থাপা, থিংপাই খ্বরংপা. থিংপা পুনেম্ সাফাপপু কাঈন্‌হন্‌পত্রো তৌনা কৌত্রে ॥ নোংয়াঙ্গ খুম্নন্ নিংথৌ অতোন্ থিঙকোন্‌হন্‌পতি কোল্‌লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ॥

খুম্নন লৈপাক্কী লাইথাগী পানা থিল্লবা হুই ১মৈ অকক্‌পা মান্‌বা চরাংবু য়েন্‌পোন্দা হাপ্লগা হৈককস্থ ম-নাদা লেঙশিন্দুনা পোন্দা হাপ্লগা চৈতেক্ মান্‌বা ঙামু ক্লত্তুনা ঙাইহুনা লৈজরে। নবেনধৌ মৈতৈ নিংথেমচা য়েক্কী নিংঙোন খোংঙাথোংনা হৌদোল্লব্বা কুমশাবগী লাইথৌ থৌরমগী খুম্ননগী শাইদা হাপ্পবা শাইফুগী মশা-মরোং অমনা কোক্‌য়েংকী শাই তারক্‌পবগা মান্নহন্দুনা মনঙ্গন্দা নম্লগা থবক শীজিন্নবা শঙ্গাইবু পায়হুনা লেংবান্দা খাও য়াল্লগা কুম কাংবা মতম্‌দা লেংদা তাহন্দুনা চীন্নবা লৈবু তুংলোমদা ওন্থোক্তুনা য়াম্বহল্লগা তাখোক লেংদা থোংহুনা শৌদ্রি তা/পৌনা নাপী নম—নমতুনা লৈপাক্ লৈভঙ্গায়দা ফৈগন্না শৌহুনা ঙার-ঙাক্লগা লাইদা কংননবা লাই শা তানগদ ফাগদবা মতমবু ওইরক্লে, কুমগী লাইবু ঈরাত্তুনা থৌনীররো, অমম্বা পুম্বা কৌক্রুরোমদগী মাওহন্দুনা ঙাল্লক্লে, লাইগী ঙমথং ওইরিবা য়াহৌরো—হায়না অচান্‌বা মনাই খোনফবা হাওচা তৌরেনব্রাক্না খৌদাক্‌পা নিংথৌ, অদোন থিঙ্গোন্‌হনবা পাসি লাংলোই ঙম্বা য়াংলাগী চানবা হৈ, থুম লোক্‌পা, বাঙ্গালাদগী লাক্‌পা মরাগী খুঞ্জাও থুগায়রা, ব্রাইশেন্ লানঙম্বা, থিংবাগী খুন্থ খরংগুম্না অথৌবা থিংবা পুনেম্ শাফববু হাংপা

নপেন্ নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা ডানন্নুরোন্ সংলইমা হাও-য়েন্ তোংতওপী-অো কৌঅে ।। সংলইমা হাওয়েন্ খোংতওপী কৌপত্তি কর্তে নোংকীলো ? নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা হন্নু ময়াই কারপকী, থায়াঙ্ মপারী সাংতা সাংতে মমোম্ ফুইতরপকী-তমক্ কোরও মমিংমপু, মমাইপা নোংচুপ হাওরোঙ্মাইপু থৌনেক্খিঅে – নোংয়াঙ্গ য়ীমাইপ-অো, খুমন্ নরইমাপী অইপু, য়ীপারী সাংত্তা, য়ীমোম্ ফুইতরপা অসিপু নোংয়াঙ্গ য়ীপারাই, খুমন্ য়ীপুরাই, কৌপা লাক্থোঙ্ কা, চীঙ্ঙু থোঙ্পান্ হাইনা হায়না কৌই । নোংয়াঙ্গ খুমন-নিংথৌ থিঙ্গোনহনবদি মশাগী মমিংথোনসিগী চপ চানরবনি ।

নবেনধোগী মিংলেন্দি খুমনগী মবেম্মা ঙানবা য়েক্কী নিংঙোন ওইবী শংলৈমা হাওয়েন্ খোংতোবী হায়না কৌই । শংলৈমা হাওয়েন খোংতোবী কৌবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? নোংয়াঙ্গ খুমন্গী মবেম্মনা অহনগী চহিদা লৈশিল্লক্লবদা অকন – অথৌ ওইগদবা মচান্নুপা লৈত্রবা, কেজ – নৌজবী মচানিংঙোন পোক্তুবদগী অহাঙ্বদা লৌহূনা য়ান্দুনা লৈরিবা নুমিংকী থোঙ্চংকী নোংমা অমদা মশাগী মাইবা ওইবা নোংচুপ হাওরোঙমাই কৌববু নেক্চখি – "খুমন ঐখোয়গী মাইবা ওইরিবা খুমন্ নরৈপাকসিগী মবেম্মা ঐবু ঈচান্নুপা পোক্তা, ঈচা-নিংঙোনসু লৈত্রিবা অসি কোক্লবা নোংয়াঙ্গ ওইবা ঐখোয়গী ঈপা ঈপু ওইবা লাইশিংগী কৌব্র লাইয়িংথৌগীদা তৌবগুম্না লাইগী লাইবুঙ কাহূনা চীঙগী মবুংঙো মবেম্মশিংগী লাইশঙগী থোঙ্বান পাঙ্গহূনা অহাঙ্বা অতিয়াদা লৌহূনা লৈরিবা লাইশিংগী মফমদা খুক্লম্ খাঙজহূনা ঈশাগী লন ওইজবা ঈচাবু ফংজনবা নীবীয় – হায়হূনা

106

কোরও লন্সাপীঅো — হাঙ্গীনা থৌনেক্খিঅে ॥ মমাইপা নোংচুপ হাওরোঙ্ তপুংমাইনা পাউমেন্খিঅে—নোংয়াঙ্গী ঈরইমাপী নঙ্না নপারী সাংতপা, মমোম্ ফুইতপা অসিপু, হাওয়েন্ থোংকা তও, য়াংকোঙ্গী য়ীকা থেম্না সো-ই-নী সে— হায়না রা-হম্খিঅে ॥ নোংয়াঙ্গী পুম্না হুপ্ অতোন্ পাক্না তাইনা, হাওয়েন্ থোংকা তও, য়াংকোঙ্গী য়ীকা থেম্না সো-ই-নীপপু, মমোম্ ফুইতরপকী, কোরও নুমিৎমতি, অতোন্ মমাইপা, নোংচুপ্ হাওরোঙ্ তপুংমাইকী, মসানৌ থিংপা কৈথৌমাইপু থৌনেক্খিঅে— নোংয়াঙ্গী য়ীমাইপা কৈথৌমাই-অো, নঙ্পু খোম্লেন মঙ্ চঙ্লঅো হায়না পাউমেল্লনকা. কৈ রাই মঙ্ অরুক্, ঙাইখোং তোন্পা ফান-রুক্তা চাম্নৌ লারোন্ ঙেইথিং য়ই, চেঙ্ঙৌ ফাহাপানা য়েল্মুম্

থবক নেকুচখি । মখোরগী মাইবা নোংচুপকী হাওগা থংনবা তবুং মাইনা রা মেন্থত্না খুম্নকখি খুমন্ ঈরৈবাক্কী মবেম্মা নচা নুপাস্ম পোক্তবা নুপীস্মু ফংদবা অসিদি হাওয়েন (হৌজিক্তা হৈয়েন্ হায়) দা থোং তৌদুনা য়াঙ্গোয়গী ঈশিং লৈহন্নবা শেম্-দুনা চাবোক্কবা নীজসি—হায়না হায়খি । মতুদগী খুমন্ হৌদুনা তিন্ন-তানরগা হাওয়েন্দা থোং তৌদুনা য়াঙ্গোয়দা ঈশিং লৈহ-ন্নবা শেম্-শাদুনা মচা নীজববু মচা নুপা, নুপী অমতা পোক্ত-বদগী নোংমগী নুমিং অমদা খুমন লৈপাক্কী মাইবা নোংচুপকী হাওগা য়ান্নদবা তবুং মাইগী চহিদা মশাদগী নৌবা মনাউনুপা থিংবদা কৈথোন্নক্কবা থৌ বা, থিংবা কৈথৌমাইবু থবক্ নেক্খি— খুমন্ ঐখোয়গী মাইবা কৈথৌমাই, নহাক্ মঙ্জঙবগী লাই-থৌ পাংথোক্লো হায়না পাউমেল্লবদা মঙ্ চঙ্বা তাবগী থু-ম্মোক্ মপান্ রাংবা, ঙাইখোংগী তোন্বা ফাবদা শীজিন্নখিবা

কাঙ্খীন্না, লোইঙ্গু কাকুপ্ চন্ সিং-সিঙ্ লাকা য়োম্, কুরেক্ থায়চা য়ান্, য়েন্পা খুরও থাংপু ফিমু লইরুম্ সী, লুখুম্ মঙ্পোং থানা, খোম্লেন্ মচঙ্থিঅে ॥ খোইমোম্ লাইয়িংথৌ, নোংয়াঙ্গী পোক্মাপা, খুমন্ সাংমাপম। খোম্লেন্ মঙ্পাউ চেল্লক্অে – তন্নুম্ থিংপা কৈথৌমাইঅো, নোংয়াঙ্গী নরইমাপীনা মপারী সাংকে হায়রপতি নপেন্ খোইমোম্ লাইরেম্মা য়ীরোঙ্লইমা খাম্পী ঙম্পীলসিঙ্লোক্ পান্পা ফাপী, সনা মখোঙ্থাতা, থেংপান্ হুম্চীন্ হুম্য়ারোঙ্ তম্নুং নোংপোক্ সনা থুম্পীচীঙ্, ঙাইখম্ চীঙ্ম্তোন্তা লাংলেন্ কোঙ্য়াঙ্রাকা লিংনা; থাঙ্লেন্ নাপান্ হাই, কতেং য়োংহক্ চন্না সো ইপীঅো হায়না খোম্লেন্ মঙ্ফাওরক্অে ॥

লুক্তা লাগী লারোন্ থুংনা থারগা, অঙৌবা চেঙ্ ফানা হাপ্লগা য়েরুম কাঙ খীঙবগুম য়ুংনা খীল্লগা, থুম্কোয় মপাক্ অনি কাঙ্গুপ হাপ্লগা, শিঙ্বু লাননা য়োম্তুনা হাপচিল্লগা খোম-তুম্বাদা য়ু হাপ্তুনা য়ান্দুনা শেল্লগা মনাক্তা য়েনবা মখোঙ্ কিশিন্দুনা থম্লগা মথক্তা পুন্নমক্তু ফিমুনা উহন্দনা কুপশিন্-খুমজিন্দুনা শেম্–শারবা মঙ্পোত্তু থাহনা কংলগা মঙ্চন্থি (মঙগী লাইবাউ লোননবা তুমথখি) পীস্তু পাস্তু ওইঙম্লবা অথোইবা লাইয়িংথৌ, খুমন্ নোংয়াঙ্গী শিংবু পোক্পীরক্পনা পাঙ্গল পীরিবা অথোইবা চিঞ্জাক্ ওইরিবা তুমথবগী মতম্সিদা মঙ্দা লাক্তুনা মঙগী-লাইবাউ পীবীরল্লম্মী - ঈনাই থিংবা কৈথৌ-মাই, খুমন লৈপাক্কী নবেম্মনা অরেম্বদা হাওয়েন্ খোং তৌহনা কান্নদবদা য়াঙ্গোয়দা ঈশিং লৈহন্নবা শেম্তুনা মচা নী, খুমন্ নথোয়গী নবেম্মনা মচানুপা ফংগে হায়রবদি নবেন্থৌ অথোইবী লাইরেম্বী ঈরোঙ্লৈমা থাম্বী লম্বু লানঙম্বী, লশিঙ্লোক্তা পাম্বা কৈ ফাবী, অথোইবী

নোংয়াঙ্গী মরইমাপীনা, নোংপোক্-সনা থুম্পীচীঙ্তা, লাংলেন্ কোঙ্য়াঙ্ ৱাকা লিং, থৌপান্ হুম্চীন্ হুম্য়ারোঙ্তা, থাঙলেন্ না-পান্ হাই, কতেং য়োংহক্ চান্না কোঙ্য়াঙ ৱাকা লিংনা, য়েন্কোন্ ফৈরোয় থানা, নোংয়াঙ্গী পুম্না হুপ্না সো ই-নীরপতা, লাংলেন্ ৱাপান্ ফারক্লপতা, মপারী কাংচীন্ লৈনাউ তাপপু সাংলক্অে ।। হয়েং লাংহই কুম্মা অোন্নক্লপতা থাঙ্লেন্ ঃ রক্ নাপান্ হাই, কচেং য়োংহক্ চন্ কাপ্তু লইখই লেঙ্না সো-ই-নীরপতা মপারী সেক্মু কাইনৌ চীঙ্সোম্পপু সাংলক্লে । অতুনোংকীপু ঙান্নুরোন্ সংলইমা, হাওয়েন্ খোংতওপী য়াংকোই য়ীথেম্পী, নোংপোক্ সনা থুম্পীচীঙ্, ঙাইখম্ চীঙ্মতোন্তা সংলৌ ৱা-থাপী, থৌপান্ হুম্চীন্-হুম্য়ারোঙ্তা, নেম্পী তুম্পৌ সেংনা সো-ইনীপীঅো তৌনা কৌঅো ।। নোংয়াঙ্গী খুমন্লইমা সংলইমা হাওয়েন্ খোংতওপী পাঙ্গনা লিন্কোঙ্গকী –

লাইরেম্বীগী মখোঙ্খাদা চঙজতুনা থৌবান্গী হুম্জীন্-হুম্য়া-রোঙ কৌবা মফমদসু নোংপোক্লম্দা সনা থোক্পচীঙ্ ওইরিবা সনা থুম্বীচীঙ্গী ঙাইখম্ চীঙ্দোন্দা অথোইবা লাং ওইবা কংফান্দা য়াঙ্না শীজিন্নবা ৱা থা লীংতুনা, থাঙ্না নাপী – শীঙ্বী ফত্তবা হাইদোক্-কক্থক্কুনা, য়োংপাক্না লৈপাক্ তৌথোক ক্কুনা ৱা থারগা মচা নীজৌ—হায়না অথোইবা লাইনা মঙ্তুদা লাইবাউ পীতুনা ফাওরবে । খুমন্ লৈপাক্কী মবেম্মনা নোংপোক্ সনাথুম্বীচীঙ্দা ৱা লিংতুনা থারগা থৌবান্গী হুম্জীন্-হুম্য়া-রোঙ্দসু পাম্বী-শীংবী য়াম্থক্কুনা লৈপাক্ তৌতুনা শেম-শারগা ৱা লিংতুন থারগা ঈঙ্খোন্গুম শম্বল্ থাজিন্দুনা থৌরাংসি তৌরগা মচা নীজরবদা ৱানা ৱাপন্ ফারক্লবা, ৱাপন্ ওইরক্লবদা মচানুপা

(১২) কাংচীন্ লৈনাউ তাপা

নম্বু নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ কাংচীন্ লৈনাউ—তাপআে তৌনা কৌঅে ॥ অতোন কাংচীন্ লৈনাউ তাপআে কৌপতি কতৌ-নোংকীনো ? নম্বুরা চীঙ্খোঙ্ পোইরইতোন্কী মপারী কাংচীন্ লৈনৌপা মিংপু মইনা রাই, তাঙ্না সম্না মিংথোংফপা নোংয়াঙ্গী তান্খোং লইময়হনপীপু কোল্লোই সীন্পান্না, লাংহই সীন্-তিন্ননা, নোংয়াঙ্গী অয়াঙ্ লইকংলাতা লুক্কোঙ্গী পান্ফোইঙৈ,

---

কাংজীন্ লৈনাওতাবা ফংজখি। মতুংদা মথংগী কুম্ অমা গুল্লরুবদা অমুক্না নাপী-শীঙ্বী হাইদোক্কুনা লৈপাক্ক তৌরগা তেক্কু-তুদনবা হুঈ উয়ুংনচিংবা য়ুংতুনা শেম্-শারবদা মচানুপা শেক্মু কাইনৌ চীঙ্শোম্বা ফংজখি। অছুগী হুমিংশিংসিগী মরমসিদগী ঙান্বা য়েক্ওইবী নিংঙোন্ শংলৈমা, হাওয়েন্ খোংতৌবী য়াঙ্গোই ঈথেম্বী, নোংপোক্ সনা থুম্বীচীঙ্গী ঙাইথম চীঙদোন্দা অশংবা রা—পাম্বী থাবী, থৌবান্গী হুমজীন্-হুময়ারোঙ্দা শীঙ্নাংগী তুম্বৌ শেংদোক্কুনা মচা নীবগী থৌরম পাংথোক্পী হায়না কৌখি। খুমন্ লৈপাক্কী মবেম্মা শংলৈমা হাওয়েন্ খোং-তৌবগী পলেম্ ওইবীগী শীয়োম্নুংদগী—

(২১) কাংজীন লৈনাউতাবা

নবুধৌ খুমন্ নোংয়াঙ্গীশিংগী মবুংঙোগী মিংলেন্দি কাংজীন্ লৈনাউতাবা হায়না কৌই। অদোন কাংজীন্ লৈনাউতাবা কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? নবুধৌ পুরেন লাইগী /নিংথৌগী ঙমৃথং ওইবা পোইগী লৈপাক্কী অতোন্বা নম্রগা লম্ কোয়না চত্না খুন্দাক্ম খিরকৃপশিংগী ঈকোন্ কোন্বা

লুকোয় সল্লাই হেন্না চীন্নরৈপু নোংয়াঙ্গী তেংথানা মংনাপু কাংচীন্-অো কৌতে ॥ কাংচীন্ লম্তালৈপু তুংতা থাংনা লাল্লোই

পোইরৈতোন্ কৌবগী মচান্নুপা কাংজীন লৈনৌবগী মমিংবু মমৈ শম্থা তাথরক্পা ওইনা, মতাঙ—মতাঙ শম্জীন্-তিনশিন্নবা ওইনা মিংথোন্ ফনা-নীঙ্থীনা লৌহৌবা খুমন লৈপাকী লৈমায়বু ঙাক্পী শেন্বীরিবী লাইরেম্বীগী মমিংদা য়ুম-য়ুমদা শুনরিবা শীম্বা-শীল্লম শিংবু পান্নহুনা, লাংগী মহৈ, ফৌনা লোক্পা মতম অমাগী অমা ফাওবদা লৌউ-শীঙউবগী শীনফম-শীন্থোংগা য়াম্না - তিন্নহুনা চংমিন্নহল্লগা খুমন্গী অকন্-অথৌশিংগী লাইবুঙ— লাইশঙ ওইরিবা য়ায়েন্-থোদা শঙ্দা চাকুলুক্পু কোয়শিল্লিবা য়েনশাং মথেল্ থিবা-ফুকপগী মতম্দা কোক্তা কোয়না য়েংলিবা শল্লাই-শল্লাইগী ওইবা কোকুয়েৎপু খুমন শল্লাইগী ওইনা নীঙ্থীনা—ফজনা থেত্ত্না /য়েত্তুনা চীন্নবা কোকুয়েংপু/লৈ্ য়াংনা/লাংনা (লাংমৈ মতুগী মনাবু নোংয়াঙ্গী খুমন্না শৈথানবদা কাংজীন কৌই। লম্ তাবা/তাইবদা লৈ, কাংজীনবু তুংলোম্দা তাহন্দুনা লাল্লো-ইগী লম্ ওন্দুনা নাউদুখোং খোংজাওগী খোংলম্ ইনহুনা অয়াঙ্ লম্লোইবা (অকন অথৌশিংনা লাইথৌ তৌহুনা লম শেংদোক্তুনা লাইদা থৌনীবগী থৌরম্ পাংথোক্পা মতম্দগী য়াংনু কাংজীন্ লৈনাউতাবা হায়না কৌখি। অত্তুগা লমদম্ মচেৎ অত্তুবুসু কাংজীন্ লম্দাপান্ হায়না কৌখি। খুমন লৈপাক্কী খুমন্-নিংথৌ কাংজীন লৈনাউ তাবগী য়াঙ্লবা মথানা পাংথোক্পা মথৌগী মমন্দি হাওগী লৈপাক্না শন্দোকখিবা নোংচুপ পাংবা মায়কৈদা লৈবা লোইয়ালম ওইবা কাঙ্বুঙ, নিংথৌ য়ুকাংবগী ময়ুম মনাক্তা খুমনগী লম্ ওইনা লৌশিন্গে হায়হুনা

লম্‌ওান্‌না, নাউতু খোংলেন্ য়িন্‌না, অয়াঙ্ লম্‌য়েন্‌ঙৈকী য়াংন্থু কাংচীন্ লৈনাউতাপওো তৌনা কৌঅে।। নোংয়াঈ লম্‌লেন্ মতায়মম্থুং কাংচীন্ লম্‌তাপান্-ওা থোন্‌নঅে ।। নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ কাংচীন্ লৈনাউতাপা, থায়াঙ্ মথৌমন্‌তি, হাওরই নোংচুপ্‌লা পাংপরম্, লম্‌লেন্ লোইয়া কাং-কামুং নিংথৌ য়ূকাংপা ময়ীম্‌নাক্, নোংয়াঈ লম্‌চন্‌কে হাঈপকী. তল্‌লা ব্রুতোন্‌থক্‌তা নোংয়াঈ কাঈয়েংঙে, পোইরই মইতৈ চীমরাংপা, লোইয়া কাইমু অথৌপপু, পামেন্ ব্রুখোঙ-থাতা, মসম্ মনা খোম্‌না, চোংনা নম্‌না ফারৌঅে ।। নম্‌ফা চোংমহন্-ওা কৌঅে ।। নোংয়াই খুমন্ নিংথৌনা লোইয়া কাংকামুং নম্‌ফা চোংমহন্‌কী, লম্‌য়াঈ চীমরিংপা ফাপ-ওা তৌনা কৌঅে ।। অতোন্ কাংচীন্ লৈনাউ তাপতি কোল্‌লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ।।

নপেন্ নোংয়াঈ খুমন্-লইমা য়োঈরুম্‌লোন্ খোংলইম-ওা তৌনা কৌঅে ।। য়োঈরুম্‌লোন্ খোংলইমা কৌপতি কতৌ-নোংকীনো ।। নোংয়াঈ থীক্‌নেম্‌খোং, হাওতিং নাতিং নামান্‌পী পাউচেন্‌খোং, খোংলেন্ মরীন্ তেংখিঅে ।। ময়ুম্ নোংয়াই খুমন্ লইমনা সনা য়াইকা হুন্, লুপা য়াইকা থানা য়েল্‌লুম্

উতেন্দা কাখত্তুনা কাই/শগাই মথক্তগী য়েংথরকপগুম য়েংথরক্লগা পোইগী লৈপাক্কী মৈতৈমচা চীমরাংবা কৌবা লোইয়ালমদা কৈমু ওইনা শীঙথানরবা অথৌববু উখোঙদা মশম্ পায়হ্না লাক্লবা, চোং-ফন্ তৌনা-তৌনা ফারকখি, অত্থদগী নমফা চোংমহন্ কৌখি। খুমন্ নিংথৌ লোয়া কাঙবুঙ্. নমফা চোংমহন্দগী লময়াঈগী চীমরিংবা ফাবা হায়না কৌখি। অদোন্ কাংজীন লৈনাউ তাবদি মশাগী মমিংথোনসিগা চপ চানরবনি।

লইলাংঅে, চেঙ্‌ঙৌ খায়োম্ সানা, সারেন্ সানইতে, য়াংলঙ্গী য়ুনইঅে ॥ ১০ চেঙ্‌পুঙ্ পৈনা হোঙ্‌নেম্‌অে ॥ অতুনোংকীপু নোংয়াঙ্গ খুমন্-লইমা, য়োঙ্গরুম্‌লোন্ খোংলইম-অো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গ থীক্‌নেম্‌খোং খুমন্ য়াংতৌ অচেন্‌খোং, মরান্ য়াইথিং হক্‌চাওপা, লাক্‌কপরা লেপ্‌না নোংহাম্-খোং কোরও পন্‌চন্‌খোং, কোন্‌ঙৌ পুম্‌য়োম্‌খোংপু খোংলেন মরীন্ তেংনা হোঙ্‌নেন্‌পী পাঙ্গমা লিন্‌কোঙ্গকী —

নবেন্‌ধোগী মিংলেন্দি খুমন্‌গী মবেম্মা লুৱাং নিংঙোন্ খোংলৈমা হায়না কৌই। লুৱাং য়েক্‌ওইবী নিংঙোন্ খোংলৈমা কৌবদি করি তৌথিবা নুমিত্তগীনো? খুমন্‌গী খোঙনেম্বগী খোং, হাওদিং-নাইদিং নামান্‌বীনা পাউ চেঙ্গথিবা খোং কৌবা খোংজাওসিবু খোংলম্-খোংনুং শেংদোক্কুনা তেংথি। খুমন্ য়েক্‌কী মবেম্মনা সনা-লুপা কোন্‌য়াই থা-তুন্দুনা য়েরুম্না নৈরাই লৈপাক্‌পু লাংলে, অঙৌবা চেঙ্‌না খয়োম্ শেমদুনা লাইগী লাইথৌ পাংথোক্লগা শানৈ-য়ুনৈদুনা মচা-মনাইশিংবু পেল্‌হল্লে। চেঙ্‌না — লৈপুঙ্‌গুম্ পৈদুনা খোং হোঙ্‌বগী থৌরম্‌দা অহোঙ্ অচাও থোক্লবা হোঙনেম্বগী লাইথৌ-তীন্‌থৌ পাংথোক্লম্মী। অদুগী নুমিৎসিগী মরমসিদগী খুমন্ য়েক্ ওইবশিংগী মবেম্মা লুৱাং য়েক্কী নিংঙোন্ খোংলৈমা হায়না কৌথি। খুমন্‌গী থীক্‌নেম্ খোং, খুমন্ লৈপাক্কী লথী ওইনা চেল্লিবা খোং, মশাগী লান্‌ফা-নাই, মশা-মন্ত চাওবা য়োইথিংববু লাক্কদ্রা হায়দুনা লেপ্তুনা ঙাইথিবা খোং, অতিয়াদা লোৎদুনা-য়ান্দুনা লৈরিবা অহাঙবনা কোয়শিল্লিবা-খোং, কোনঙোনা পুম্‌য়োম্ য়োম্বা খোংগী খোংলম্ মরীন্ তেংদুনা হোঙ্‌নেম্বীসিগী মালেম্ ওইবীগী পীবুরুংদগী—

(২২) অতোন্ য়ীকোপ্ লান্থাপা

নয় নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ য়ীকোপ্ লান্থাপঅো তৌনা কৌঅে ।। অতোন্ য়ীকোপ্ লান্থাপ-অো কৌপতি কতৌ নোংকীনো ? হাওরই খানা পাংপরম্. লম্লেন্ ফেন্চীকোপ্, য়ীকোপ্. লাইপন্ সোঙ্গৈতা হুয়েন্ লান্-তাখিঅে, নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ চীঙখোঙ্ থোংক্রাইপা, কাওরেন্ মসন্-চা, ঙাংপা পাম্হইপকা হুইতাও নিংথৌ য়েন্কাপা মান্পী লিন্কোঙ্গৈ-পকা, কাওরেন্ অনি মা লাইথেংনা, মান্পী চীয়ইনপপু, কাওরেন, পাম্হৈপনা হামুন্ চারা পান্পী লেপ্তম লৈপপু, হাইপকুম্ হাইতোক্লে, কাওরেন্ মচী কোপ্লে, চীকোপ্-অো কৌপপু নোংয়াঙ্গৈ হায়মন্ তান্পনা য়ীকোপ্-অো থোন্-নঅে ।। লম্লেন্ হইরেম্ মরক্সি, কোন্-য়া থইতিং-পান্অো-কৌপতি কতৌনোংকীনো ? নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্

---

(২২) অদোন্ ঈকোপ্ লান্থাবা

নবুধৌগী মিংলেন্দি খুমন্ মবুংঙো ঈকোপ লান্থাবা হায়না কৌই। অদোন্ ঈকোপ লান্থাবা কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো? হাওগী লৈপাক্না লৈখ্রিবা খা পাংবা মায়কৈদা লৈবা মচী ফৈনা হাইবদগী য়ৈশিন্দুনা কোপথিবা ঈকোপকী লাইপন-সো-য়দা লান্দাখিরম্মী। খুমনগী নিংথৌ চীঙখোঙ্ থোঙ্গাইবগী মখোঙ্ মরি পান্বা য়ুম্শা, শল্লাবা ঙাংবা পাম্হৈবা কৌবগা হুইতাও-নিংথৌ য়েন্কাবগী শল্লাবা, নাপী চাবা লিন্গোয়বগা শন্ অনিসিনা মরাইবক্-মরাইবক্ থেংজিন্নহুনা, মচী-মচী য়ৈশিন্নহুনা ৱায়নবদা পাম্হৈবা কৌবা শন্দুনা মতোন্দা মচা মনা ময়াম্ পুননা পান্বা হনব্র্ পান্বী লেপ য়োনা শোংহুনা

পুন্সিপা মসানৌ অতোন্পা, নোংয়াঙ্গী লোন্-য়াম্পনা, য়াওরৌ সানাপতা, খুমন্ লোন-য়াম্পতি, তালোই য়াম্না লোন্পকী, লুম্লেন্ খম্পন্নপ-না ১০ চায়োম্পীতা, রাংলঙ্গী খোম্হান্-পীতপকী অতোন্ মপা-চাপু, তাঙ্চা য়ীকাইরপকী, পাংয়া কোন্য়া অচন্পতা, ১০ চাপুক্ লাম্-না মতোম্ মরক্ ওাইনা সিরে ।। অতুনোংকীপু হইরেম্ মরক্সি কোন-য়া থইতিং পান্ওা তৌনা কৌতে ।। হইরেম্ মরক্সি কোন্য়া থইতিং পান্ নোংপোক্ হাওরংসি লাইমন্লাংতা, হুয়েন্ লান্তারু-পপু, হইরেম্ অকাঙ্য়াঙ্ খুন্চান্ মকুয়াঙ্পু য়ীকোপ্ লাইচা য়ীতা, তান্ননা ফারকুতে ।। অতুনোংকীপু খোংলইম-চা য়ীকোপ্

লৈরিবদু চীঙমায়দা পাম্ হাইবগুম্ মচীনা হাইদোক্লম্মী, অদুনা 'চীকোপ' হায়না কৌববু খুমন্ হৈমন্-শীংমন্বা হায়নীঙগন্বা-শিংনা ঈকোপ থোন্নখি । অথোইবা লম্, হৈরেম্ মরকসি কোন-য়া থৈনিংপান্ কৌবদি করি তৌখিবা লুমিত্তগীনো ? খুমন্ নিংথৌ অদোন্ পূন্সিবগী মশাদগী হেন্না চহি নৌরিবা মনাওহুপা অতোম্বা খুমন্গী লোন্-য়াম্বনা চাবা য়াবা শা ফানবা তান্বদা মহাক্কী রাতানবদা লোইনবী নুপীশিং মরোন্ য়াম্না লোন্বা নুপানিনা মাগী মরুম পুগদবী অথোইবী, নুপী মশেন্ খম্বন্নবদগী চাননবা চয়োম্ য়োম্বীদবা, থরুনবা ময়াক্ কন্বা পুকৃয়ু তুম্বদা হান্দুনা চথোক্লমদায়দা থৌরাং তৌবীদবদগী মমান্নবা, মপা-মচা থোক্লবা খুমন্ মচাশিংদুগী মমাঙ্দা মমায় ঈকায়রদুনা ময়াম্না চান-থরুবা মতমদা খুদোংচাদবা পাংকী পাংয়া মচী অমদা লাম্মন্বদগী মতোম্তা মরক্-ময়া ওইনা শীরে । অদুগী নুমিংতুগী মরম্সিদগী হৈরেম্ মরকুসি কোন্-য়া থৈদিংপান্ হায়না কৌখি । হৈরেম্

লান্থাপজো তৌনা কৌজে ।। অতোন্ থায়াঙ্ মথৌমন্ চঙ্সেন্ মরান্জোন্তি, কেক্কে মোইরাং নিংথৌ, সাংতোন্ লৈনাউ তাপনা, রাক্যই মইরোঙ্পা তোংচেং লুমা তোন্পা হিপু, সমু খোঙ্জোইননা, খুমন্ মংখু লৌঙাক্পী তাইকোন্ লৌসীংপীপু, ফাকে হাঙ্গনা, হুয়েন্ লান্তারক্পপু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, থোংলইমচা য়ীকোপ্ লান্থাপনা, মতাইরেম্ নোংয়াঙ্গ পুম্না হুপ্না হুয়েন্ লান্ তাল্লক্পাতি, কেক্কে লান্ চায়থেক্লে । খৌপান্ লাইচা য়ীরম্ য়িন্না হুয়েন্ লান্তান্থিপপু, মরীম্ কেক্কে মোইরাংতি, তুরেল্ লইরাই মুংপীথক্তা, নোংয়াঙ্গ ফৌকাক্চাওপু ফৈনা সম্না, রাক্যই মথুনেংপু তোংচেং নাউরম্তা হিরী নারেং লোন্না রাক্যই হিচিংঙম্পতা তান্ফংলুরে ।। অতোন্ থায়াঙ্ কোন্তাঙ্গ লোন্পসিংনা কেক্কে লান্য়াম্ ফানা মোইরাং লান্য়াম্ তুরে ।। কেক্কে মরোঙ্ চইচেন্পাসিংতি, থরাই মিরেন্ পাইনা তৌরেন্ খাঙ্পকল্লুংতা সান্থুপ্পসিংপু পোন্গী সাতান্রুরেন্ পেংচোয়পা ফাকুম্ ফারে, লোক্তাক্ লাইচা য়ীতা কুম্না চেল্লপতি,

---

মরক্সি । কোন্-য়া খৈদিং-পান্গী নোংপোক্ হাওরংশি লাইমল্লাংদা খুমন্-নিংথৌনা লান্দারুববু হৈরেম্না অকাঙবাঙ্, খুঞ্জানা মকুয়াঙ্ কৌবরু ঈকোপকী ঈশিং মরক্তা তান্নরগা ফারকখি। অহুগী নুমিৎসিগী মরমসিদগী থোংলৈম্গী মচা ঈকোপ লান্থাবা হায়না কৌখি। খুমন্-নিংথৌসিগী অয়াঙ্বা মথানা তৌবা মথৌগী মমল্, চুঙ্ শেন্নহুনা শোরুখিবা লানগী মরোন্দি—কেক্কে লৈপাক্কী মোইরাং নিংথৌ শাংতোন লৈনাউ তাবনা রানা য়ৈরগা হোন্বা মমৈ লোঙ্বা হি, হিকোক্-হিরু অমতা ওইবা

লেম্লৈ ঙা অহুক্পা, ৱানচেং অহাপা ফাপকুম্ ফানরে, ঙাচিং থম্তোপীচা য়ইকুম্ য়ইনরে, ময়ীম্ কেকে মোইৱাংথি য়াম্না কুংনা শিরে ॥ হয়েং নোংয়াঙ্গী চাতোন্না কাউত্নপা, অতোন্ সুতোন্না নীন্তনপপু নোংয়াঙ্গী পুঙ্লেন্মকা, হুয়েন্ লান্-পুম্কা, থোল্লম্অে ॥ অতুনোংকীপু লম্লেন্ কুংনা-সি পুঙ্য়াম্ থোন্অো কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ, খোংলইমচা সাংতোন্ লৈনাউ ঙম্পতি, লোক্তাক্ লান্থাপা, নোংয়াঙ্গী পুঙ্য়াম্ তান্ফংপা, কেকে মোইৱাং নিংথৌ, সাংতোন্ লৈনাউ তাপা, ৱাকুয়ই মখুনেং তোংচেং হইনৌপা লোক্পঅো তৌনা কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ খোংলইমচা সাংতোন্ লৈনাউ ঙম্পতি, চেংলৌ সকুনা হেন্পা, পুন্নুং লিন্না ঙান্পনে ॥ নোংয়াঙ্গী খুমন্ নিংথৌ য়ীকোপ্ লান্থাপতি কোল্লোই —মিংথোংকীপু চুন্পনে ॥

হিবু মথোঙ্ ওইনবা তোংত্না খুমন্ লৈপাক্কী মংখু লম্গী লৌ ঙাক্লিবী লৌশীং শীংলবী তাইকোন্বু ফাগে হায়তুনা লান্ তারক্লবদা খুমন্ নিংথৌ খোংলৈবগী মচা ঈকোপ লান্থাবনা মনাইশিং খুমন্ লৈপাক্কী লাল্লোই-লান্মী ময়াম পুন্না হুপ্পুনা মোইৱাংশিংবু লান্ শোক্লনবা তান্নরক্লবদা মোইৱাংগী লান্মীশিং চায়থোক্লরম্মী। থৌবান তুরেনগী ঈরম্ ইন্না চত্থত্না লান্ থেংননবা তান্নরকপদা—মোইৱাং য়েক্কী লান্মীশিংত্দি তুরেনগী লৈরাই মথক্তা খুমন্গী লম্ ফৌগাক্চা ওবু তুবৎ শম্ত্না মথোয়না তোংলক্পা হিত্নু হিনাউরোম্দা ওন্থোক্লগা হিনাউগী মথুন্দা হিরী লোনশিন্-পুন্শিল্লগা চিংলগা পুত্না চংলিঙৈগী মতম্দা তান্নবা ফংলম্মী। খুমন্গী অকন্-অথৌশিং, অয়াঙ্বা মথাত্ শোক্তনবা অতাইবা কোন্না লোনশিন্দুনা কল্লিবশিংনা মোইৱাং

নপেন্ নোংয়াঈ খুমন্ লইমা ৱাংঙম্‌লোন্ নাউরেম্‌তোন্-ও কৌও।। ৱাংঙম্‌লোন্ নাউরেম্‌তোন্-ও কৌপতি কতৌ নোংকীনো? লাইরেল্ মইতিংঙু য়াংলৌ কৈফাপা মমোম্ লুপা কোন্‌খ্ৰাঙ্ মরোন্ য়ান্‌পীরক্‌তকী তোন্‌না নৌনা ফুইও, হায়পকী ৱাংঙম্‌লোন্ নাউরেম্‌তোন্-ও তৌনা কৌও।। মতু খোঙ্‌চু নাহা চহুই পাম্‌পপু চাখা ৱাক্‌চীঙ্ পন্‌মইতা নোংহাম্‌লপপু য়ীমু মম্‌ই খকুব্‌ম্ খক্‌তা, য়ীঙৌ মম্‌ই কংলম্ কংতনা লন্‌সিং তান্‌পী তাংখুল্ হাওকুরেক্ হাওথোঙ্‌সাং অম্‌থুম্ সাংমাংপু কাঈনহুল্‌পী।। ৱাংঙম্‌লোন্ নাউরেম্‌তোন্ চাখা ৱাক্‌চীঙ্ ঙম্‌পী, অম্‌থুম্ সাংমাং ফাপী পাঈমা লিন্‌কোঈকী —

লান্মী ময়াম্ ফা-ফাহুনা মশীঙ্ খঙ্‌দবমখৈ হাংলে। মোইরাংগী খুংলায়না পান্দুনা শোক্লবা, খুংলায় শত্তোক্‌পা ঙম্‌দহুনা খুংলাই পুহুনা চেল্লগা নান্‌থোক্লবা হোংনরিবশিংদি মথৱাই-মমি য়াওদ্ৰবগুম্ পাখংপগা লোইননা তৌ-না শাবা খাঙপোক্‌শঙ্ মনুংদা মশা থুপচিন্—কোন্‌শিন্দুনা লোংলম্বশিংহুবু উচেক্ তান্‌বশিংনা তান্‌নরক্‌পদগী পেং চোয়রবা উরেন্‌বী/উরেংকোম্হৌ ফাবগুম্না ফারে, লোক্তাক্ পাংকী ঈশিংদা কুম্‌থহুনা চেন্‌বশিংবু, য়াই থাহুনা পঙ্‌থরবা ঙানা য়াইগী মচুম্ থক্ল-চানবা হাগংলক্‌পা ঙাশিংহু ফাবগুম্ ফানরে, খম/সনাগী মতৌ তম্লম্‌বীগী মচা খজিংবু য়েবা-ফুবগুম্ য়েথুরে, মোইরাং য়েক্-শল্লাইগী মীশিংদি য়াম্না কুংনা শিরে। হয়েং মতুং তারক্‌পা খুমন্ মচাগী মীরোন্‌গী মতোন্ থংবশিংনা কাপ্তদনবা, খুমন্‌গী মশুশিংগী মরোন্ ঈতোন্ তোন্‌বশিংনা তৌরম্‌দে হায়হুনা নীন্নদনবা খুমন্‌গী লৈপুঙ্ অংগা মোইরাংগী অশিবা লান্মী অমগা মশীঙ্ চপ্ মান্ননা

(২৩) অতোন্ পুন্সিপা খুরেন্চন্পা

নযু লোংঙ্গাঙ্গী খুমন্ নিংথৌ থৌপান্ নিংথৌ ঙোঙ্গরাংপোক্কু পুন্সিপা, কোল্লোই মমিংথোন্পু মইনা ঙাইনা মিংথোংঅে, অতোন্ পুন্সিপা খুরেন্ চন্পা কৌপতি, ফুপা লাইমকোন্ চিপা রুতংপোক্তা, পান্পা হই, চিপা হইপুং, য়ারেন্

লৈপুঙ্ ময়াম্ থোল্লম্মী। অদুগী তুমিৎতুগী মরমসিদগী লম্লেন্ কুংলশি, পুঙ্য়াম্-থোন্ কৌখি। খুমন্ নিংথৌ, খোংলৈমগী মচা শাংতোন্ লৈনাউ ঙম্বদি লোক্তাক্ লান্ঙম্বা, পুঙ্য়াম্ থোন্বা ঙম্বা, মোইরাং-নিংথৌ শাংতোন্ লৈনাউ তাবগী মশানা তোংনবা হি হৈনৌববু লোক্পা হায়না কৌখি। লোংয়াঙ্গী লৈপাক্কী খুমন্-নিংথৌ খোংলৈমচা শাংতোন্ লৈনাউ ঙম্বদি শক্তম-শক্ফম্ ফজবা, মরৌশীং-লৌশীং লৈবনি। খুমন্-নিংথৌ ঈকোপ্ লান্থাবদি মশাগী নিংথোন্সিগা চপ চানবনি।

লবেনথৌগী মিংলেন্দি খুমন্শিংগী মবেম্মা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন ওইবী নাউরেম্তোন্ কৌই। ঙাংঙম্লোন নাউরেম্তোন্ কৌবদি করি তৌখিবা তুমিত্তগীনো? অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো য়াংলৌ কৈফাব চৈঃ কুম্থাবগী মতুং ইন্না খৃঃ ৯৬৯-৮৪) গী মচাইবেম্মশিং, লুপাগী কান মথক্তা য়াহিপ্পবী–লৈওন্নবীগী মরোন্-মরোন্ লৈবশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী ঈতোন তোন্না পোক্ই, হায়বদগী ঙাংঙম্লোন্ নাউরেম্তোন্ হায়না কৌখি। মবুং, থোঙ্দা চুনজনা অঙাং ওই-রিঙদগী লৈজরক্লবা থোঙ্জু নহা চহুই লৈবু পাম্জবা চহুই পাম্ববু অরিবা মতম্গী মীশিংগী খুন্ ঙাক্চীঙ্গী পন্গী মমৈ ওইরিবা

খোঙ্চী ৩০ ম-তা চেন্সিন্ হুই, ভাউচীঙ্ ৱুনাম্ তানা, তল্লা সাগী লোয়রপা, পামেল্ ৱুকা সিংথরক্পপু খোঙৈম্না লীরেন্তোন্, লীরেন্ য়াঙৈথম্পোঙ্, ঙাইখোং তপুং চীঙ্চাওরী, খরোই লীতাংসাংনা লীরেন্ তংখায় লৌ, সঙ্কায় তোন্নান্ থোই, হুইরাং খুরেন্ চন্না, য়োঙৈয়োঙৈহল্লে হাঙৈতপরা ॥ অতুনোংকীপু নোংয়াঙৈ খুমন্ নিংথৌ পুন্সিপা খুরেন্চন্প—অো তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ পুন্সিপা খুরেন্চন্পতি, হাওরই

মফম্দা য়েক্লবগী মখুত্তা মহাক্কী হিংগদবা নুমিংশিং হান্নবা-মাঙ্লববু মশাদগী শীস্থরক্পা অমুবা ঈ থক্পা ফাওবা থক্তি্ন্ডৈ, ঙৌরেনবা ঈনা কংবা ফাওবা কংফাত্তরিডৈদা লমন খুম্খিবী, তাংখুন্ হাওগী তুম্বা মানবা, মখোঙ্ শাংবা হাও অম্থুম শাংমাং কৌববু মথল্লাই হক্চাং কায়নহল্লম্মী। মৈতৈ নিংথৌগী মজাইবেম্মা নাউরেম্-তোন্কৌবী, চাখা ৱাক্চীঙ্ ঙম্বী অম্থুম্ শাংমাং ফাবীগী পলেম্ ওইবীগী পীবুক্ৎদগী —

(২৩) অদোন্ পুন্সিবা খুরেন্চন্বা

নবুথৌগী মিংলেন্দি খুমন্গী মবুংঙো, থৌবান্ নিংথৌ য়োঙৈরাংপোক্ পুন্সিবগী মিংলেন্বু মমৈ-মমৈ শম্নবা ওইনা মিং থোন্নে। অদোন্ পুন্সিবা খুরেন্চন্বা কৌবগী মরম্দি, লাই/লাইরেন্গী মকোন্ ওইবা ফুবগী চিবা উত্তংপোক্তা পান্বা হৈ, চিবা লম্দম্গী হৈবুং, পাল্লিবা য়া ৩০ মক্সিদা হেক্তা ফাওবা হৈগী মউ উপান্ মরেপ্ ফারবা, মপী ওইনা চাওরবগী মউতুগী মশা মকা শেখ-হিক্থহনা তারক্লবদা, পাম্বী-শীঙ্বী ওইবা অথোইবা লীশিংগী মরক্তা ফবদা মতোন্ ওইরবা, ময়াঙৈহু থম্বান্না পোঙ-থোক্পগুম্ পোঙ্থোক্লবা লী, ঙাইখোংগী তবুং চীঙ্জাওদা

থানা পাংপরম্, কেকে হাওতক্ সন্পান্য়া, খুকা তুনুঙ্পোক্, মোইতোংপান্ লাইহাইরম্, থোরতাক্ লইপুঙ্মান্, লান্চাক্ পুঙ্ফৈরম্ মোইরাং কামুতাকৃতা থৌসাথপতি, হুয়েন্ লান্নিকীতি, কেকে হেন্নু থারোন্চা, মোইরাং য়াম্পী সোইসেল্পপু কাঈনহুল্লে ॥ নোংয়াঈ রাক্য়ই মখুনেৎ, লইতাঙ্ ঙম্পা চোংখু ফাপা, মরা পুঙ্লই ফংপা হিপু রাক্য়ই থোঙ্আোইননা মতাইরেম্ খুমন্ তাওখুচা খুৎলোঙ্পনা, তোংচেং হিনাউ সা,

---

হৌবা লী, থরোই লম্গী মতাং শাংবা লীহুগী তংথায় থায়দোক্লগা শঙ্গায়গী মতোন্না ঈৎ-নান্দুনা শেম্নগা হৈরাং অহুগী মশা শেৎথরক্পা অহুবু তাগী তাথোক্লিংবগী খুরেন্ চন্বগুম্ চেংনা পুনশিন্-ফাজিন্দুনা লুনা-চান্না শেম্জিন্-শাজিন্বীথি হায়য়ে। অহুগী হুমিত্তুগী মরম্সিদগী খুমন্-নিংথৌ পুন্সিবা খুরেন্ চন্বা কৌথি। অদোন্ পুন্সিবা খুরেন্ চন্বদি হাওগী লৈপাক্লা শন্দোক্প্রিবা খা পাংবা মাইকৈরোম্দা লৈবা মোইরাং লম্দম্গী হাওভক্ শম্বনয়া কৌবা লম্দম্দা খুগা তুরেন্না ঈশিংগী/তুরেন্গী নুঙ্ থোক্হন্বা, মোইবুংগুম্না অতোঙ্বা লম্গী মপান্ ওইনা লাই হোইথিবগী মরম্লম্বী, রা য়াম্না হৌবা, লৈপুঙ্ মান্বা মফম্, শন্গী মঙ্গাক্ ওইনবা নাপীনা পুঙ্না ফৈনা হৌবা লম্ মোইরাংগী কামুতাক্তা থৌশাহুনা লান্দাবদা লান্গী লান্ফা ওইনা। কেগেগী হেন্নু থারোন্গী মচা মোইরাংগী য়াম্বী কৌবা শো-য়বু চারি-শেন্নরিবহুবু মথরাই-হক্চাং কায়নহনথি। খুমন্ মানা তোংনবা হি লৈতাঙ্ ঙম্বা, চোংখু ফাবা মিংথোনবীবা, মরা ফুরুপশিংগী মরমদম্-ময়ুম্ফম্ ফংবা হি অহুবু মথোঙ্ ওইনা তোংহুনা চৎলগা অচানবা মনাই খুমন্ তাওখুচা খুৎলোঙ্বনা

ব্লাক্‌য়ই মরাং হওনা, মরান্ আনতেরকপতা. খুন চান্ হেম্‌খু কানাইচা. খোঙ্গমা করাং পুঙ্‌তোংপা, হামুন্ চারা ফাম্‌নোই তান্‌পনা. লইরাই মুংপীথক্‌তা পাউমেনঙম্‌অে—য়াম্‌মা অতোন্ পুন্ সিপা, নঙ্‌না হুয়েন্ লান্‌তারুপতি. চীঙ্‌তা কানা সায়ু লৈরাং, তোক্‌পা কাম্‌পা, নুঙ্‌অোক্ পাইপঙ্, খুপীং খুপাই, য়োংমু য়োংসেন্, করি অোইপা ১ তপু হইচরক্‌পনো, তম্‌তা তানা, থুম্‌নাউ পোন্‌পী য়াঙ্‌সং, করি অোইপা ১ তপু ফাচরক্‌পনো — হাঙ্গনা হুয়েন্ লান্‌ক্রেম্‌নপা রাকী, নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ পুন্‌সিপনা তিল্‌লাং মখোঙ্গ সাও, য়াইপী মন্থুং হওনা তিন্‌মেন্ মথুংস্থনা খুন্ চান্ হেম্‌খু কানাইচাপু য়িল্‌লুম্ মরু তুপ্‌কা ফৈরা মতান পাংমতা খিন্‌থুরৌঅে ।। অতুনোংকীপু তন্‌তু লান্‌থাপ-অো

হিনাউ শাহুনা য়াঙ্‌না হি হোল্লগা ময়ুম্‌লোম্‌দা হল্লক্‌পদা, নাপী-শীঙ্‌বী মরকী করাংদা ময়ুম্ ওইবা, হক্রুনচিংবগী মতোন্ চোয়জাই-ননা নৈথেক্‌পা, খুঞ্জান ফুরুপকী হেম্‌খু কানাইচানা লৈরাই মথক্কা লেপ্লগা হায়রক্‌খি — ঈয়াম্বা অদোন্ পুন্সিবা নহাক্লা লান্দাবা চংলুব-হুদি চীঙদা কাহুনা লৈরাং শাথীবী, খু-থু কাম্বা শা তোক্‌পা, পঙনা পাইবা শাং পাইবঙ, নুঙলক্কা লৈবা ওক্ নুঙওক্, খংচেন খংপাই তৌবা শা খুবীং-খুবাই য়োংদা মচু অমুবা, অরাংবা, অসিনচিংবা লমশাশিংগী মরক্কগী অমতরু ফারক্‌পরা, নত্রগা তম্পাক্ লম্‌গী উচেক্ মচা য়েন্নাউ, ময়াঙ্ শংবা ঙানু, খুনুগুম্বা য়ুম্‌গী উচেক্ করিনো অমত্তরু ফাবা ফংজরক্-ঙমজরক্‌পরা—হায়না লান্‌গ্রেম্নরক্-পদগী খুমন্ নিংথৌ অদোন্ পুন্সিবনা তীন্ হৌবমথৈ মথোঙ্গদৌ শাওগংলহুনা থম্মোইগী শাওনীঙ্‌বগী ঙম্‌থৈ থেংনা মথুং চারবা তা অডুনা খুঞ্জান্‌গী হেমথু শাগৈগী কানাইচারু মকোক্কা কুপলি

তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ পুন্সিপতি, থাংয়ি য়াম্ ৭, লোই-মোম্ ফৌ ৭ না য়ীম্চীন সাইতা নাইনা হোঙ্নেম্পা, কেকে হেন্থু থারোন্-চা, মোইরাং য়াম্পী সো-ঈসেন্পকা খুনচান্ হেম্খু কানাইচাকা ২ ম-পু কাঙ্গৈনহুল্লে. হাঙ্গৈনা মিংহোংখিঅে ॥ নোংয়াঙ্গৈ চুঙ্সেন্ মরান্‌অোন্তি অতুস্থুং মতোম্তে ॥ লম্-লেন্ ফেন্চীকোপ, য়ীকোপ্ লাইপন-সোঙ্গৈ, নোংপোক্ সনা লাইমল্লাংতা ময়ীম্ সেন্পী তাইপোং মনীন্ নাইপনা চানা তেংকোন্ ৭ সুনা, তাইপোং লান্তারব্পতা কাওরেন্ সন্-অোন্থা মুয়ুম্ সল্লাউ-চীঙ্, হইরেম্ লৌথম্লান্, থম্লান্ অচন্পতা, সেন্পী তেংকোন্ লিংলপকী য়াংঙম্লোন্ পান্প

খুম্লিবা য়েনপাক্কা মফৈগন্ নাকন্ নামগা তুনা লেঙ্তুনা থিন্দং-লম্মী। অতুগী নুমিত্তুগী মরম্সিদগী তন্দু লাম্থাবা হায়না কৌখি। অদোন্ পুন্সিবদি থাংতুনা লিংবা পাম্বী মথল তরেং, লোইপোংলক্কা অমোম্ ওইনা শীঙ্থানবা ফৌগী ফৌরম্ তরেংনা য়ুমগী য়ুম্জীন্ শাইদা তাহন্দুনা মথাঙ্-মথাঙ্ থেংলগা লৈপাক্ নিংথৌগী অহোঙ্-অচাও থোক্লনবা, চাক্হোঙ্-ঙাহোঙ্নবা, খুঙ্গাও লৈচাওনবা লাইথৌ-হোঙ্নেম্থৌ পাংথোক্খিবা. কেগে লম্গী শক্হেন্বী, মথীক্-মথা লো-নবী থারোন্গী মচা, মোইরাংগী য়াম্বীখোংগী ঙা-ফাফম্ শোয় শেন্নবগা খুঙ্গান ফুরুপকী শক্থীবা কানাইগী মচা কানাইচাগা অনিমক্পু মথ,াইগা হকচাংগা কায়নহল্লি হায়তুনা মমিং হোংখি। খুমন্ নিংথৌ অসিগী চুঙ্ শেন্নতুনা লান্ শোক্ল-থেংনখিবগী মশীঙ্-মরোন্দি হায়রিবা অতুনস্থু লোয়বা নত্রি। ফৈন্না-ফৈ-না হাইবদগী মচী কোপথিবা অথোইবা লম্, য়ীকোপ্কী লাইগী পন্ থারিবগী মনাক্তা শেম্বা

ফাপীনা পাউমেল্লক্তে — নোংয়াঙ্গী য়ীরম্পু থুমন্ চুম্পা-রেঙ্পা, নমা অথোং নাতেক্পীচা, লোইপী তরাঙ লম্পুপা, নঙ্পু লাঅো, থাঙ্য়ি হুম্পীচা, লইতাং কোন্থই অসৈপা, হইরেম্ কচেং নাইফাচা লোইথিপা, চক্লাই ফান-তোন্কী অতোন্পনা অোইথি-চেক্ অসিপু পোন্চেং লাইচম্ হান্, নোংপান্ নাউথোংচাম্পা চান্কোন্ চেক্, পোন্পী সেক্-কুরেক্ অঙৌপকী সন্না লৈরীকচীন্পু ব্রাক্লেন্ তোং মনুংতা, পীসিন্ থোম্হুক্ চন্না, পোন্পী খুংতা সু, লৈরাং থয়োম্

ঙা ফাকম্, লাইমন্-শো-য় কৌবা লম্দম্, নোংপোক্ লম্গী সনা তান্বা-থিবশিংনা লাইমন্ কাংবা/হৌবা লম্দা সেন/কোন্দাই পীবা কাংলুপকী মমিং চংলবা তাই-পোংশিংনা লম্নকী তেন্না কোন্শিন-কোয়শিন্দুনা ঙাক্পা তেঙ্গোন্ ৭ কী লান্মী-লাল্লোয়গী মশীঙ শুনা পুরক্তুনা তাইপোংনা লান্দানবা লাক্লবদা মথোঙ ৪ পান্পা য়ুম্শা শন্না ওইবা, মুয়ুম্ কৌবনা শন্ শেন্থিবা চীঙ্, হৈরেম্শিংগী থম্লান্ কৌবা লৌফম্-লৌবুক, মমিং লৈরবা থমলানগী লম্দা শেন্ পীবা নোংপোক্চাশিংনা তেঙ্গোন্ শাহুনা লৈরবদগী মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈগী নিংঙোন্পানবা ফাবীনা হায়রক্থি থুমন্ লৈবাক্কী লম্বুগী ফম ওইরিব। থুমন্-মচা চুম্বারেঙ্বা, অথোং নাতেকপী কৌবী মমাগী মচা, লোই পীবা তরাঙচীঙ্মী লম্দম্লোম্গী লম্ পুবগী থবক তৌরিবা নহাক্ লৌরক্কী উচেক্ ওইরিবা, লৈতাংগী শঙ্গোন্ ময়াম্ লৈবা মফমছু লোয়নমক্ থুংনা খোংহুনা মফমহুগী শৈশক্পা ওইরিবা উথুম য়াম্না কোয়গন্-লংগন্বা হৈরেম্গী অফাবা মনাই কজেংগী মচা রায়েন্শঙ্গী মুঙফান্ পরেংদা ফম্বশিংগী মরক্তগী থ্বাইদগী

সানা লম্অোক্নরুঅো, লাইরেন্ য়ীপা মইতিংঙ্পু খুন্লক্ লান্-চেন্-লৈ, থোংঙ্খোঙ্ লান্-হা-লৈপু অোইনম্লো, লাইরেন্ য়ীপা মইতিংঙ্, লোইনাই খুম্মোম্পা, কৌপা পাথুপ্ নেন্পা মরোই খাঙ্চেন্ চাঙ্গীপতা, হাঙ্গীরু-অো, সেন্পী তাইপোং

ফম্ পীক্পা ফম্নাইবত্না ওইথি-ওন্থিবা উচেক্সিবু খরাইগুম্না ঈনগুম্না লন্বা অপিক্পা পোন্দা হাপ্ল-হাল্লগা, লুরাং নাউখোং-জাম্বনা লুনা-চান্না তৌজবা লম্গী উচেক্, মশাগী মওং-মতৌ ন্থুঙ্গী তুম্বা মান্বা অঙৌবা উরোক্কী লৈগী লীক ওইনা চিন্ন-থেংনবা মতু, উচেক্-তু অসি নীঙথীরবা ব্রাগী উতোং মন্থুংদা মমাগী মহুং শিন্বা খোম্বু ঈন্বগুম্ হাপচিন্দুনা, উচেক্পু খুত্তা লৈ ওইনা পায়রগা, লৈশিংসিনা খয়োম্ শারগা ওরু-উনরুচো, অথোইবা লাইগুম্লবা ইপা ঈবুংঙো, মৈতৈগী মবুংঙোদা য়ুম্লক্তা লানবাউ চেল্লবগী খুদম্ ওইনবা লৈ, থোঙ্খোঙ্ মনাক্তা লান্থেংননবগী খুদম খঙ্ননবা লৈবু ওইরুরসন্থ, ঈপা ঈবুংঙো, অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, মীয়াম্গী ওইরবা খুমোম্বা, কৌব্রুগী অব্রাংবগী পথুপস্থ লাকশিনবা, মশাগী মরোই ওইবা খাঙ্চেনবু নমথবদা হায়রুচো, মমিং চংবা শেন্বী তাইপোংনা লম্লক্কী তেঙ্গোন্ ৭ শুনা লান্দারক্তুনা খুমন্গী মতায় থংবা য়ুম্ য়োনা খুন্গী অকোয়বদা খারিবা পনশিং হেক্ থেংবমখৈ লান্দাহ্নুনা নৈখায়রগে তৌবগী মতৌগুম্লক্লে। অথোইবা লাইগুম্লমা ঈপা ঈবুংঙো, মৈতৈগী মবুংঙো ওইরিবা নহাক্কী পোইরৈগী মী মৈতৈশিংগী মশেন্গী লৈপাক্, খুমন্গীনা নখোয়গী লৈপাক্সি মবাইগী লৈবাক্নি, অহ্নুনা লান্ ঙাক্থোক্-কন্থোক্পীনবা লেপ্পী-লৈবীরো, থবক্কী য়াওন্না লৈরক্পসি তেংবাংবীয়ু, মচান্নুপী মৈতৈ নিংথৌগী মচা

মনীন্ নাইপনা, চানা তেংকোন্ ৭ সুনা নোংয়াঙ্গৈ য়ুম্থই ফং, খুমন্ পনয়া পক্না, পন্থেংকে তৌকুম্লক্কুত্তে, লাইরেন্ য়ীপা মইতিংঙু, পোইরই নঙ্কী সেল্-লইপাক্, অতোন্ পাইরই-পাক্নে, হুয়েন্ লাল্লুম্পীরও, থৌরঙ্গ তেংপাংলও, নমোম্ তম্পা ব্রাংঙম্লোন্ অইতি, কোরও থোইনা য়েং, ব্রাংপন্ পাংনা য়েংনা নোংথোইরে, পিরেম্ থক্মা তা, মালেম্ লইতা ওন্না মীকপ্লে, নোংয়াঙ্গৈ লাংতক্না, অতোন্ লাংফেন্নরে, নমোম্ তম্পা ব্রাংঙম্লোন্, লম্য়াঙ্গৈ কোঙ্গৈরেন্ লান্থাপী, লাং-কোই মরাম্পা ফাপীতি পাঙ্গৈমা হুংহাঙ্ননা ব্রুন্পী সেল্লোং নীক্লে, লাইরেন্ য়ীপা মইতিংঙুপু হুয়েন্ লাল্লুম্পীরও— হাঙ্গৈনা থৌসীথিত্তে ॥ মতাইরেম্ নোংয়াঙ্গৈ মরম্-পু, খুমন্ চুম্পারেংপনা, লাইরেন্ মইতিংঙু লোইনাই খুম্মোম্পা, তুপী

নুপী অহন্ ওইবা ঐদি নোংদোন্দা লৌহুনা-য়ান্দুনা লৈরিবা অহাঙ্ববু তোয়না য়েং, অব্রাংবা পন্ নোংমদোন্দা তত্তনা য়েংহুনা লেঞ্জরে, মিংলুদগী পিরাং শিন্থ-শিন্থনা লৈমায়থক্তা ওন্না-থোইনা কপ্পুনা লৈজরে। খুমন্ পুন্ননক্ মিপাইবনা লাংতক্লা, পাখংপনা পুম্লাং লাংনরে, নচাইবেম্মা মৈতৈগী-নিংথৌগী মচান্নুপী অহন্ ওইবী, লম্য়াঙ্গৈ কোয়রেং লান্ঙম্বী, শগোল্ মোরাম্বা (মরাম্ ঙম্বা) ফাবীদি পুক্লীঙ্-ব্রাথন্ ফুম্বঙ্ননা অকি-তুজুংবনা থম্মোইদা অরোংবা শেন্গী মপাক্লা নীক্পগুম্ থক্-থক্ নীক্লে। অথোইবা লাইগুম্লবা ঈপা নিংথৌ মৈতৈগী মবুংঙোনা লান্ ঙাক্পী-শেন্বী-নবা লাল্লম্রো—হায়না থবক্ শীন্নখিরম্মী। অচান্বা মনাই খুমন্গী লম্বু চুম্বা রেঙ্বনা অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, লৈবাক্ খ্বাইগী ওইরবা খুমোম্বগী ঈশিং পীনবিরিবা

সনা মখোঙ্থাতা, মান্পী খুৎতপনা, মুক্মু লৈতোন্ কোন্না থাকংচখিঅে,- লাইরেন্ মইতিংঙ্ থীপুংঙ্ তা-অো, নমোম্ তম্পা থাংঙম্লোন্, নোংয়াঙ্গী খুমন্-লইমা কোল্লোই মপাউমেন্, থুংসি ময়াথংপু পাউমেন্চরকুঅে—হায়না লাইরেন্ মইতিংঙ্তা থাকংলপতা মইতিংঙ্ লোইনাই খুম্মোম্পনা, ম-মোম্ নোংয়াঙ্গী খুমন্-লইমা, কোল্লোই মতিন্-মেন্ থুংসিপপু নাতারপকী, পোইরই থায়াঙ্কোন্তায় লোন্পসিংপু, কংলা থাইপুং থীন্না পাউকৌথংলপতা, - তয়ম্সিংঅো, — নোংয়াঙ্গ সেল্লইপাক্, অতোন্ পাইরইপাক্পু, ময়ীম সেন্পীচানা তেংকোন্ ৭ সুনা, হুয়েন্ লান্কারকুঅে, য়ীমোম্-রাংঙম্লোন্ পান্প-ফাপীনা লান্নৈকুলঅে - হাঙ্গদা পাউমেল্লপকা, পোইরই থায়াঙ্ কোন্তায় লোন্পা পুমুনমতি, হাওরই থানা পাংপরম্তা,

---

লাইগুম্বগী মখোঙ-থাদা, নাপী চাবা শানা খুমাঙ্ কোন্শিন-বগুম মখুং লোন্নতুনা, মরু লুকুথবা শাগুম নোম্থ-হন্থনা হায়জ চংচতুনা থারোন্ কংচখি — অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ননাই ঐগীস্থু ঈবুংঙো, মৈতৈ নিংথৌগী মচাম্নুপী অহন নচাঙ্গবেম্মা, খুমন্ নোংয়াঙ্গশিংগী মবেম্মগী চেঙ্গরকুপা পাউজেন্, পুক্নীঙ্ থুংশিনা হায়জরকপা ময়াথং—মথাহৈসিবু তমজগে, হায়তুনা অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙোদা হঙ্গংচরবদা মৈতৈগী মবুংঙো লোইনাই খুমোম্ব (চৈঃ কুম্বাবগী মতুং ইন্না, খৃঃ ১২৬৩-৭৮) না মচাঙ্গবেম্মা খুমন্গী মবেম্মগী থুংশিরবা মথাহৈগী মপাউহুবু নাপদা তারবদগী পোইগী লৈপাক্কী মথা-মথবাক্তা অতায়বা কোনগী চুঙ্গোয় লোনশিনবা অকন-অথোশিংবু কংলাদা থম্বা পাউজেন্-পুংজাও থীহুনা

হুয়েন্ লান্তাখিজে ।। ময়ীম্ নোংয়াঙ্গী মনীন্ নাইপস্নুং, পোই-রই তানত্তপকা সেন্পী চানা তেংকোন ৭ ম – পু, কপো মাঙ্গী-য়োক্ননা, তাইপোং নেৎচৎ য়ান্না, চানা তেংকোন্ চাঙ্গীরে, হুয়েন্ লাননিকীতি, সেন্পী অপুতাওপা পুমিংনপা, কপো অপা-তাওপা পামিংনপা, চাংগ্রুং চাংনীংসি, পোনগ্রুং লাইরাপা, সনা চীন্পান্ থোংনা চাসাঙ্গীপা, লুপা চীন্পান্ থোংনা লায়েংপা সনা কোন্মিংনপা লাথম্ কৌপস্নুং কাঙ্গীনহুল্লে, চক্মোম্ থাম্পী মইকা খুনা, নোংয়াঙ্গী সীঙ্চারক্কী থোম্চিল্লে, খুমন্ঙাংচা-রক্কী তিন্চিল্লে. মইতিংঙু লোইনাই খুম্মোম্প-অো তৌনা কৌতে ।। নোংয়াঙ্গী মরান্থোঙ্তা, ঙান্পা হাওখাঙ্কোক্ অথৌপপু নোংম্ললে, পোইরই মরান্থোঙ্তা, মাইসনা চাওপা,

---

কৌখংলগা—ঈনাইশিং পুন্নমক, ঈশেনগী লৈপাকস্নু ওইরিবা, ঈবাইগী লৈপাক্স্নু ওইরিবা নোংয়াঙ্গী খুমন্ লৈপাকপু শেন্পীবা নোংপোক্লমগী মচাশিংনা লম্লক্তা লিংবা তেঙ্গোন্ ৭ কী লানমী স্নুনা পুরক্তুনা লান তারক্লে হায়না মৈতৈ নিংথৌ ঐগী ঈচানুপী পানবা ফাবীনা লাননেক্লরে—হায়না পাউদমহুনা হায়রবদা পোইরৈগী অয়াঙবা মথবাক্-মথাদা তাইশিন্নবা কোন (ধাতু) গী চুঙ-চুঙ্গোয় লোনশিন্দুনা হাপ্পা পুন্নমক্ হাওগী লৈপাক্লা লৈখ্রিবা থা পাংবা মায়কৈদা লান্দাখিরম্মী । শা-লান্দা মম্নিং চংলবা খুমনগী কাংলুপস্নু মী কুংলবা পোইগী লৈপাক্কী কাংলুপকা, শেন্ পীবা নোংপোক্চাশিংগী লম্লক্কী তেঙ্গোন্ ৭ মক্কা লান্ফম্ মায়য়োক্নহুনা কবোশিং লান্ থেংনহুনা তাই-পোংশিংবু নেৎলগা চত্নুনা য়ান্থরগা শোক্লরবদা মথোয়গী লম্লক্কী তেঙ্গোনশিংবু চায়থায়হুনা মায়থীবা পীরে । অহুগা লানগী

লাংপোক্‌ঙম্‌পপু নোংম্‌ল্‌লে, কেকে মরান্ থোঙ্‌তা, হন্তু পনম্-নাউপু কাপফংলে, হায়তপরা ।। অতুনোংকী মইতিংঙু লোই-নাই খুম্‌মোম্‌পা কৌপতি কতৌনকো, মইতিংঙু ঈকোপ্ লান্-থাপা নোংয়াঈ সীচারক্‌কী খোম্‌চিন্‌পা, অতোন্ ঙাংচারক্‌কী তিন্‌চিন্‌পা. চানা তেংকোন্ ৭ চাইপা, চৌঈনৌ সনা কোন্‌মিং-নপা, লাখম্ লান্‌থৌয়াঙ্‌পু কাঈনহন্‌প-অো তৌনা কৌঅে ।। নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ পুন্‌সিপস্তুং, য়ীকোপ্ লান্‌থাপা চাংথ্রং চাংনীংসিং, পোনথ্রং লাইরাপা ফাপা, য়ীকোপ্ খোঙ্-ফেন্ থৌপঅো কৌঅে ।। নোংয়াঈ খাথা, লাইথা, হুইতাও খোঙথীন্, শীম্‌নীঙ্, য়ীম্‌মাঙ্ তানতনা পান্‌পপুঙতা য়ীম্‌লক্ নাইফা, পনম্ লান্‌তান্ মীতু সক্‌পাম্-ৱা লওরং মীঙ্‌খোঙ্-ৱা, খুংতুম্ মীতাক্-ৱা সম্‌লাং তোন্‌চিং-বা তুন্তুংলংচা পুন্‌খিপকুম্‌পা সারেন্ মীস্তুংলাংপু য়েন্‌হৈপা লেম্‌লই মীঙাথোক্‌পু হাঈহৈ-অে হাঈপকী তমক্ লেম্‌লই নিংথৌ হাঈহৈপ – অো, তৌনা কৌঅে ।। লেম্‌লই নিংথৌ হাঈহৈপতি, অহোঙ্ তান্‌ফংলে,

---

লান্‌ফা ওইনা নোংপোকচা শেন্ পীবশিংগী মরক্তগী মপুগী মমিং লৌবা অপুতাওবা, মপাগী মমিং লৌবা কবোমচা অপাতাওপা খুন্থু-থ্রংগী মচাং চাংবু নীঙ্‌শিংবা, পোনথ্রং লাইরাবা কৌবা, সনাগী পুখমবু চীস্বান্দা থমহুনা চাক্ চানবা, লুপাগী লী [ঈশিংগুম্বা মহী থক্নবা পাত্র] চীস্বান্দা থাঙ্গত্তুনা মহী থক্-নবা সনা হায়বা কোনসিগী মমিংনা মমিং ওইনবা লাখম কৌবস্তু মথৱাই হকচাং কায়ন-খায়নহল্লে । মৈয়ৈ হুঙ য়ৈরগা কাম্‌হুনা লৌবা মৈ হৌগত্তুনা খুমনগী শীঙবী অমস্তুং ঙাং পাম্বী মরক্তা চায়থোক্ত না. লোংন-লৈনথ্রবা খুমনশিংবু খোমজিন

চীঙ্য়া থেন্থেংলে, থাঙ্য়ি য়াম্ ৭, লোইমোম্ ফৌ ৭ না খীম্চীন্ সাইতা নাইনা হোঙ্নেম্পা নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ পুন্সিপ-আে তৌনা কৌএ ॥ অতোন্ পুন্সিপতি কোল্লোই মিংখোং কীপু চুনপনে ॥

তাশিল্লে হায়তুনা মৈতৈগী মবুংঙো লোইনাই খুমোম্বা হায়না কৌখি। খুমনগী লান্ফম-লান্থোঙদা ঙান্বা য়েক্ মচা হাওখাঙ কোক শিখি, মৈতৈগী লান্ফম্-লান্থোঙ্দনা লাংপোক্ওম্বা মৈস্নাম চাওবা শিখি, অহুগা মোইরাংগী লান্ফম্-লান্থোঙ্দনা হন্নু পনমনাউ-উবু কাপথেকখি, হায়য়ে। অহুগী হুমিত্তুগী মরমসিদগী মৈতৈগী মবুংঙো, লোই মীয়ামগী মনাই ওইবা খুমোম্বা কৌবদি করি কান্নরুগনি, মৈদিংঙু ঈকোপ লান্থাবা, নোংয়াঈ শীঙ্জরক্কী খোম-জিনবা অদোন্ ঙাংজরক্কী তিন্শিন্বা, লম্নক্কী তেঙ্গোন ৭ চায়বা, চোয়রগা নৌথোক্লকপা সনাগী মমিংনা মমিং ওইনবা লাথম অথোববু হাংপা হায়না কৌখি। খুমন্ নিংথৌ অদোন পুন্সিবসু ঈকোপ লান্থাবা চাংখ্রং চাংনীঙশিং পোনখ্রং লাইরাপপু ফাবা, ঈকোপ্তা থৌনা ফনা লান্থেংনবা কৌখি। খুমনগী পানা অনি থাথা, লাইথা, অতৈ জাতি কাংলুপশিং—হুইতাও-খোঙথীনচিংবা য়ুমনীঙ্গা য়ুম্মাঙ্গা তান্দ-উনদবা মথৈ কুংনা-হুংঙাইনা পাল্লিবা লৈপাক্-সিদা—য়ুমলক্কুগী মীনাই ফারবগী, মীফা মীপুন, লম্লক্তা-পনয়াদা অফা-অপুন তৌবা, মীগী মতুগী মশক্-মতৌবূ পাম্বা, কল্লক-মিহৌনবগী অয়েং-অখিং তৌনহুনা খৎন-চৈনবগী য়াথোক্কী, মীবু তাক্লাতুম্নবা শরৌ-খুজীন তৌনবগী য়াথোক্ লান্থোক্কী—য়াকমশিং নীংঙোম্দা মশন্নচিংবা চিংহুনা কায়হৌরুবগী য়ারম্, য়ায়েন্ খঙদনা চম্মম্নরবা মীগী মশাগী মঙ্গংলাং—মতোমতগী ওইবা

নপেন্ নোংয়াঈ খুমন্-লইমা, ব্রাংঙম্লোন্ পান্পা ফাপী-অো কৌঅে ।। ব্রাংঙম্লোন্ পান্পা ফাপী কৌপতি কতৌনোংকীনো ? পান্পা অথৌপা কৈরেন্রুম্পী-সা, সারেন্ হুপুপা য়ীরোক্-সাথৌপা, চীঙ্য়া পন্কোঈপা, সতু নাফম্পা, পান্পা কোঈনা লংনা সাথৌপা, কাওরেন্ সন্থিপা, কৈরেন্ য়ীম্চঙ্পপু: মইতিংঙ্ লোইনাই খুমোম্পনা পান্পা কৈস্তুমনুংতা কৈরেন্ চঙ্না ফারৌঅে, পোইরই তেংথানা, কৈপুতি পান্প-অো কৌঅে ।। পান্পা অচঙ পা অসিপু, য়ীমোম্ তম্পা ব্রাংঙম্লোন্কী কোল্লোই মমিং থোন্নকে হাঈনা, তম্পা ব্রাংঙম্লোন্ পান্পা ফাপী-অো তৌনা কৌঅে ।। ব্রাংঙম্লোন্ পান্পা ফাপী, লম্লেন্ ফেন্কুলৌ লৌকু—চাওপু পান্পা, নোংয়াঈ য়াঙ্তক্সি

ব্রায়েন্শিং, মীতোপকী মরমগী মীচঙ-চঙনব-থোম্নবগী থৎনবগী ব্রাথোক কয়া কয়াবু ব্রাতেম্—ব্রাতাইহনা ব্রা ঙাংবা হায়বা হৈ হায়হনা লেম্লৈ লমগী নিংথৌ ব্রা হায়বা হৈবা, লেমল নিংথৌ হায়হৈবা হায়না কৌথি । লেম্লৈ নিংথৌ হায়হৈবসিদি অহোঙ-অচাও থোক্না, শেমগৎ-শাগংপদা চীঙ্থোঙ্-চীঙ্য়াদা থেন থেৎ-তুনা-শেমহনা, লিংহনা থারগা মহৈ মরোঙ্ চাবা পাম্বী মথল ৭, লোইপোংলক্না অমোম চিংবী ফৌগী ফৌরম ৭ না য়ুমজীন্দা শাই ওইনা মথাং মথাং নাইনা তাইন্দুনা লৈতেংলগা হোঙ্নে-ম্বগী লাইথৌ—তীন্থৌগী থৌরম-থৌদাং পাংথোকপা খুমন-নোংয়াইগী নিংথৌ অদোন্ পুন্সিবা হায়না কৌই । অদোন্ পু-ন্সিবদি মশাগী মমিং মিংথোনসিগা চপ চানবনি ।

নবেন্থৌ খুমন্গী মবেম্মা মৈতৈ-নিংথৌগী মচাঈবেম্মা পানবা ফাবী কৌই । মৈতৈ-নিংথৌগী মচাঈবেম্মা পান্বা ফাবী

অতোন্ চামিরৌপু অসৈনপী তম্পা ৱাংঙম্লোন্ খুমন্ নোংয়াঙ্ঈ-লইমা পান্পা ফাপী পাঙ্ঈমা লিন্কোঙ্ঈকী—

(২৪) অতোন্ চারোন্পা

নয়ু নোংয়াঙ্ঈ খুমন্-নিংথৌ চারোন্প-অো কৌঅে ॥ অতোন্ চারোন্পা কৌপতি কতৌনোংকীনো ? খুমন্ তাওখুচা

কৌবদি করি তৌথিবা হুমিত্তগীনো ? মথৌনা লৈরবা অঙৌবনা লাঙ্বহুবু অঙৌবা ওইনা উবা, অথোইবা উম্-উম্ হায়না ঙংবা শা, কৈজাও, মহু পুরবা শা, চীঙ্গী—ঈরোক্তা শা থৌহুনা তান্বা চীঙ্য়াগী পল্লোন্ থুংনা কোয়বা, শহু পাম্বীগী মনাৱক্তা ফম্-লুমহুনা লৈবা, কোয়চেন্ চেন্দুনা মফম্ থুংনা শা তান্নবা, শা, ময়ামদগী হেন্দোক্-থোইদোক্পা শা, মথোঙ্ ৪ পানবা য়ুম্শা, শন্ থিবদা মীগী য়ুম্দা চঙ্লকপা কৈজাওবু মৈতৈগী মবুংঙো মীয়ামগী মরী মতা ওইরবা খুমোম্বনা কৈজাওহুবু কৈশুমন্নুংদা চঙ্হন্দুনা চঙনা-হিংনা ফারম্মী । মৈতৈনা হায়না-ঙাংনবদা কৈবু পান্বা কৌই, পানবা অচঙবা অসিদি ইচান্নুপী অহন্, মৈতৈ নিংথৌগী মচান্নুপী ওইবীসিগী মশাগী মমিং থোন্নগে হায়হুনা তম্ফা ৱাংঙমলোন্ পান্বা ফাবী হায়না কৌথি । মৈতৈ নিংথৌগী মজাঙ্ঈবেম্মা পান্বা ফাবী, অথোইবা লম্দম্ ফেন্কুরৌ লোকু-চাওবু শুপচিন্দুনা পাল্লিবা খুমন্গী য়াঙ তক্সি চামিরৌ কৌববু শৈশক্—শৈথানবী, মৈতৈ-নিংথৌগী মচান্নুপী খুমনগী মবেম্মা পানবা ফাবীগী পলেম্ পীবুক্নুংদগী—

(২৪) অদোন্ চারোন্বা

নবুধৌগী মিংলেন্দি নোংয়াঙ্ঈগী মবুংঙো খুমন্ চারোন্বা কৌই । অদোন চারোনবা কৌবদি করি তৌথিবা হুমিত্তগীনো ?

খুংলোঙ্পা, অতোন্ মিংথা পাম্পকী, থাঙ্লেন্ মখুংস্তু, ময়া সান্আোন্ য়াম্পা, কোরও চুম্ মিংতাঙ, ব্লাংপন্ হুমিংতাঙ, চীঙ্ঙু নোংথাঙ্ কুপ্কুমপা, থাঙ্লেন্ য়াইআোইপা, কচেং মিংচৎপা তয়োন্ থাঙ্য়ইননা, থাঙ্তাপুঙ্ ব্লাইহুইথাঙ, লোইপী চীঙ্পু রোইপা, হেম্পা তম্পু থন্পা, ব্লাংকোন্ লোইকা তাম্পা. পুম্নমপু খুনঙম্—থাঙ, থাঙ্লেন্ য়াইআোইপা, লৌরু চাওপোক্ু য়াই, সীঙ্চা, কোন্খীন্ — য়াই, কাওরেন্ সন্কু-য়াই, তয়ুম্ নাইকু য়াই, অতোন্ মিংথা পাম্পাতা ব্লাথুপ থাঙ, থাঙ্লেন্ য়াইআোই-পপু কোল্লোই মমিংথোং চারোংপপু মিং-থোংচখিতে, অতুনোংকীপু নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ, অতোন্ চারোৎপা কৌপপু, অতোন্ তাফা থিপনা, নোংয়াঈ খুমন্

খুমন্গী মখুৎ লোঙ্বা তাওখুচা কৌবা মমিং থাগৎ-তেংথাবা পান্বগী ময়াগী মশক-মওং য়াম্বা মখুং চাবা থাঙ্শাং, থক্লোম্-দা হাইগৎপদা নোংদোন্দা য়ান্দুনা লৈরিবগী অহাঙ্বগী চুম্ নম্লিবহুগী মমিং তাংহনবা, নোংমন্দোনগী অব্লাংবা লৈরিবা মমিংস্তু তাংহন্রা, চীঙ্গী মবুংডো ওইরিবাগী নোংথাঙকুপ্পগুম্না মশেক্-মঙান্ থোক্পা, য়াই ওরবা থাঙ্শাং মমিং চৎলবা থাঙ্হু পায়হুনা তয়োন্ খুঞ্জাশিংগী মথক্তা থাঙ পায়হুনা লান্দারগা থাঙ্-দাবুঙ্বু থুগায়খিবা থাঙ, লোই পীবা চীঙ্দা লৈরিবশিং, তম্পাক্কী লম্দম থল্লিবশিংনা লৈমকোন-নিংথৌকোনগী লোইপোং পীরক্তুবা খুন পুন্নমক্পু ঙম্বা থাঙ্, য়াইওইরবা থাঙ্শাং ওইহুনা লৌকম চাওথোক্হন্বা য়াই, শীঙজানা শীঙ্গে থন্না থীনহনবা য়াই, শন ময়াম্ পীবীবা য়াই, মীনা ময়াম্ ফংহন্বা য়াইনা মমিং

নিংথৌ অতোন্ চারোন্পা অো তৌনা কৌতে ।। নোংয়াঙ্গী চারোন্পতি কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ।।

নপেন্ নোংয়াঙ্গী খুমন্-লইমা, হ্বাংঙম্লোন্ থিংলাই খুংস্থু চন্থু-অো ক্বৌঅে ।। হ্বাংঙম্লোন থিংলাই খুংস্থু চন্থু কৌপতি ক্বতৌনোংক্বীনো ? মইতিংঙুচা লিন্হ্রাইয়োঙ্গনাউহন্ নাউহন্ অহন্পা, হইরী লীসিং নেন্পা, খোইচীঙ্ লীপান্ চাঙ্গপা মপারী অথিং হইরোঙ্পঅো ক্বৌঅে ।। মহু অথিং হইরোঙ্পা মিংপু, মইনা রাই তাঙ্না সম্না মিংথোংঅে ।। থিংলাই খুংস্থু চন্থু কৌপতি অতুস্থুং মতোম্তে ।। হ্বাংঙম্ সমু মখুংতোন্ পু লৌহ্রাই চিপা-হাকুম্অে, সমু খুংতোন্ স্থুম্অে, মোম্নু স্থুনা লংলঙ থ্বন্, খুংতোন্ লঙ্গনা থন্না, য়াঙরৌ সা সায়েক্,

---

থাগংপা পাম্বদা হ্বা লোংশিন্দুনা লৈরিবা থাঙশাং য়াই ওইবহুগী মমিং চারোংপা কৌবহুগী মমিং লৌহনা খুমন নিংথৌসিগী মমিং থোন্নখি । অহুগী হুমিত্তুগী মরমদগী খুমনগী মবুংঙো চারোংপা কৌববু খুমন তুকা থিবশিংনা নোংয়াঙ্গী খুমন নিংথৌ অদোন চারোনবা হায়না কৌখি । নোংয়াঙ্গী চারোন্বদি মশাগী মিংথোন্সিগা চপ চানজবনি ।

নবেন্ধৌগী মিংলেন্দি খুমন মবেম্মা মৈতে নিংথেমচা শাগৈগী নিংঙোন ওইবী থিংলাই খুংস্থু চন্থু কৌই । রাংঙম্লোন্ থিংলাই খুংস্থু চন্থু কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? মৈতৈগী মবুংঙোগী লিন্হ্রাই লম্/তুরেম্না য়োক্পী-থাক্পীবা নাউহন্-কৌবা নাউহন অহনবা হায়রগা খঙনবা হৈরী লিশিং হেক্পা খোইজীঙ্দা পানবা-হৌবা লীবু য়ানবাহুগী মচান্থুপীদি অথিং হৈরোঙ্বা কৌই । মবুধৌ অথিং হৈরোঙ্বগী মমিংবু

খোইমোম্ লাইয়েক্‌পু য়োঙ্গৈহে তম্‌হৈঅে, হায়পকীতমক্ নোং-য়াঙ্গ তাফা পিনা—ল্লাংঙম্‌লোন্ থিংলাই খুংস্থু চন্থু থোন্‌নজে ।। নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা ল্লাংঙম্‌লোন্ থিংলাই খুংস্থু চন্থু পাঙ্গমা লিন্‌কোঙ্গকী—

(২৫) অতোন্ য়াঙসোম্‌পা

নয়ু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, অতোন্ য়াঙসোম্‌প-জো তৌন্না কৌঅে ।। নোংয়াঙ্গ য়াঙস্থু ঙম্‌পা কৌপতি কতৌনোংকীনো ? ময়ীম্ কেকে মোইরাং নিংথৌ, ঙাংঙোই সনাহোঙ্‌পা মসানৌ,

মমৈনা মমৈদা শোক্লা-পন্নহুনা মতাঙ্‌গা মতাঙ্‌গা শম্মা থেংন-হুনা মতুং তাহৌবা ওইনা লৌহুনা মিংথোল্লখি । থিংলাই খুংস্থু চন্থু কৌবগী ল্লারম্‌দি মহুনস্থু লোয়ম্ভ্রি ।। মৈতৈ নিং-ঙোন্ ওইবীহুগী মশাগী মখুদোন্দু লৌবুক্ লৈবা লমদমদা হৌবা উচীগী হাঙম খুতোন্দু পীক্‌শিল্লি, অহুগা মুজা ওইবীগী থৌদাং ফিশা-লোন্‌শাগী ফি শানবা স্থনা লংদা কোংশিন্নবা খন্‌বা মতমদস্থু মখুং খুদোন লৈহুনা খল্লগা চান-রবা শাগী শায়েক্, অথোইবা লাইগী লাইয়েক্‌পু ফিশাবদা ময়েক্ থোক্‌হন্‌বা, মওং-মতৌ তাহন-তম্‌হন্‌বা হৈ হায়বসিদগী খুমনগী অহুগা অদাগা তৌবশিংনা মৈতৈগী নিংথেম্ শাগৈগী নিংঙোন্ থিংলাই খুংশু চন্থু থোন্নে । খুমন্‌গী মবেম্মা ল্লাংঙম্‌লোন থিংলাই খুংশু চন্থুগী পলেম ওইবীগী শীয়োমনুংদগী—

(২৫) অদোন য়াঙশোম্বা

নবুধোগী মিংলেন্দি খুমনগী নিংথৌ অদোন্ য়াঙশোম্বা হায়না কৌই । নোংয়াঙ্গ য়াঙশুঙম্বা, [য়াঙশোম্বা] কৌখিবদি

কেকে য়াওসুরাক্পা অথোপনা, নোংয়াঙ্গ লম্কা হাইনা, করাং থেন্কাঙৈ, লোক্তাক্ হিঅোন্ঙৈতো, নোংয়াঙ্গ খুমন্ ঙম্লে, হায়না পাউমেন্ ব্রাকী, তন্পা মথো-ঙ্গ সাওনা, ব্রাতা থীখিঅে. নোংয়াঙ্গ পুম্না ছুপ, খুমন্ পাক্না তাইনা, অহিং য়ীনুং সো-ঙ্গয়াঙ্গমতা, কেকে য়াওসুরাক্পকী, থাঙ্ঙা মরই-কাঙ্গ য়াওসু খুন্তোন্কপু, খাম্পী মই থানা, য়াওসু চংলম্ ফান্সাং থুম্না পন্থেংলে ॥ অতুবোংকীপু কোল্লোই মমিং-থোংপু, অতোন্ নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, ঙাংঙোই য়াওসু ঙম্পঅো তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ য়াওসু ঙম্পতি, কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ॥

করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? মোইরাং য়েক্-শল্লাইগী নিংথৌ ঙাংঙোই সনাহোঙ্বা (নিংথৌসি ওইরোয়, উরা থোংজোম্বা নত্রগা য়োঙ্গরেন্বা ওইবা য়াই, সনাহোঙ্বদা খৃ: ১৪৩৫ কী অহু-ব্রাইদা মোইরাং লৈপাক্তা পানবা ঙমদ্রহুনা হাওথা-মেনখোম্দা নত্রগা লায়ান্দা লাঞ্জেনঙবনি) গী মনাওহুপা য়াওশুরাক্পনা খুমন্গী লমদা হাইজিল্লক্তুনা করাং থেন্কাবা, লোক্তাক্ হি-ওনবগী লাইথোগা কোন্নবা কুম্মৈ তৌরবদা- খুমন্ ঙম্লে—হায়না হায়বদগী খুমন্ নিংথৌনা হুপা ওইবগী শাওবা হৌনবা মথৈ থোয়দৌ শাওগংপগা লোইননা থোন্দা থীনা চৈখি, অহুগা খুমন্ পুন্নমক হৌহুনা অহিং অথেংবা, নোংয়াঙ্গ অমদা য়াওশু লাকপনা লৈরিবা মরৈকাঙ্গ য়াওশু খুন্গী খুন্দোন অমবু থাম্বী মৈ থাহুনা লান্দাব্রগা য়াওশু খুন্গী ব্রায়েল্-থৌদা শঙ্দা থারিবা ফানশাং ফাওবা য়াম্হেক্তুনা থুগায়খি। অহুগী নুমিৎসিগী মরমসিদগী নিংথৌসিগী মশাগী মমিং খুমন নিংথৌ ঙাংঙোই

নপেন্ নোংয়াঙ্গ খুমন্-লইমা, নোংপাল্লোন্ তারমস্থ-অো কৌঅে ॥ নোংয়াঙ্গ খুমন্ লইমা, নোংপাল্লোন্ তারমস্থ কৌপতি কতৌনোংকীনো ? মপন্ নোংপান্ অঙৌপা, চক্পা লম্পু নাউতা য়াম্পা, হি-তা লেন্খোং তুমাপা মশাপী লম্-চাওপা, মচী খুপা তোংয়াঙ্গ হন্পা, মকুরোক্ কামুপা, মখুং তোন্না নইপা মসীং মিৎমই লোঙ্পা, চক্পা লম্পু কোন্-খাঙ্ লাইচাওপনা, কপো তম্তা কুম্না, য়ীংথি খল্লোং লোই, তরেৎ সেন্পান্ লোইপু লোইথৌঙৈ, সেন্পী তরংনেৎতা, লোই-মোম্ ফোকোসেন্ য়াইঅোইপপু কোন্খাঙ্ লাইচাওপনা—

য়াওশু ঙম্বা হায়না কৌখি। অদোন্ য়াওশুঙম্বসিদি মহাক্ মশাগী নিংথোনসিগা চপ চানরবনি।

নবেনধৌ খুমন্গী মবেম্মা অঙোম্ য়েক্ওইবী তরমস্থ কৌই। খুমন্ লৈপাক্কী মবেম্মা নোংবাল্লোন্ তরমস্থ কৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিত্তগীনো ? মহাক্কী ঈবু পনহলবীরকপা অঙোম্ য়েক্কী নিংথৌ শাগৈগী পিবা নুপা ওইবা, মচা-মনাই য়াম্বা চক্পা লম্বু, হিনা-তারি-চৎলিবা লেনখোংগী-মপুগী মশাদগী হনবা ময়াম্বা লমজাওবা, ময়াম্বনা পীরুগা মনাওনুপা ময়াঙ্গীনা চাও-শাংবা, মকুরোক্কী কুচু কাথেক্না মুবা কামুবা, মখুদোন্না লৈবা হৈবা,

* মীরোন্দা য়েংনরকপদা = ঈকোপ লাম্থাবা = পুনসিবা = চারনবা = য়াওশোম্বা ॥ অতোপ্পকী লোইচা অম্বা নল্লগা ঈকোপ লান্থাবা = চীঙখুতেনহৈবা = পুন্সিবা = উরা খোঙজোম্বা নিংথৌরোল মথং-মথং, মথক্কীপিনা খুমন্গী, মখাগীসিনা মোইরাংগীনি। অতুগা মৈতৈগীনা = খুমোম্বা (খৃঃ ১২৬৩-৭৮) ঈকোপ লান্থাবা—মোইরাম্বা [illegible]—থংবী লান্থাবা কোঙয়াম্বা (১৩২৪-৩৫)।

ঙে য়ীমোম্ তোন্নাপীঅো, নপন্ অইকী তরংসেন্, য়াইঅোইপা অসিপু, হয়েং নোংয়াঙ্গী নপুঙ্য়াঙ্গীতা নপারী সাংল্যা, নমোম্ ফুইরপতা, নোংয়াঙ্গী ব্রারীনরু-অো, য়ীমোম্ কোল্লোই নমিং-থোংস্নুং নোংপাল্লোন্ তারম্স্নু—হাঙ্গীনা মিংথোংপীখিঅে, তরেৎ সেন্য়াইতোইপপু লন্রন্পীখিঅে ॥ অতুনোংকীপু নোংপাল্লোন্ তোন্নাপীতি কতৌন্কো, নোংপাল্লোন্ তরম্স্নু, তরেৎ সেন্য়াই লোইপী-অো তৌনা কৌঅে ॥ নোংপাল্লোন্ তারম্স্নু, ময়ু অঙৌপা, অোংতৈ খুন্তা-চীঙ্ সেল্লোই তরং ব্রাংপ-চীঙ্,

---

লৌশিংগী মায়কৈদা মমিৎ-মনা শীংথ্রবা চক্পা লম্ব, কোন য়াম্না থাঙবা/ফংবা/তানবা লাইজাওবনা কবো (শান) গী তম্পাক্তা চত্নুনা য়ীংথী/নীংথি তুরেন (CHINDWIN RIVER) গী মপান্দা তাবা লমদমদা য়োংকী লোই অমস্নুং শেন/বেলমেটেলগী লোইবু লোইপোং থৌবদা শেল পীবা লোইগী খুন তরংনেত্তা লোইপোংলক্তা অমোম—শীঙথাবী ফৌবু কৌশিন-ঈরাংনবা শেন য়াইওইববু কোন্খাঙ লাইজাওবনা—ঈচান্নুপী তোনাবী, নপা ঐগী তরংদগী ফংলকপা য়াইওইবা শেন অসি হয়েং তুংদা খুমনগী নয়ুম্দা নচা নুপা—নুপী পোক্লকুবা মতম্দা ব্রারীনরুচো, অতুগা ঈচাগী নমিংস্নু অঙোম্ নিংঙোন্ তরমস্নু হায়না কৌসি—হায়তুনা মমিং থোনখি। অতুগী নুমিংতুগী মরমসিদগী অঙোম্ নিংঙোন তোনাবী কৌবনদি কৈদৌনরুনি, অঙোম্-শাগৈগী নিংঙোন তরমস্নু, মবুধৌ ঈবুংঙো অঙোম্ নিংথৌ ওংতৈনা খুন্দাথিবা চীঙ্, অহাঙ্বা—তরং য়োনা ব্রাংবা শেল্লোই চীঙ্ থোঙ্গেন-খোম্থাংনা নাউপু-নাউয়ানবা লংমাইজীঙ, মীনা পীরকপা, তাল্লুবদগী ফংলক্পা কোন (ধাতু) না তাউবমথৈ লৈবা চীঙ্বু

লংমাই য়াওব্রা নাউপুপী চৌঙ্ কোন্খাঙ্না তাউপচৌঙ্পু অসৈ-
ব্রপী, মোংপাল্লোন্ তরম্স্থু তরেং সেন্য়াই লোইপী সেন্চা-
হায় হৈ—সকুপী পাঙ্গমা লিন্কোঙ্গকী—

(২৬) অদোন্ লম্য়াঙ্গ কাইখীন্পা

নম্বু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ, লম্য়াঙ্গ কাইখীন্পা-জো তৌনা কৌঅে ॥ লম্য়াঙ্গ কাইখীন্পা কৌপতি কতৌনোংকী-নো ? নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ লম্য়াঙ্গ কাইখীন্পা মহাকথকুতা, খোইমোম্ নোংতম্খোন্কী নোংয়াঙ্গ খুরে, খুমন্ পীকুলে, অতোন্ খাথা লাইথ হুইতাও থোঙ্থীন্ য়ীম্নীঙ্ য়ীম্নাঙ্, তানাত্না পান্পা পুমনম্পু, খাঙ্গচেং-খাঙ্গপুং নাইরকুলে ॥ নোংয়াঙ্গ মচেঙ্চঙ্না, মতোম্ তোন্না কৌরে, অতোন্ খাঙ্গওং খাঙ্গচাঙ্গন্না,

---

শৈশক-শৈখানবী অঙোম্ নিংঙোন তরমস্থু, শেনগী শেনয়াই লোইবী, শেন থৌবা—হায়বা হৈদা-হৈবী ওইন, মমিং খানবীগী পলেম্ ওইবীগী পীবুক্রুংদগী —

(২৬) অদোন্ লম্য়াঙ্গ কাইখীন্বা

নবুধৌগী মিংলেন্দি নোংয়াঙ্গ-খুমন্গী নিংথৌ লম্য়াঙ্গ কাইখীন্বা হায়না কৌই। লম্য়াঙ্গ কাইখীন্বা কৌখিবদি করি তৌখিবা হুমিত্তগীনো ? খুমন্ লৈপাকী নিংথৌ লম্য়াঙ্গ কাই-খীন্বা, নিংথৌ মহাক্কী মহাকথক্তা পাস্থু-পীস্থ ওইবা ঙম্বা অথোইবা লাইগী নোংদম্খোন্না খুমন্ লৈপাক্ পীকুশিল্লে, অকন্ অথৌগী মশীঙ্ হুন্থরে। খুমন্গী মীশীঙ্ য়াম্না খাথা লাইথা

খুমন্ লাংতক্ লাংফেন্নরে হায়তপরা ।। নোংয়াঙ্গৈ খুমন্ নিংথৌ লময়াঙ্গৈ কাইখীন্পনা, নিংথৌ মহাক্থক্সিতা, কোল্লোই মমিং মাঙ্লে, হয়েং নোংয়াঙ্গৈ চাতোন্না কাউতনপা, খুমন্ সুতোন্না নীন্তন্পা, নোংনেম্ লাইনা পাংপরম্কী হইপোক্ সৌতিয়ান্, লেম্চেং লীহইপোক্, ব্রাংঙম্লান্ পীয়াইথোং, ব্রাক্চীঙ্ থেন্-সাপী, লেম্চেং লইখ্রেংপী, হইপোক্ থেন্সা চীঙ্তা, চীঙ্য়া

পানা অনি, হুইতাও খোঙথীন্নচিংবা অকন্ অথৌ, মনীঙ্ মমাঙ্গী অঙম্-অথৌ পুম্নমক্ লিংঞ্জেন্ মান্নরক্তে, মচেৎ-মচেৎ তানরক্লে । খুমন্ মশা মশেন্গী মনুংদা চেঙ্ চঙবগুম্ মবুক্ ফংনদনা হন্থরক্পগী লম্বীদা চঙ্শিল্লকপনা তোথায় তানবগী নাইতোমগী ওইবা ব্রাফম্না মথোয় মশেন ওংনা-থায়দোক্লবনা খুমন্ লৈপাক্ লাংতক্লবা-মিপাইনবনা পুমলাং লাংনরে, হায়বী-রম্মী । খুমন্ লৈবাক্কী নিংথৌ লময়াঙ্গৈ কাইথিনবনা নিংথৌ মহাক্থক্সিদা খুমন্গী মমিং, মিংচৎ মাঙ্লে, মতুং তারক্পা খুমন্গী অতোন্বা মচাগী মীরোন্না কাউদনবা, মশু অতোনবগী মরোন্না তৌবীরম্দ্রে হায়না ঙাংন-শক্লবনা লাংদ-নীন্দনবা হায়ছুনা নোংনা নেম্থবা, লাইশিংনা লৈবা অব্রাং মায়কৈরোমগী শৌদি-তা পানবা হৈপোক্কী লম্, লীগী মহৈ, হৈরী য়ান্না পানথিবা লম্দম্দা মৈতৈ নিংথৌগী মচাঙ্গৈবেম্মা পিয়াইথোং, ব্রাক্চীঙ্ লমদমদা থেন শাবীনা লেম্জেংগী লৈপাক্ তেম্ছুনা হৈপোক্তা থেন শেমথিবা চীঙ্দা চীঙয়া নাকন্ নামগী মরোন্-মথাঙ্ পুম্নমক্ ঙানহন্দুনা অকন্বা লৈপাক্ লোথোক্-তৌথোক্লগা পোৎপাক্ল লৈমায় তেমথোক্কুনা চীঙ্য়াদা থেন্ শেম্থি । হাওগী য়োপাক্লা শন্দোকখ্রিবা নোংপোক্ মায়কৈ পাংবরোমদা হৈরী মকু খোক্কুনা

নাক্পক্, সারোন্ ঙান্না, মালেম্ লইকন্ তৌ, তোক্মু লইতম্ ফেন্না, চীঙ্য়া থেন্থেৎলে ॥ হাওরই নোংপোক্লা পাংপরম্ হইরী মথোঙ্গ লেন্, হইচাং মমাঙ্গ ফোইনা, তাউচীঙ্ হইচারাই, কোঙ্গরেন্ লম্মহন্, লইনুং থারুক্ অসৈপাং ৱাহি কোক্ সংচানা, নেম্পী হাথাকোন্ লম্লেন্ চেঙ্চা ৱাপকাই, তল্লা লেপ্তম্ য়ুং, কোঙ্য়াঙ্ খরা সা, লোক্লও পান্পাঙ্গ সেম্, কুরাও পন্কা লোন্, সারেন্ পাক্তক্না, ৱাংলঙ্গ ফাফেন্ননা হোঙ্নেম্অে ॥ কাইরেন্ মরাই লাংনা লময়াঙ্গ কাইথীন্থিঅে ॥ অতুনোংকীপু নোংয়াঙ্গ খুমন্ নিংথৌ অতোন্ লম্য়াঙ্গ কাইখীন্প-অো তৌনা কৌঅে ॥ অতোন্ লময়াঙ্গ কাইখীন্পা মহাক্থক্তা,

---

হৈজাং তংখায় খায়তুনা হৈ চানখিবা মফম্, অথোইবা লম্ ওইরবা কোয়রেন্ কৌবা লম্দম্, লৈনুং লৈয়াংকী মথা লুক্থবা, ঈশৈ-শক্পা থারুক্ কৌবা মকোক্তা অশংবা কারবা ৱাহি তীন্দুগুম্লবনা শীঙ্নাং পাম্বী থাখিবা মফম্, চেঙ্ চাবা উচেক লময়েন্ ৱাবগী শগাই লৈ হায়না খন্দুনা ৱাবকাই/ৱাবগাই কৌবা লম্দা তলহাউ উনা লেপ্মুক্ ৱাংনা য়ুংলগা ৱানা খারা শাতুনা নাকল অনিদা ঙাকথৎনবা পাম্বে শেম্লগা কাই/শগাই শারগা কুরাউগী পন্/শম্বল্ খাজিন্দুনা ঙাক-শেল্লগা হোঙ্না-চাওনা শা মরাং কায়না থোং-থাক্তুনা, ময়াই/ময়াক্ কন্বা য়ু মীয়ামগী পেন্নবা থৌরাং লাংতুনা মীয়াম্বু পীজ-পীথক্ তৌতুনা হোঙ্নেম্বগী লাইথৌ থৌরম্ পাংথোক্খি। ৱাংলবা, ময়াম্দগী হেন্দোক্-থোইদোক্লবা শগাই পাবন্দুগী চীঙ্-লেম্লবা মশক্ ওইহন্দুনা লৈপাক্ মীয়াম্দা খুমন্ নিংথৌগী মতীক্-মঙম্ উত্তুনা-উহন্দুনা শগাই শাখি/খীনখি। অতুগী মুমিত্তুগী মরম্সিদগী খুমন্ লৈপাক্কী খুমন্-নিংথৌ লময়াঙ্গ

মসানৌ নোংয়াঙ্গৈ খুমন্-লইমা, পাসি সেপা লাইতাং চন্নুস্নুং, কোরঙও নোংকাখিরপকী, নুংসি মথৈ নৈতনা, নোংয়াঙ্গৈ লাক্ঙম্তনা. অতোন্ তেম্ঙম্তরে, হাঙ্গৈতপরা ॥ নোংয়াঙ্গৈ ময়াই য়াইরংচান্ য়াওরৌ সাখোম্য়াইস্নুং ময়ু অতোন য়াইথিংপা, নুঙ্নাং ব্রসোন্পনা, ময়ীম্ অব্রাং পোইরই মইতৈ, ব্রাংখই লাইকোক্-পাম্পা, মফৌ সায়াই চেন্পতা পীরে ॥ অতুস্নুং মতোম্তে, ব্রাইরা–খোঙ্হওয়াই, হুয়েন্ লান্তায়াই, সৌপোম্ য়াইরেন নুংচান্পস্নুং, নোংয়াই য়ীকোঙ্গৈসেন্, খীংখিং লাইকা হোই-না সারীক্স্নুং, নোংয়াঙ্গৈ সান্-তাক্তা অতোন্

কাইখীনবা হায়না কৌখি। খুমন্–নিংথৌ লম্য়াঙ্গৈ কাইখিনবনা পাল্লিঙৈগী মতমসিদা মহাক্কী নুপী খুমন্গী মবেম্মা, পাসি কাংলুপকী সেবা লাইতাংগী–শাগৈদা পোক্পীবু অতিয়াদা পন্দুনা লৌতুনা নৈরিবা নোংগী নৈপাক্তা কাগ্রবদগী পুক্নীঙ্ নুংশিবনা নুংশুক্-নুংজানরবা খুমন নিংথৌনা খুমনগী কা হেন্বশিংবু লাক্শিন্বা, খৎন-চৈনববু তাইশিন-তেম্শিনবা ঙমদ্রে হায়য়ে। অতুগা খুমনগী লংনা নীঙ্থীজরবা য়াই, য়ুমদা য়োক্পা, য়ুম্শাগী শা-শনচিংবা খোম্জিন্বা য়াইস্নু মবুধৌ অদোন্ য়াইথিংবা, নুঙ্নাং উশোন্বনা ব্রাংখৈ লাইকোক্ পাম্বা. মফৌ লমগী শায়াই চেন্বদা পীথোক্লম্লে। অতুদস্নু নত্তে, শাদানবা চৎপদা পুনবা, লান্ চৎপদা পুনবা য়াই, সৌপোন য়াই অথোই–পাম্মজবতুস্নু, খুমন্গী ঈকোয় কোয়বা শেঞ্জেংগী শরীক্ খীংলগা ফত্তবা লাই-তীন তান্হোরুনবা শরীক্স্নুং খুমন মশা খঙ্হন্দা ব্রা অমা ফাওবা তাক্লমদনা মৈতৈগী মবুংঙো নৈবাক্-খ্বাইগা মরী-মতা থোক্লরবা

সাফোংতনা, মইতিংঙ্ লোইনাই থরান্থাপা, লাইরেন্ সনা মখোঙ্খাতা খুমন্ অতোন্ কৌপা, অতোন্ লওআোন্পনা, লেপ্না কংলুরপকীতমক্, নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ, লময়াঈ কাইখীন্পনা, খুমন্ লেপ্ ঙম্লরোঈ, অতোন্ খীন্ঙম্তরে হাঈনা অরাং পোইরই মইতৈ নিংথৌ, লাইরেন্ মইতিংঙ্ কোঙ্-য়াম্পা তুপী সনা মহাক্থক্তা নোংয়াঈ খুন্কারক্অে ॥ লাই-রেন্ মইতিংঙ্ কোঙ্য়াম্পনা নোংয়াঈ সেল্লই নিংথৌপু, অতোন্ পাইরই ঙাইনে, হাঈনা লাংময়ঙ্ সঙ্লাংচান্, লাংকোই রাইথুংসঙ্তা লৈহল্লপকী নোংয়াঈ খুমন্ নিংথৌ, অতোন্ লম্-য়াঈ কাইখীন্পনা, পোইরই মইতৈ নিংথৌ অসিপু, নোংয়াঈ

থরান্ থাবগী মফমদা অথোইবা লাইগী মখোঙ্থাদা কংপ-গুম্ খুমনগী অদোন কৌবা নুপা, মীবু লোনম্-মীনমহুনা মপুক্-নীঙ্ ওন্হন্বনা কথোক্খিবদগী নোংয়াঈ খুমন নিংথৌ লময়াঈ কাইখীন্বনা খুমন লৈপাক্ মনীঙ মথা তম্বা লৈপাক্ অমা ওইনা লেপ্পা-লৈবা ঙম্লরোয়, লৈপাক্ পানবা ঙম্দ্রে হায়হুনা অরাং মায়কৈদা লৈরিবা পোইগী লৈপাক্কী মৈতৈশিংগী নিংথৌ অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো কোঙ্য়াম্বা (চৈ: কুম্বাবগী মতুং ইন্না, গ: ১·২৪-৩৫), ঈশিং পীবীরিবা লাইগুম্লরহুনা নিংথৌ ওইহুনা পাল্লিঙৈগী হাক্তক্ অহুদা খুমন নিংথৌনা মৈতৈ লৈপাক্তা লাক্খি-কারক্খি। অথোইবা লাই-গুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো কোঙ্য়াম্বনা মশেন ওইবা খুমন লৈপাক্কী খুমন্ নিংথৌবু মবাই থোক্লবশিংগী লৈবাক্কী মঙাই-মশেন্নি হায়হুনা মৈতৈগী লমদা চংলুরবা শামুশিংনা থুংলনবা শঙ/ লোইশঙ্গী লুনা-চান্না তৌনরিবা শঙ, লাংশাঙ্দা থুংহন্দুনা

সেন্-ঙাইপু আইরপস্নুং, থমং লোকৃয়াঈ খাঈনা, লাইচা য়ীরাই খন্না পান্ফপনে, নোংয়াঈ অইপু অতোন্ য়ীপারাই, খুমন য়ীপুরাইনে, নোংয়াঈ পোক্মাপা, খুমন্ সাৎমাপপু, থাপান্ হাঙ্থৌলাংপু লাৎয়োল্লে. নোংয়াঈ অয়াঙ লম্থোক্পপু, অয়াঙ্ লম্লোই তাম্, লইকোঈ য়ীরাৎ সোঈরে, নোংকা য়ীকা তম্পপু তাইয়োল্লে, মান্পী সন্থোম্ য়াইতাইতুনা, সৌপোন্ য়ীরাৎ সোঈরে, নম্-তুখা য়ীরাৎ-তা, নাউতু খোংলেন্ তাইতা, লৌকুম লৌকা লাৎয়োল্লে য়ীরেন্ তম্লেন্ তাইপপু

লৈহল্লবদগী খুমন নিংথৌ অদোন লম্য়াঈ কাইখিনবনা পোইরৈ লমদকগী-মৈতৈ-নিংথৌসিদি খুমন ঐথোয়গী ঈঙাই-ঈশেন ওইতুনা মরী-মতা থোক্লবগী মওং-মতৌদা লৈরবস্ন ঈশিং ঈপাক্কী ময়ায় খায়দোক্তুনা, লাইগী মচা ওইরিবা ঈশিংগী মরাইবক্পু খঞ্জিন্দুনা পাল্লিবা-লৈঙাক্লিবনি। খুমন ওইবা ঐনা খুমনগী ঈপা-ঈপু লাই ওইগ্রবশিং অদু অমস্নুং মথোয়গী লাই, খুমনবু পোক্পী-শাৎপীরক্পা অপোক্-অশাৎ লাইবু কুমজা-কুমওনগী থাবান-থাচৎকী মতুং ইন্না লাৎলম্বহুবু, লাৎঙমদ্রে; লাৎনদ্রে। খুমনগী অয়াঙ্ লম্থোক্পগী লাইথৌ, অয়াঙ্ লম্লোইবা পাংথোক্ত্রবদগী লৈপাক্, অকোয়বা লমগী ঈরাৎ-থৌনী শোয়দে। লৈপাক্তা লৈবা, লাই, নোংথক্তা লৈবা লাই শিংবু তাইনদ্রে, তাইবস্নু লাল্লে। মনা-মশিঙ চাবা শন থোম্-জিন্-তিনশিন্নবা য়াই তাইতুনা শৌনা পোন-ওইনা শেন্নগা থম্লিবা অথোইবা য়াইহুবুস্নু ঈরাৎ শোয়রে। তুরেন্ তুখুন-খোংলম্ ঈরাৎতা নাউহুখোং তাইদতুনা লৌ কুম্বীননবা-কাবিনবা পীবীন্রবা লাৎপাস্নু শোয়রে-তৌদ্রে।। অচৌবা ঈশিং, অরুবা

তাইয়োল্লে, কুম্-পী কুম্-পা লাংপু লাংয়োল্লপকী, নোংয়াঙ্গী য়ীথন্না লাংতক্নঅে, খুমন্ য়ীতোম্মা লাংফেননরে, হাঙ্গীনা লাইরেন্ মইতিংঙু, তুপী সনা মথোঙ্ খাতা, নোংয়াঙ্গী হুংসি ময়াথং, কোল্লোই মাতন্মেন্পু. মুকুমু লৈতোন্ কোন্না রাকৎচথিঅে, হাঙ্গীতপরা ॥ লাইরেন্ মইতিংঙুনা, থৌচান্ মাঙ্গীয়োক্ননা,—নোংয়াঙ্গী সেল্লই নিংথৌ-অো, অতোন্ পাইরই ঙাইঅো,—হাঙ্গীনা লোক্লও, সানা নাউয়োক্পীঙম্অে হাঙ্গীতপরা ॥ নোংয়াঙ্গী খুমন্-নিংথৌ, অতোন্ লম্য়াঙ্গী কাইথীন্পতা নিংথৌ কাংপ-চনু চইরই লাইনুরা, রাংঙম্ লাক্হিমোম্ সাফাপীপু. মরান্ নুহোঙ্ খোঙ্তোং চাওনা, অঙোঙ্ অরুন্ তম্,

---

কংফাল্লম তাইবস্থ লান্না তাইনরে, কুম্গী মপী-মপা ওইবা লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মা লাংপবু লাওহুনা খৌশাদবা অসিদগী খুমন ঐহাক্ ঈথন্দা লাংতক্লরে, ঈতোমতা চরাং-খোঙ্গীরাংনরে, হায়না অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙো, ঈশিং পীবীহুনা তাইবংবু চানবীরিবহুগী খুংয়াথাদা মপুক্লীঙ হুংশি হুংওন্না, মায়থোঙ লুক্থনা নোঙ্-তোন্থবা রাহৈ-রাতানা হঙ্গৎচহুনা রাকৎচথি, হায়য়ে। অথোইবা লাইগুম্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা হুংশি থৌজানবীবগা লোইননা, ঈশেন ওইবা খুমন্শিংগী লৈপাক্কী ঈঙাই ওইরিবা—হায়না চেজেং কোন্শিন্বীহুনা নাউয়োক্-লাঙ্গোন্বীথি, হায়রম্মী ॥ খুমন্ লৈপাক্কী মবুংঙো অদোন্ লম্য়াঙ্গী কাইখিনবদা নিংথৌ কাংংগী ঈদগী লাক্পা কাংহুজম্ শাগৈগী নিংঙোন্, চৈনা লৈ-রগা শাবা ফিগী ফিজেত্তা লাইনুরাগুম্বী, মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্ওইবী, নিংথেম নিংঙোনগী থাক্তগী হন্থদবী কাংহুমজম্ নিংঙোন-শাফবীবু লুহোং—খোঙদোং

তয়ম্ মনাই খাই, কাওরেন্-সন্য়াম্ পী, চানা পন্না সেংনপপু, ময়োই পুম্না-সুনা, পীঅোঙ্লপকা, খ্াইচাতি হৱাইপা মরই-কাঈপু, খ্াই মেন্-তোন্পান্, লম্লেন্ লোইঙাংহা, কংলই সারাক্-পান্তা, মরান্ য়ীম্তাহল্লে, হাঈতপরা ॥ নোংয়াঈ খুমন্-নিংথৌ লম্য়াঈ কাইখীনপতি, কোল্লোই মিংথোংকীপু চুনপনে ॥ ❋ ॥

ৱারোই মিকোন্-থাকোন্

নোংয়াঈ পাৱারী কাউরপা, খুমন্ পুৱারী তৎলপসিংপু, ৱারী নাতৈ থি, সৈঅোং মতা খন্না, সৈসেম্চরম্পনে ॥ য়ীৱাক্মনা, পুনসি য়ীৱাল্লৈ, অৱাং সরু লুতোংলৈ, পাখং

চাওনা পাংথোক্কনা মতীক্ চানা অওঙ-অউন তমহুনা মীনাই মনাই ময়াম্গী শন ময়ামগী পীহুনা চরু-চনাইগী খাহুনা কায়নরুরবা মচা-মনাই, মরুপ-মপাং পুম্নমক পীহুনা-ফংহন্দুনা লৈহনবদগী খ্াই কংলৈ লৈকায় হৱাইবম শাগেগী লৈকায়, খ্াইগী শেন-নীঙবীজবদনা পান্বা-লৈবা ময়ম্, লোইঙাং-হা লমলেন্ কৌবা কংলৈ ময়াঈলমগী শারাক্পান্দা ময়ুম-মকৈ শাহুনা য়ুমদা লৈতাহনখি, হায়রয়ে। খুমন লৈপাক্কী মবুংঙো লম্য়াঈ কাইখীনবদি মশাগী মমিংথোনসিগা চপ চানবনি।

থৱাই-মি কোন্শিনদুনা লাইরিক্ লোয়শিন্বা

খুমন্শিংগী মপা ওইবশিংগী কাউগ্রবা ৱারী, মপু ওইব শিংগী তৎনগ্রবা ৱারী শিংবু অচাবা ৱাখুন্-ৱারোল্ থিহুনা,

কুমচিং লোন্‌খোঙ্ মঙা-তান ফংলৈ, নুরা কুম্‌চিং লোন্‌খোঙ্ তরুক্ ৱাইচীল্‌লৈ, ফৎত্রে নেন্‌চিনপা, য়াম্‌ত্রে চাইচিন্‌লৈ, চারোন্ মঙা তান্‌ফংলৈ. সুরোন তরুক্ ৱাইচীল্ লৈ, নুংপান্ হোঙ্‌নেম্ লৈপুন্‌সিপু, সীঙয়েনতোংতম্ পুন্, লৈৱাং ময়োম্‌সানা লোন্‌চীল্‌লম্‌কে ।। য়ীৱাকৃমতি য়ীমাঙ্গী নোংনেম্ লাইনা পাং, য়ীমান্ কৌপা চীঙ্‌থংলাং, পাংপরম্‌তা আন্‌না, হয়ি-হুয়া লাউনা কোনচীল্ লম্‌কে, হয়া-হে হয়ি-চা, হয়া হরি-ও ।। * ।। * ।। সোক্ ১৭২৩ ।। * ।।

ঈশৈ ওইনা শৈরেংগী মওং-মতৌ থন্দুনা শৈরেং শৈশেমজরমবনি । অইবনা পুন্সি নোংশাংবা ৱান্-না লৈনবা লৈ, লাইশিংনা শরু, ল-তোংদা তোংহন-লৈহনবীরক্‌পা-লৈ, পাখং ওইবগী মথোক্ কারক্‌পগী পুন্সিবু/মতমবু ৫ রক্ তানদা লৈ, নুরা লৈশাবী/নহা ওইবগী মথোক্ কারক্‌পগী মতম্‌বু ৬ লক্ হঞ্জিনহনবা লৈ, ফত্তবা লৈবুনা লেন্থোক্ লৌথোকখিবা লৈ, য়ামদবা লৈ ওইরগনা-হাপচিন-চাইশিন্‌বা লৈ, মচা মরোন্ ৫ গী পুন্সি তানবা ফংবা লৈ, মসুগী মরোন ৬ কী পুন্সিবু লৌবা ঙম্বা লৈ, লুৱাং য়েক্কী পিবা হোঙ্‌নেম্ কৌবনা ফংখিবা পুন্সি নোংশাংবগী লৈবু পাম্বী ময়োন্/ময়েন ওইববু চবুন ওইনা লৈখোক্তা পুল্লগা লৈশিংনা থয়োম্ ওইনা লোনশিন্নরগা কৎচরয়গে । অইবা ঐদি নোংনা নেমথনা পাইবা, লাইশিংনা লৈরিবা মায়কৈ, অৱাং পাংনা ঈমায় ওল্লগা কৌক্রু লমদগী চীঙথাং চীঙলোম্ পাংনা ওন্দুনা, তাইবং পানবা পুন্নমক্কী মপা ওইবা-লাই হয়ি, মমা ওইরিবী লাইরেম্বী হয়াগী মিংথৈ শোন্দুনা কোনশিঞ্জরমগে, হয়া-হে, হয়ি-চা, হয়া—হরি—ও ।। * ।। সক্ ১৭২৩ (খৃ: ১৮০১)

লাইরিক্ সিনপীরমপকী ৱারোল্

সচিফু থা ১৩ নি পানপা সকোন্সেন্তা শ্রী অমাক্চাম্পা তোনচাওনা য়িপতকী সোক্ ১৮৭০, মেরা থা ৮ নি পান্পা নোংমাইচীঙ, বোর নুমিৎতা শ্রী নামৈরাক্পম্ দিনচন্দ্র, পণ্ডিত য়াইমনা সিন্চপনি, ময়েক্ চিৎথরপস্থুং ৱারোপীনুকো ॥

লাইরিক্ শিন্দোকপীরম্বনা থম্বীরম্বা ৱারোল্

শজিবু থাগী ১৩ নি পানবা শগোনশেন নুমিত্তা শ্রী তোঞ্জাওনা ইবদগী সক্ ১৮৭০, মেরা থা ৮ নি পানবা (খৃ: ১৯৪৮, ওক্তোবরগী অনিশুবা থাথায়) নোংমাইজীঙ্ বর নুমিৎতা নামৈরাক্পম্ দিনচন্দ্র, পণ্ডিত য়াঈম (সনা কোনুং পণ্ডিত লোইশঙ্) না শিঞ্জবনি, ময়েক্ চিথ্রবস্থু ৱারোবীগনু ॥